শাগৈ শলাইরোল

মৈতৈগী য়েক-শলাইগী খুন্দাবা পুয়া

খোমজিন্নবা--

ইরোম অমুবি

নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র

ওইনাম ভোগেশ্বর

নাম্বৈরাকপম ইবোচৌবা



র ষ্টেট কলা একাদমি, ইম্ফাল

শাগৈ শলাইরোল

মৈতৈগী য়েক-শলাইগী ৱুমদাবা পুয়া


খোমজিন্‌বা

ইরোম অমুবি

নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র

ওইনাম ভোগেশ্বর

নামৈরাকপম ইবোচৌবা



মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ইম্ফাল

ফো'জবা :—

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ইম্ফাল্।

With Financial Aid of the Ministry of Human Resource
Development, Department of Culture.
BY Govt. of India. New Delhi.



ফেব্রুৱারি, ১৯৯৪
অহানবা খুৎনম
লাইরিক মশিং—১১০০

ফংফম থোকপা হক অপুম্বা
মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগীনি।

মমল—লুপা ৮০/—

Printed at—R B Printing House.

অফোঙবগী ৱাহৈ থরদং

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা, তোঙান তোঙানবা, ইনাৎকা মবি লৈনবা থৌবম-থৌশিল কয়া পায়খৎলকপগী মন্নুংদা, অরিবা ময়েক্তা অহল লম্মনশিংনা থম্বীরম্বা, হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবদা য়াম্না মরু ওইববা, খুন্নাই অসিগী শক্তম ঙাবপা অমদি শাগংপদা চঙদবা যাম্রবা, মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া লৈবাক মাংদা ফোঙদোকচবা অসিস্মু অচৌবা শিন্মা অমনি। মসিগীদমক্তা অথন্নবা আর্কাইভ ইউনিট অমা থমদুনা মতিক চাববা ওফিসাব অমগী মথাদা কুপ্না শেন্নদুনা, মকুওইববা খুৎই লাইরিক কয়া খোমজিন্দুনা অমদি মতাঙ মতাঙদা ফোঙদোক্তুনা অঙম্বা সেবা তৌজরক্লি। হন্দক পুথোকচবিবা লাইরিক অসিস্মু মসিগী শিন্মা অসিগী মথাদা চথজরকপা পবি' অমনি। মালেম অসিদা হিংলিবা জাতি খুদিংমক ঙসিদি নিং লাওনা পাংথোক্তুনা মপা-মপুগী লন কয়া থিদোক্তুনা অতৈ মালেমগী কাংলুপশিংগী মাংদা ঐখোয়গী ইপোৎ ইরলদি অসিনি হায়না শক তাক্লবক্লি। অসিগুম্বা লমজেল অসিদা পিক্লবস্মু খুন্নাই অসিনা যাওশিন্নবা হোৎনবকপগী পরিংদা। হন্দক ফোঙদোকচবক্লিবা লাইরিক অসি য়াম্না মকুওইবনি হায়না খল্লদুনা অখঙ-অহৈশিংগী মোৎ লৌজরগা শেল-থুমগী অরাব কয়া মাযযোনবা নিংশিংলুদনা তুংগী মীবোলগীদমক মীযামগী মফমদা খুদোল তমজরি। মসিদা, থবক শিন্মাগী চবাংনবনা করিগুম্বা মতাঙদা চিথি নাম্বুবা যাওরম্লবস্মু, লৈবাক্কী ঙাকপীহৈবা গুণ-না ঙাক-পীদুনা, মথংগী শাযোনগীদমক শেমদোক্লবা তাকপীরক্লবদি থবক পুজবিবা ঐখোয়না হরাওনা লৌজগনি।

লাইরিক অসি পুথোকচনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা মীশক

অমসুং সংস্থান কথাদগী একাদমিনা মমল য়াম্লবা মতেঙ ফংজখি। মকওইনা পণ্ডিত (লৈখিত্ৰবা) ভোগেশ্বর, খেলচন্দ্র, ইবোচৌবা অমদি অমুবী, অসিনচিংবা লৈবাক্লা লাই ওইনা ঈকায-খুম্নজরিবা অহলশিংদগী মসিবু ফোংদোকচনবগী থৌনা অমসুং মতেঙ ফংজবনা নাকোং শাদনা লাইরিক অসি একাদমিনা পুথোকপা ঙমজবনি। পূম্নমক অসিবু তেক্ত-কাযদনবা যেংশিল্লিবা একাদমি অসিগী আর্কিভিষ্ট ওইরিবা ইবুংঙো আশোককুমারগীস্থ অচৌব। শিন্থা য়াওবি। মসিগা ঈরোইননা শেলগী মতেঙ খরদং ফংজখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিশোর্স, নিউ দিল্লী অমদি নম্বগী অচৌবা পোৎলুম লৌবিবিবা আর, বি, প্রিন্টিংবুস্থ ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

লোংজম জয়চন্দ্র
সেক্রেটরি

শাগৈ শলাইরোল

য়াওফম তাকপা

হিরম	লমায়
খাগেম্বা য়ুম্বি	১—২৭
খাগেম্বা য়ুমলেপ	২৮—৪৩
খাগেম্বা লানফা	৪৪—৪৬
চেখোং	৪৭—৮৬
নোংখ্রং	৮৭—১২৬
কৈরোই	১২৭—১৭৬
লাংথাবাললোন	১৭৭—২২০
শঙ্গায় ফম্মাং	২২১—৩৩৬

শাগৈ শলাই য়ুমদাবা

১। খাগেম্বা য়ুম্বী

মৈহৌরোলকী য়া হায়কে॥ লয়খারোলতি লয়ফ্রেল চম্নুনা পোংথাং॥ পোংহল॥ চিনফ্রোন লয়চিক ঙান্দীনা নোংতমলেম অখুপা। লয়থমলেন চম্নুনা নোংতগলেন অহনপা॥ চিংনু লৈনামা কুরুমলেন মৈনাইপা॥ হাইনু লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইতাপা॥ পিসিনম্নুনা নিংথৌ হয়রোংলেন লোঙচুমপা॥ পিয়াইনুনা নিংথৌ হয়রোংঙাং থঙাংলেন॥ মনাওতি পোইরৈতোন খোংফাং অতোনপনে॥ মসিংতি * তাংখোংতেক কৌএ॥ মচলতি লাইরা মৈতৈলৈমানে॥০॥

লাইরেললোন পীনাইতাপাতি॥ তিলপিরেন॥ লাইয়িরেল॥ খায়িরেল॥ লিংতাউরেল তাউরোইনাই॥ ইথৈনিংথৈস্লুং মানা ওইপানে॥ মমিং লোয়নতুনা লমখামপাতি মানে॥ লাইয়িংথৌনা নেংনা লোয়নপাম্লুং মানে॥ সঙাইসেম ওইপামে॥০॥

লাইরেললোল পীনাইপাতি। লংকক্ লয়য়ারেল চম্নুনা লয়সঙলেন অসংপা॥ লয়তংলেন চম্নুনা লাইতোংলেন ঙতোংপা। লয়ফ্রেল চম্নুনা লিনতা সাংপা॥ কোনফ্ লয়ফ্ চম্নুনা কোনমৌরেল॥ লাইয়েক লাইখোং চম্নুনা কুপত্রেং॥ সেনত্রেং ২ মা পোকএ॥ কুপত্রেংনা অঙোম পোকএ। সেংত্রেংনা নিংথেম পোকএ। পিরিংনু॥ অরৈনু॥ মাইরেংহৌপা চম্নু নোংতা লোংখল লেমপী॥ লয়নুংয়াপী য়াখু চম্নু॥ চাখা হুরোলপিরোল য়ামপী কৌএ॥ য়িমচাউ লৈমা ওইপী॥ লৈমা ও

---

* পোইরৈতোনগী অতোপ্পা মমিং

লক সানগনপী ।। নিংথৌ ৩ লক গননা লৈমা ওইপী । লযনুং যাপীরোকনা
* নোংতা লাইরেল পাখংপানে ।। নিংথেম পোকপা ব্রানে ।।০।।

অঙোমলোন পিনাইতাপাতি ।। নোংখল সাংপা ।। নোংখল যাঙপা।। চীংখল সাংপা। চীংখল যাঙপা।। ৪ মানে।। লাইমেক লাইথোং চমুনা কুপত্রেংনে।। থাকপা নিংথৌ চমুনা পুরাংনে।। চীংরাংলনকী পুরৈবোনপানে ।।০।।

তাউপারোলতি।। হেপী কৌঙৈতি হুইবোল ৫ পোকএ । নুংমু চমুনা অকাইপানে।। তাউপিরোহনাইনা বোযমাযুংনে।। তাউপা কাতনপানে ।। পিকোইমুনা হুইত্রুনে ।। চাপোনমুনা হুইগিংতাংনে ।। লযনু চাউপীনা হুইরাংকোযনে। লযনু হেপীনা লাংচেং খাঙনৌ-পানে ।০।।

চক ১ রককীতি নিংথৌ কাংপা ।। লৈমা তানু ।। নিথৌ তারি ।। লৈমা কাংখল ।। নিথৌ কাংপা লৈমা তানুনা অমবক পোক-পাতি ।। কোংকোইনা পোং পোকএ ।। তৈনানা মৈতৈ মানপী পোকএ। যাং মানা মযাং পোকএ ।। তেসরোংনা তখেল পোকএ।। উরেল খুপানা কুমু পাথান পোকএ।। উরেল হনপানা মোইবাং পোকচোন পোকএ।। হবেনা তুন পাসা পোকএ।। থাপীনা থাকীকা চাইনেনকা পোকএ ।। লংপানা লাংতেনা মোইবাংকা পোকএ।। মী অসিতি পাখংপাকী মমাঙতা মবোল ১ পালডৈকী বানে ।। [১] চাকতি চাতুন পালএ ।। [২] যি ৩ চী পাখিতা পালএ।। [৩] খুমতি খুমনমপীতা পালএ ।।

---

* নোংদা লাইরেন পাখংবা= খৃঃ পূঃ ৩৩ শুবদা মৈতৈ লৈবাক্তা পানখিবা নিংথৌনি। মাপী মমিং যাম্না লৈ। মিং অসিমক্তি ফবাল মিংহুন্নি।

১। থোংদবা লৈ মপুমগুম্না চাক্কী শরুক ওইনা চাবা যানবা পালএ

২। ফিরোল নিঙথিবা শেংলমদে উকু-বাকুগুম্না ওইরম্মী।

৩। খুমবী কোবা পাম্বীদু চানরম্মী।

[৪] সাতি সায়ানতা থোকএ ।। [৫] ঙাতি ঙায়ানতা থোকএ ।। সীংপোৎ লাপোৎতি হোইরপাকা মাথন্না চৎচৈএ ।। মীরোল অসিনা পাললমগৈকী বানে ।। মাখোয়না হৌথিরপাকা লোইথিরে ।। মী লাই মরক ওইনগৈকী বানে খঙও ।।০।।

পাসাকী নিংথৌরোলতি ।। লোন অহানপাতি লাইনে ।। তিনমুনে ।। পোপরোই ।। অমাউন্ ককসারা পারান সা ।। সাকপ তেসা ।। সেতোসা ।। সিনসা ।। য়েনতোনসা ।। তাউথুৎসা ।। মাখোয় অসিনে ।।০।।

পোইরৈতোলোনতি :— লাইতোংলেন চম্নুনা লয়সাংঙানপনে ।। লৈচিকলেন চম্নুনা নোংতমখুপা ।। লয়থমলেন চম্নুনা নোংতম হনপা ।। হাইম্নু লৈমানা কুকমলেন মৈনাইপা ।। চিৎম্নুলৈমানা কুরুমলেন মৈনাইতাপা ।। চীংঙুরৈমানা পোংহন্নাউ । পিশিনথানা থঙাঙপা ।। পিসিনম্নুনা হয়রোংঙাঙ ।। পিসিনথোমপীনা হয়রোংনাউ ।। পিয়াইম্নুনা পোইরৈতোন ।। লাইম্না হেনলোই ৭ মানা সলাই ৭ মা ওইনা খায়রুকপকী বা হাযকে ।।

সলাই তারেৎমানে।

লয়রক লয়যারেল চম্নুনা লাইম্না মৈতৈলৈমানে ।। পাখংপা নিংথেম পোকএ।। লাইয়িপীতি অন্থমম্নুনে ।। নোংলুম কোলএ ।। অঙোম পোকএ ।।০।।

লক্পীতি মরৈম্নুনে ।। হামেঙ খোলএ ।। খুযোনথেম পোকএ ।।০।।

মাঙরাইপীতি তোনথাংম্নুনে ।। সাম্নু কোলএ ।। খুমন পোকএ ।। তুরাইপীতি পোইম্নুনে ইরোই কোলএ ।। লুয়াং পোকএ ।। লাংকাপপীতি থেবেতোংপম চম্নুনে কৈ খোলএ ।। ঙানপা পোকএ ।। লয়কক লযয়ারেল চম্নুকা ।। তোনথাংম্নুকা লৈপাক য়েংনা কুমখিএ ।। চিৎম্নুনা অন্থমম্নুকা লক্তা কুমখিএ ।।০।।

৪। উনা অছু শাগী মনম নহা উগী মনাছু চানবম্বী।

৫। উগী উনানা ঙাগী মনম নহা পাবাগী মনাছু চানবম্বী।

লাইস্নাকা মরৈঙ্গুকা হনখৎলকএ॥ পাখংপা॥ অঙোম খুয়োন-থেম॥ খাপা ঙানপা॥ লুৱাং॥ সৱাং লৈসাংথেম॥ হাওরোক কোনথৌ॥ মানতিং মবাং॥ লেৱা খোংনাং॥ থাঙঙা কমপোং॥ লোকখু লোকহন॥ হয়রেম খুনচান॥ লোকখা হাওকা॥ সলাই ৭ মা খায়খোকপা মফম ত মংলেন মনুংলমতা লৈপানে ॥০॥ মাই-পালোনগী সলাই চেনলোহ ৭ না খাযথোকপা নফম ত অসিনে খঙও ॥০॥

চক ১ রক্কী নি খোংরালতি॥ লৈনা উকম খোংচোনপী॥ নিংথৌ ককস্থপা॥ তোনকোনপা॥ সাককপা॥ ৱানকাপা॥ কাংপা নুংসন ভানপা॥ পিতিংকোই॥ লামপিচা॥ নিংথৌ সোপাইপা॥ বোন-ফুচানে ॥০॥

নিংথৌ সিঙ্ চন্তপাতি॥ অতোম য়োইরেনপানে॥ লাইরেন-পানে॥ কোইরেমপানে॥ তাঙচাখোনপানে ॥০॥

ময়খাবোলতা তিননাপাতি॥ নিংথৌ মুংযাংচাউপাকা॥ মনাও ভাংক্রুন লুমযপানা ২ মাতি পাখংপাবী ঈনে ॥০।

লোকথা হাওথাতি। চকপানে॥ অরো নে॥ য়োইমোংপানা লোই চনবিঙৈতা নিংসেমপাচা ইনপানে ॥০॥ অঙোননে॥ কোঙপমনে॥ লুরোংচমনে॥ হিতমনে॥ অসিতি অমহানে ॥০॥ নিংঙোনপম॥ লাইভোনচন॥ কস্থান॥ অকোইচম॥ মুংসাং খোংনাং॥ লমপুই॥ কাসোন অসি খৈংপক অরোংনে॥

অঙাংঙাকী ঈাত পোকচোম॥ সোয়পম॥ অরোংকা নামুংন-পানে ॥০॥

সৱাং লৈশাংথেম :— মোইবাং নোনথৌচম॥ লোকতেনপম॥ মোমিয়ানী সাকৈ খুমুকচম॥ পেংকৌতা লৈপাতি সোংপু হাঙনে॥ খুগন লুৱাং॥ হয়নেন খুনচান॥ থাংঙা বনপোং॥ ককলা চেমচেং॥ লানপী সনসেন॥ ১থান থংনান॥ সলাই অমহানে॥ লুৱাংনে সৱাং লৈসাংথেমনে পিকীতনক নামুংনএ ॥০॥

নিংথেমলোনতি :— লয়নুং য়াপিরোকনা নোংতা লাইরেন পাখংপা ॥ লাইসনা হয়রোং নিংথৌ চন্নুনা খুই পাখং য়োইরেনপা ॥ নোংমোইন্নুনা তাউথিংমাং ॥ হাওস্নুখুনা খুই নিংঙোনপা ॥ হাওস্নু-হননা পেংসিপা ॥ লাইতোংখুনা কাউখংপা লাইতোংহননা নাউখমপা ॥ য়াওরৈপা চন্নুনা নাউফংপা ॥ কাইরৈমানা সনৈরাং ॥ লাইরৈমানা কোনপৌপা ॥ থাবরোননা নাউথিংখোং ॥ খমস্নুরোননা খোঙতেকচা ॥ পুকৈরেল চন্নুনা কৈরেনচা ॥ লোইচাবা চন্নুনা য়ারাবা ॥ লানপাস্নুনা নিংথৌচেং ॥ লামপাস্নুনা চেংলৈ ইপাল লানথাপা ॥ লামপাস্নুনা থিংপাই অতোনপা ॥ লানপাস্নুনা য়াংলৌ কৈফাপা । খোংলৈমানা ইরেংপা ॥ হাওরৈমানা লোয়য়মপা । স্নুমলৈমানা লোইতোংপা ॥ সংলৈমানা অতোম য়োইরেমপা ॥ সংলৈমানা ইরানথাপা ॥ লিনস্নুরোল খুরোইঙমপীনা থরানথাপা ॥ তোকাইঙমপীনা চীংথাং লানথাপা ॥ নিংথৌপোকপীনা পুরানথাপা । খুমোমপা । য়াংলৈঙমপীনা মোইরামপা । খুমনথেমপীনা থংপি লানথাপা ॥ য়াওস্নুঙমপীনা কোঙয়ানপা ॥ খনপা ফাপীনা তেলহৈপা ॥ সনারেমপীনা তপুংপা ॥ লমফেনঙমপীনা পুনসিপা ॥ লামপাস্নুনা নিংথৌখোমপা ॥ লিনথোইঙমপীনা কিয়ামপা ॥ সেনপুং লোকপীনা লমক্যানপা ॥

তাংখুলঙমপীনা কপোমপা ॥ হাওচোংঙমপীনা চালামপা ॥ কৌপা লমফেলঙমপীনা মুংয়ামপা ॥ চাংপোমপীনা খাকেমপা তাং-পোম্পা তাইপোনপীনা খুনচাউপা ॥ তাংচাখোনপীনা পাইখোমপা ॥

য়াওরৈবা চন্ন = মৈয়েংবম নিংঙোল ॥ কাইরৈমাদি খুমন চন্ননে ॥ লাইরৈমা = খুমুকচমনে ॥ থাবরোল = নোংচেনবমনে ॥ খমস্নুরোল = সলামনি ॥ পুকৈ-রেন চন্ন = হাওকু লমতননে ॥ লোইচাবা চন্ন — লোট চন্ননে ॥ লম্বাম = অরাম্বমনে ॥ খোংলৈমা লাইরেম্বমনে ॥ হাওরৈমা = খুমন চন্ননে ॥ স্নুমলৈমা = নোংমাইথেম্বনে ॥ শংলৈমা = খুয়োনথেমনে ॥ লিনস্নুরোম = থাংঙা কমপোংনে ॥ তোকাইঙম্বী = চকপ্রম চন্ননে ॥

ঙাইখোংঙমপীনা চরাইরোংপা ॥ নোংথিল চাইপীনা পামহৈপা ॥ পাইথু লানথাপীনা মেনখোমপা । ০॥

অঙোমলোনতি ঃ— নোংখল সাংপা ।। নোংখল য়াঙপা ॥ চীংখল সাংপা ॥ চীংখল য়াঙপা। ৪ মাতি পিনাইতে। খাকপা নিংথৌ চমুনা তারিনে॥ তা'রি অসিনা সনথোং পুনেমপা মচা হুইমু লৈমা পাননাতুনা মুংঙৌ যিমথংপা পোকএ ॥ মুংঙৌ য়িমথংপাতি লৈসাংথেম পইখিএ ॥ তারিতি পাখ যোইরেনপা মচা কাংখলপু লোযনাতুনা মথকতা কাখিএ। পুনা পুরৈবোমপা পোকএ। খাকপা নিংথৌ চমুনা নিংথৌ তারিনে। লৈমা কাংখলনা পুরৈরোমপা। পিথেৎলৈমা লয়হৌ নিংথৌ চমুনা খাংহন অহনপা। খাংযেং যাহমাপা। থমখুং ইরাইথংকা ও মা পোকএ।

থাং অহনপানা লংমাইথেম পোকএ। খাং যাইমাপানা হিতম পোকএ। ইরাইথং অতোনপানা ফমবাল তোংএ ॥০॥ হাওনিংসং ফুরৈসংপীনা হংকেল লোংনা থাপা। লুরোংচম পোকএ। লয়হৌ নিংথৌ চমুনা সীংমেৎ যোইরেনপা পোকএ। অহো থমসা পোকএ। লযহৌ নিংথৌ চমুন তোনতৌ। লযহৌচমুনা থিরাং। লয়হৌচমুনা ঙংতৈ খুনতাপা। উযেল লৈনা থংকোংসুনা লাংকম নুংচি লানথাপা পোকএ। খুনাইলৈমা ফৈতাংসুনা তেংলৈ সিকোং লানথাপা চকপ্রম পোকএ। থাঙরাহ খুনচানপানা লিকসিসু পাননাতুনা মৎসাতাপম পোকএ। পুরানথাপানা চিংকাংপম পোকএ। অযাংফাপীনা লাইরেন হিথামপা সাইরোম পোকএ। খুনাহ লৈমা মরামপীনা হাওসিরককী

নিংথৌ পোকপা _ মংশদমনে ॥ য়াংলৈঙথী = খুমনপেমান ॥ খুমন খোম্বী _ কোংবম চমুনে ॥ যাওসুঙথী (য়াওশোম্বী) — অঙোম চমুনে। থমপাফাবী = অঙোমনে ॥ সনারেম্বী — হিথামনে ॥ লমফেনঙম্বী = অঙোম চমুনে ॥ লমবাম্ব = অরাখম চমুনে ॥ লিনগোইঙম্বী = অঙোমনে ॥ শেনবুং লোকপী — থিঙোম চমুনে ॥ ভাংখুলঙম্বী = মংশদম চমুনে ॥ হাওচোংঙম্বী = অঙোমনে ॥ লমফেনঙম্বী = অঙোম চমুনে ॥ চাংপেম্বী _ অঙোমনে ॥ তাইপোম্বী = সোম্রবম চমুনে ॥

চান্নফাপা। **থাংয়েনপম** পোকএ। লুক্রাম চন্নুনা নোংয়িনফাপা। ফাকপা থব্রানথাপা। সোনাইতে। খুরাইলৈমা হেমখুঙমগী কৈসিং লেনপী। লানসিং চায়পীনা নোংপোক কাউসোমপা। সোইনাইতে। লানসিংফাপীনা য়াওস্নুঙনপা। চাংপোমপীনা কমপোংফাপা। খুনচাম পোকএ। সোনাইতে। চাংপোমপীনা খোংচোমপা সোনাইতে। পুয়াম চন্নুনা পনসাঙমপা সোইনাইতে। খুবাই লৈনা মংসাঙমপীনা কিয়ামপা **থরিপম** পোকএ। সেকমুঙমপী চৌকাংফাপীনা লংলোইঙমপা। **নোং-থোনপম** পোকএ। খুরাইলৈমা মপাউঙমপীনা ললহাংঙমপা। অবাং-স্নুমপীনা মরিংঙমপা। খুরাই লৈম তোনপুংঙমপীনা হে হে। কোনলোয় ফাপীনা কমপোংফাপা। লমফেলঙমপা ॥০॥

লুরোংচম লোনতি :— হাওনিংসং মুরৈসংপীনা হংকেল লোংনা থাপা। ঙান্নুনা খুৎসা। ঙান্নুনা সিংনুং। ঙান্নুনা লৌনং। মোইরাং-থেম চন্নুনা লুরোং। মোইরাংথেম চন্নুনা চাউরা হোঙপা। মোইরাং-থেম চন্নুনা খুকা য়াতোনপা। মোইরাংথেম চন্নুনা মঙাইচৌপা। লুরোংস্নুনা হাইচৈপা। ফাইরৌস্নুনা চরাইরোকপা। ফাইরৌস্নুনা লৌতা। অখোংচম চন্নুনা সমলোইপা। সাৎপম চন্নুনা পোরৌ। সাপম চন্নুনা অরাই। মপুতি পুরাংনে ॥০॥

কোংপম লোনতি :— অঙোমতাকী থাইখিপানে। লয়হৌন্নুনা ঙতৈ খুনতাপা। উয়েল লৈমা থংকোংস্নুনা অথা কোংয়ামপা। থিংপাফাপীনা লোইনেনপা। মোইপা ফাপীনা। সিকোং লানথাপা। কাইরংপাস্নুনা অস্নুম-অঙেংপা। ইকোপলানথাপা চন্নুনা খুমোমপা। নিংগৌচম লনলৈরাকপা চন্নুনা খুমোমপা। লুক্রাম চন্নুনা পুরানথাপা। লুবাং লংমাইপা চন্নুনা ইবানথাপা। নিংথেম চন্নুনা তাংঙান্নু। য়াই-

---

তাংচাথোম্বী = সলাম চহনে॥ ঙাইখোংঙম্বী = ঙাংবম চহনে॥ নোংথিল চাইপী = সাৎপম চহনে (খুমন চহু) ওইবীনে॥

সিথুন লাকপন চম্নুনা সনা হিহোন। য়াইসিথুন লাকপগ চম্নুনা চীংসোং। য়াংপেন চম্নুনা হাওপা ॥০॥

থাকপা নিংথৌ চম্নুনা নিংথৌ তারি পাখং য়োইরেনপা। মচা লৈনা কাংখননা পুবৈবোনপা। লয়হৌ নিংথৌ চম্নুনা খাংয়েন অহনপা। লয়হৌ নিংথৌ চম্নুনা পুতান। লয়হৌ নিংথৌ চম্নুনা হেমতৌ। লয়হৌম্নুনা বাবৈ লনথাপা। পুরানপাপা চম্নুনা খোকমৈ লানথাপা। খুংশমপা চম্নুনা তাংখুল ওমপা চাংতোনফাপা। মোইরাংথেম চম্নুনা কনসোইওমপা। তেরে বাখৈবাকপম চম্নুনা কোওয়ামপা। লুক্রাম চম্নুনা চিংচারোংপা। লুক্রাম চম্নুনা নিংথৌখোমপা। পোম্সন চম্নু কোমনম্সুনা বখৈবাকপা লুকোনপা। চেংলৈস্নুনা মুপা। লাইকোকস্নুনা কনসোইওমপা। মোইরাংলমপম চম্নুনা সনালেম্পা। থবানথাপা চম্নুনা মুপানে ॥০॥

ফানতেক লোনতঃ— [১] লিকলাপিচা নোংতম্নপু সবারেননা তোং পায়তুনা খোইতোম পোকএ। লুরাং পুনসিপা মতু হাওসিয়াং পুয়ংপা চম্নুনা মচা ওইনা য়োনবৈএ। মানতোমনা লেরা খোংনাং ওইখিয়ে। লিকলাপিচা নোংতম্নুনা খোইতোমনে। খুনচাউস্নুনা ফাননে। খুনচাউস্নুনা খোই পুনিংনাপা। লাইয়েক খুপীনা ওরংনে। লাইয়েনহনপীনা বাইমু। য়াইথিংকোনপা চম্নুনা মকো মিংথোনপা। থিংমোইকাংপা চম্নু। তোনপীস্নুনা সোংলাইপা। চেংলৈ নিংথৌ চম্নুনা। নিংথৌ য়ুকাংপা। পোকপী লৈমা, লৈমা লাইয়েং খুপীনা থমলোই অহোওপা। নিংথোনপম কৌরিপা খৈপিককী সাখৈনে। লাইতোনচম। কসোম। ও মানে ॥০॥

১। লিকলাপিচা নোংতম অসি পুবৈরোম্বগী নুপীনি, মহাক বৌরগ ওাওনম্নুনা খোইতোমবগী মথা মান্দোম অসি পোকখি। অদুনা লুরাং পুনশিবগী দুপী হাওসিয়াং, য়াংবা চম্নু অসিনা মচা পোক্লুবদা অত্তাংদু য়োকচখি।

লেয়া খোংনাংলোনতি :— লিকলাপিচা নোংতংয়ুপু সয়ারেমনা তোং পায়ছুনা খোইতোম-মানতোম পোকএ ॥ খোইতোমতি ফানতেক ওইখিএ। মানতোমতি তিংকোই নিংথৌ চমু য়াইপিলৈমা পাননাতুনা থমপোংনে ॥ লুরাং মাইসাপীনা লেয়া ॥ ঙামুস্নুনা খোংনাং ॥ অসিনা ছুংসাংখোংনাংনে ॥ লমপুই । কাসোম অসি থৈপিক ওইখিএ ॥ ঙামুনা মাসৈম কোনখু ।। ঙামুনা য়াসা ॥ ঙামুনা চাঙান ॥ ঙামুনা হাওরা ময়ুম সনছোংপা।। মোইরাংথেম চমুনা নিংথৌ কুরাউবা।। খোঙলোই চাউপা মখিমনে ॥০॥

মোইরাং খোকচোম লোনতি :— লয়ফ্রেন চমুনা য়ুচেং ॥ লয়চিকলেন চমুনা য়ুকৌরেন ॥ লয়থমলেন চমুনা থিং থিং লাংপা ॥ লয়নুং য়ুপুরোই চমুনা হেপু কংচিকপা ।। ঙাংচেং লৈতকপা ॥ লৈমুং য়ুমাউরোই চমুনা উরেন হনপা ॥ লয়নুং য়ুচাখা চমু ঙাংসপীনা ঙাংছুনখোক ॥ ঙামুনা ঙাংঙাসা ॥ ঙামুনা কোবয়েন ।। অঙাংঙা ॥ লৈমা লাইরোক লেমপীনা খোইনাই য়িমথংপা ॥ খামপী লৌখাম চমুনা পুমিংনপা থমপা ।। মায়নৌ চমুনা খোইনাই খুনতারা ॥ থমপা য়িমলেনপা চমুনা থমপা চয়মাপা ॥ লোকলাংপম চমু অতাং নাগোইস্নুনা লাইকোন ॥ নাগোইস্নুনা খোইনাই থাপানপা ॥ ফাইরৌস্নুনা লমথোক ॥ ফাইরৌস্নুনা লমসিং ॥ চিংমু তাইমু চমুনা মরীংঙমপা ॥ নাউথোংচম চমুনা খোইনাহ অতোনবা ॥ লংমাইথেম চমুনা ওমপু ॥ নাউথিংখোং চমুনা খোইনাউ ॥ লংমাইথেম চমুনা ওমপু থনকাপা ॥ থিংমুচম চমুনা হাওপা ॥ খোকয়াইচম চমুনা খুনচান ॥ ওইনাম চমুনা য়াপু ॥ হিচম চমুনা তখেল ॥ সাপম চমুনা কাপোমপা ॥ অয়ানপম চমুনা তোনসেননে ॥০॥

কোৌপারেন অঙাংঙাকী ঊতি :— মতু লাইরোকলেমপীনা মচা ৫ পোকএ।। খোইনাই অহনপাকী ঊতি খোকচোমনে ॥ খোইনাই

য়িমথংপাকী ঈতি সোয়পমনে ॥ য়ুকোকথোং য়াইমাপাকী ঈতি তাইমাচমনে ॥ ইরুম লৌথিপাকী ঈতি বাংথৈপমনে ॥ মাউরুম অতোন-পাকী ঈতি সিতাপমনে ॥ অঙাংঙানা কাংমুচম চন্থ ১ লৌতুনা হাওপা পোকএ ॥ হাওপা অতুনা খোমাকা ॥ তোরাকা ॥ ২ মা পোকএ ॥ খোমা তোরা ২ মাতি মচিল মনাওনে ॥০॥

উরোকলোনতি :— নোংসানে ॥ মরানে ॥ পোরানে ॥০॥

লোকথারোলতি :— লোকথা ॥ হাওথা ॥ অহৌহাওরোঙ ॥ অহৌ ঙামা ॥ য়ৌ থোকসেন ঙাসেন ॥ পুকসি লাইতং ॥ য়েনবাই নিংথৌপা ॥ শাথৈতি চকুপনে ॥

নিংঙেল সিথোংতি উরুপনে ॥ লিসমস্থং অসিনে ॥ য়োইমোং-পানা হিংলপাকা ॥ ঐনা হিংপানে হায়তুনা নিংথেমপাচা ইলহলএ ॥

তেংলৈরোলতি :— তেংলৈ মুংচা ॥ হাওরা মুংচা ॥ হাওরম কোকচা ॥ হাওরম সাংচা ॥ তেকতাপা ॥ তোয়তাপা ॥ পানমা তোমপা ॥০॥

মানতিংলোনতি :— মানতিঙ্ তিঙনা লৈফোন ॥০॥

থরারেনতি :— থরা কোইচিং ॥ কোইমা ॥ তিনচেং তান-চেং ॥ থোকসেন ঙাসেন ॥ থোংথোক থান্থোক ॥ খুমুনাউ ॥০॥

লৈসাংথেম লোনতি :— কতি লৈমরেননে ॥ মুংকারেং নোংতম সাংপাকা থাকপাকা পোকএ ॥ থাকপকী মমিংতি তনৌ তরেংপ' কৌএ ॥ মমিং ২ মাতি মুনলৈমানা পোকএ। থাকপা অসিতি খুয়োনথেমকী মকোকনে ॥ থাংরাইপীনা হা হা পোকএ ॥ লিরি লৈমনা কোংঙা পোকএ ॥ নুংমু নুংঙৌ লৈমা সনা নুংফান তোংফপীনা পাখং য়োই-রেনপা পোকএ ॥ পাখং য়োইরেনপা মতু সিনপী লৈমা লয়তং নিংথৌ চম্বনা নিংথৌ কাংপনে ॥ লৈমা তারিনে ॥ মোরিয়ানে ॥ ফম-পালচানে ॥ সমতাইমুনে ॥ নোংমোইমুনে ॥ নিপা ৩ মুপী ৩ মুপনা

৬ মা পোকএ ॥ পাখং য়োইরেনপাকা থারোং লোইরেনপাকা ২ মা পোকএ ॥ লিমি লৈমনা খুম খুম হা হা ॥ খুম খুম লৈমানা বাননে ॥ হুইমু লৈমনা মু ঙৌ য়িমথংপানে ॥ লমলেকসাং হাও ওইপা চীংতা কানা পাময়ানপানে ॥ মনাও থেংকোইপানে ॥ ৩ মা পোকএ ॥ লমলেকসাংনা কপুই হাও ওইখিএ ॥ তোনপা থেংকোইপাতি হাওরোক কোনথো ওইখি-এ ॥ মুংঙৌ য়িমথংপাতি লৈসাংথেম ওইখিয়ে ॥ হুইমু লৈমনা মুংঙৌ য়িম-থংপানে ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা য়ুচিকলৈনে ॥ মঙাংনিংথৌ চনমু য়ুকাংকৌ ॥ মেমুনা সরাতোন ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা সরা পুকতাং ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা সরাঙানৈ ॥ মঙাং নিংথৌ চমুনা খোংচি মুংলাইপা ॥ য়াওরৈপা চমুনা নাউফং অহনপা নাউফং অতোনপা পোকএ ॥ নাউফং অহনপতি চেংলৈপম ওইখিএ ॥ নাউফং অতোনপাতি নিংথৌ ফমপাল ওইখিএ ॥০॥

খোংচি মুংনাইপা মতূ পেমুনা থাওয়ি তাউপুং খোংতৌপা লবাই মানসরীকনা লমলোইপা ॥ মাকী ঈতি ইরেম তোইপীলৈমা লুবাংখুপা চমুনা পাংথং অহনপানে ॥ য়ুনাউরোই য়াইমাপানে । কামু অতোন-পানে ৩ মা পোকএ ॥ পাংথং অহনপাতি থাংচমনে ॥ লৈসাংথেম অরাংকী মথৈকা রাইবোকপমকা অসিনে ॥০॥

কামু অতোনপাকী ঈতি ঃ— মাইপা খিয়াম ॥ মঙাং নিংথৌ চমুনা খোকাপম ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা খোচেপ ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা পাখৌ ॥ মঙাংনিংথৌ চমুনা মচা ৫ পোকএ ॥ অহনপাতি মরৈপা কৌএ ॥ লমলৈ লাকএ ॥ ১ তি খুনতা খুনতোন লাকএ ॥ ১ তি খুনতোং লাইচাপা কৌএ ॥ লৈচোন লাকএ ॥ ১ তি হারাইপা কৌএ ॥ খ্বাই লাকএ ॥ ১ তি থমপোং লাইচাপা কৌএ ॥ য়াইসিখুন লাকএ ॥ অসিতি য়ুমলেপনে ॥০॥

য়াওরৈপা চনুনা চয়হোৌপা ঃ— য়াওরৈপা চমুনা পানচিংপা ॥ য়াওরৈপা চমুনা য়ুনোংপা ॥ য়াওরৈপা চমুনা ফমবোইপা ॥

কোনথৌচম চমুনা অয়াপা ।। খোংলৈমা লিকসিস্নুনা লেমখোং লৈসাংথৌ ।। থিংপাই সেলহোংপা চমু কোনলোয় লৈমা খুতোপ চাউপ্লীনা অয়াংপা ।। থাপুংস্নুনা লৈসাংথৌ ।। চাপুংস্নুনা অয়াপা ।। লোকোনস্নুনা নমান অতেং-পা লয়রায় থাংপক সাপা ।। লোকোনস্নুনা থ্‌পলোপা ।। অতাস্নুনা লৈশাং-থৌ ।। অতাস্নুনা অযাপা ।। খোংপাইস্নুনা সাকাইপা ।। থোংকাইস্নুনা তেলহৈপা ।। লোরেম চমুনা লমলেন্‌পা ।। লোপম চমুনা লময়ামপা ।। মতু লাইবম চমুনা খোংফেনঙমপা ।। লংমাইথেম চমুনা লয়সাংথৌ ।। হয়রাং-খোংচম চমুনা কংলা হোঙপা ।। পোংস্নুম চমুনা পোরৌস্নু হিথাপা ।। লুক্রাম চমুনা চীংসোং ।। খোইসনাম চমুনা লংমাইনে ।।০।।

সরাংথেম লোনতি ঃ— তোইপিলৈমানা কামু অতোনপা ।। [১] যাওরৈপা চমুনা চেকলৈ ।। কমপোংথেম চমুনা সরাংথৌ ।। নিংথৌ খোংচম চমুনা কংলা ।। থানুস্নুনা য়েনলাংপা ।। সৌকাইস্নুনা কমপোং পামপা ।। নোংচেংস্নুনা হাওমাপা ।। লাংকমস্নুনা থাক ।। নিংথৌ চমুনা সনা নিংথৌপা ।। নিংথৌচম চমুনা সানান মতেকপা ।। খমপা উতেক য়ানপা চমুনা লাংনৈ ।। লুরোংচম চমুনা তেকআ ।। মুতুম চমুনা অখা ।। নিংথৌচম চমুনা তোনপা ।।০।।

মোরিয়া ফমপালচা লোনতি ঃ— পাথং য়োইবেনপা মতু সিনপীলৈমা লৈতংথৌ চমুনা মরিয়া ফমপালচানে ।। মঙাংনিংথৌ চমুনা খোইপা পোংথাং ।। ঙামুনা ঙাংচেং ।। মঙাং নিংথৌ চমুনা রোইথাং ।। মঙাং নিংথৌ চমুনা ঙাংচাউ ।। খাপারোল চমুনা খোইনাই ।। রাকোংনিংথৌ চমুনা কাংকু ।। খাপারোলনা * পুমিংনপা কাংপা ।। লং-মাইথেম চমুনা খোইপা চিনাইপা ।।০।।

১। যাওরৈপা চমু = মৈযেংবম নিংঙোল

* পুমিংনপা = মপুগী মিংগা মান্নবা

মোইরাংথেম লোনতি ঃ— ...লপী মাইপীনা চেপপা ঙানপা ॥ চেপপী ঙানপীনা লৈনীং কোয়রপা ॥ সিহিংলেন ॥ মাইহিংলৈন ॥ অঙাংনে ॥ অঙাং হুংঙাংলেননা ॥ তুমাখিংপা ॥ তুমাখিংপানা ঙোই তনৌপা হিংহিংনে ॥ লয়নুং যুচাখা চমু ঙাংসপীনা ঙাংনিংসিংনে ॥ ঙামুনা নারোং ॥ ঙামুনা ফাং ফাং ॥ ঙামুনা সুমুচা ময়াং লোইনেনপা ॥ লাইরা লৈমা ফিংমোই কাংপীনা ইরাং ফৈতেনপা উরা থুনতাপানে ॥ মোইপী লৈমা ফিংমোই কাংপা চমুনা সনা লাকখুরা ॥ চীংঙু লৈমা নোংথাইনিংথৌ চমুনা ॥ অতোললককী লোইচা ওমপা সোঙলেন লানথাপা ॥ রাংনু নামোইমুনা খোকথৈ লানথাপা ॥ ফাইরৌসুনা উরা কোংয়ামপা ॥ ফাইরৌসুনা চিংখু তেলহৈপা ॥ হৈরেম লৈমা নিংপৌ চমুনা থাংকা ইফেল লানথাপা ॥ রাংনু লৈমা মায়নৌ চমুনা ইথাই কাইরেমপা ॥ মৈতেংঙু খুমোমপা চমুনা হাওথৈ লানথাপা ॥ চাবনফাপা মকু থাপ লমপম চমু য়াংলৈঙমপীনা লান্নিন্ য়োইরেনপা ॥ তেরে রাংথৈরাকপম চমু চকপা পাননেমঙমপী অমে থাঙসাফাপীনা পুনসি খুরেন চনপা ॥ খামপী লৈমা কোঙয়ামপী ঙানথা লৈমা চারন ফাপীনা সনা হোঙপা ॥৩॥

চাউপা সৌপোন ওমপকী ঈতি ঃ— চোংথাম ৩ মানে ॥

হাওরাহনকী ঈতি ঃ— মেনলৈপমনে ॥ ময়াংতি নাহানে ॥

উরা থুনতাপকী ঈতি ঃ— মোইরাংথেমনে ॥ কিসাপা পুখমপমনে ॥ রাবেপপমনে ॥ নাঙ্গেংপমনে ॥

সনা লাকখুরাকী ঈতি ঃ— মোইরাং নোংথোমপমনে ॥

চীংখু তেলহৈপকী ঈতি ঃ— মোইরাং থুমচাউরুংপমনে ॥ উপোং সঙপনে ॥

থাঙ্কা ইফেল লানথাপাকী ঈতি ঃ— থাংচমনে ॥

ইথাই কাইরেমপাকী ঈতি :— নিংখৌখোংচমনে ॥ কোনখু-রামনে ॥ মতু অতৈনা পোকপাতি কপাচম অনীমানে ॥

য়োইরেনপাকী ঈতি :— মোইরাং কৈথেললাকপমনে ॥ মোইরাং লাইময়ুমনে ॥

পুনসি খুরেনচনপাকী ঈতি :— য়াইখুপমনে ॥ কুমাপমনে ॥ ওক্রেনপমনে ॥ থংপচেৌতাপা মোইরাংথেমনে ॥০॥

কোনথৌচম লোনতি:— হুইমু লৈমনা লোকপনে ॥ হুংভৌয়িমথং-পানে ॥ লোকতোন অতোনপানে ॥ মাখোয় ও মা পোকএ ॥০॥ হুইমু লৈমনা লোকপা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা লোংলোন ॥ মঙাংনিথৌ চনুনা লেমপা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা থায়ায় ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা হাওরোক ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা মায়সাং ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা য়ুকোন-পা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা য়ুনানপা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা য়ুনানপা সাফপা ॥০॥

লোকতোনপম লোনতি :— হুইমু লৈমনা লোকতোন অতোনপা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা সিংচা ॥ মঙাংনিংথৌ চনুনা লোকচা ॥ থারৈ নিংথৌ চনুনা চামোইপা ॥ লেমলৈ নিংথৌ চনুনা ঙামোইপা ॥ হাওথা নিংথৌ চনুনা লাংসাংপা ॥ খেনতে নিংথৌ হাওতক-লায়পা চনুনা মোইমুচা ॥ চেংলৈ নিংথৌ চনুনা সনতং চারোইপা ॥ ঙামু-রোল খিংলৌ মালৌখোমশীনা লোকতোনপা খোমপীচা ॥ লাইতোং য়িফেনপা চনুনা খানিংথৌ সাফপা ॥০॥

খুয়োনথেমলোনতি :— সুমলৈমানা লোকপা নিংথৌ য়োই-রেনপা ॥ নিংথৌ মোইপি লৈমা মহুমনুনা উই রাকোনলোইনেনপা ॥ তিংকোই নিংথৌ চনুনা লমপুয়াং ॥ মৈনতে নিংথৌ চনুনা খুয়োন লেমপা ॥ য়োইখোপচাউ ॥ খোপচাউ অহনপা ॥ মোইরাংথেম চনুনা লেমপা পুন্সিংনাপা ॥ শয়হাংকোই চনুনা তোংপা ॥ ময়াংলমপম

চাউপা ময়ুমগুং পুজোন সাংতোনকী সাকৈনে।। লৈসাংখেক্ল খাই-খংলুপানে ।।০।

খাপাকী সাকৈদি :— * খুপলাপানে।। তাংখুলতা য়ামনা লৈপানে।। খাপা লৌতাংখুল।। "তাংখুল মচি-মনাপ হুললানপা" অসুম হায়না সৈসকনরিপানে ।।০।।

ঙানপায়োলতি খায়খৎপাতি **:—** চিনফুরোল লয়চিক ঙানপীনা নোংতমলেন অখূপা ।। লয়থমলেন চনুনা নোংতমলেন অহনপা ।। চিৎমুলৈমনা কুরুমলেন মৈনাইতাপা।। হাইমু লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইপা।। ফাইপিরেন চমুনা পোংথাং ।। লয়নুং ঙানপীনা পোংহল ।। পিসিনমুনা হয়রোঙলেন লোঙচুমপা।। পিসিনখোমপীনা হয়রোংঙাং থঙাংলেন ।। পিয়াইমুনা থরারেন ।। পিয়াইমুনা পোইরৈতোন ।। পোইরৈতোনতি খুমন লুরাং ওইখিএ ।।০।।

পিযাইমুনা থরারেন ।। লয়চিকলেন চমুনা ঙানপা লয়চিক চিকলিপা।। লয়থমলেন চমুনা ঙানপা লয়থম্ থমলিপা।। লয়নুং যুচাখা চমুনা ।। ঙানপা যুচাখা।। লয়নুং যুপুরোই চমুনা ঙানপা য়ুপুরোই।। পুরোই লেমমুস্নুনা খমচিংকোল হাইহৈপা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা কফাপা ।। মঙাংনিংথৌ চমুনা তেমফাপা ।। মঙাংনিংথৌ চমুনা লিনতেংহনপা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা লিনরাইহনপা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা খুকলু কোয়পা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা নিঙকোয়হল।। মঙাংনিংথৌ চমুনা মারাই হৈপা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা কোনহৈপা ।। মঙাং নিংথৌ চমুনা তেমস্নুলোনপা।। মঙাংনিংথৌ চমুনা ঙানপা পুরোইরাং।। লুরাং পুনসিপা চমুনা হাওপা।। কাচেং রায়েং মাঙপা চমুনা ঙানপা রাহেংপা।। মঙাং নিংথৌ চমুনা ঙানপা সিরাইকংচা।। থামেললোকপম চমুনা হাওপা ।।০।।

---

* মাঙথুরনে

তেকচা অহনপাকী ঈতি :— খায়েনপমনে ॥ কিসাপা তেকচা ॥ হাগৈকৈ তেকচম ॥ লাংকোনভাকী তেকচম ॥ অসিনে ॥

থোংঙাই য়িমথংপাকী চাকোকতি :— ছিচম ॥ থোংঙাইপমনে ॥ অসৈপা লোংঙাইপমনে ॥ অহৈপা খমপা হংকুন তাপা অসিনে ॥

থোংচা য়াইমাপাকী চাকোকতি :— খমনামনে ॥ থিনপমনে ॥

য়াংপা অতোনপাকী ঈতি :— য়াংপচমনে ॥ য়াংকোনচমনে ॥ সনচিরামনে ॥ খাহপেমনে অসিনে ॥

থুমুকচমলোনতি :— পিয়াইগুনা থবারেন ॥ লয়চিক নিংথৌ চমুনা ভানপা লয়থম থমলিপা ॥ লয়নুং য়ুচাখা চমুনা ভানপা য়ুচাখা ॥ লয়নুং য়ুপুরোই চমুনা ভানপা য়ুপুরোই ॥ পুরোই লেমমুম্মুনা খমচিংকোল হাইহৈপা ॥ মনাওতি থুমুরোংনে ॥ অনীমা পোকএ ॥ চীংতোং নিংথৌ চমু তুরেল নানফো মচল লৈমা পুংক্রোইপী থেরে লোংপম চমুনা তোংহনে ॥ মনাওতি তোংখুনে ॥ লুয়াং খুনথিপা চমুনা হাওপানে ॥ লুয়াং চমুনা হাওরেমপানে ॥ লুয়াং চমুনা য়াওতুপ সিনানপানে হাওরানক'নে ॥ লুয়াং চমুনা সিঙমিং লাংমিংচুমপা ॥ অসিতি থুমুকচমনে ॥ কৈ যায়পাকা সিয়েং তাপাতি ভানপা অতৈ নংতে অসিনে । ৩॥

থাপারোলতি :— লৈপরেম্মা তৌরেনখা । লৈখোমলেম্মা তৌরেনখুপানে ॥ লৈসংলেম্মা তৌরেম্নে । লৈথম নিংথৌ চমুনা তৌতিং তৌনে ॥ লৈয়াই নিংথৌ চমুনা থাপানে লৈতংনিংথৌ চমুনা লৈসংলেম্নে ॥ লয়চীক নিংথৌ চমুনা থাপা লয়চীক চীকলিপা ॥ লয়থম নিংথৌ চমুনা থাপা লয়থম থমলিপা ॥ লয়নুং য়ুচাখা চমুনা থাপা য়ুচাখা ॥ লয়নুং য়ুপুরোই চমুনা থাপা য়ুপুরোই ॥ লংমাই নিংথৌ চমুনা তুকনুপা ॥ মঙাং নিংথৌ চমুনা মহৌ লাইনিংথৌ ॥ লংমাই নিংথৌ চমুনা থাপা ফানতোংপা ॥ মঙাং নিংথৌ চমুনা লিনলিম্নে ॥

লংমাই নিংথৌ চন্নুনা মন্থৌ লয়রাম্ব নিংথৌ ॥ মঙাং নিংথৌ চন্নুনা খাপা য়ুঙানপা ॥ লংমাই নিংথৌ চন্নুনা তোংবা ॥ লংমাই নিংথৌ চন্নুনা খনপা ॥ লৌপম চন্নুনা লয়মিং ॥ লাইকোকস্নুনা য়ারা ॥ লৌরেমপম চন্নুনা খোমতাং ॥ লৌবেমপম চন্নুনা খুনচিরা ॥ য়াই-খোম চন্নুনা তোননাপা ॥ লাইশ্রম চন্নুনা সেংবাই লানথাপা ॥ বাংখৈ-রাকপম চন্নুনা য়াংঙা ॥ চনমপম চন্নুনা খোমমা তৌচেংঙাক্না ॥ ইচাউ-ঙাকা ॥ ২ মা পোকএ ॥ লংমাই নিংথৌ চন্নুনা লয়রাই নিংথৌ ॥ খাপা হোইতোনকোকপা ॥ অতোন লৌখামপা ৩ মা পোকএ ॥

মুংয়ামচম্মলোনতি ঃ— লযচিকলেন চন্নুনা লয়চৌকচিকলিপা ॥ লযথমলেন চন্নুনা লয়থম থমলিপা ॥ লয়নুং চন্নুনা খুনুং লয়হন নিংথৌ ॥ ঙান্নুনা লয়রিং ॥ ঙান্নুনা যুনিং । ঙান্নুনা সনফৌ । ঙান্নুনা য়ুনম ॥ ঙান্নুনা কেনম ॥ ঙান্নুনা ময়াংমি ॥ ঙান্নুনা মুয়াংচাউ মুয়াং-চাউকী মতুকী মমিংতি য়ুনম কৌএ ॥ য়ুনম অসিপু পাখংপানা অমন্থা ওইএ ॥ নিংথৌ * ডুয়াংচাউপা পোকএ । মতুংতি সরারেন মচা অতোনপীকা ওভনৈএ ॥ কাইতোযতা মপিংঙা পানমননৈএ ॥ মচা তাংক্রুম লুনযিপা পোকএ ॥ নোইবাং উতোই কাওহোঙপীনা পুরাং লৈযোন ॥ ইরাং চন্নুনা মুংয়াংচাউপা ॥ অসিতি নিংথেমপাচানে ॥ লৌবেমপম পোকএ ॥৩॥

লাইরেনচম্মলোনতি ঃ - মুংয়াংচম মহাকনে ॥ লাইবেনচম কৌপাতি লাইরেমঙমপাকী হায়পাকী লাইবেনচম কৌপানে ॥ পুংতি হাওরন চীং কৌপাতাকী থোকএ ॥ উতি য়ায়িনসিনমু কৌএ ॥ মৈতৈ লোনতাতি চীং য়েনসিল কৌএ ॥ পুংগায়তি লাইরেন মউননে ॥ পুং অসি তিংলাপাকা তিংসাং কৌএ ॥ তিংতরিবৈতি লনচিন হাউ

* পাখংবনা মোইরাংদা চেন্নুনা লোৎলিভৈগী মতমদা য়ুনম অসি ভাংনভনা মচা অনী পোক্লম্মী । মুংয়াং চাউবা+তাঙ্গুম লুময়িবা ২ অসিনি । মাসি মোইরাগদি চারো-ম্বোরোনদে ॥

কৌএ॥ পূং অসিপু সন্নারেননা নোংথিল রায়খংখিতুনা মচা অবাই লৈমতা লমউনপুং এইরকএ॥ পুং অসি লোইরপাকা সনচীং লোই-পাকা লমচন হৌপনে॥ লাইবৈমানা পুং ১ রক য়ৈরপাকা লমচন-ভমএ॥ লায়ামন্নু পুংসভপীপু ফারকএ॥ পুং শঙনৈএ॥ তিংসাংনে॥ লাইরেমমানা পুং ১ রক য়ৈবপাকা তোংতোই সনম্ ভমএ॥ ১ রক য়ৈরপাকা য়ুপা মাইথোং ভমএ॥ ১ রক য়ৈরপাকা সাবক্ লেংয়ান ভমএ॥ মরেপ তোমফাং ভমএ॥ ১ রক য়ৈবপাকা উনৌ লায়োন ভমএ॥ ১ রক য়ৈরপাকা লোকখা হাউখা ভমএ॥ রাপা ফংমাঙ ভমএ॥ নিংথৌ মুংয়াং চাউপাকী মনাই খারিপা লুপাংপানা লমপু চংএ॥ লৌরেনচম কৌপাতি অসকীনে॥ খরিপমকী ঈতি য়োইরেনকী খরিপম কৌপাতি অসিনে।০॥

খুয়োন মোইরাং লোনতি ঃ— লয়চিনলেন চন্নুনা লয়চিক চিকলিপা॥ লয়নংলেন চন্নুনা লযথম থমলিপা॥ ভান্নুনা হামতৌ-রিপা॥ ভান্নুনা সাকাপপা॥ ভান্নুনা বেংবেংলিপা॥ ভান্নুনা য়াং-খোংপা। ভান্নুনা খোইযাংপা॥ মোইবাংথেন চন্নুনা মামনে॥ অসিকী মচা মন্নুতি তোমচম ২ মানে॥০॥

খুমন॥ লুরাং। থাংভা কমপোং॥ লোকখু লোকহন॥ খাপা ভানপা অসিতাকী খাইখিপানে॥

খুমন লুরাং লোনতি ঃ— চিনফুবোল লয়চীক ভানপীনা নোংতম খুপা। লয়পনলেন চন্নুনা নোংতম হনপা॥ চিৎন্নু লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইতাপা॥ হাইমু লৈমানা কুরুমলেন মৈনাইপা॥ লয়-ফুরেন চন্নুনা পোংথাং॥ লয়নুংভানপীনা পোংহন॥ পিসিনমুনা হয়-রোংলেন লোঙচুমপা॥ পিসিনখোমপীনা নিংথৌ হয়রোংভাং॥ পি-য়াইমুনা পোইরৈতোন॥ লৈনাউতাপীনা সিংতাপুং॥ সনথোং পুনেমপা চন্নুনা পাসিংনপা॥ হুইমুলৈমনা লুবা খুনথিপা॥ কৌপরোল না-

মোইমুনা লুরাং পুনসিপা ॥ ভাম্নুরোল থোংভাইপা চমুনা লুংপকা ॥ মুংলোংভাইকা ॥ ২ মা পোকএ ॥ মুংথোংভাইতি লুরাং ওইথিএ ॥০॥

লুংপানা নিংথৌ যেনতং চমু পাননাতুনা যোইরাংপোক পুনসিপা ॥ য়াইপিরৈমানা কাচেংথু রায়েংপা ॥ মৈতেংঙু পেংসিপা চমু লাইরুম চেংপীনা খোনপা ॥ নাউথমপা চমু লাইকংচেংগী পাননতুনা খোনপা নিংথৌপা ॥ নাউফংপা চমু মেৎপি লাইপীনা অতোন লাইযেংপা ॥ কাই-রৈমা নাউফংপা চমুনা পুনসি য়ুমোইপা ॥ ভামু থুমপীনা সেনপা সিমাপা ॥ পিযাইথোংনা থোংলৈবেনে ॥ ভাম্নুরোন খাইথিপা চমুনা চীংথোঙ-থোঙ্খ্রীলৈ চীংযাই ভাম্নু থুমপীনা নিংথৌ সিযারোং ॥ থোংভাইথোংনা চেকযামপা ॥ পিয়াইথোংনা চিকনাপা ॥ মুংপীলৈনা অতোন য়াইথিংপা ॥ সরংখোনপীনা সংথোকফাপা ॥ পিসিনযোকনা থোংপু সমুকমুচা ॥ সংলৈমা থিংবোনস্থনা থিংকোলহনবা ॥ হাউরৈমা হাউযেন খোংতৌপীনা কাংচিন লৈনাউ ভাপা ॥ খোংলৈমানা ইকোপ লানথাপা পোকএ ॥ নাউবমতোননা পুনসিপা ॥ পানপা ফাপীনা চাবনফাপা ॥ থিংলাইথু চমুনা যাওস্থভমপা ॥ তারমস্থনা নিংথৌ মপু লনযাই কাই-থিনপা ॥০॥

থুমনগী য়িমনাকতি ঃ— কাইরৈমানা হাওরমতোননে ॥ মাকী ঈতি কামপমনে ॥ ভামুবোননা থো লৈবোমনে । ঈতি পইনামনে ॥ ভাম্নুগোন খাইথিপীনা চীংখোং থোংক্রাইপানে ॥ ঈতি খনামনে ॥ চীংযাই ভাম্নুথুমপীনা নিংথৌ সিযারোবানে ॥ ঈতি থাঙসাপা সোবামনে ॥ সৌনাইচমনে ॥ থোংভাইথোংনা চেকযামপা ॥ ঈতি বোলোমনে ॥ পিযাইথোংনা থিংবোন লিকমাপা ॥ ঈতি লিকমাপমনে ॥ মুংপীলৈনা মযামমা খমলাংকা মনাউ যাইথিংপাবানে ॥ ঈতি লমাপমনে ॥ মযামমা খমলাংতি হাওলুপপা পুমনামনে ॥ লংমাই পিসিনয়োকনা থোংপু সমুকমনে । ঈতি থাঙসাপা সমুকচি মযিমনে ॥ সংলৈমা

থিংকোলশূনা থিংকোলহনপানে॥ ঈতি হাওপমনে॥ সংলৈমা সোই-তাপীনা কাংচিল লৈনাউতাপা॥ ঈতি মোইরেংচানে॥ রাংশুমলোন নাউরেমতোননা পুনসিপা॥ ঈতি পুয়ামকা॥ লাইস মকানে॥ থিং-লাইখুস চন্নুনা য়াওসোমপানে॥ ঈতি থাঙসাপা য়াওসোমনে॥ তারমশূনা লময়াই শাইখিনপানে॥ ঈতি খুমনথেমনে॥ হিতাকসুংপা মাইপমতি পুখনলমপমনে॥ পাসি চন্নু মচানে॥০॥

লুরাংলোনতি ঃ— চিনফুরোল লয়চিক ঙানপীনা নোংতমলেন অখূপা॥ লযথমলেন চন্নুনা নোংতংলেন অহনপা॥ চিনফু লৈমনা কুরুংলেন মৈনাইতাপা॥ হাইমুরৈমনা বুরুমলেন মৈনাইপা॥ লয়-ফুরেল চন্নুনা পোংথাং॥ লয়নুংঙানপীনা পোংহল॥ পীসিনমুনা হয়বোংলেন লোংচুনপা॥ পীসনখোমপীনা নিংথৌ হয়রোংঙাং॥ পিয়াইমুনা পরাবেনকা পোইয়েতোনকা ২০া পোকএ॥ লৈনাউতাপীনা সিংতাপুং॥ সংপোং পুনেমপা চন্নুনা পামিংনপা॥ হুইমুলৈমনা লুরাং খুনথিপা॥ কোপরোল নামোইমুনা লুরাং পুনসিপা॥ মতুতি ৯নে॥

১। চীংমুং হাওপা চন্নুনা লুংচেং অহনপা পোকএ॥ খুনচান ওই-খিএ॥ লোকহননা কমপোং লোকহন ওইখিএ॥ লোকখুনা কমপোং লোকখু ওইখিএ॥ মচা ৩ মা অসি পোকএ॥

২। হাওকু লৈমা লমতং নিংথৌ চন্নুনা ফাইরৌচম সলাই ওইখিএ॥ ফাইবৌচম থিয়ামতাকি শাইখিএ। থিয়াম মোইরানপা মরিমনে॥

৩। ঙামুরোল থোংঙাইপা চন্নুনা লুপাবা মুংথোংঙাইকা ২ মা পোকএ॥ লুংপানা খুমন সলাই মকোক ওইখিএ॥ মুংথোংঙাইনা সলাম॥ নাউসোম॥ হিচম॥ লুরাংচীংতা তোংপাকী সাকৈ ওইখিএ॥

৪। হাওসিয়াং পুয়াংপা চন্নুতি সোইনাইতে॥ মরম অসিকিপু লিকলা-পিচা নোংতংমুকী মচা খোইতোমকা মানতোমকাপু য়োকচৈএ॥

৫। ইরেম নাউসংখূনা অরামপম ॥ অসাংপম ॥ তিনগিচম ॥ লৈরোংচম ॥ অপুচম ॥ য়াওরৈ ॥ থুনকাম ॥ অম্লপম ॥ থমংচম ৯ মা অসি পোকএ ॥

৬। ত্তাইতল লৈমা মোইন্নু চন্নুনা রাকোংথেম পোকএ ॥

৭। খুয়াইচেনপী নাউথোংকাইপীনা থৌরাউচম পোকএ ॥

৮। ঙান্নুথুমপীনা সেনপা সিমাপা পোকএ ॥ সেনপাকী ঈতি থুমলে ॥ মরিংতা লৈপানে ॥

৯। হাওকু লৈমা লমতং নিংথৌ চন্নু লমতং সেম্নপানা পোকপী থিকলেন তংকানন্নুনা লানথৌ লানচানপা পোকএ ॥ লানথৌ লানচামপনা মতু হয়রেম কাংহৈন্নু ॥ খিংখিং কাংহৈন্নুগা ২ মানে ॥

(i) লানথৌ লানচামপাকী ঈতি হয়রেম কাংহৈন্নুনা য়াংহন অহনপা পোকএ ॥ য়াংহনপাকী ঈতি সৌপু ॥ সনা ॥ ২ মানে ॥ সৌপুনা সৌপুরাম চাকোক ওইখিএ ॥ সনানা মাইপাসনাম চাকোক ওইখিএ ॥

(ii) খিং খিং কাংহৈন্নুনা য়াংখুপা অতোনপা পোকএ॥ য়াংখুপকী ঈতি থৌরাউচমনে ॥ নোংচেংসূনা তামোইথংনে ॥ কোইয়াং চন্নুনে ॥ হান্নু কনথৌপা চন্নুনে পান্নতনা ॥ হান্নু কনথৌপা চন্নুনা হান্নু পনচাউপা ॥ মৈতেংঙু নাউখিংখোং চন্নুনা হেহিং ॥ খোংসাং ॥ খোংসাংনা অরামপমনে ॥ লিকলোকপারোকপা লুক্রাম চন্নুনা খানচেং ঙনপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা লাইমিংথৌ ॥ লুক্রাম চন্নুনা সারোঙপা ॥ লুক্রাম চন্নুনা কোকপা ॥ লুক্রাম চন্নুনা লুরাংপা ॥ পাংঙমপম চন্নুনা কপোমপা ॥ মোইরাংথেম চন্নুনা য়ারা ॥০॥

পুংক্রোইপম ॥ নোংথোমপমতি অরামপমকী চাকোকনে ॥ সিনসু মৈতৈ য়াঙনা মৈয়েংপম পোকএ ॥

লুরাং ইংঙেলচীং তোংপারোলতি ঃ— কৌপরোল নামোই-মুনা লুরাং পুনসিপা ॥ ঙান্নুরোল খুয়াইচেনপীনা। লুরাং রায়না লান-তমপা ঙান্নুরোলনা মুংপাল চাউপ্র সোয়সেম্পা ॥ লুরাং তপতেপা ॥ ঙান্নুনা লুরাং লোইনাই য়াউসা তানপা ॥ ফোহাচং কাঙপা চমু চাক-সিন্নপীনা লুরাং তপতেপা ॥ কাঙমুচম চম্নুনা খনকোইপা ॥ ঙান্নুরোল খানচৌম্নুনা চামু উচিরা লমলেকপা ॥ ঙান্নুরোল খাহথিপা চম্নুনা লাইস্নুয়াং খুনকাপা সসা লানফাপা ॥ ঙান্নু হাউঙানন্নুনা লিকথা ॥ হিতান চনুনা সনাখোন ॥ হিতান চনুনা লোপা ॥ খোঙসনাম চনুনা য়াংঙা ॥ হাউথৈ সাহখুপম চনুনা হোার ॥ সাইখুপম চনুনা মুপা ॥ মেনলৈপন চনুনা লাইয়ান ॥০॥

লুরাং লংমাইচীং তোংপরোলতি ঃ— কৌপরোল নামোই-নুনা লুরাং পুনাসপা ॥ ঙানুরোল খোঙাহপা চনুনা নুংপোংছাই ॥ ঙানুনা লুরাং লংমাইপা ॥ ঙানুনা চীংতা কোয়পা ॥ ঙানুন চীংতা তানা চীংত্রাউপা ॥ লংমাই নিংথৌ চনুনা পুরেং মুমানপা ॥ লংমাই নিংথৌ চম্নুনা তোংপা ॥ লংমাই নিংথৌ চম্নুনা লানপা সাথিপা ॥ লংমাই নিংথৌ চম্নুনা ফুনান তেনহৈপা ॥ হোঙংমস্নুনপম চম্নুনা মুঙকাংপামপা অযাংচামপা পোকএ ॥ মুঙকাং পামগনা নিংথৌ চম্নু পাননভুনা মোইরামপ পোকএ ॥০॥

রাংথৈরাকপমলোনতি ঃ— খুংনখোনপীনা থংগী লানথাপা ॥ মোইরাং নৈমা যোহবেন তোমপোনপীনা খুমোমপা। য়াংবাইস্নুনা সনারেমনে ॥ খুমোনপা পুমিংনাপানে ॥ থমপা যাপীনা মুংহোংপা ॥ তিংকোহরাকপা ॥ ওমপু তাংকং লাকপা চম্নুনা খোঙচোমপা ॥ লৈচোল-লাকপা তোলোংখোমপা চম্নুনা সানোংপা লানতন ঙমপা হাওচোং ঙমপীনা খোঙনামপাকা ॥ চানথঙঙনপাকা পোকএ ॥ চকপ্রম চম্নুনা তেথাউ ॥ ফানচম চম্নুনা মাম্নামচাই ॥ ঙান্নুরোল থোঙাইপা চম্নুনা খাকীনে ॥ পুথ্রমপম চম্নুনা খোঙনামপা ॥ মোইফেংপম চম্নুনা লোনলোই ॥০॥

হুইত্রোনপমলোনতি ঃ— য়াংলৈঙমপীনা মোইরামপা ॥ খমপা উসরম চন্নুন লোইচা ঙমপা ॥ হিতাম চন্নুনা পুমিংনাপা মোইরামপা ॥ খুমনথেম চন্নুনা তানচাউপা ॥ খুমনথেম চন্নুনা নিংথৌখোমপা কাপুপা (কাপুখোমপা) ॥ খুমনথেম চন্নুনা তোইপী ঙমপা ॥ খুমনথেম চন্নুনা নিংথৌখোমপা ॥ পোঙপম চন্নুনা লাংমৈ ॥০॥

লমমৈরাকপমলোনতি ঃ — নিংথৌ পোকপীনা খুমোমপা ॥ লংমাই রাপা চন্নুনা ভাংলোং ॥ য়াইখুচম চন্নুনা সায়ামপা ॥ য়াইখুচম চন্নুনা খুনচাপা ॥ য়োইচম চন্নুনা খুনতিংপা ॥ কোনখোম চন্নুনা লমজিং থরা ॥ চকপ্রম চন্নুনা চীংনোং ॥ নোংগোকপম চন্নুনা খোয়রী ॥ নোইপুং লোকপা নে ॥০॥

মুতু মলোনতি ঃ — গোংলৈনানা ইরেংপা ॥ পিতোংমনুনা সারা ॥ অভৌপা য়াংগৌ হিপাপা চন্নুনা লোয়য়মপা ॥ খুমিংস্নুনা অসেংখুপা ॥ থেমতাইস্নুনা অসেংহনপা ॥ তোংচেং থরানফাপীনা খমলাং মোইচাঙমপা । লংমাইথেম চন্নুনা লয়সা পামপা ফিচোনপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা লয়সা পামপা মোইপা ফাপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা থরানপা ॥ লংলাইথেম চন্নুনা মুতু য়োইমাচেং ॥ লংমাইথেম চন্নুনা চুপচোইপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা মুতু লেংঙমপা । লৈসাংথেম চন্নুনা মুতু সচিরোং ॥ লৈসাংথেম চন্নুনা মুতু সায়িনপা ॥ লৈসাংথেম চন্নুনা মুতু খামপী ঙমপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা লুপালোকপা ॥ হুইথৌপম চন্নুনা সনায়িন ॥ লাইসুম চন্নুনা রোংলা ॥ পুখনপম চন্নুনা খোয়রী ॥ সলাম চন্নুনা পনসা ।০॥

পাউনমলোনতি ঃ — সংলৈমানা ইরানথাপা ॥ হেপু খুপী হোংখুঙমপীনা কলাই গোংখুঙমপা ॥ হামুস্নুনা তুরোলফাপা ॥ হামুস্নুনা পাউনম সংকোল লোইপা ॥ হোঙনেমসমপীনা রায়সেল লানথাপা ॥ হোঙনেমস্নুনা হাওমিংপা ॥ কোঙপম চন্নুনা কোঙয়ামপা ॥ চেংলৈস্নুনা

পুমিংনপা = মপুগী মিংগা মান্নবা

সনাখোন ॥ থিংপাইস্নুনা লমফেন ঙমপা ॥ ঙমপ, তাংকম লাবপা চন্নুনা খোযবী ॥০॥

হাইসনামলোনতি ঃ— খোংলৈমানা ইরেংপা ॥ পিতোংন্নুনা খমলা, পামসাপা ॥ অঙোপা য়াংলৌ হিথাপা চন্নুনা লোয়য়মপা ॥ তোংচেং থরানফাপীনা খমলাং মোইচা ঙমপা ॥ লংমাই নিংথৌ চন্নুনা তৌকাই ঙমপা ॥ লংমাইনিংথৌ চন্নুনা লযসা পামপা ফিচোনপা ॥ লংমাই নিংথৌ চন্নুনা লযসা পামপা মোইপা ফাপা । লংমাইথেম চন্নুনা অযাংপা যোংখু ঙমপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা ব্রাংখৈরাকপা ॥ হিতাম চন্নুনা হাউব্রোকফাইনে ॥ মাইপরাকপম চন্নুনা কোয়রেংঙমপা ॥ চেং-স্নুনা কোঙযানপা লয়মিং থরা চন্নুনা খুনচামপা ॥ লয়মিং থরা চন্নুনা তাবি । ০॥

সাৎপমলোনতি ঃ— খোংলৈমানা ইরেংপা ॥ পিতোংন্নুনা পামসাপা ॥ অঙোপা হিথাপা চন্নুনা লোযযমপা ॥ খৃমিংস্নুনা অসেং-খূপা ॥ থেমতাইস্নুনা অসেংহনপা ॥ তোংচেং থরানফাপীনা খমলাং মোইচাঙমপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা তৌকাইঙমপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা লযসাপামপা ফিচোনপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা লযসাপামপা মোইপা ফাপা ॥ লংমাইথেম চন্নুনা অয়াংপা যোংখুন ঙমপা ॥ লাইরোকস্নুনা তাহা ॥ লাইরোকস্নুনা সনা নিংথৌ কনপা ॥ লাইরোকস্নুনা লামপা ॥ লাইরোকস্নুনা পোংলেন খোমপা ॥ লাইবোকস্নুনা সরাপা ॥ চেংলৈ-স্নুনা তাবিনে ॥০॥

খুমন কাংওইপাকী ঈতি ঃ— খোংভাইথোংনা চেকয়ামপা ॥ পিতোন খোইযা লৈমা ॥ চেঙচা নুংকাংপীনা হাউমনয়াং কাংকোইপা ॥ ঙামুনা হাউমিং ॥ ঙামুনা লমমিং ॥ থোকচাউচম চন্নুনা হাওমু খুনকা-পা ॥ মোইরাং থোকচোম চন্নুনা থিংকোল ॥ থোকচাউচম চন্নুনা হাউমু ॥ থোকচাউচম চন্নুনা লমনেম ॥ থোকচাউচম চন্নুনা কায়না ॥

কা্‌ংাইথেম চমুনা অখা ॥ সাতোকপম চমুনা তোকপা ঙখাখোই ॥ বানাহোঙপম চমুনা মপা ॥০॥

পুখনপমলোনতি ঃ— পিযাইথোংনা লিকমাপা ॥ মংশীশুনা অতু ॥ কোনথৌশুনা নিংথৌ ফুংকাচা ॥ তোনপাশুনা খুযান লানথপা ॥ কাংসিংফাপা ॥ তোনপাশুনা যোইনাউতা থোংংেন কোহচা ॥ বাহেংশুনা লিংকোল অথিং খুকাপা । লাইখশুন চিথাপা । বাইরোকশুনা । যাযপা লামপা । লুক্রান চমুনা কোংযামপা ॥ চিঙাম চমুনা যোইরোক ॥ খুংনথেম চমুনা তোকবা । অডৌপম চমুনা মযাংপা ॥ পোকচাউচম চমুনা চিংসোং ॥ কৈসাম চমুনা কো যাংপা ॥০॥

নিংথেমপাচাতি ঃ— ইবেংপাকী ঈতি মুতুমনে ॥ খুমোমপাকী ঈতি লনানৈবাকপমনে ॥

যোইরামপাকী ঈতি কইত্রোনপমনে । যোইপু লোকপমনে ॥ লাকমপমনে ।

[illegible]যযমপাকী ঈতি— কৈসামনে ॥ চারেংহপমনে ।

[illegible] থোংেকী ঈ [illegible] — সাহ.বানে । যেনখোমনে ॥

[illegible] উযংপাকী ঈতি গোইরোমনে । যেংখোমনে ॥

কানখোপাকী ঈতি— লীবেমপমনে ।

নাউথিংখোংকী ঈতি— [illegible]মচন । খোইসনাম ॥

খোঙতেকচাকী ঈতি— লাইঘংথৌ হংপা মঙপমনে ॥

যারপাকী ঈতি - খুনতাকপম ॥

অযাংপাকী ঈতি— মবীরুপমনে ॥ লৌরেংপম পুকচাউ মখিংনে ॥ নাউবেমপাকী ঈনে ॥

লোইতোংপাকী ঈতি— লোইতোংপমনে ॥ অতোন 'যাহবেনপাকী মলাইনে ॥

হেমতৌকী ঈতি— লুক্রানে ॥

থবানথাপাকী ঈতি— চিরোগনে ॥
লয়সাংপাকী ঈতি— পাউপমনে ॥
থংগী লাংথাং কী ঈতি—খুমনচাবাকপগনে ॥ যিমনাগনে ॥ থৌথাপমনে ॥
কোহাংপানী ঈতি— [illegible] চগনে ॥ সনাপুরাংনে ॥০॥

[illegible] সরারেংনা থারনপা [illegible] চউনা থাবকপানে ॥ মনিংদা চাউখুনবৈ [illegible]এ ॥ হান্না কুনলকপা [illegible] চাউসাংউন কৌএ। [illegible] পুনসিপা [1] চাহি ১০১ পুনসিএ। চাউসাংউনা পুনসিপা [2] চাহি ১০৭ পুনসিএ ॥ চাউখুনয়া [illegible] পালে [3] চাহি ১০৪ নে ॥ মথং অসিদা হপু [illegible] চাউখুং [illegible] পালগ চাহি ৪ পুনসিএ। চাউগাংপোং ফমমিযাপোং [illegible] চাহি ২ পুনসিএ [illegible] চাহি ৩০৯ পুনসিএ ॥ চৌতাং [illegible] চাহি ১০ পুনসিএ। হপুছ্রগে নিংথৌকা [illegible] মনাই [illegible] থন ১০১ নে। [illegible] লাশাং [illegible]এ। ১ [illegible] কৌএ। [illegible] কৌএ ॥ [illegible] [illegible]এ ১ [illegible] কৌএ। [illegible] উপুং কৌএ ॥ [illegible] [illegible]এ। ১ [illegible] কৌএ ॥ ১ [illegible] [illegible] ১ [illegible] চৌসন কৌএ। ১ [illegible] চৌসং কৌএ ॥ ১ [illegible] [illegible]এ। [illegible] চৌসনলাং [illegible] ১০ [illegible] অসিদা লৈবাক ১০১ [illegible] লম [illegible] লৈতনাএ। হপুছ্র পোংনিংথৌকা [illegible] ॥ [illegible] লাকপা [illegible] ৯। [illegible] লখা ৯ ॥ [illegible] অসি লৈপাককী মতুং [illegible] যাগএ ॥০॥

১। চহী ১১ [illegible] ১০ [illegible] ১ [illegible] হয়হনান [illegible] ১১ সুম্র [illegible]। ২। মথকী অঙ্কয়া ১৭। ৩। চহী ১৪ অঙ্কয়া পাবিযম থোকই।
থুন ১০১ = থুন ১১ ॥ [illegible] চহি ৩০৯ = চহী ৩৯ [illegible] ওই। লৈবাক ১০১ হায়বদি ১১ সুম্র [illegible]।

ষাকোং নোংথিনপ্পারোলতি :— লাইখুলেংপীদা উইকোং-পানে॥ লাইরোকলেনপীনে॥ ইচিকসি ষাকোং কোংনিংথৌপানা॥ শানপা য়াইরংচানবনে॥ পোকপি রান্নলেনহুনা থিং থিং কাংসাপানে॥ ইরেম তাইতল লৈমা মোইস্থু চম্মুনা খোংলোংনে॥ মঙাং নিংথৌ চম্মুনা তানলোইপানে॥ য়াংসোইপগ চম্মুনা তাইগৌপানে॥ লোনতোনপম চম্মুনা লোকতোনপ মনে॥ পামংতা তুপ, লিংপানে॥ খুমলক মংলকতা থিংক্রাইপীনে॥ লপয়ানকাতা লয়রোল লৈমা কিয়াংচাইপীনে॥ য়াঙ-ৈরেপীদা পোইরেৌ তান॥ ফৈতেনপীতা ফাইপীতেরা॥ লাংসঙতা পতাং-তোই॥ সনথিনফমতা থাংয়িপা॥ নোংচেংতা খোয়রি॥ অয়াং পানফেৌফমতা খুনথিপা॥০॥

হিতমলোনতি :— ডাম্বুরোল থোডাইপা চম্মুনা লুংপা॥ ঙুংথোংচাং। ডাম্বুনা চৌংতা কোইপা॥ হুকাইচম চম্মুনা চৌংতা লাউপা॥ হুংশাইমুনা পুবেংমু নানপা॥ থিংরংমুনা মামপা॥ চৌং-থংমুন ...পা॥ লমাই নিংথৌ চম্মুনা ফুনাল তেলহৈপা॥ হোঙ-নেংস্থুনপম চম্মুনা ঙুংকাং পামপা॥ হোঙনেংমুমপম চম্মুনা থারেংচমপা॥ নিংখোবাংঙা চম্মুনা মোইরাংঙমপা॥ লাইকোকমুনা হাওরংপা॥ খমলাং পানসপা চম্মুনা হাওপা ময়াং তুলাইলোকপা॥ লুক্রান চম্মুমা কোকতা॥ কানপম চম্মুনা পিনলু॥ কাংপম চম্মুনা তোমপা॥ অতোপা য়িমথু চম্মুনা তেকচা॥০॥

ইথাই কাইরেমপাকী ঈতি :— নিংথৌখোংচম নয়ামপা ময়িম-নে॥ কোকচাউ ময়িম। মোনসাং ময়িম॥ খোয়নেং ময়িম॥ সিয়াংপামং। লৈপা নিংথৌখোংচম লমচা ময়িম। পাংকৈতা লৈপা কোয়রেং ময়িম॥ মাইপামতা লৈপা কোনখুরাম ময়িম॥ কোনখুরাম লাংমৈ ময়িম॥ হুকুম্বুতা লৈপা ফাইমেনচম মুপা ময়িমনে রাংপচননে॥ কৈচাপী তাপা রাংপাচংনে॥ হাউচোংতা লৈপা চক্রপানিনে॥ পাং-কৈতাপা ডাংপা ময়িমনে।০॥

২। খাকেমপা য়ুমলেপ

তাইপংপানপাকী মপু লযসেম নোংসেমপা লাইপ, খুকমনা সলাই ৭ মাকী য়িমনাকনী বাপ, ইচরককে। তাথিপিকুনো॥

কুক মচাকওাকী॥ তমনা কৈপাকতাকী। অতিয়া সতাপাপ, তাথোকলে। কে ইচা অতনপাগি॥ তাইপং পানপা মী সেং ৫॥ হায়বপাড অ তথা সিতাপানা হেং ৭ সারে॥ কুকনা সানপানা হংএ। হেংয সাবে খুংএ। কুকনা য়েংপাতা ফংতে হায়বপাত। অতিয়ানা হনংরে॥ অতুতা হংভোহ ৭ সারে। কুকনা য়েংপাতা অসিদু ফংতে হ যরাগাগা অতিযানা ইকাইবপাতা হংভোইতি তমতা লাউ-হকলে॥ যেংলি চীংতা লাউহললে॥ অতুতা কুকনী নসক তমনা সংবে॥ কুক না কৌএ॥ কুক মী মহক্কী খমোযতাকী ডাননা চোংথোকলকএ॥ ডানপা কৌএ॥ নৈর অসাংপাতাকী সাংনা চেং-থোকলকএ॥ লৈস থেম কৌএ॥ লৈবেডতাকী লাংনা চোংথোকলনলে সরাংথেন কৌএ। কোন লিনফুংকী নাপন চোংথোকলকএ লুনাং কৌএ॥ খুং যেংতাকী চোংথোকলকএ খুমন কৌএ॥ খোনীতাকী ডোনা চোংথোকলকএ তথেন কৌএ মিং যেংতাকী সিংভথিনা চোং-থোকলকএ॥ নিংথেন কৌএ॥ সিনুংতাকী মনাং মবাং চোংথোরকএ মোইরাং কৌএ॥ কুক নাকী মসা থুমখাইরে॥ সেরাং লৈসাংথেমনা থোপ লৌএ॥ ডানপানা তেং লৌএ॥ লুরাংনা উন লৌএ॥ অভোমনা কোক লৌএ॥ নিংথৌচানা সিমুং লৌএ॥ খুমননা চুম লৌএ॥ মোইরাংনা সিংলি লৌএ॥ অতুকীতমক সাথাই কৌএ॥০॥

য়িমনাক থায়পাতি ঃ— নিংথৌচা সলাইকী সাথাহ অহানপা য়েলালি হায়পাকী যেনখোন কৌএ॥১॥ কৈথেল ভাকএ হায়পাকী

কৈথেললাকপম কৌএ ।।২।। খোই লোকপা হৌএ হায়পাকী খোইরোম কৌএ ।।৩।। নহক্লা চাউএ হায়পাকী নহকপম কৌএ ।।৪।। খোঙকায় হায়পাকী খোঙানাপম কৌএ ।।৫।। নিংথৌকী সঙ সংই হায়পাকী সঙলেনময়িন কৌএ ।।৬।। মাইরেন পাপা হৌএ হায়পাকী মাইরেনপম কৌএ ।।৭।। ফ অফাইপা সাপা হৌএ হায়পাকী ফাইরেনপম কৌএ ।।৮।। হৈ সিংএ হায়পাকী হযবোম কৌএ ।।৯।। খোং তৌএ খোংনাম কৌএ ।।১০।। নিংথৌকী মচা পোক্লকা নাউকলএ হায়পাকী নাউকলসঙপম কৌএ ।।১১।। নিংথৌকী তায় সেমএ হায়পাকী তায়মাচম কৌএ ।।১২।। হোঙনেম য়োয়খুনচাউনা গর্ভ কাললে নাউথিংখোং কৌএ ।। অঙাং নাত্রা অতুপু লেমত্রে হায়পাকী নাউরেন কৌএ ।।১৩।। পুখিপা সঙই হায়পাকী ইপুসঙপম কৌএ ।।১৪।। লযযু সুংএ হায়পাকী লয়য়ুসুংপম কৌএ ।।১৫।। মপেল খুমন চম্বু কৈরুংহাংপাকী লমচা লমপু ওই হায়পাকী খুমনলপম কৌএ ।।১৬।। খোইরে হায়পাকী খোইসনাম কৌএ ।।১৭।। সিন পূমনামা সুনা হৈ হায়পাকী সুখাম কৌএ ।।১৮।। মপু নামোইকী মমিং লৌতুনা নামোইচম কৌএ ।।১৯।। ময়াংকী লমপু ওই হায়পাকী ময়াংলমপম কৌএ ।।২০।। নিংথৌপা মচা অঙাং লৌএ হায়পাকী নাউবোইপম কৌএ ।।২১।। কাংঙা সেললে হায়পাকী কাংঙাসেনপম কৌএ ।।২২।। মসক চংনিংএরম চেলএ হায়পাকী চংনিংহেনপম কৌএ ।।২৩।। ঙারেনখোই ফাতুনা য়াললে হায়পাকী ঙারেনয়ানপম কৌএ ।।২৪।। লোই চেনখিপা তানবৈ হায়পাকী লোইতাম কৌএ ।।২৫।। খমলাংপা সঙয়ে হায়পাকী খমলাংপা-সঙপম কৌএ ।২৬।। ময়ানা ময়ুমপু ১ সেংলে, মখুংনা ই য়ুমপু ১ ফোয়তুনা কূপএ হায়পাকী ইরোম কৌএ ।।২৭।। লাই সঙএ হায়পাকী লাইসঙপম কৌএ ।।২৮।। থিংঙেল থিংএ হায়পাকী থিংনাম কৌএ।।২৯। অথোম লাই লাংএ হায়পাকী অথোম কৌএ ।।৩০।। খুনলাকপা ওই হায়পাকী খুনত্রাকপম কৌএ ।।৩১।। নিংথৌকী কাংঙা সেলএ হায়পাকী কাংঙাসেনপম

কৌএ ॥৩২। চীংতাকী হাও-নাই পুংনাম্বা খোমলকএ হায়পাকী হাংগোম কৌএ ॥৩৩॥ নিংথৌনা সিদাকা মসা ভাংলৌপা লৌএ হায়পাকী সানৌচম কৌএ ॥৩৪॥ লাই ফাতুনা কংহল্লএ হায়পাকী লাইকংপম কৌএ ॥৩৫॥ রা লাৎএ হায়পাকী রারেপপম কৌএ ॥৩৬॥ লৌসিন লৌনাংপা হৈ হায়পাকী লৌরাংপম কৌএ ॥৩৭॥ নিংথৌকী রাংনু লৈ য়ৈতুনা সাই হায়পাকী য়াংলুইরেপম কৌএ ॥৩৮॥ য়ুম লেমনাপা সাই ককএ হায়পাকী সাইরেম কৌএ ॥৩৯॥ মপুত্থু মনা খোংএ হায়পাকী অখোংপম কৌএ ॥৪০॥ নিংথৌকী ফমপাল তোংপাতা সোয়তনাপা ভাকএ হায়পাকী সোয়য়াম কৌএ ॥৪১॥ মপুত্থু তুমকন হিপকল্লএ হায়পাকী মুতুম কৌএ ॥৪২॥ হয়রাংখোংফাপাকী মমিং লৌতুনা হয়বাংখোংচম কৌএ ॥৪৩॥ মপুত্থু নিংথৌকী হয়-রা তুনৈ হায়পাকী হৈস্নাম কৌএ ॥৪৪॥ মপুত্থু হুইকী মথক্তা লোংনা হিপপা ভমএ হায়পাকী হুইরোংপম কৌএ ॥৪৫॥ কোংপা মপানতা তাই হায়পাকী কেংগাচম কৌএ ॥৪৬॥ নিংথৌনা সিরকা লু হাননা চামএ হায়পাকী অহনথেম কৌএ ॥৪৭॥ সোনলাইতা সাংলুইএ হায়পাকী সাংপম কৌএ ॥৪৮॥ মপুনা লৈচোন লাকপা ওইনমএ হায়পাকী লৈচোনপম কৌএ ॥৪৯॥ মপুনা নারকতা কৈ সারমএ হায়পাকী কৈসাম কৌএ ॥৫০॥ নিংথৌনা ইরেং সিললকএ হায়পাকী ইরেংপম কৌএ ॥৫১॥ নিংথৌনা সিরকা ফুমপতাবী মরু সংথোকএ হায়পাকী সংথোংপম কৌএ ॥৫২॥ লমনকতা মযুম সাপা চারোইনা। য়ুমদা সাহল্লএ হায়পাকী চারোইপম কৌএ ॥৫৩॥ নিংথৌকী লু-ভোং চামএ হায়পাকী লোইতোংপম কৌএ ॥৫৪॥ ওতোম নাহা সঙকাই পামপাকী মমিং লৌতুনা অতোম কৌএ ॥৫৫॥ পৌনা নমতুনা ফায় হায়পাকী পৌনম কৌএ ॥৫৬॥ মপুনা য়ু লুংভমএ হায়পাকী ইরুংপম কৌএ ॥৫৭॥ নিংথৌ নোংইন ফাপানা সা ভানপাতা সা ফাতরপাপু নোংইন ১ লুনা ফাতুনা কংলে হায়পাকী লুক্রাম নোংইন ফাপম কৌএ ॥৫৮॥

মোংপ। য়োয়সাকাইতাকী লয়না লয়না তারকএ হায়পাকী লৈমরাম কৌএ ।।৫৯।। মপুনা নোংথোনপা ওইরমএ হায়পাকী মোংথোনপম কৌএ ।।৬০।। ফম তোপনা ফমএ হায়পাকী ফমতোম কৌএ ।।৬১।। মসক মতৌ হেলএ হায়পাকী হেমাম কৌএ ।।৬ ।। রা য়ামনা ভাঙ-পাগ্মু চিরোন কৌএ. অতুকী চিরোম কৌএ ।।৬৩। মপুতু মখোয় ভোঙএ হায়পাকী খোয়তোংপম কৌএ ।।৬৪।। মপু লৈসোক পাম-পানা লমলৈ লাকপা ওইরমএ হায়পাকী লমলৈরাকপম কৌএ ।।৬৫।। তোনপা হুইত্রোনপাকী মমিং লৌতুনা হুইত্রোম কৌএ ।।৬৬।। নিংথৌকী ফংপালতা য়ুম নায় হায়পাকী য়ুমনাম কৌএ ।।৬৭।। লৈমা য়োকএ হায়পাকী লৈময়োকপম কৌএ ।।৬৮। খুননতা চৈরাক কললুইএ হায়-পাকী খুনচরাকপম কৌএ ।।৬৯। নিংথৌকী ঈং লাংপোকতা থায় হায়পাকী লাংপোকথাপম কৌএ ।।৭০। নিংথৌকী ঈ চঙএ হায়পাকী নিংথৌচম কৌএ ।।৭১।। নিংথৌকী নাউফম ফুমএ হায়পাকী নাকমপম কৌএ । ৭২।। সীং থায়হলএ হায়পাকী সীঙখ্বান কৌএ ।।৭৩।। মপুতু সতানোন কৌএ হায়পাকী সোরাম কৌএ ।।৭৪।। য়েন সেললি হায়-পাকী য়েনসেনপম কৌএ ।।৭৫। থৌথা কললি হায়পাকী থৌতাম কৌএ ।।৭৬।। মপু হোতিকাকী মমিং লৌতুনা হোতাম কৌএ ।।৭৭।। সকোল সেললি হায়পাকী সকোলসেম কৌএ ।।৭৮।। সনা সাই হায়-পাকী সনাসাপম কৌএ ।।৭৯।। নিংথৌকী মনাকতা মানা পুরকপা মোইপুংপু মীনা মুনাশএ।। নামৈ লাকতুনা য়াননৈএ অমসুং মপুসিংনা মোইরাং নিংথৌ ওইরমএ হায়পাকী নামৈরাকপম মোইরাং নিংথৌ-ময়ুম কৌএ ।৮০।। পাউতা হিথেল লাংলে হায়পাকী পাউপম কৌএ ।।৮১।। মপুনা ফৌরুংহনপা ওইএ হায়পাকী ফৌরুংপম কৌএ ।।৮২।। নিংথৌকী সঙকায় সেলএ হায়পাকী সঙকায়সেনপম কৌএ ।।৮৩।। মুমিৎলৈমা সঙই হায়পাকী মুমিৎলৈমা সঙপম কৌএ ।।৮৪।। মপুনা খুনচাহনপা ওইরমএ হায়পাকী খুনচাহনপম কৌএ ।।৮৫।। সনা য়ামনা

পামএ হায়পাকী সনাপাম কৌএ ।।৮৬।। নিংথৌকী বাই খোমনৈএ হায়পাকী বাইখোম কৌএ ।।৮৭।। থাংসু নাহা হায়পা তাপু লাংএ হায়পাকী থাংসুলাকপম কৌএ ।।৮৮।। নিংথৌকী য়েলহিং থাথোকপাতা অনা লাইকোকলে হায়পাকী য়েনকোকপম কৌএ ।।৮৯। ফি সাপা হৈ হায়পাকী ফিচম কৌএ ।।৯০।। থাঙকং মরী সাইএ হায়পাকী থাঙকংসাপম কৌএ ।।৯১।। কোল হয় হাং পানী অহৈয়পম কৌএ ।।৯২।। বাংখৈ ফালামপাকী মমিং লৌতুনা ফংলামপম কৌএ ।।৯৩।। তিমেন মখুৎসু ফেনপাতি লেমএ হায়পাকী ফেনলেম কৌএ ।।৯৪।। মপুনা লৌ উপাতা অহিংতা লাইনা লৌ য়ৈগ্রে ।। খরা লেমহৌএ হায়পাকী লৈ-রেমপম কৌএ ।।৯৫।। লাইকী লমন তোললে হায়পানী লাইতোনচম কৌএ ।।৯৬।। নোইরিক সাইএ হায়পাকী মোইচেম কৌএ ।।৯৭।। লোইশী হাংকা তিনবৈএ হায়পাকী হাংতৈচম কৌএ ।।৯৮।। খোইরু সুংএ হায়পাকী খোইমুচম কৌএ ।।৯৯।। অঙা সাপা তমএ হায়পাকী নাউতম কৌএ ।।১০০।। লাল ডাকউ হায়না থমলমএ হায়পাকী লান-থম কৌএ ।।১০১। হাঙমচা অমা ফাতুনা মথাদা কোনতুনা থমলমএ হায়পাকী কোনথা হাঙপম কৌএ ।।১০২।। সরারেল সঙএ হায়পাকী সরেনসঙপম কৌএ ।।১০৩।। খুনথোংয়াই লাংএ হায়পাকী খুনতোম কৌএ ।।১০৪।। নিংথৌকী সীং থাঙএ হায়পাকী সীংথাঙপম কৌএ ।।১০৫।। মপুনা সা খোমএ হায়পাকী সাইখোম কৌএ ১০৬।। খোয়রী শাংনা য়াললকপা পোকএ হায়পাকী খোয়রীয়ানপম কৌএ ।।১০৭।। শাকু রানলোং পাননৈএ হায়বগী সৌক্রাকপম কৌএ ।।১০৮।। চোনচান হৈ হায়পাকী চোমচনপম কৌএ ।।১০৯।। লাইয়িংথৌ থাকেমপানা নোংমৈ কাপপা তম্বি হায়পাকী নোংমৈকাপপম কৌএ ।।১১০।। তেন শূহুনা লাকএ হায়পাকী তেনশূপম কৌএ ।।১১১।। মপুনা খাইরাকপা ওইরমএ হায়পাকী খাইরাকপম কৌএ ।।১১২।। মৈতেংঙু মুংয়ামপমা চীংঙা য়াঙ-পাপু ইপাতোন নঙকী যিমনাকতি অরাংপা খৈপা কৌও হায়তুনা

ব্লাংখৈময়ুম কৌএ ॥ ১১৩ ॥ মপুনা নোংথোনপা ওইএ ॥ য়ুমুং লুংএ হায়পাকী নোংথোনপম ইরুংপম কৌএ ॥ ১১৪ ॥ মপুনা ব্লাংখৈরাকপা ওই হায়পকী ব্লাংখৈরাকপম কৌএ ॥ ১১৫ ॥ সেকউ কাংতাকী কুমলকএ হায়পাকী কাংহচম কৌএ ॥ ১১৬ ॥

অঙোম সলাই ঈ তিন্নপতি ঃ নিংথৌগী লুয়োম ফি শাইএ হায়পাকী য়ুমলেমপম কৌএ ॥ ১ ॥ নোংমাই চীংতাকী থেঙনা কুমলকএ হায়পাকী নোংমাইথেম কৌএ ॥ ২ ॥ নিংথোকী হী য়াই পাননৈএ হায়পাকী হিদাম কৌএ ॥ ৩ ॥ নিংথৌ থৌখল সেবা ফৈএ হায়পাকী সেরাস কৌএ ॥ ৪ ॥ ঙংকোযনা লুমএ হায়পকী নারুমপম কৌএ ॥ ৫ ॥ অত্থবু শুমএ হায়বগী পোংশুমবম কৌএ ॥ ৬ ॥ ব্রা হায়বা হৈ হায়বগী হায়হৈবম কৌএ ॥ ৭ ॥ নিংথৌদা ঙারেনখোই ফাত্থনা কংলে হায়বগী ঙাবেনপম কৌএ ॥ ৮ ॥ ওং হায়বা মিংখৈসি শোললে হায়বগী ওংনাম কৌএ ॥ ৯ ॥ অহোঙ-ত চাউ লাংলে হায়বগী হোঙনেমশুম্বম কৌএ ॥ ১০ ॥ কোংবা মপান্দা তাইএ হায়বগী কোংবম কৌএ ॥ ১১ ॥ মং শঙনৈএ হায়বগী মশাতাবম কৌএ ॥ ১২ ॥ য়েক খোংপা হৈ হায়বগী অয়েকপম কৌএ ॥ ১৩ ॥ পূংবু ব্লাংলেন কৌএ, ব্লাংলেন পূং য়ৈ হায়বগী ব্লাংলেনবম কৌএ ॥ ১৪ ॥ মচিল কাঙএ হায়বগী চিংগাংবম কৌএ ॥ ১৫ ॥ তেন শোয়ব্রে লেমনা চংগ্রে হায়বগী তেনলেম কৌএ ॥ ১৬ ॥ লৈ তেললে হায়বগী লৈতানথেম কৌএ ॥ ১৭ ॥ শাইরোং কাপ্পা তমএ হায়বগী শাইরোম কৌএ ॥ ১৮ ॥ খাংহন য়াইমবগী মমিং লৌত্থনা খাংঙেনবম কৌএ ॥ ১৯ ॥ কৈক্রন হনবা ওই হায়বগী কৈক্রনবম কৌএ ॥ ২০ ॥ মপুনা নোংথোনবা ওইরমএ হায়বগী নোংথোনবম কৌএ ॥ ২১ ॥ নিংথৌনা শিরগা নাকপক খলএ হায়বগী নাকপক খনপম কৌএ ॥ ২২ ॥ খোয়দাব্রুরে হায়বগী খোইমোম তাপম কৌএ ॥ ২৩ ॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংচম কৌএ ॥ ২৪ ॥ লোঙ শূত্থনা নিংথৌগী থৌগল তৌএ হায়বগী লোংচম কৌএ ॥ ২৫ ॥ মপুনা লাইরেন লাকপা ওই হায়বগী লাইরেললাকপম কৌএ ॥ ২৬ ॥ অব্রাং

খৈনা তাইএ হায়বগী অৱা' খৈবম ৱাংখৈবম কৌএ ।। ২৭ ।। কসোম অঙানবগী মমিং লৌতুনা কস্বাম কৌএ ।। ২৮ ।। নিংথৌগী লুবু ইকোয়-কোয়না চামএ হায়বগী অকোইচম কৌএ। ২৯ ।। নিংঙোল য়াইনবগী মমিং লৌতুনা নিংঙোনবম কৌএ ।। ৩০ ।। লাইতোন অতোনবগী মমিং লৌতুনা লাইতোনডম কৌএ ।। ৩১ ।। মানা লোইবা হুইবু থৌদে লেমএ হায়তুনা হুইবেম কৌএ ।। ৩২ ।। লাই শঙএ হায়বগী লাইশঙবম কৌএ ।। ৩৩ ।। ইখৈবেন শঙএ হায়বগী ইখৈ শঙবম কৌএ ।। ৩৪ ।। মপোৎ চোইথোকএ হায়বগী অচোইবম কৌএ ।। ৩৫ ।। নিংথৌগী মপোং শঙএ হায়বগী পোংশঙবম কৌএ ।। ৩৬ ।। ঙাঙগন-শঙকলএ হায়বগী ঙাংলেনবম কৌএ ।। ৩৭ ।। য়ুম খাইখি হায়বগী য়ুমখাইবম কৌএ ।। ৩৮ ।। ঙান্নু কাপএ হায়বগী ঙান্নুপম কৌএ ।। ৩৯ ।। খানা চাউবা লাংলে হায়বগী খানা চাউবম কৌএ ।। ৪০ ।। খুয়োন বা শঙএ হায়বগী খুয়োনথেম কৌএ ।। ৪১ ।। মোরী হায়বা লাইহু লাংলে হায়বগী মোরীময়ুম কৌএ ।। ৪২ ।। লৌ শঙম শাবা তমএ হায়বগী শঙম্বম কৌএ ।। ৪৩ ।। মপুহু তোললে হায়বগী পুতোনচম কৌএ ।। ৪৪ ।। মপুহু চাউএ শাংএ হায়বগী শাংতোনচম কৌএ ।। ৪৫ ।। কিয়াম লাই লাংএ হায়বগী কিয়াম কৌএ ।। ৪৬ ।। মীগী মতৌ তম্বদা মাল্লে হায়বগী মান্নিংবম কৌএ ।। ৪৭ ।। অসিদি পু তিন্নৈএ ।।০।।

চেংলৈ সলাই ঈ তিন্নৈ হায়বদি ঃ -থাঙ শাইএ হায়বগী থাংচম কৌএ ।। ১ ।। লৈবাক তোঙনবা থোলএ হায়বগী তোংব্রম কৌএ ।। ২ ।। য়েক খোংপা হৈ হায়বগী অয়েকপম কৌএ ।। ৩ ।। থবক-থনা য়াম্না হৈএ শূইএ হায়বগী সুবাইবম কৌএ ।। ৪ ।। লৈদগী শাংনা চোংথোকলকএ হায়বগী লৈশাংখেম কৌএ ।। ৫ ।। মপুহু মশম হোদে খাকোক মাললে হায়বগী খাকোকপম কৌএ ।। ৬ ।। মবৈ মহৈ নাউশেক মাললে হায়বগী নাউশেকপম কৌএ ।। ৭ ।। মপুতুনা মফি মরোল য়াওদনা ঈংনা তুমএ হায়বগী ইঙ্গুতুম কৌএ ।। ৮ ।। কুরুগী মরৈদগী লাংনা থোক্লকএ হায়বগী

শরাংথেম কৌএ ॥ ৯ ॥ মীগী পোৎ ব্রায়তুনা লোংলে হায়বগী ব্রাইরোংশম কৌএ ॥ ১০ ॥ নিংথৌগী মপোৎ মচৈ পূমনামা চাচুম নমএ হায়বগী চানম কৌএ ॥ ১১ ॥ য়েনশাং হেকপাপু য়েনলাংপা কৌএ ॥ মপু মবেন চঙনা য়েনলাংএ হায়বগী য়েনলাংবম কৌএ ॥ ১২ ॥ চীংঙা শঙএ হায়বগী চীংঙাখম কৌএ ॥ ১৩ ॥ মাইবা শাবদা লৌখি হায়বগী ম ইবা থিয়াম কৌএ ॥ ১৪ ॥ নিংথৌগী মশম মনা নোইহলএ হায়বগী শমনোইবম কৌএ ॥ ১৫ ॥ তৌ য়াম্না য়ানববু লাংবা কৌএ ॥ ·অতুদগী তৌবা বম কৌএ ॥ ১৬ ॥ নিংথৌগী থুম তাংহললে হায়বদগী থুমকনবম কৌএ ॥ ১৭ ॥ ঙা থিবা হৈ হায়বদগী ঙাথেম কৌএ ॥ ১৮ ॥ লৌ শূবদা কবামএ হায়বদগী লৌশিকাবম কৌএ ॥১৯॥ হায়বা-চৎপা হৈ হাযবদগী হাইরাম কৌএ ॥২০॥ লৈবাক ভোএ হায়বদগী লৈতাম (লোইতাম) কৌএ ॥ ২১ ॥ মৈবু নমতুনা মূৎলে হায়বদগী মৈনম কৌএ ॥ ২২ ॥ মী অশিবগী শক খাযতুনা লৌথোকএ হাযবদগী শবকখাইবম কৌএ ॥ ২৩ ॥ নিংথৌগী থোঙ থিংনবা খবাই শাই হায়বদগী খবাইচম কৌএ ॥ ২৪ ॥ লিক কোন শাবা হৈ হায়বগী কোনসম কৌএ ॥ ২৫ ॥ লাংকোন্দা মং চঙএ হায়বগী লাংকোনচম কৌএ ॥ ২৬ ॥ ময়াংগী লম্বু ওই হায়বগী মযাংলম্বম কৌএ ॥ ২৭ ॥ মোইবাংগী মাইবা ওই হাযবগী মাইব্রম কৌএ ॥ ২৮ ॥ (খোইবু নমতুনা ফায়এ হায়বগী খোইস্নম কৌএ ॥ ২৯ ॥ যাম্ন' হৈ শিংএ হাযবগী হৈব্রাম কৌএ ॥ ৩০ ॥ নিংথৌগী হিয়াংপোৎ শঙএ হায়বগী পোৎশঙবম কৌএ ॥ ৩১ ॥ অসিদি পু ভিন্নৈ লৌনদে ॥০॥

ঙানবা সলাই ঈ তিন্নবদি :- নিংথৌগী মৈ হৌএ হায়বগী মৈহৌবম কৌএ ॥ ১ ॥ তেকচা অহনবগী মনিং লৌতুনা তেকচম কৌএ ॥ ২॥ থোংঙাই য়ুমথ বগী মমিং লৌতুনা থোংঙাম কৌএ ॥ ৩ ॥ কোল হযবা হৈ হায়বগী অহৈবম কৌএ ॥ ৪ ॥ নিংথৌগী হেনতাক শুনৈ হায়বগী হেন্তাকপম কৌএ ॥ ৫ ॥ হাও পাননৈ হায়বগী হাওপাচম কৌএ ॥ ৬ ॥ থীনমললি হায়বদগী থিনবম কৌএ ॥ ৭ ॥ নিংথৌগী য়ুমদা য়াঙ্গোইতুনা

লৈ হায়বদগী য়াঙ্গোইচম কৌএ ॥ ৮ ॥ শনগী মচি লাগত্থুনা ফায়এ হায়বগী শনচিরাম কৌএ ॥ ৯ ॥ কবোগী লমবু ওই হায়বদগী কবোলম্বম কৌএ ॥ ১০ ॥ নিংথৌগী মতুনা গর্ভ লৈনা শিববদা খায়থোকএ হায়বগী খাইতেম কৌএ ॥ ১১ ॥ তৌবু খুমু কৌএ ॥ অহুবু শাংএ হায়বদগী খুত্থুচম কৌএ ॥ ১২ ॥ ফি শাইএ হায়বদগী ফিচম কৌএ ॥ ১৩ ॥ য়াং-চাউএ হায়বগী য়াংপচম কৌএ ॥ ১৪ ॥ খাবা সলাইগী নোং কৌথৈএ হায়বগী নোংচেনপম কৌএ ॥ ১৫ ॥ খুবাইতা তাইএ হায়বগী খুরাইচম কৌএ ॥ ১৬ ॥ অসিদি লৌনহৈদে ॥ পু তিনলৈএ ॥০॥

লুয়াং সলাই ঈ তিন্নবদি ঃ—পাখংবন শাংনা তারকপদা খোঙ হামএ হাযবদগী অশাংবম কৌএ ॥ ১ ॥ লানথত্থুনা ইরুইএ হায়বগী অবাম্বম কৌএ ॥ ২ ॥ লৈরোংজমগা তিন্ননা লৈ হায়বগী তিনবিজম কৌএ ॥ ৩ ॥ নিংথৌগী লোনলৈ লাৎলে হায়বগী লৈরো চম কৌএ ॥ ৪ ॥ লৈমা নারম্বদগী ইতোয় তোয়ন কায়রে হায়বগী তোইবিচম কৌএ ॥ ৫ ॥ নিংথৌগী মচা পোক্লগা নাউফম পুইএ হায়বগী অপুচম কৌএ ॥ ৬ ॥ মৈ হৌববরা য়ে এ হায়বগী মৈয়েংবম কৌএ ॥ ৭ ॥ উরেপ রা খিলএ হায়বগী উরেপখিনবম কৌএ ॥ ৮ ॥ নিংথৌগী অন্ন-অশেং তৌএ হায়বগী অন্নবম কৌএ ॥ ৯ ॥ মপুনা নোংথোনফম ওইরমএ হায়বগী নোংথোনপম কৌএ ॥ ১০ ॥ নিংথৌগী পুং লাংলে হায়বগী পুঙ্‌্রাইজম কৌএ ॥ ১১ ॥ মথৌ ঙাংগোম্বগী মমিং লৌত্থুনা ঙাংগোম কৌএ ॥ ১২ ॥ লুয়াং পোকপা শঙএ হায়বগী লুয়াংশঙবম কৌএ ॥ ১৩ ॥ য়া লেন পুং য়ৈ হায়বগী য়াংলেন-বম কৌএ ॥ ৪ ॥ নিংথৌগী হৈ থমহললে হায়বগী হৈথম কৌএ ॥ ৫ ॥ ফমমিহনবা হায়বা ফম অত্থু ওই হায়বগী ফমমিহনবম কৌএ ॥ ১৬ ॥ শিবে হায়ত্থুনা মংদা থমলুবে হায়বগী থমমংচম কৌএ ॥ ১৭ ॥ অত্থুবু চুমদে হায়ত্থুনা য়াকোংহলএ হায়বগী য়াকোংথেম কৌএ ॥ ১৮ ॥ খুননা চানবিবে হায়বগী খুনচান ময়িম কৌএ ॥ ১৯ ॥ কোংবা মৈরোম্বীদা তাইএ হায়বগী কোংবম কৌএ ॥ ২০ ॥ মপু সদানোননা থাঙ শাইএ হায়বগী থাংচম সরাম

কৌএ ॥ ২১ ॥ খুননা মপু নিংঙাই চাউএ হায়না মূকনৈএ হায়বগী খুনমুকচম কৌএ ॥ ২২ ॥ ফৈবোই খায়এ হায়বগী ফৈবোইচম কৌএ ॥ ২৩ ॥ মপুত্ত থিক্রিবা কৌএ, ঙাঙনা থি হায়বগী থিয়াম কৌএ ॥ ২৪ ॥ ময়ুমদা শেনবাং চঙডুনা মন্তম শাই হায়বগী শেনবাংচম কৌএ ॥ ২৫ ॥ ব্রাই খোমনৈ হায়বগী ব্রাইখোম কৌএ ॥ ২৬ ॥ মোইবুং মুনবৰু লোকপা কৌএ ॥ অত্তুগী মোইবুংলোকপম কৌএ ॥ ২৭ ॥ মপু সোপুকী মমিং লৌতুনা সোপ্রাম কৌএ । ২৮ ॥ মপু সনাগী মমিং লৌতুনা মাইস্নাম কৌএ ॥ ২৯ ॥ মৈ মূংলে হায়বগী মৈত্রম কৌএ ॥ ৩০ ॥ য়ুম ১ লেমনা শাই হায়বগী য়ুমলেম্বম কৌএ ॥ ৩১ ॥ নিংথৌগী মথৌ কাউএ হায়বগী থৌক্লাওচম কৌএ । ৩২ ॥ লুরাং কুকদগী থোক্লকএ হায়বগী অথোকপম কৌএ ॥ ৩৩ ॥ হি শাবা হৈ হায়বগী হি১ম কৌএ ॥ ৩৪ ॥ শল লাংলে হায়বগী সনলাম কৌএ ॥ ৩৫ ॥ নোংপোক লমদা তাইএ হায়বগী নোংপোকপম কৌএ ॥ ৩৬ ॥ য়াগন কললে হায়বগী য়াঙম্বম কৌএ ॥ ৩৭ ॥ নিংথৌগী সীং খাঙএ হায়বগী সীংখাঙবম কৌএ ॥ ৩৮ ॥ হাওবোংবম লাই লাংলে হায়বগী হাওবোংবম কৌএ ॥ ৩৯ ॥ উচি লাই লাংলি হায়বগী লাইশোম কৌএ । ৪০ ॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংচম কৌএ । ৪১ ॥ থাউতৈকললি হায়বগী থাউতৈচম কৌএ ॥ ৪২ ॥ নহক্লা চাউএ হায়বগী নাহাকপম কৌএ ॥ ৪৩ ॥ মৈবা লৌএ হায়বগী লৌখাম কৌএ ॥ ৪৪ ॥ অঙাং নাউবোইএ হায়বগী নাউবোইবম কৌএ । ৪৫ ॥ ব্রা ঙাংবা হেকতোকএ হায়বগী ব্রাহেংবম কৌএ ॥ ৪৬ ॥ লাহ ফাতুনা কংহললে হায়বগী লাইকংবম কৌএ ॥ ৪৭ ॥ মশা নাললি হায়বগী নানতম কৌএ ॥ ৪৮ ॥ থিনপী লাইরেনচাম্বগী মমিং লৌতুনা লাইবেঞ্জম কৌএ ॥ ৪৯ ॥ লোই পাননৈএ হায়বগী লোইচা য়াঙম্বম কৌএ ॥ ৫০ ॥ ফি অঙৌবা পামএ হায়বগী ঙৌবম কৌএ ॥ ৫১ ॥ চীংগী লৈবাক চায়এ হায়বগী চীংচাবম কৌএ ॥ ৫২ ॥ ব্রা ঙাঙবদা মরৈ লোমএ হায়বগী ঙাংলোম কৌএ । ৫৩ ॥ মনিঙন হন্না চংলে হায়বগী নিঙচিংপম কৌএ ॥ ৫৪ ॥ খোকলাং মথুংশুনা নমতুনা ফায়এ

হায়বগী খোকনাম কৌএ ॥ ৫৫ ॥ নিংথৌগী মশম মনা শেমএ হায়বগী শমবান্দুবাম কৌএ ॥ ৫৬ ॥ খোই লাংলে হায়বগী খোইবম কৌএ ॥ ৫৭ ॥ অসিদি পু তিন্নৈএ লোনহৈদে ॥ ০ ॥

থুমন সলাই ঙ্গী তিন্নবদি :— থবক খামএ হায়বগী অখোম কৌএ ॥ ১ ॥ অশিবগী চাক য়াম্না থাইএ হায়বগী অযাম কৌএ ।২ । মাইবা ফামনা শাইএ হায়বগী অক্রাম কৌএ ॥ ৩ ॥ মাইবা শাবা তমএ হায়বগী মাইশম কৌএ ॥ ৪ ॥ নিংথৌনা শিবগা মরু ইথোই থোইনা চামএ হাযবগী খোইদিংচম কৌএ ॥ ৫ ॥ মশা তয়াং তয়া এ হায়বগী য়াংলেম কৌএ । ৬ ॥ থেঙ্গু শূতুনা নিংথৌগী তৌ য়ৈথাই হায়বগী থেঙ্গুজম কৌএ ।। ৭ । পুথমদা চাক চাবদা লেমলে হায়বগী পুথ্রেম কৌএ । ৮ ॥ লং ফাইতুনা ফি শাবা হৌএ হায়বগী ফাইবেম্বম কৌএ ॥ ৯ ॥ নিংথৌনা চাললে হায়বগী চান্দন কৌএ ॥ ১০ ॥ শাগৈ মপা মচা খাইনবে হায়বগী পাংখাইচম কৌএ । ১১ ॥ মোংবী চীং লাংলে হায়বগী মোংবীচম কৌএ ॥ ১২ ॥ খনফম ঙাংচেংদা তাইএ হায়বগী ঙাংবম কৌএ ॥ ১৩ ॥ মীগী মপোৎ কাঙশতুনা য়েংএ হায়বগী অকাংচম কৌএ । ১৪ ॥ শূবা-চৎপা চাবা-থকপা পুম্নমক ওইনা হৈনৈএ হায়বগী ওইনাম কৌএ ॥ ১৫ ॥ মায়মু তোমশোন লাংলে হায়বগী মাইমোম কৌএ ॥ ১৬ ॥ অতোনবনি খমলে হাযবগী খমনাম কৌএ ॥ ১৭ ॥ অহোং-অচাউ লাংলে হায়বগী অহোঙশাংবম কৌএ ॥ ১৮ ॥ (অঙাং চাক ইনবা চাক পুমনা ইল্লে হায়বগী চবুংবম কৌএ ।) ১৯ ॥ উক্রোং কাতুনা লাংলে হায়বগী থোঙ্গ্রাবম কৌএ ' ২০ ॥ অহোঙ-অচাউবা তমএ হায়বগী অহোঙবম কৌএ ॥ ২১ ॥ হয়বু কুবি য়েনবি হায়বগী হয়ক্রুচম কৌএ ॥ ২২ ॥ পয়া শঙ্গাই নাননা শূইএ হায়বগী সিমনাম কৌএ ॥ ২৩ ॥ মংথোং থিংএ হায়বগী থোঙবম কৌএ ॥ ২৪ ॥ নিংথৌগী য়াংঙৌ লৈ য়ৈতুনা শাইএ হায়বগী য়াঙৌয়ৈবম কৌএ ॥ ২৫ ॥ হন চঙবা নোঙথোকএ হায়বগী হংলেম কৌএ ॥ ২৬'। কিয়াম লাই লাংলি হায়বগী কিয়াম কৌএ ॥ ২৭ ॥ লাইনা তিননা পুবা মাললি হায়বগী

লাইপুখ্রাম কৌএ ।। ২৮ ।। থাউদৈ য়ুমথংবগী মমিং লৌদুনা থাউদেম কৌএ ।। ২৯ ।। কলম শূবা হৈ হায়বগী কোনলোম কৌএ ।। ৩০ ।। শৌ কাইবা হৈ হায়বগী শৌকাইচম কৌএ । ৩১ । শেম শাবা হৈ হায়বগী অসেম কৌএ ।। ৩২ ।। বা লাংলে বা অরেপপশু হায়এ হায়বগী বারেপপম কৌএ ।। ৩৩ ।। অতাই পুরি থোকএ হায়বগী তাইবংজম কৌএ ।। ৩৪ ।। নিংথৌগী মতুনা মশা শংদনা শিরগা য়াংথোকএ হায়বগী শিয়াংপম কৌএ ।। ৩৫ ।। হাংদা পিরুইএ হায়বগী হাংপিচম কৌএ ।। ৩৬ ।। কবোগী লমবু ওই হায়বগী কবোরম্বম (কব্রম্বম) কৌএ ।। ৩৭ ।। থোঙ চনবা হৈ হায়বগী থোঙচন কৌএ ।। ৩৮ ।। মপুনা পুখ্রনবা ওই হায়বগী পুখ্রনবম কৌএ ।। ৩৯ ।। (নিংথৌগী মৈতাল শঙএ হায়বগী মৈতালকৈশঙবম কৌএ) ৪০ । লীক মরী শাই হায়বগী লিকুমাবম কৌএ ।। ৪১ ।। খাগী থম্বীগ্রা মাইবীগী ঈনি হায়দুনা মাইবম কৌএ ।। ৪২ ।। ঈথিং পনথিংদা কোমনা থিংএ হায়বগী থিংকোম কৌএ ।। ৪৩ ।। (ময়াংগী লমবু ওই হায়বগী ময়াংলম্বম কৌএ) ৪৪ ।। লান্দা চুঙ পায়দুনা খাঙএ হায়বগী চুঙখ্বাম কৌএ ।। ৪৫ ।। মাইবা শাবদা ফুনৈ হায়বগী মাইফুবম কৌএ ।। ৪৬ ।। লীরুংবু মাক কৌএ । অদুবু শূই হায়বগী অমাকচম কৌএ । ৪৭ ।। চাইরোইপূং লাংলে হায়বগী চারোইবম কৌএ । ৪৮ ।। খুন অরেম্বদা তাইএ হায়বগী খুনলেম কৌএ ।। ৪৯ ।। শা কমলকএ হায়বগী আকিরাম কৌএ ।। ৫০ ।। অঙাংগী খোয়রী লংশুং কি হায়বগী খোয়রীশুম্বম কৌএ ।। ৫১ ।। লম-তু ঙাকএ হায়বগী লমমাবম কৌএ ।। ৫২ ।। নিংথৌগী য়াইপুং থীললে হায়বগী য়াইথিংবম কৌএ ।। ৫৩ ।। লান্দা মঙক কমলুই হায়বগী লাংকম কৌএ ।। ৫৪ ।। য়োংকী সামুক শাই হায়বগী শামুকচম কৌএ ।। ৫৫ ।। থিংপাই শেমহোঙবগী মমিং লৌদুনা থিংবাইজম কৌএ ।। ৫৬ ।। মপুনা খোই লোকপা হৌএ হায়বগী খোইরোম কৌএ ।।৫৭।। পোং পুবদা নাম্মতা পুইএ হায়বগী নাত্রম কৌএ ।। ৫৮ ।। লোকখা হাওখা-দগী লাকএ হায়দুনা হাওবম কৌএ ।। ৫৯ ।। মোইরেং শাফবগী মমিং

লৌতুনা মোইরেংচম কৌএ ।৬০ ।। হেনতাক চাবা য়াম্না পামএ হায়বগী হেন্তাকপম কৌএ ।। ৬১ ।। মপুন্থু নেনে কৌএ হায়বগী নেপ্রম কৌএ ।৬২ ।। য়ুম কূপপা হৈএ হায়বগী য়ুমকুতুম কৌএ ।৬৩। লাইগা শমনৈ হায়বগী লাইশ্রম কৌএ ।। ৬৪ । মপু অমগী মমিং লৌতুনা অমোম কৌএ ।৬৫ ।। মনাভোল চাউএ হায়বগী তোনচম কৌএ । ৬৬ ।। নিংথৌগী লুবু শিলএ হায়বগী পুয়াম কৌএ ।। ৬৭ ।। শনগী মশিল তৌএ হায়বগী শনখোম সিননাম কৌএ । ৬৮ ।। মোইপুং মচেৎ শি হায়বগী মোইচেম কৌএ ।। ৬৯ ।। লাং শাবা হৈ হায়বগী লাংহৈবম কৌএ ।। ৭০ ।। ফান শাবা হৈ হায়বগী ফানচম কৌএ ।। ৭১ ।। পল লিংতুনা লু থুমএ হায়বগী পনলুচম কৌএ ।। ৭২ ।। লান্দা থমএ হায়বগী লানথম কৌএ ।। ৭৩ ।। মীনা তৌবা পূমনামা য়াম্না পেনকললে হায়বগী য়ামপেম কৌএ ।। ৭৪ ।। অয়াং তৌবাললে হায়বগী তৌবেম কৌএ ।। ৭৫ ।। নিংথৌগী ঙা শেৎতুনা চারমএ হায়বগী ঙাসেৎপম কৌএ ।। ৭৬ ।। শনলম লাংলে হায়বগী সনথাম কৌএ ।। ৭৭ ।। নিংথৌগী তৌ য়ান্নৈএ হায়বগী তৌমোম কৌএ ।। ৭৮ ।। পাঙল মালে মঙকশম শাংএ হায়বগী পাংঙম্বম কৌএ ।। ৭৯ ।। নিংথৌদা তোকপা ১ ফাতুনা কৎলে হায়বগী তোকপম কৌএ ।। ৮০ ।। শন শেললে হায়বগী শনশেনবম কৌএ ।। ৮১ ।। কাদাম্বা লৈনুংশিগী মমিং লৌতুনা কাদাম কৌএ ।। ৮২ ।। মপুনা লংজিং পুরেন ওই হায়বগী চিংথাম কৌএ ।। ৮৩ ।। শা কাপএ হায়বগী শাকাপপম কৌএ ।। ৮৪ ।। হাউরোংপম লাই লাংলে হায়বগী হাওরোংবম কৌএ ।। ৮৫ ।। য়াউ শেললে থাঙম্বু শাইএ হায়বগী থাংমে য়াংশেম কৌএ ।। ৮৬ ।। থাঙ শাইএ হায়বগী থাংচম কৌএ ।। ৮৭ ।। খুমন্দা য়ুম্নাক থেঙনা তাইএ হায়বগী খুমনথেম কৌএ ।। ৮৮ ।। রাংকমদা হাপতুনা চাক চায়য়ে হায়বগী রা কোম কৌএ ।। ৮৯ ।। অহৈবমদা তাংএ হায়বগী তাউবম কৌএ ।।৯০।। মশা তয়াং তয়াংন পুইএ হায়বগী য়াংলেম কৌএ ।।৯১।। পল লেমনা চাউনা থোলে হায়বগী পোলেম কৌএ ।। ৯২ ।। মানা কাম্না

তেন অতু অরেম্বদা মাঙলে হায়বগী তেনালেম কৌএ ॥ ৯৩ ॥ উতোন্দগী চোংথরকএ হায়বগী তোনথ্রম কৌএ ॥ ৯৪ ॥ হরাই য়াম্না থাইএ হায়বগী তৌরাইবম কৌএ ॥ ৯৫ ॥ থাংগং মনী শাইএ হায়বগী খাংগংশাবম কৌএ ॥ ৯৬ ॥ মখুং হৈ হায়বগী খুৎহৈবম কৌএ ॥ ৯৭ ॥ লান্দা নিঙ খোমলকএ হায়বগী লাংখোম্বম কৌএ ॥ ৯৮ ॥ মপুন্থু রা শরী-শরী (শৃ-শৃ) ঙাঙএ হায়বগী সরাম কৌএ ॥ ৯৯ ॥ হাওরোই নাইওইবা মাললে হায়বগী হাওরোইবম কৌএ ॥ ১০০ ॥ শেন শাবা তৎএ হায়বগী শেনতম কৌএ ॥ ১০১ ॥ অসিদি পু তিন্নৈএ লৌনহৈদে ॥ ০ ॥

মোইরাং সলাই ঈ তিন্নবদি ঃ— হি মথকংগ ফাতুনা পুবদগী চোংথহৌএ হায়বগী চোংথাম কৌএ ॥ ১ ॥ কংলাগী মেন মকমদা লোংতুনা লৈহৌএ হাযবগী মেনালেম কৌএ ॥ ২ ॥ রায়েল তৌবা ফৈ হায়বগী রায়েনবম কৌএ ॥ ৩ । মপুন পুথ্রনবা ওই হায়বদগী পুথ্রনবম কৌএ ॥ ৪ ॥ নাপী লেঙলিবা অসিবু কবিনো হায়না যেংবদা লৈবমএ হাযবগী নারেংবম কৌএ ॥ ৫ ॥ কবোগী লম্বু ওই হায়বগী কবোনম্বম কৌএ ॥ ৬ ॥ শনখোন শুম্বা হৈ থাঙস্থু শাই হাযবগী খাংচন শংখোম কৌএ ॥ ৭ ॥ নোইবাংগী নোংথোলনি হায়বগী নোংথোনবম কৌএ ॥ ৮ ॥ লাই পুথিবা শঙএ হায়বগী পুথেম কৌএ ॥ ৯ ॥ মীযাম খুনদিন্নবদা কোননা চঙলকলে হায়বগী কোনচেংবম কৌএ ॥ ১০ ॥ চকফি য়ামনা শাইএ হায়বগী চকপাফিয়াম কৌএ ॥ ১১ ॥ লাই উনৈএ হায়বগী লাইউচম কৌএ ॥ ১২ ॥ লমপুচম লাই লাংলে হায়বগী লমপুচম কৌএ ॥ ১৩ ॥ রাং চাউএ হায়বগী রাংপাচম কৌএ ॥ ১৪ ॥ মপু কাবা পুবাংগী মমিং লৌতুনা কবাঙম কৌএ ॥ ১৫ ॥ অঙাং অসি মরেপ নেমএ হায়বগী ঙানেম কৌএ ॥ ১৬ ॥ নুংথেল লাংলে হায়বগী নুংলেপপম কৌএ ॥ ১৭ ॥ মপুন্থু থাঙকারাকপা ওইবমএ হায়বগী থাঙ্গজম কৌএ ॥ ১৮ ॥ মপু নিংথৌ খাংগী মমিং লৌতুনা নিংথৌখোংঙম কৌএ ॥ ১৯ ॥

কোন খাত্নুনা লৈ হায়বগী কোনখাম কৌএ ॥ ২০ ॥ কৈথেল পানবৈ হায়বগী কৈথেললাকপন কৌএ ॥ ২১ ॥ ওক্রনহনবা ওই হায়বগী ওক্রম কৌএ ॥ ২২ ॥ হী য়াই খোনজিললে হায়বগী য়াইখোম কৌএ ॥ ২৩ ॥ কুমগী লাই লাংলি হায়বগী কুমাবম কৌএ । ২৪ ॥ চকপগী মংদগী লেমনা হিংলে হায়বদগী চকপা তাবা মংলেম কৌএ ॥ ২৫ ॥ কুরুদগী মরাং মরাং চোংথোকলকএ হায়বগী মোইরাংথেম কৌএ ॥ ২৬ ॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংজম কৌএ ॥ ২৭ ॥ খ্বাই পনকোক্তা তাইএ হায়বগী অখ্বাইবম কৌএ ॥ ২৮ ॥ ঙংকোয়না লুমএ হায়বগী নামুচম কৌএ ॥ ২৯ ॥ পুংবু ব্লাংলেন কৌএ । অত্নুবু য়ৈএ হায়বগী ব্লাংলেনবম কৌএ ॥ ৩০ ॥ কাইবেন কাইচাউ শাবা হৈ হায়বগী কাইনেচম কৌএ ॥ ৩১ ॥ য়ুম খাইবকএ হায়বগী য়ুমখাইবম কৌএ ॥ ৩২ ॥ খুয়োল হায়বা খুল অত্নুদা হাননা তাইএ হায়বগী খুয়োনথেম কৌএ ॥ ৩৩ ॥ মং খোংতোকবৈএ হায়বগী মংখোম কৌএ ॥ ৩৪ ॥ খোইহি য়াবৈএ হায়বগী খোইয়াংবম কৌএ ॥ ৩৫ ॥ হাওবোংবম লাই লাংলে হায়বগী হাওবোংবম কৌএ ॥ ৩৬ ॥ লাইগী খুয়াদা চঙত্নুনা থুরুমএ হায়বগী লাইখুচম কৌএ ॥ ৩৭ ॥ য়োইরেন শঙদা কায়এ হায়বগী য়োইবেনবম কৌএ ॥ ৩৮ ॥ কৌচেং লাই লাংলি হায়বদগী কৌচেংবম কৌএ । ৩৯ ॥ লাইনা শা ঙা কুবিবকএ হায়বগী অকুরাম কৌএ ॥ ৪০ ॥ নিংথৌগী লী শাইএ হায়বগী লিসম কৌএ ॥ ৪১ ॥ ময়াংগী লমবু ওইএ হায়বগী ময়াংলম্বম কৌএ ॥ ৪২ ॥ নিংথৌনা শিরগা থোপ লৌথোকএ হায়বগী থোপচোম কৌএ ॥ ৪৩ ॥ পোন শাবা হৈএ হায়বগী পোনলেম কৌএ ॥ ৪৪ ॥ নিংথৌ ওইগদবা সোয়রে হায়বগী সোয়বম কৌএ ॥ ৪৫ ॥ মোইচীং লাংএ হায়বগী মোইফ্বাম কৌএ ॥ ৪৬ ॥ লাই কায়এ হায়বগী লাই-ক্লাকপম কৌএ ॥ ৪৭ ॥ লাইরেননা ময়ুমদা চঙএ হায়বগী লাইরেন ময়ুম কৌএ ॥ ৪৮ ॥ ঙাওগাল শককললে হায়বগী ঙাংঙোম কৌএ ॥ ৪৯ ॥ খোই লাংলে হায়বগী খোইনাইচম কৌএ ॥ ৫০ ॥ লৈমচীং লাংলে হায়বগী

চেকখোং

ॐ নুমিৎ, থা অনিমাবু খ্রুমনা ইগে। তাইবংপানবা মপু নঙবুস্নুঙ খুরুমনা ইগে। নুমিৎ, থা অনিমগী শাগৈ নোংদা লাইরেল পাথংবা, নোংথৌ শরারেন পুরৈরোম্বা সিদবা লাই অনিমাবু ইকোক মথক্তা থমদুনা নবিগুঙানা মৈতৈ লৈপাক শেমদুনা লৈপাক লেপলবগী মরীবু ইগে তাথিবিগুনো হান্নদা লাইরোনবু ইদুনা শলাই তরেৎমগী লাইরোল খাইরকপা ব্রাবু হান্না ইগে। মৈতৈ লৈবাক্কী লয়সেম্ব নোংশেম্বা ব্রারমস্নুং নুমিৎ থাগী শাগৈ পাথংবা অমা পুরৈরোম্বা অমা অনিমনা নিংথৌ ওইবা হৌদুনা ইজরক্কে তাও। পাথংবদি নুমিৎকী মচা ওইএ॥ ০॥ পুবৈবোম্বনা থাগী মচা ওইএ॥ ০॥ নুমিৎ থা অনিমগী শাগৈগী ব্রাদি হালনা হায়দুনা কোন্না ইগে॥ ০॥ *॥ লাইয়েক লাইখোৎ চন্নুনা কুপত্রেং সেলতরেং অনিমানে। ০। সল্লাই তরেৎমগী লোল খংনবা হায়গে। লৈখারোন্দি লৈফুরেন চন্নুনা পোংথাঙ পোংহল, চিনফুরোন লৈচিক-ঙানবিনা নোংদমলেন অখুবা, লৈথমলেন চন্নুনা নোংদমলেন অহলবা, চিংন্নুলৈমনা ক্রুমলেন মৈনাইদবা, হাইন্নুলৈমনা ক্রুমলেন মৈনাইবা, পিশিলন্নুনা নিংথৌ হৈরোংলেন লোংজুম্বা, পিয়াইন্নুনা নিংথৌ হৈরোং ঙাংথা ঙাংলেনবা, মনাওদি পোইরৈতোন খোংফাং অতোনবনে। মমাদি তাংখোং কৌএ। মচন্দি লাইস্না মৈতৈরৈমানে॥ ০॥ লাইরেললোন হায়গে, লাইরেল পিনাইদবদি তিললিরেন ১ থায়িরেন ১ লায়িরেল ১ ইতাওরেল ১ তাউরোয়নাই ১ মংঙামনে॥ ০॥ লাইরেললোন পিনাইবদি লায়কক লৈয়ারেল চন্নুনা লয়শং অসংবা, লাইতোংলেন চন্নুনা লাইতোংলেল অতোংবা, লৈফুরেল চন্নুনা লৈতাংলিলদাংসাবা, কোনফু লাইফু চন্নুনা কোন-শৌরেন, লাইয়েক লাইখোৎ চন্নুনা কুপক্রেংনে, সেনত্রেংনে অনিমানে॥ ৭॥

সেনত্রেংনা নিংথেম পোকএ। কুপত্রেংন অঙোম পোকএ।। পীবিংন্নু অরেং অহুমবা মাইরেঙ হউবা চন্নু নোংদা নোংখন লেম্বী ইনজাও লৈমা ওইবি লয়সা অহুম থক তানফংবী, নিংথৌ অহুমনা পালনবী লয়নুং য়াবিরোক্লা মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবা লাইগী নিংথৌনে।। ০।। অথাক অরাওবা থাকপা নিংথৌ চন্নুনা চৌংরাংলকী নেংথৌ সবারেল পুবৈবোম্বা অঙৌবা নিংথৌনে। অঙৌবা লোল পিনাইদবাদি নোংখনয়াঙবা নোংখনসাংবা, চীংখনযাঙবা, চীখনসাবা। ১। লইস্ম হেনলোই তরেংমানা শলাই তরেংমা ওইনা খাইবকপা লোলদি লৈককলৈযাবেল চন্নুনা লাইম্না মৈথৈরেমনে, পাখংবা খোলএ নিংথেম পোকএ।। ০। লাইযিবিদি অহুমন্নুনে নোংলুম খোললে অঙেম পোকএ। ০।। লাফানবিদি হামেং খোলএ, খযোংথেম পোকএ।। ০।। মাঙরাইবিদি তোন থালন্নুনে, সামু খোললে খুমল পাকএ।। ০। তুংরাইবীদি হেংইন্নুনে ইবোই খোললে লুরাং পোকএ।। ০। সাটিবিদি চিংন্নুনে সাতি খোললে মোইরাং পোকএ।। ০। নাংকপপিদি খাবেলোংবম চন্নুনে কৈ খলত্তু ঙানবা পোকএ। ০। লৈকক লৈযাবেল চন্নুগা, পোনথা ন্নুগা অনিমদি লৈপাক হেংথদনা কুমখিএ। ০।। খাবেবোংবম চন্নুনা মাইবাংদ কুমখিএ। ০।। চিংন্নুগা অহুমন্নুগা অনিমাদি লাংদ কুমএ লাইম্নাগা, মবৈন্নুগা অনিমাদি হঙ্গংলকলে। ০। নিংথেম ১ অঙোম ১ খুংনথেম ১ খাবাঙানবা ১ লুরাং ১ সবাংলৈসংথেম ১ হাঙবোক কাংলৌ ১ মানতি ১ মোব ১ লেবাখোনাং ১ থাকা কঙ্গোং ১ লোকথু লোকহল তবেম খুনজান ১ লোকখা হাঙখা ১ খুমল ১ সলাই অসি থৈবিক পোকনফমদি কোন্নুং মন্নুংদা হৈংএ। মলেল মন্নুং নোংপোম পাবাংদ থিগে।। ০।। ০।। লৈপাবেংগী পীদিন্নবদি নিংথৌ মুংযা চাঙবা ১ মচ খাক্রম লুমইবা ১ অনিমদি পাগংবা সলাইনে। ০। লোকখা ১ হাউখা ১ অনিমদি চকপানে অবোং সলাইনে। ০।। হৌজিক্তি সলাইবোল তরেংমা হুয়গে লৈশাংথেন লোলদি লিললি লৈমনা খুমখুম ১ খুমখুম নিংথৌ চন্নুন ঙ্গানে,

শিনপীলৈমা লৈতং নিংথৌ চন্নু নিংথৌ কাংবানে, লৈমাতান্নুনা থারোং, হুইমুলৈমনা লমলেকসাং হাউওইবা চৌংদা কানা পাময়ানবা, নুংঙৌইমথংবা তোনবা থেঙ্গোইবা, অহুমম পোকএ। লমলেকসাংদি হাউ ওইখি ।। ০ ।। নুংঙৌইমথংবদি লৈসাংথেম ওইখি । ০ ।। তোনবা থেঙ্গোইবদি লোক-তোনবম ওইখি ।। ০ ।। মোইবাং লোলদি লৈফুবেল চন্নুনা য়ুচেং, লৈচিকলেল চন্নুনা য়ুপু কৌরে, লৈথমলেল চন্নুনা খিংখিঙলাংবা, লৈন্নুং য়ুপুরোই চন্নুনা হেপু কংচিকপা ঙাংজেং লৈতকপা উকাই তকপা তোঙপুশোলবা, লৈন্নুং য়ুনা ওবোই চন্নুনা উবেলখুবা, লৈন্নুংযুচাখা চন্নু ঙাংশবীনা ঙাংনিঙসিংগা ঙাংহুনথোক্কা অনিমা পোকএ। ঙাংহুনথোকনা থোকচোম পোকএ। ঙাংনিঙসিংনা মোইবাংথেম পোকএ।। ০ ।। খাবা ঙানবা লোলদি লৈন্নুংযুচাখা চন্নুনা খাবা যুচখা লৈথোমলেলনা তউরেনখুবা, লৈন্নুং যুপুবোই চন্নুনা তউশাবেল, লৈথমনিংথৌ চন্নুনা তউখিংতৌ, মহৌ-নিংথৌ চন্নুনা তউতা থোন, খাপীনা খাবা, লৈবেলনা লৈসঙলেল ।। ০ ।। ঙানবা বোন্দি লৈচিক নিংথে চন্নুনা ঙানবা লৈচিক চীকলিবা, লৈথম নিংথৌ চন্নুনা ঙানবা লৈথমথমলিবা, লৈন্নু যুচাখা চন্নুনা ঙানবা যুচাখা, লৈন্নুং য়ুপুবোই চন্নুনা ঙানবা যুপুবোই, পুবোই নমন্নুশুনা থমচিঙ কোন, মনাও খুমুবোংগা অনিমা পোকএ ।। ০ ।। লিলতাপ্রবেলনা অমরক হাথবদি কোঙকোইনে, তেমানে, য়াংমানে, তেসবোংনে, উবেলখুবনে উবেলহলবনে, ইবেমনে, খাপীনে লংবানে মাপল অসি পোকএ। কোককোইনা পোং পোকএ। তেমানা মৈতেমালবি পোকএ। যাংমানা ময়াং পোকএ তেসাবোংনা তাথেন পোকএ। উরেলখুবনা কুস্থু পালথা লোকএ। উবেলহলবনা মুংয়াং ১ ক্যাং ১ কোয ১ ঔর ১ পোকএ। ইরেমনা তিলিগা পাসাগা অনিমা পোকএ।। ০ ।। খাপীনা খাকিগা চাইরেনগা অনিমা পোকএ। লংবানা থোকচোমগা মোইবাংগা অনিমা পোকএ ।। ০ ।। মখোই অসিশিংনা হাকথক অমা ওইনা পালখিএ। মখোই অসিগী হাকথক্কা চাক চাহুম কুক্রুবী পালএ, খিদি চৌংবাখিদা পাললে,

থুমদি থুমনম্বীদা থোকএ শাদি সায়ান্দা থোকএ, ঙাদি ঙায়ান্দা থোকএ, শিঙপোং লৌপোংতি হোইরবগা চৎলে, হায়িচক ১ হৈয়াচক ১ খুন্নুংচক ১ লাংবচক ১ চক মবিমা অসিনা জুক মবিমগী হাকতক ওইয়ে খংও ॥ ০ ॥ ব্লারম অমা হায়গে হাকতক অসিশিনা পালাদবিঙৈদা মুমিংকী ময়াইদা মৈপুন অবাবগুম লৈবা লাই থাগী মচি চিদোন্দা চাক চাদনা লৈবা লাই মুমিং, থা, অমিমগী শাগৈ অতাংবা পাখংবা পুরৈবোম্বা অনিমনা হালনা মৈতৈ লৈপাক্তা লেপলবগী ব্লাবু হায়গে। ঈশিংগী মথক্তা তরংগী মথক্তা লৈপাক শেম্বা লোইববগা অত্রাশিদবগা, নিংথৌ অপানবগা, লৈবাক শেম্বা লাই নামুংবগা অহুমমনা পোংখু নঙদি তাইবংদা কোললিও হায়বমতুনা অত্রাসিদবগা, নিংথৌ অপানবগা অমিমদি মুমিত্তা কাখিবে। লৈপাক শেম্বা লাই নামুংবমুং থাদা কাখিতুনা চাক চাদনা লৈরুবে। অত্রাসিদবদি অমরক হনথরক্লুনা লৈপাকী শেকনি হাউশমগুম্বদা জুন জিনখিবে অতুবু উতুনা পোংহলনা মানা শেম্বা মানা চিংনা লৈবা খৈবিকপু পুখিতুনা লৈথাদা চংখরে। অত্রাশিদবদি অমবক হলখংলকলে, অত্রাশিদবনা তাইবং পানবদা নিংথৌ লেপহলগে নিংতুনা লৈবিঙৈদা অহানবি লাই-বেম্মা লৈমবেল সিদবি অতুবু মহাকতগী পথোকলে। লৈমবেল সিদবি অতুনা থাদা চাক চাদনা লৈবা লৈপাক শেম্বা লাই নামুংবা অতুবু কৌথোকলে, তাঙবোইনাই থোরক্লুনা লাকলে লাইবেম্মা সিদবী অতুনা হাযযে, মুমিংকী ময়াইদা লৈমিব মৈ অবাবা মচুগুম্বা লাই সিদবা অসিবু ননা পুখিতুনা নবিংঙা অমহা ওইনা লৈপাক ঙাকনন্নক ও হাযতুনা পিবদা তাঙবোইনাইনা হাযএ, কনাগুম্বদা থুংলু হাযবনো হাযনা হংলবদা লাইবেম্মনা মহাক্কী সালওন্না মমিব লৈপাক মখোইদা উহল্লে। অতুনা অসিদা থুংলুও হাযনা উহল্লবদা অনিমা অমহা ওইনা নোংলুমগী নশক ওইতুনা হৌখিবিঙৈ লাইবেম্ম মহাক্তা মমিগী মতুং ইলনা কুমলকলতুনা লৈপাক্তা য়াঙমলে অসিগীদমকপু মমিং য়াবিবোক কৌবে। তাঙবোইনাইনা কোয়রক্লুনা মাগী নিংসা নোংশিং নোংলৈনা নোংগা লৈচিনগবু মতুম

ওইনা য়াবিরোকনা কোন্দুনা কোকসংদা কোকলে, মচম্বি শিন্নাকোংদিংঙুনে। নুমিৎকী মঙাল অচৌবা অতুবু উরতুনা হান্নবা লৈকু লৈরাইদা লৈঙমবা সরারেল অহুম্মনা চাইথোক্লুনা লৈপাক পিরে, অত্রাসিদবগা নিংথৌ অপালবগা লৈপাকশেম্বা লাই নামুংবা অতুগা রাতানতুনা থমচিং কোলনা সাবিগী মশক ওইতুনা থোংঙারেনবু থেমথোকলুইয়ে, থোংঙারেলনা ঐদি থোকপা ঙমলরোই হায়তুনা পোইরৈতোনবু লৈনাওতাবী চেন্নতুনা থোক-হলখিয়ে। লৈনাওতাবীগী থৌরাংনা মানা শেম্বা মী খৈবিকসুং পুবক্লুনা পোকখিরিঙৈ থোংঙারেলনা লাইখুরেম্বী পুরক্লুনা খুনিংলম হালনা থোকঙমলে, লাইখুরেম্বীনা লৈনা সাতুনা লাইস্না কৌনা অপালবদা শিন্নবে, খুৎশিন্নবা পিরবদা পোইবৈতোনসুং খুলমাংলম থোকলকলে, পোইবৈতোলনা পুরকপা মীন চিংনা খুৎশু খুংলাই শেংনা পালনা অচা অথক গৈবিকপু ঙমনা অপানবদা কংলে, অতুগা পাথংবা, তা৺রোইনাই অনিমা অমতা ওইনা লিলগী মশক ওইতুনা অরাংলম ফাংলৌ তালনা হুনখংখিবে। মফম অতুদা থৌ অয়াম্বা তৌরবগা পাথংবসুং মী মশক, অতাংবা ওইরতুনা নিংথৌ অতাংবগী মশক ওইরে। পুখ্রল নোংথোল মৈবুন চকখাং সনা ইলচম অসৈ অমাই, হিয়াংলোই তাকনা মানবী, খোইনিংমালবী খুৎশু খুংলাই খাও য়াই য়াওনা নিংথৌগী পোংলোই মশিং শুনা হুলচী.দা লৈবা হাউ ফত্তবাবু থাওরাইননা মুমিৎ য়ুংখাক য়ুংবদা হুলচীং চীংমৈ ইলনা কুমলক্লুনা নোংহুমসংগী লপয়াল কাদা থুংলরে। অরাম্বমনা ইরুএ, অসাংবমনা থোং হামএ, লাই তরামনা থোখলতুনা ফম্বাল কাহল্লে। নিংথৌ ওইরবগা অহিংদি মীগী মশক ওইতুনা লাইস্নাগা পালমনয়ে, অশুম নিংথৌ ওইতুনা চাহি কুমশিং য়ামনা পাললমএ। অশুম তৌনা নুমিৎকী শাগৈ লাইয়িংথৌ নোংদা লাইরেল পাথংবনা মৈতৈ লৈপাক্তা নিংথৌ ওইবা হৌরকএ লাইগী নিংথৌনে॥ ০ ॥ হাথলোল হায়গে, থাশিং কুমশিং লাইদা তিলবা হাথলোন্দি পিরিংন্ন অহমন্নু অরেঙবা মাইরেঙহউবা চন্নু নোংদা নোংখনলেম্বী ইমজাও লৈমা

ওইবী লৈমা অহুম থক তালফংবী, নিংথৌ অহুমনা পালনবী লৈম্নুং যাবিবোকনা মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাথংবা, লাইসানানা খুয়োইতোমপোক নোংমাইন্নুনা তাওখিংমাং, হাউন্নুখুনা খুইনিংঙোলবা, হাউন্নুংলনা পেংশিবা, লাইতোংখুনা কাউখংবা, লাইতোংহলনা নাওখম্বা তবেংমা অসিদি লাইমশেলনে ॥ ০ ॥ সলাই ইমজংবদি পাবোলদি নাওফংবদগী হৌএ মহাক্কী হাকথক্কী মখৈদি মীগী ফিশেং চাকচা ফমপন য়াহিপ মশক মশৈ ওন্না মী অতাংবা মথং মথং ওইবকএ খংও ॥ ০ ॥ নিংথৌরেলদি পাখংবদগী হৌএ অসিদগী নিংথৌবোলস্নুং পিবাবোল সলাই হনজংবা ইমনাক মমিং নাইবিবা খৈবিকস্নুং শমথবকএ খংও ॥ ০ ॥ দাবম আসিদ শেংদগী মৈতৈ লৈবাক্কী লৈশেম নোংশেমলকপা লৈখা নোংগারেলদি রা পাখংব, পবেবোম্বা হাকথক্কী সলাই তবেংমগী অহালবা লাইবোল মহৌবাবোল লৌশনে, লাইবিক অসি পাগদবদি ইমবিবেল পৌবা লাইবিক্তা হায়বিব সলাই তবেংমগী মাগী মাগী হায়বিবা মুমিং অচু যেংনা লৈচংদোন পানা থ। থাওমৈ কত্তুনা অহলগী মমাংদা হাকথক অনদা অমবক তাবদনে, মী তবেং হেনফবোংএ ॥ ০ ॥ তাইনং পানবা নপু নওব্রু খুকচানা নিংথৌজাগী সলাই ইমজংবা মৈহৌবাবোল ইগে অথিবিগনে, লাইংেক লাইখোং চন্নুনা কুপত্রেং ১ শেন্দ্রেং ১ কুপত্রেংনা অংঙোম সলাই অনাম্বা পোকএ ॥ শেন্দ্রেংনা নিংথৌজা সলাই অযাম্বা পোকএ, পিবিংন্নু ঙঙম অবেংবা মাইবেং হৌবা চন্নু নোংদা নোংখন লেম্বা ইমজাও লৈমা ওহন লেমা অহুম থক তানফংবী নিংথৌ অহুমনা পালনবী লৈম্নুং যাবিবোক্না নোংদা লাইবেল পাখংবা লাইসনানা খুইযোই তোমপোক, নোংমোইন্নুনা তাওথিংমাং হাউন্নুখুনা খুইনিংঙোনবা, হাউন্নুহলনা পেংশিব লাইতোংখুনা কাওখংবা, লাইতোংহলনা নাওখম্বা, মৈদিংঙু নাওখম্বনা যংবৈবা চন্নু পান্নতুনা নাওফংবা পোকএ, নাওফংবনা কাইবৈমাগা, যাওবৈবা চন্নুগা অনিমা পানচুনা য়াওবৈবা চন্নুনা থামংলাং পোকএ। কাইবৈমনা সামৈবাং পোকএ, সামৈন্নাংনা

নিংথৌ ওই ।। ० ।। থামংলংবা য়াওরেবা চন্নু পানতুনা চিংমৈশু-কোইরেম্বগা, শরিকপালৈথম্বগা অনিমা পোকএ। চিংমৈশুকোইরেম্বনা চিঙ্গাংবম চন্নু পানহুনা খোংনাম্বগা, নোংইনফাবগা অনিমা পোকএ। খোংনাম্বগী ঈদি য়েনখোম শিলনাইবম মরিংমইমনে ।। ० ।। নোংইন-ফাবগী ঈদি নোংইলবম কৈথেল্লাকপম অবোইমইমনে, ফিশাবা তোনশেল মইমনে, পানাখাংবা লাইবা মইমনে, থাংগংশাবম ওমা মইমনে, শরিকপালৈথম্বগী ঈদি খোইরোম মানসে মইমনে, খোইরোম শিলনাইবম মংলেন মইমনে অহৈবা খোইরোম হোংবা মইমনে, নাকপম মোনসাম্বা মইমনে, চাখাবা শংবা মোইরাম্বা মইমনে ।। ० ।। মৈদিংঙু সামৈরাংনা নিংথৌ ওই। মতুনা কম্বোং নিংথৌ থিংকম পোংব্রায়াপনা লোকপি লাইরৈম। পানতুনা উবাকোম্থৌবগা পুংমাইগা অনিমা পোকএ, উরাকোম্থৌবনা নিংথৌ ওই ।। ० ।। পুংমাইগী ঈদি ব্রাংথৈ ফনলাম্বনে, থোং কাবা হনন্নু মইম, মোইরাং মাইরেনবম অথোই মইম ফেনলেম ঙাওবা মইম, মোইরাংগী ফানলাম্বম মুবা মইমনে ।। ० ।। মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবন, খাবরোন নোংজেংশুনে নোংবানলোন হোইয়াম্বীনে, অনিমা পান্নতুন খাবরোন্না নাওহলনে, য়োইচারোননে নাওথিংখোংনে নিংথৌ রাংঙানে মরিগা পোকএ। নোংবাল্লোন হোইয়াম্বীনা ফৌরায়াংলাইকোকশু পোকএ। নাওথিংখোংনা নিংথৌ ওইএ ।। ० ।। নাওহলনা খুন্দোংনাওশং চন্নু পান্নতুনা অথিংহৈবোংবগা, নিংথোলগা, অনিমা পোকএ। অথিং-হৈরোংবনা লংনাই ব্রাকচিংচন্নু পান্নতুনা হৈবেমখুন্দাবা পোকএ। মাগী ঈদি হৈরোম ঙিয়াম মইমনে, শংলেলচাইবা মইমনে কোংখাম মেরা মইমনে, নাওকনশংবন মলেম মইমনে ।। ० । নিংথোলবনা মোইরাং চন্নু তাইখুরেম্বী পান্নতুনা তাইখুরেম্বা পোকএ, মাগী ঈদি তাইমজম শাজোবা মইমনে, কৈরেল শংবা অথোই মইমনে ।। ० ।। ফৌরায়াংলাইকোকশুনা অঙোম চন্নু তাশোনঙম্বী পান্নতুনা লাংসাহলবা পোকএ। মাগী ঈদি লৌরেম্বম অরালৈমা মপামনে, লৌরেম্বম খোংনাংথাবা মইমনে, লৌরেম্বম য়েন্দ্রেনহনবা

মইমনে ।০॥ যোইচাগোলনে, নিংথৌবাংঙানে অনিমদি শোইনাইদে ॥০॥ মেদি চু নাওথিংখাংনা পীদাংঙানে, খমগুরোলনে, কৈরুছাংবীনে, খোইরুশাংনৈ চন্নুনে নিংথৌ কুবাওবা চন্নু লৈমা লাইখো তেনবীনে, নোংবাল শংমামবীনে, সখবী লমতু লমহোংবীনে নামুনচাওবীনে, ইবেমখোলফবীনে মাপলনা পান্নহুনা, পিদাংঙানে, নামুনচাওবীনে ইবেম-কোনফবীনে অঙুমগাদি শোইনাইদে। ০॥ খমগুবোম্না খোংতেকচাগা পুংফৈলান্থবগা অনিমা পোকএ। খোইরুলাংমৈ চন্নুনা থিঙ্গোনই-মগুম্বা পোকএ সখুবালমতুলমহোংবীনা থীংনাংসংকনজাম্বা পোকএ। নোংবানলোন শবিমোম্বীনা নাবিলখোম্বা পোকএ। খোংতেকচানা নিংথৌ ওইএ ০॥ পুংফৈলান্থবগী ঈদি ঈপুশংবম সামুবোক মইমনে, লৈযুশংবম লৈথোন মইমনে॥০॥ মেললোংহলনা অঙৌবা চন্নু লমলেন-খোম্বী পান্নহুনা খুমললাংথাবা পোকএ মাগী ঈদি খুমলম্বম খোইদোং মইমনে খুাইস্নাম পল্লিং মইমনে সিকাম কোবা মইমনে, লাইতোঞ্জম ভোলনা মইমনে ॥০॥ মেললোংথুনা চাওবা লুবাংশুগী মচা যাঙ্গেনচাওবী পান্নহুনা মোইবাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি মোইচোম মোইবাম্বা মইমনে, মরা লম্বম মাইচো মইমনে নাওবোইবম লাবা মইমনে, হাউদৈজম চরোন মইমনে চংনি হেনবম চাইবা মইমনে, কাংঙাশেনবম কবোম্বা মইমনে ॥০॥ থিঙনাংসকনজাম্বনা অঙোম চন্নু চোমলেনহযবী পান্নহুনা ঙাবলাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি খুনুজম খুইবা মইমনে, ঙাবংয়ানবম পনসা মইমনে, শোইভাম সোইনাই মইমনে, নাওদম তোনবুং মইমনে ॥০॥ নিংথৌ মকাম্বনা অঙোম চন্নু ইবেমকোনথাবী পান্নহুনা খমলাং-পোনথাবা পোকএ। মাগী ঈদি খমলাংখোংশংবম খোম্বা মইমনে ইরোম পাওল মইমনে নামোইজম মোইবাম্বা মইমনে, লাইশংবম লাইবা মইমনে ॥০॥ থিংনাংসংকনজাম্বনা অসাংবম চন্নু মিংলেলখোম্বী পান্নহুনা সিললেনহনবা পোকএ, মাগী ঈদি সিনাইবা হক্তবা থিঙনাইবম মোনসাম্বা মইমনে, থিংনাইবম তোনবুং মইমনে॥০॥ নাবিলখোম্বনা লংমাই চন্নু

শমখোম্বী পান্নহুনা খোম্বা পোকএ। মাগী ঈদি অখোম মইমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু খোংতেকচানা পুকৈরেল চনু পান্নহুনা কৈরেনচা পোকএ। মানা লোইচাবা চনু য়াইরেলখোম্বী পান্নহুনা য়ারাবা পোকএ। মানা লাম্বাশু লৈশংঙম্বী পান্নহুনা অয়াংবগা হাউবকোক্কা অনিমা পোকএ। অয়াংবনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ হাউবকোক্কী ঈদি খুন্নাকপম খুলথৈ মইমনে, কাংঙবম ঙাংবা মইমনে, লাইকংবম চাইবা মইমনে, হাউখোম মানসৈ মইমনে, সানৌজম ললহাং মইমনে, য়াইরোকপম য়াংলেনবা মইমনে, লৌরাংবম লাবা মইমনে, নাকপম পাংঙবা মইমনে, য়াংনুয়েবম য়োইবা মইমনে, ফিশম তেনবা মইমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু অয়াংবনা লাম্বাশু লমলেমখোম্বী পান্নহুনা নিংথৌজেংগা খমতৌগা অনিমা পোকএ। নিংথৌজেংনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ খমতৌনা অঙৌবা চনু শিরেম্বী পান্নহুনা কাইরেলসাইথিলবা পোকএ, মাগী ঈদি সাইরেম মোইরাম্বা মইমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু নিংথৌজেংনা লাম্বাশু লমলেনখোম্বী পান্নহুনা চেংলৈইপান লাম্বুবা পোকএ নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ মৈদিংঙু চেংলৈই-পানলাম্বুবনা লাম্বাশু য়াংলৌলাম্বুবী পান্নহুনা য়াংলৌকৈফাবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ মৈদিংঙু য়াংলৌকৈফাবনা খোংলৈমা পান্নহুনা ইরেংবগা, নাহুইপাম্বগা অনিমা পোকএ। ইরেংবনা নিংথৌ ওই॥ ০॥ নাহুইপাম্বনা শোয়বম চনু শংকারেম্বী পান্নহুনা শোইয়া শেকওম্বা পোকএ মাগী ঈদি শোইয়াম সকথি মইমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু ইরেংবনা হাউরৈমা তমহৈবীগা, হাউরৈ পিদোংনু নুফাবীগা অনিমা পান্নহুনা হাউরৈমা তমহৈবীনা লোইয়াম্বা পোকএ। পিদোংনু নুফবীনা খমলাং পামসবা পোকএ লোইয়ম্বনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ খমলাংপামসবনা অঙৌবা ঙাংলৌ লাম্বুবা চনু পানবফাবী পান্নহুনা লৈবেলতলব পোকএ মাগী ঈদি মুতুম লৈসাপাম্বম থিনবা মইমনে হুইরোংপম মুবা মইমনে, মুতুম পলসা মইমনে কোংবজম য়াকোং মইমনে, নহাকপম ওকোং মইমনে, খুনলথেম পামসা মইমনে, মুতুম য়াইশেলবম খাবা মইমনে,

হৈবাংখোংজম হিয়াম মইমনে হৈস্নাম তোনবা মইমনে ফিশাবা হৈস্নাম অশোল মইমনে, শিননাইবম মোনসা মইমনে অহলথেম পামসা মইমনে, চোমচনবম অথল মইমনে হযিংথেম হাউবা মইমনে ইরোম সাজৌ মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু লোইযম্বনা স্রুমলৈমা লমমেং হোকপী পান্নরুনা লোইতোংবগা, কিশুখোংগা অনিমা পোকএ, লোইতোংবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ কিশুখোংতাবনা অচৌবা চন্থ পান্নরুনা কৈশিঙম্বা পোকএ মাগী ঈদি কৈশাম সমুরোক মইমনে, লৈচোনবম খুনবা মইমনে ইরেংবম চেংবা মইমনে, সাগোকপম সাইপু মইমনে, চরোইবম ক্যাম্বা মইমনে, রাংখৈবম মাহুচোন মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু লোইতোংবনা শংলৈমা পান্নরুনা অংগাম হোংলেনবগা হেমদোইরাম্বগা শবাবগা, অহুমা পোকএ, অতোম যোইরেনবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু অতোম যোইরেনবনা খৈযোইলান লিলা খোমহানবা পান্নরুনা তৌরেনখুবগা তৌরেনহলবগা অনিম পোকএ। তৌরেনহলবদি শোইনাইদে। তৌরেনখবা। খুনঙ্গেন চন্থ তোংপোকপী পান্নরুনা অংগোমনহা সঙ্গাংপান্না পোকএ। হেমদোইরাম্বনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ সবাবনা পুক্রাইজম চন্থ ক্যাম্বা পান্নরুনা যোইহৌ ঙাইগা, সেবাগা, চানাগ, কোবগা পাংঙবাগা, মঙ্গামা পোকএ, যোইহৌঙাইগী ঈদি লোইতোংবম লোইবা মইমনে। চানাগী ঈদি লোইতোংবম চঙালপালবা মইমনে কোবগী ঈদি রাংনব লোইতোংবা কাকপা মইমনে। পাংঙবাগী ঈদি লোইতোংবম পোংশী মইমনে। ০ ॥ মৈদিংঙু হেমদোইরাম্বনা খুবোইঙম্বান অচৌবা চন্থ হেনখুঙম্বীনা অনিম পান্নরুনা খুবোইঙম্বীনা খুবোম্বগা, থউবাঙ্গবগা, মেংসনহাম যাংচাইবগা নিংথৌ পোংনাঙতাবগা মনিমা পোকএ। হেমখুঙম্বীনা চকলাইহোংখুঙম্বা পোকএ। থরাম্বাবনা নিংথৌ ওইএ। ০। চকলাই হেংখুঙমগী ঈদি পাঙনম লাইঙম মইমনে, লালথম লাব মইমনে, কোন্থ হাউবম চাম্বা মইমনে থাংশম চেকসা মইমনে। ০। খুবোম্বগী ঈদি উকঙবম খাবোই মইমনে, মুক্রাম তেনবা

মইমনে, সরেনসংবম সেব মইমনে, নোংথোলবম পুংখোল মইমনে ॥ ০ ॥ নিংথৌ পোংনাও তাবনে, মেংসনহামুংয়াংচাওবনে অনিমদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু থরাম্থাবনা তৌগাইওম্বী পান্নহুনা চিংথাংলালথবাগা, শমমৈশুগা অনিমা পোকএ। চিংথাংলালথবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ শমমৈশুগী ঈদি ফমদোম সমুরোক মইমনে, চরোইবম চাইবা মইমনে, চিরোম ওমা মইমনে, খোইদোংবম চিয়াম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু চিংথাংলালথবনা নিংথৌপোকপী পান্নহুনা পুবালথাবগা খুমোম্বগা অনিমা পোকএ, পুরালথাবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু পুরালথাবনা য়াওশোম্বী পান্নহুনা কোংয়াম্বগা সনরোক্না অনিমা পোকএ। সনরোক্কী ঈদি নামৈরাকপম মোইরাম্বা মইমনে, খুমোম্বনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু খুমোম্বনা য়াংলৈওম্বী পান্নহুনা মোইরাম্বগা, তাকনোংগা অনিমা পোকএ। মোইরাম্বনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ তাকনোংনা লমাইরাবচীং চন্নু ময়োলওম্বী পান্নহুনা হৈজাংপাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি নামৈরাকপম হাউশোম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু মোইরাম্বনা খুমলখোম্বীনে, অঙোবা উশ্রম চন্নু মেলতেওম্বীনে, য়াওরৈবা চন্নু অরৈন্নু নুফবীনে, অহুমমা পান্নহুনা খুমলখোম্বীনা থংবীলালথবা পোকএ নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ উশ্রম চন্নুনা লোইচাঅম্বা পোকএ মাগী ঈদি হুইদ্রোম লুকোক মইমনে। য়াওরৈবা চন্নুনা য়াংলৈওম্বা পোকএ, মাগী ঈদি ইম্নাম মোইবুংলোকপম মাইচৌ মইমনে ইম্নাম শিনাইবদা লৈবা কোইরেম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু থাংবীলালথবনা মোইরাংলৈমা য়োইরেল তোমপোকপীনে, লৈমখুবী অঙোবা নিংথৌ তরা চন্নু মেংশেলওম্বীনে, ইমখুচন্নু সংকবেম্বীনে, য়াঙ্গোইশু মেলখুবেম্বীনে, থোংবম চন্নু কশোমওম্বীনে, লৈমথংদা খুনোবা চন্নু তাকনোং লাংশাবীনে, তরুকগা পান্নহুনা য়োইরেল তোমপোকপীনা, খুমলখোম্বা পুনি নবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংথোলবম খাগোকপমনে ॥০॥ নিংথৌ তরা চন্নুনা সনাইললেলথালবা পোকএ, মাগী ঈদি খুমল-চারাকপম লমফেল মইমনে, অহৈবা সাকোম মইমনে ॥ ০ ॥ য়াঙ্গোইশুনা

শিবেন্থা পোকএ, মাগী ঈদ লাংপোকলাকপম তেনবা মইমনে, নিংথৌজম ক্যাম্বা মইমনে, নাকনবম পুথোল মইমনে, হাউনোম মোইরাম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ থোবম চন্দ্রনা লোইচাঅমবা পোকএ, মাগী ঈদি নিংথৌজম খোমম্বা মইমনে, শিংনাবম পাংচন মইমনে, ইমনাম কপতা লৈবা মথোল মইমনে, সনাবেল সচবা ইন্নাম কোবা মইমনে শলসেলথোং অবোং মইমনে, লেবম নাংমৈ মইমনে, যেনসেলবম হাউজো মইমনে ॥ ০ । ইমখু চন্দ্রনা কাংপা থরাম্বাবা পোকএ। মাগী ঈদি থৌদাম লমথোক মইমনে, নোংথোনাবম চাংবা মইমনে ॥ ০ ॥ লৈম থংদানা খুনৌবা পোকএ মাগী ঈদি নাংবাকপম মোঙবাং নিংথৌ মইমনে ॥ ০ ॥ কংকপাথরালনাবনা মযাংদা পোকলুবা থোংনাংখোং মবিমচা চিংখুবেম্বীনা পোকপাদি হদিকানে হদনে, অনিমা পোকএ। হদিকাগী ঈদি শগোন-শেনবম শ্যামবান মইমনে চাবেন পুকচাও মইমনে শগোন অমো শেনবম হাউজো মইমনে। ০ ॥ হদংগী ঈদি সনসন মানসৈ মইমনে, হোদাম তোংবা মইমনে সাইথোম খুনলিং মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু কোযাম্বনা নোংবাললোন খম্বাযাবানে, কাবচন্দ্র খেকখোম্বীনে, অনিমা পান্নহুনা খম্বাফাবীনা তেলহৈবনে তোলনাবনে, অননা পোকএ। কাবচন্দ্রনা স্নাবা পোকএ। তেলহৈবস্থং, তোলনাবস্থং অনিমা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিঙু তোলনাবনা নাঙ্গোনস্থ কোংযাম্বী পান্নহুনা কোংযাম্বা পুমিনবা পোকএ, খুইবা পোকএ। কোংযাম্বগী ঈদি সলথাম লাবা মইমনে খুবিযালবম থোইবা মইমনে, খুনপাম অখোল মইমনে ॥ ০ ॥ খুইবগী ঈদি নিংথৌজম শকখি মইমনে, খুমিংলৈমা শংবম থৈবা মইমনে, শঙ্গাইশেলবম অখুল মইমনে, শৌত্রাকপম শোমবা মইমনে, খবিযালবম খাবা মইমনে ॥ ০ ॥ সনাবগী ঈদি সনবাম অখোল মইমনে ॥ ০ ॥ মৈদিঙু তেলহৈবনা স্নাবেম্বী পান্নহুনা তবুংবগা, স্না যাংস্থ খ্বাইরাকপগা অনিমা পোকএ। তবুংবনা পিকলিচৈদা তোলনাবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু তোলনাবনা শেলবুংলোকপী পান্নহুনা খাংগুনহা অতোলবা পোকএ,

মাগী ঈদি খাংশুবাকপম অতাংতোলশেনা মইগনে, ফিশাবা শৌকুবাকপম মাইচৌ মইমনে, মাপুবাম শামা মইমনে, শৌকপাকপম মাসৈ মইমনে ॥ ০ ॥ তবুংবনা চাওববগ তোলনাবনা ফম্বাল কুমহুনা, তাংবনা নিংথৌ ওইএ । ০ ॥ মাখাংমুগী ঈদি তেলহৈবম তেনবা মহমনে । ০ ॥ মৈদিংঙু তবুংবনা নমফোওম্বী পান্নহুনা লাইবেলবগা, পুলশিবগা অনিমা পোকএ । লাবেলবনা নিংথৌ ওইএ ।' ০ । শোইনাইদে ॥ ০ ॥ পুলসিবনা নিংথৌ ওই ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু পুলশিবনা লামবাশু লিক্লাইওম্বী পান্নহুনা নিংথৌ খোম্বা পোকএ, নিংথৌ ওইএ । ০ ॥ মৈদিংঙু নিংগোথোম্বনা মিংগোইওম্বী পান্নহুনা ক্যাম্বগা, শানোংবা ব্রাংখৈবাকপগা অনিমা পোকএ ক্যাম্বনা নিংথৌ ওইএ । ০ ॥ সানোংবা ব্রাংখৈবাকপগী ঈদি কাননম লোকপা মইমনে । মৈদিংঙু ক্যাম্বনা শেলবুংলোকপীনে, লৈসাংথৌ চন্নু নৌম্না ত্রংওম্বীনে অনিমা পান্নহুনা । শেলবু লোকপীনা লমক্যাম্বা পোকএ, নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ লৈসাংথৌ চন্নুনা নোংথোলবগা, কোইবেম্বগা অনিমা পোকএ । নোংথোলবদ শোইনাইদে । কোইবেম্বনা নিংথৌ ওইএ শোইনাইদে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু লমক্যাম্বনা চাখা তাংখুলওম্বীগ , চংনিংফাবীগা, নোমা থৌ চন্নু লাংগোইলফবীগা অহুমমা পান্নহুনা চংনাংফাবীন নোংহলফাবা পোকএ, নিংথৌ ওইএ ।। ০ ॥ শোইনাইদে ॥ ০ ॥ চাখা তাংখুলওম্বীনা কবোম্বা পোকএ নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু কবোম্বনা খিবাহওম্বী পান্নহুনা লশিংচাইবা পোকএ, লাই ওইখিদে ।। ০ ॥ লৈসাংথৌ চন্নুনা তাংজাম্বা পোকএ নিংথৌ ওইএ ।। ০ ॥ মৈদিংঙু তাংজাম্বনা অতোম চন্নু মাচোমলেলওম্বী পান্নহুনা মাচোমচলবা পোকএ, মাগী ঈদি লোইতোংবম মন্থি মথুমনে ॥ ০ ॥ ০ ॥ খুমলখোম্বানা থংবীলালগম, ইরাংলোন য়োইরেলগোমপোকপীনা খুনখোম্বা পুমিংনবা, নোংজেংশুনা খো জোম্বা, থম্বাফাবী নো থোনবা থেংকুবাইফাবা, যাঙ্গোইশুনা মাবেম্বা ওমবুতাঙ্গলাকপু তাঙ্গংলাকপা চন্নুনা পুমিংনবা খোংজোম্বা, লৈগোনলাকপা তোল্লোংখোম্বা চন্নুনা সানোংবা লাল্লংখোম্বা ॥ ০ ॥ সানোংবালাল্লংখোম্বনা

হাউজোংঙম্বীগা, লৈচোনলাকপা তোম্লোংখোম্বা চন্নু তরুংঙম্বীগা অনিমা পান্নমনা। হাউজোংঙম্বীনা খোংনাম্বগা, চল্লাম্বগা অনিমা পোকএ। চল্লাম্বনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ লৈচোনলাকপা তোম্লোংখোম্বা চন্নুনা চিঙডায়াঙবগা পুবাম্বাবগা, অনিমা পোকএ। খোংনাম্বগী ঈদি ব্রাংখৈবাকপম কোংয়াম্বা মইমনে। চিঙডায়াঙবগী ঈদি ব্রাংখৈ পুখ্রলবা মইমনে॥ ০॥ পুবাম্বাবগী ঈদি মোইবা নিংথৌ ইরু বমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু চল্লাম্বনা মৈতৈলৈমা লমফেলঙম্বীনে, লৈমাখুবী কোংবম চন্নু তোম্লোংখোম্বীনে অনিমা পান্নমনা লমফেলঙম্বীনা মুংযাম্বা পোকএ। কোংবম চন্নুনা খ্বাইবাকপা লাল্লুংখোম্বা পোকএ মংযাম্বনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ খ্বাইবাকপা খোংজোম্ব লাল্লু-খোম্বগী ঈদি খ্বাইবাকপম তাংখোম্বা মইমনে॥ ০॥ মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা মৈতৈলৈমা চাংবোম্বীনে, থোকচোন চন্নু খোমলেলহোংবীনে অনিমা পান্নমনা মৈতৈলৈমা চাবোম্বীনা লাইয়িংথৌ খাগেম্বাগা খুরাইবাকপা চিংশোম্বগা, সানোংবা য়াইস্কুল্লাকপগা অহুম্মা পোকএ। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ থোংবম চন্নুনা খোম্মা পুখ্রলবা পোকএ. মাগী ঈদি নোংমৈকাপ্পম অবোই মইমনে, তেলশুবম কোংয়াম্বা মইমনে॥ ০॥ খুবাইবাকপা চিংশোম্বগী ঈদি খ্বাইবাকপম অচৌবা মইমনে, মানা শোইনাইহুনা। সানোংবগী ঈনা ইমংলেপলে। সানোংবগী ঈদি খ্বাইরাকপম লোকপা মইমনে॥ ০॥ খংবী ইমখাইবমনে।০॥ লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা মৈতৈলৈমা তাইবোম্বীনে অঙোমচন্নু নোংখিলচাইবীনে অনিমা পান্নমনা তাইবোম্বীনা লৈসামতিদেলশাবা অহলবা খোংজোম্বাগা, খুঞ্জাওবগা, তোলনাবগা অহুমমা পোকএ। নোংখিলচাইবীনা লাইয়িংথৌ তাইবংখাইবা পোকএ, লাই ওইখিএ॥ ০॥ লাইয়িংথৌ খুঞ্জাওবনা নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ ঈ তাদে। খোংজোম্বাসুং ঈ তাদে॥ ০॥ মৈতৈলৈমা তাইবোম্বী-না তোলনাবা মৈদিংঙু তোলনাবা নোংপোক খোংফেলথৌবনা মৈতৈলৈমা নাওশোম চন্নু তাংজাখোম্বীনে, অঙোম চন্নু পোবোমফাবীনে শোইবম চন্নু অনিনে, মবিমা পান্নমনা মৈতৈলৈমা তাংজাখোম্বীনা য়াইস্কুল্লাকপা

স্নাহিহোলহনে, লাইয়িংথৌ পাইখোম্বনে তোলশেনগম্বনে অহুমমা পোকএ। শোইবম চন্নুনা চামাফাবানে, তাংখোম্বনে, কবোম্বনে অহুমমা শোইনাইদে ॥০॥ শোইবম চন্নু অমনা লাংখম্বা পোকএ, শোইনাইদে ॥০॥ পরোমফাবীনা য়াইস্কুল্লাকপা অচৌনে, সামমৈবাং অতোনবনে অনিমা পোকএ, অনিমা শোইনাইদে ॥ ০ ॥ লাইয়িংথৌ পাইখোম্বনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ মানা হাওবম চন্নু পোংলেন খোম্বী পান্নচুনা ঈ তাদে ॥ ০ ॥ স্নাহিহোলহলবসুং শোইনাইদে ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু তোলশেলঙম্বনা মৈতৈলৈমা ভাংবম চন্নু ঙাইখোংঙম্বা পান্নচুনা লাইয়িংথৌ চাবাইবোংবা পোকএ, নিংথৌ ওই ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মৈতৈলৈমা সাংপম চন্নু নোংথিলচাইবী মকক লোইখোম্বীনে, হিজম নো থোলবম চন্নু সেলগোইরেম্বীনে, থাংজম চন্নু থবাঙম্বীনে অহুমমা পান্নচুনা মৈতৈলৈমা নোংথিলচাইবীনা মৈদিংঙু পামহৈবা অরাথোংলেল লাম্বগা, যাইমবা লোইয়ম্বা স্না কৈথেলতাবগা অনিমা পোকএ। হিজম চন্নুনা খমপাম্বা অকোইজমতাবা পোকএ। থাংজম চন্নুনা খমলাংপামসাবা রাংথৈরাকপাগা, মুংয়াম্বা খুরাইরাকপগা অনিমা পোকএ ॥ ০ ॥ মৈদিংঙু পামহৈবনা নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ লোইয়ম্বনা হাউবম চন্নু শিবেম্বীগা, ময়াংলম্বম চন্নু থবাবীগা অনিমা পান্নচুনা হাউবম চন্নুনা শ্যামরাম পোকএ, মাগী ঈদি কৈথেলতাবম গুরসাই মইমনে ॥ ০ ॥ ময়াংলম্বম চন্নুনা অভিরাম পোকএ, মাগী ঈদি তখেলচংবম মকুন্দসাই মইমনে ॥ ০ ॥ খমপাম্বনা সাংপম চন্নু পান্নচুনা মাগী ঈদি অকোইজম তাবা রামচোরোন মইমনে ॥ ০ ॥ খমলাংপামসাবা রাংথৈরাকপানা সাংপম ঙন্নু চরাইবীগা, থাম্রল চন্নু সংলৈবীগা অনিমা পান্নচুনা সাংপম চন্নুনা ধনিসাই পোকএ ঈ তাদে ॥ ০ ॥ থাম্রল চন্নুনা গোবিন্দসাই পোকএ। খমলাংপামসাবগী ঈদি রাংথৈরাকপম ভগবন্তসিং মইমনে ॥ ০ ॥ মুংয়াম্বনা উশম চন্নুনে, কাব সেল্লুংবম চন্নুনে, য়াইখোম চন্নুনে, তৌরেম চন্নুনে মরিমা পান্নচুনা। উশম চন্নুনা রসিকান্তনে, ভানজোনে অনিমা পোকএ,

অনিমা শোইনাইদে। ০। য়াইখোম চন্নবা রামসাইনে, মুকুন্দসাইনে, কৃষ্ণসাইনে, অহুমমা পোকএ রামসাইনে মুকুন্দসাইনে অনিনা শোইলৈবে। কাবশেলুংবম চন্নবা নন্দ পোকএ লৈতবে॥ ০। তৌরেম চন্নবা খুকল্লানন্দ পোকএ। খুবাইবাকপা মুংযাম্বগী ঈদি পাজহলবম কশুবসাই মইমনে॥ ০॥ ০॥ মৈতৈলৈমা সাংপম চন্নু নো খিলচাইবীনা পামহৈবা মৈদি ঙু পামহৈবা অবা গো নেম্রাম্থবনা মৈতৈলৈমা খযোইনোগ ঙাংবম চন্নু পাঙ্গাকৈথেনংনবীগা মৈতৈলৈমা ইবাংলোল পাইখুলম্বগীগা মৈতৈলৈমা যোইকমলান লাম্বশু ওবংলাম্বনীগা, মৈতৈলৈমা কতুবাল চন্নু মালকঙম্বীগা, লৈনখুবী যাহৌবম চন্নু তাশোমঙম্বীগা, চীংঙাখন চন্নু অপালবী শবীঙম্বীগা যাইখোম চন্নু অপালবী তেবাঙম্বীগা লাইবিকযেংবম চন্নু অপাম্বী নেংখো ঙম্বীগা, লৈনখুবী মাইবম চন্নু লোইবী হেরোইঙম্বীগা যোইকমলোন লম্বশুগা তবামা পান্নবা মৈতৈলৈমা লাম্বশু ওবংনাম্ববীনা, মৈদিংঙ কাইদে চিংশোম্বগা নোংপোক নুঙ্গাপাই চম্বর পোকএ। লৈমাগুবী যাহৌবম চন্নু তাশোমঙম্বীমা লমকাম্বা পোকএ। ঙাংবম চন্নু পাঙ্গ বৈরে লপানবীনা খম্লাংবা পোকএ। মইংনৈমা ইরাংলোন পাইখুলাম্ববীনা মেংখোম্বনে, থাসংগা নে, শইংবা নে মুংযাম্বনে মিংথোইঙম্বনে, লোইযম্বনে তককমা পোকএ। ০। চী ঙাগনবম চানা হরিচোবোন পোকএ, গদাধরসাই পোকএ, তুলহোপসাই পোকএ। যাইখোমচন্নবা হরিসাং পোকএ। লাইবিকযেংবম চন্নবা লৈরিখোম্ব পোকএ। লৈনখুবী মাইবম চন্নু শ্রীধরসাই পোকএ। কংতুব্রান চন্নবা কিশ্বরসাই পোকএ। য়োইকমনোন লম্বাশুবা মেঘনাথগ, তুলনিসাইগা অনিমা পোকএ ॥ ● ॥ লমকাম্বগী ঈদি কেক্রবান তাবা প্রেমচান মইমনে। খম্লাংবদি ঈ তাদে॥ ● ॥ মৈদিংঙু মেংখোম্ব'দ নিংথৌ ওইএ॥ ● ॥ মাগী ঈদি দেবসাইনে, মাগা মযাংলম চংখিএ॥ ● ॥ থমংলাংস্থ মযাংলম চংখিএ মাগী ঈদি লবঙসাই মইমনে॥ ● সনৈবাংদি ঈ তাদে॥ ০। মুংযাম্বগী ঈদি লাইশংবম গবিন্দসাই মইমনে॥ ● ॥ মৈদিংঙু মিংথোইঙম্বদি নিংথৌ

ওইএ। ০। মাগী ঈদি কমলানন্দ মইমনে, অরারম চংখিরে। লোইয়ম্বগী ঈদি কাবতাব। কৃষ্ণচন্দ্র মইমনে॥ ০॥ হরিচোরোনগী ঈদি য়াংখৈরাকপম জগদানন্দ মইমনে। ০॥ গদাধর সাইগী ঈদি য়াইস্কুল্লাকপম রমাকান্ত মইমনে॥০॥ তুলহোপসাইগী ঈদি চৈতন্যানন্দ লৌরুংপুরেন মইমনে ॥ ০॥ হিরিসাইগী ঈদি খুরাইরাকপম প্রেমচান্দ মইমনে ॥ ০॥ লৈরিখোম্বগী ঈদি মন্ত্রিময়ুম কুকিলানন্দ মইমনে॥ ০॥ শ্রীধরসাইগী ঈদি খ্বাইবাকপম ভংদ্রসিং মইমনে। ০॥ মেঘসাইনে, তুলসিসাইনে অনিমদি ঈ তাদে॥ ০॥ মৈতৈরৈনা লাম্বাশু তবংলাম্বীনা মৈদিংঙু কাইনৌ চৌংশোম্ব। নোংপোক নুংগাপাই লাম্বা মান। মৈতৈলৈম ইরাংলোন মরি লোইখোম্বী পান্নহুনা মৈদিংঙু মবানবা মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা, মৈদিংঙু কৃষ্ণচন্দ্র, মৈদিংঙুচা ভবানন্দ মনিমা পোকএ॥ ০॥ মৈদিংঙু মরামঙম্বনে, মৈদিংঙু চৌংথংখোম্বনে, অনিদি নিংথৌ ওইএ॥ ০॥ মৈদিংঙু মরাম্বদি ঈ তাদে। ০॥ মৈদিংঙু কৃষ্ণচন্দ্র, মৈদিংঙু ভবানন্দ অনিমম্তুং ঈ তাদে। ০॥ মৈতৈবৈমা ইরাংলোন মবিংলোইখোম্বীনা নিংথৌ য়োইরেন ভোমপোকপা. মা ঈ তাকাফাবা লাইবেল মৈদিংঙু কাইনৌ চৌংথংখোম্বা পোইবে নিংথৌহলবা॥ ০॥ ০॥

৭ শ্রীগুরুবে নমঃ শ্রীগুরু সিদবা লাই নপু নংবু থুরুমহুনা অঙোম সল্লাই ইমজংবা মৈহৌবরোল ইগে তাখিবিগুনো। খাকপানিংথৌ চন্নুনা চৌংয়াংলক্কী নিংথৌ সবারেল অঙোবা পুরৈরোম্বা। পুরৈরোম্বনা পিথেংলৈমা লৈতৌ নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা খাংহল অহলবগা, খাংহল য়াইমাবগা, খমনুং ইরাইথংগা অহুমমা পোকএ। খমনুং ইরাইথংনা ফম্বাল ওইএ॥ ০॥ খাংহলঅহলবগী ঈদি য়িমলেনবম মোইরাম্বা মইমনে, লংমাইথেম চৌংঙা

শংবম চীংবা মইমনে, লংমাইথেম হিসাবদা লৈবা মোনসাং মইমনে, তেনলোংবম তেনবা মইমনে, চণ্ডালকৈদা লৈবা লংমাইথেম হাউবা মইমনে, শুগ্নুদা লৈবা লংমাইথেম কাংবা মইমনে খুৎহৈবদা লৈবা লংমাইথেম পাংগা মইমনে, মোইবাং লাইশংবম থোইবা মইমনে ।। ০ ।। খাংহল য়াইমবগী ঈদি হিদাম মানসৈ মইমনে, হিদাকশুংবদা লৈবা হিদাম শকথি মইমনে, হিদাম পলদোংবা মোনখাম্বা মইমনে, হিদাম মরাম্বা মইমনে. ইথৈশংবম শকথি মইমনে কৈথুকৈবেলগী মিংতাং মইমনে, ।। ০ ।। অঙৌবা খমন্নুং ইরাইথংনা পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চন্নু পান্নহুনা চীমিং য়োইবেলবা পোকএ, মানা অঙোম ওইএ ।। ০ ।। অঙৌবা চীংমিং য়োইবেলবনা পিথেংলৈমা পান্নহুনা অহোংখমসা পোকএ, অঙোম ওইএ ।।০।। চীংমিং য়োইবেলবনা থৌবান্দা হুলথবদা অমুচীংরাই য়োইবেলবগা, অকুয়া কৈসাফাবগা, অনিমা পোকএ। অমুচীংয়াই য়োইবেলবনা লুরাং ল মাইব চন্নু পান্নহুনা মেলৈ লৈসানা পামবা পোকএ। মাগী ঈদি সেবাম পামসা মইমনে, ঙাংলেনবম নাৱাংবা মইমনে, নারুম্বম নোইবা মইমনে, সংঙাইপ্রোদা লৈবা অচোইবম চোলবা মইমনে, কৈথুকৈবেন্দা লৈবা সেবাম তাবা মইমনে ।। ০ ।। অকুয়া কৈসাফাবনা লুরাং লংমাইবা চন্নু পান্নহুনা শোকরা শাফবা পোকএ, মাগী ঈদি ওঁনাম তোংবা মইমনে ।। ০ ।। অহোংবা অহোংখমসানা পিথেংলৈ ।। পান্নহুনা তোনতৌগ, শুনালগা, অনিমা পোকএ। শুনালদি তোকশোনপুংদা হুম্বদা পোকএ। শুনালনা ঙালন্নুংবাল পান্নহুনা স্না লংমাই পোকএ। মাগী ঈদি চোংনেমশুম্বম থোইবা মইমনে, হঙ্গলদগী হোংনেমশুম্বম অকোই মইমনে ।। ০ । তোনতৌনা পিথেৎলৈমা পান্নহুনা চীংরাং পোকএ। চীংরাংনা পিথেৎলৈমা পান্নহুনা ঙংদৈথুনদাবা পোকএ, অঙোম ওইএ। অঙৌবা ঙংদৈথুন্দাবনা অকোনকোম্নাংবীগা উয়েনলৈমা থঙ্গোংশুগা অনিমা পান্নহুনা অকোনকোম্নাংবীনা কাওতোয়াং নোংলেবা পোকএ, অঙোম ওইএ, শোইনাইদে ।। ০ ।। উয়েন লৈমা থঙ্গোংশুনা লাংকম নুংচিলাম্বা পোকএ

ইত্তাবংসু পোকএ। লাংকমমুংচিলাম্বনা অঙোম ওই ॥ ০ ॥ ইত্তারংনা লাংঙা অকোনশু পান্নতুনা সু। লাংয়েন পোকএ, মাগী ঈদি হিদাম খরা মইমনে । ০ ॥ অঙৌবা লাংকমমুংচি লাম্বনা ফোইদাংশুগা তবংলাম্বীগা অনিমা পান্নতুনা তবংলাম্বীনা হাওখৈলাম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ শোইনাইদে । ০ ॥ ফোইদাংশুনা শিকোং লাম্বগা, অথা-কোংযাম্বগা অনিমা পোকএ। শিকোংলাম্বনা অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ অথা কোংযাম্বনা থিবাফাবী পান্নতুনা লোইনিনবা পোকএ। মাগী ঈদি কোংবম হাওবা মইমনে, কোংবম মকুম মইমনে, কোংবম তোলবা মইমনে, নিংঙেনতাবম কোংবম খুঙম মইমনে, মংসাকৈদা লৈবা কোংবম মোইবাম্বা মইমনে, কো বম কৈক্রনবা মোইবাবম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা তেংলৈ শিখোংলাম্বনা লৈচোনলিকশিশুগা, যাংশিফাবগা, লৈহৌ নিংথৌ চনুগা অহুমমা পান্নতুনা যাংশিফাবীনা শেকমু কাইনৌচিংশোম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ শোইনাইদে ॥ ০ ॥ লৈচোন লিকশিশুনা থাংব্রাই ইরাম্বাবা পোকএ, অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ লৈহৌনিংথৌ চনুনা কোংকাং লাইজৌবা পোকএ। মানা যাইবীলৈমা পান্নতুনা তেংলৈলোলযাম লাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি চকপ্রমবম, পনসা মইমনে, চকপ্রমবম মবিং মইমনে, অহল্লুপতা লৈবা চকপ্রম্বম হাউথৈ মইমনে, হিদাকশুবদা লৈবা চকপ্রম্বম চেকসা মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা থাংব্রাই ইরাম্বাবনা লাম্বাশুগা, কামুতিথাবগা চনুগা অনিমা পান্নতনা লাম্বাশুনা পুবাম্বাবা পোকএ, অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ কামু তিথাবা চনুনা খোম্বগা, উশিগা, অনিমা পোকএ। খোম্বনা চবলফাবী পান্নতুনা মিংথাংঙম্বা পোকএ, মাগী ঈদি মংসা মবম মলেম মইমনে, অযেকপম চাম্বা মইমনে, পোংশংবা চাইবা মইমনে, ব্রাংলেনবম ব্রাইপাম্বা মইমমে, মংসাতাবম অবোক মইমনে ইমথাইবা নারাং মইমনে মংসাতাবম সমবোক মইমনে, হিদাকফু ফানবা লৈমনাইদা লৈবা পোরৌ মইমনে, পোংশংবম অবোই মইমনে ॥ ০ ॥ উশিংনা ফোইদাংশু পান্নতুনা, সুা লোলু পোকএ, মাগী ঈদি উশিয়াম ললহাং

মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা খুবাম্বাবনা অয়াংফাবীগা, হাওখৈলাম্বা চন্নুগা অনিমা পান্নহুনা অয়াংফাবীনা লাইবেলহিখাম্বগা, তোবাগা, লৈতাং লাম্বগা, শেবগা মরিমা পোকএ। হাউখৈলাম্বা চন্নু স্নাবেম্বীনা য়াও-শোম্বা পোকএ। লাইবেল হিখাম্বনা অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ নিংথৌ তোরানা কৈথেনথালবী পান্নহুনা মুচিংহিথাবা পোকএ, মাগী ঈদি তেলহৈবম নোইবা মইমনে ঙান্নুকাপ্পম ঙাংবা মইমনে, সাবোম কেকাপম পাল্লোই মইমনে ॥ ০ ॥ লৈতাংলাম্বনা চীংখৈ লময়েংহৌবী পান্নহুনা রাইকোক লাম্বা পোকএ, মাগী ঈদি লৈতাম্হেম ওম্বা মইমমে, লৈতাম্হেম শকথি মইমনে, লৈতাম্হেম লুরাং মইমনে, লৈতাম্হেম খোংঙম মইমনে, লৈতাম্হেম মবেম মইমনে, লৈতাম্হেম খাবোই মইমনে, অকোইমতাবদা লৈবা লৈতাম্হেম মুবা মইমনে, শেবদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ য়াওশোম্বনা থিংনাইশু পান্নহুনা চিংকাং পোকএ মাগী ঈদি চীংকাংবম পুকচোন মইমনে, শমু অমোম শেনবা চীংকাংবম অহোং মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা লাইবেল হিখাম্বনা নোংচুপ মবোংঙম্বীগা, শরাংথেম চন্নুগা অনিমা পান্নহুনা মবোংঙম্বীনা হাউশিবক্কী চাবনফাবা পোকএ, অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ সবাংথেম চন্নুনা খুঙ্গাম্বা পোকএ মানা চীংথাংলাম্ববী পান্নহুনা সনালোললু পোকএ। মাগী ঈদি সাবোম তোলসেল মইমনে, ফৈদাদা লৈবা সাবোম চেংবা মইমনে, সাবোম মানসৈ মইমনে, সারোম কৈসাবম কৈঙম মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা হাউশিবক্কী চাবনফাবনা নক্রাম নোংইনফাবা চন্নু পান্নহুনা ক্বাকপা থরাম্বাবগা, কাইমুগা অনিমা পোকএ। ক্বাকপা থরাম্বাবনা অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ কাইমনা মেলনোংবীগা, বোংচন্নুগা অনিমা পান্নহুনা মেলনোংবীনা স্নালিকলু পোকএ, মাগী ঈদি খাংঙেলবম নেমবা মইমনে, খাংঙেলবন মংলেম মইমনে, চোংথাম তিননবা খাংঙেলবম সেবা মইমনে, খাংঙেলবম ওম্বা মইমনে, ফোইচীং তাবা খাংঙেলবম খোইবা মইমনে ॥ ০ ॥ বোং চন্নুনা উন্নুংতাবা নন্দ পোকএ, মাগী ঈদি উন্নুংতাবা খাং-ঙেলবম সমুবোক মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা ক্বাকপা থরাম্বাবনা হোংখঙম্বী

কাইশিংলেম্বী লালশিং চাইবী পান্নবুনা নোংপোক কাওশোম্বা পোকএ অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ অঙৌবা নোংপোক কাওশোম্বনা চাংবোম্বী পান্নবুনা কম্বোংফাবগা, খোংজোম্বগা অনিমা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইএ । ০ ॥ কম্বোংফাবদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ অঙৌবা খোংজোম্বনা তরুং-ঙম্বীগা, পুয়াম চন্নুগা ২ মা পান্নবুনা তক ঙম্বীনা লোইচাঅম্বা পোকএ। পুয়াম চন্নুনা পলসাঙম্বা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ লোইচা-অম্বদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ অঙৌবা পলসাঙম্বনা সেকমুঙম্বী চৌকাংফাবীগা মংসাঙম্বীগা অনিমা পান্নবুনা সেকমুঙম্বী চৌকাংফাবীনা, হিতালাং লোইঙম্বা পোকএ। মংসাঙম্বীনা ক্যাম্বা পোকএ, অনিমা অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ অঙৌব ক্যাম্বনা ইম্মাম স্নাবেপ্পম চন্নু পান্নবুনা উচিবা পোকএ। মাগী ঈদি খাবিবম চাওবা মইমনে, খাবিবম পাঙন মইমনে, চবাংপাং তাবা মোইবাম্ব। মইমনে ম সাংকৈদা লৈবা খাবিবম কোবা মইমনে কৈক্রনবম লাংলোই মইমনে, লাংপোক তাবা খাবিবম তোনশেন মইমনে, মেঘসাই মন ই খাবিবম হাউবা মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা হিথা লাংলোইঙম্বনা নুকেংনুগা মপাও ঙম্বীগা নোংচুপচৌংম্না কোনফুবেল সনবিক তবংলিকনা সকহেনবী হেমখুঙম্বী নোংদাখোনবীগা অহুমমা পান্নবুনা। নুকেংনুনা তুশোমঙম্বা পোকএ, মপাওঙম্বীনা ললহাংঙম্বা পোকএ, হেমখুঙম্বী নোংদা-খোলবীনা হেবুংথৌ নিংথৌবা নিংথৌম্না লংস্নুং ওইবা সনাবত্তি নোংথোলবা পোকএ। তুশোমঙম্বনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে ॥ ০ ॥ ললহাংঙম্বস্নুং অঙোম ওইএ ॥ ০ ॥ হেবুংথৌ নিংথৌবা নিংথৌ সনা লংস্নুং ওইবা স্নাপুথি মযাং নাইঙেদা য়াঙ্গোই পাংতা লাইযিংথৌ খাগেম্বগী শগোল পুংথববু উত্নুনা মযাং তেঙ্গোল লালয়াম চাইখাইনা নিংথৌ সনা লংস্নুং ওইত্নুনা নিংথৌ পুখংপা অযোক অকন থৌগল অচৌবা ফংখিএ, মৈদিংঙু খাগেম্বনা অঙোম নিংথৌ ফম্বাল মপাল ফম্বীত্নুনা নোংথোন হাপএ। স্নাপুথি নোংথোলবনা ক্যাংলালচৈবা য়াংলৌ কৈফাবা চন্নু সনবিকখোম্বী পান্নবুনা সনা মেংখুঙম্বা লেনেমখোম্বগা, স্না লিকলাইগা, স্না কৈরিক্কা অহুমমা

পোকএ। সনা মেংখুঙম্বা লোনেম্ব। ঈদি লংমাইথেম তিম্নবা অঙোম নোংথোলবম ক্যাম্বা পুম্মিংনবা মইমনে, স্নালিক্লাইগী ঈদি কোকচাই তাবা অঙোম নোংথোনবম লেম্বা মইমনে সনাবিক্কী ঈদি থংবিচো তাব ঙম্বা মইমনে ॥ ০। অঙৌবা ললহাংঙম্বনা অরাংশুম্বীগা, থৌদাম চন্নুপা অনিমা পান্নতুনা অরাংশুম্বীনা মবি ঙম্বাপা, মবামঙম্বপা খাকীগা অহুমমা পোকএ। থৌদাম চন্নুনা খোংজোম্বা পোকএ। খোংজোম্বগী ঈদি নাকপকখনবম কোইবেম্বনে। খাকাগী ঈদি খোহমোমতাবম খানা চাওবম মইমনে ॥২৪॥ মরিংঙম্বনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে ॥ ০ ॥ অঙৌবা মবামঙম্বনা মুংয়াং কৈথেল থালবিগা, খুমল চাবাকপম চন্নুগা অনিমা পান্নতুনা। মুংযাং কৈথেল থানবীনা লমফেলঙম্বগা, হোংদৈপা, হোংখুগা অহুমমা পোকএ ॥০॥ লমফেলঙম্বনা অঙোম ওইএ ॥ ২৫ ॥ হোংদৈপা, নোংখুগা অনিমাদি শোইনাইদে ॥ খুমনচাবাকপম চন্নুনা লাইবেম্বগা লাংদৈবগা, খেন্দেঙম্বগা, অহুমমা পোকএ। অহুমমা শোইনাইদে ॥ ০ ॥ অঙৌবা লমফেলঙম্বনা মযা ঙম্বীগা রাইবোকপম চন্নুগা অনিমা পান্নতুনা। মযা ঙম্বীনা কোন-খোম্বগা, লোইখোম্বগা অনিমা পোকএ, অনিমা অঙোম ওইএ ॥ ২৭ ॥ কোনখোম্বদি শোইনাইদে ॥ রাইবোকপম চন্নুনা লমতাবা পোকএ। মাগী ঈদি খোংজোম্বা চন্দ্র মইমনে ॥ ০ ॥ অঙৌবা লোইখোম্বনা অখোম চন্নুগা কোনসম চন্নুগা, ইম্নাম চন্নুগা, থাংজম চন্নুগা, ইবোম চন্নুগা, শিনাম চন্নুগা, শরুকমা পান্নতুনা। অখোম চন্নুনা নুংশো ঙম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ। ২৮ ॥ কোনসম চন্নুনা পুরি খোম্বা পোকএ অঙোম ওইএ ॥ ২৯ ॥ ইম্নাম চন্নুনা কুঞ্জমনী পোকএ ॥ ০। থাংজম চন্নুনা বিন্দমনী পোকএ ॥ ০ ॥ ইবোম চন্নুনা শ্যামমনী পোকএ ॥ ০ ॥ শিনাম চন্নুনা চন্দ্রমনী পোকএ, অরারবা চংখিএ ॥ ০ ॥ * ॥

৭° শ্রী গুরুবে নমঃ নিংডোনবম লোন্দি পুবৈবোম্বনা লুরাং চীংদা লিক্লাবিচা নোংদম্নু তংন্নদা হাথবদি খোইদোমনে, মান্দোমনে অনিমা পোকএ।

খোইদোম অতোনবদি কম্বামনে। নিংঙোন য়াইমবগী ঈদি নিং-ঙোনবমনে। লাইতোন অতোনবগী ঈদি, লাইতোঙ্গমনে। অহল মান্দোমগী ঈদি খোইবমনে।। ০ ।।

শ্রীগুরুবে নমঃ লোংজম লোন্দি। পুবৈরোম্বনা পুরাং কৌনা হাও-নিংশং খোমপোম্বীদা তো‌ংবাইহুনা লোইয়াদা হাথবদি হঙ্গেললোংনা থাবা। ঙানুনা খুংসা। ঙানুনা শংনং, ঙান্নুনা লৌনং, মোইরাং-থেম চন্নুনা হাউরাহোংবা, মোইরাংথেম চন্নুনা খুখাতোম্বা মোইরাং-থেম চন্নুনা চাউবালুরোংগু ফাইবৌগুনা নাওদা, ফাইবৌগুনা চরাইবোকপা, অখোম চন্নুনা শমলোইবা, শাংপম চন্নুনা অরোই মাগী ঈদি লুরোংজমনে, য়াংখেমনে।। ০ ।।

শ্রীগুরুবে নমঃ খুয়োনথেম লোন্দি। শুমলৈমনা খাকপা নিংথৌ য়োইবেনবা পোকএ, নিংথৌ মোইবী বৈমনা উইরা কোনপাম্বা, তিঙ্গোই নিংথৌ চন্নুনা লাংপুয়াং, খেন্দে নিংথৌচন্নুনা খুয়োনলেম্বা, মোইরাং নিংথৌ চন্নুনা লেম্বাপাসিং, লৈহিংকোইবিনা তুংবা, সানা তিঙ্গোই নিংথৌ চন্ন পান্নহুনা মাগী ঈদি মুংখোম মোইরাম্বা মইমনে, খুইয়োম্পেম খোম্বা মইমনে, ক্যামকোইব মইমনে, মোইবাংগী লাইরেল হিদং থৈবা মইমনে, খোইয়াংবম চাইবা মইমনে, তউ-পোকচম মুবা মইমনে, পুতোনজম তংঙা মইমনে, সাংদোনজম মুবা মইমনে।। ০ ।।

শ্রীগুরুবে নমঃ। লৈসাংথেম লোন্দি হুইমুরৈমনা হুঙঙৌঈমথংবা, মঙাং-নিংথৌ চন্নুনা য়ুচীংলৈ, মঙাংনিংথৌ চন্নুনা য়ুকাংকউ, নোংসোইন্নুনা শোরাতোন, মঙাংনিংথৌচন্নুনা সন্নাপুকতাং, মঙাংনিংথৌ চন্নুনা সরাঙানৈ, মঙাংনিংথৌ চন্নুনা খোংজিন্নুংলাইবা । ০ । থেংহুনা থাংয়িতাওপুংখোং-তউবা, মানা ইরেমতোইপীরৈমা পান্নহুনা পাঙথংঅহলবগা, য়ুনাওরোই

য়াইমবগা, কাম্ৰঅনোনবগা অহুম্মা পোকএ। পাওথংঅহলবনা মঙাং-
নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা মাগী ঈদি চেনৈবম পথং মইমনে, তোকপম
কোংবা মইমনে, সনাইচম খোংদৌ মইমনে, ভৌবাংবম তবা মইমনে,
থমকোংবা কনবম কোনবা মইমনে, লোইতাম হান্নু মইমনে, কোনশম
মাইচৌ মইমনে, ঙাথেম হাউম মমইনে লাঙ্গোঞ্জম লাংমৈ মইমনে,
ময়াংলম্বম মযাম্বা মইমনে, লাউশিকাম লৌতা মইমনে ।। ০ ।। য়ুনাও-
বোই যাইমবগী ঈদি মানা নাওবোইবম (যাউবৈবম) চন্নু পান্নহুনা
মাগী ঈদি লৈশাথেম য়াওশোম্বা মইমনে, খাগোকপম করোম্বা মই-
মনে, মাইববম্বম হাইবা মইমনে, নাওশেকপম চাবা মইমনে, ঈ গুক্তম
কেংবা মইমনে, খোইচবম খোম্বা মইমনে, মৈনম সোইবাম্বা মইমনে,
হৈবাম মাইমু মইমনে ।। ০ ।। কাম্ৰঅতোননবা যাওবৈবা চন্নু পান্ন-
হুনা মাগী ঈদি সবাংথেম তোনা মইমনে হাইরোকপম পানসা
মইমনে, চনম চৌংবা মইমনে, য়েলবম চৌংবা মইমনে চৌংঙাখনবম
কপো ফাবা মইমনে সবোকফাইবা লোকপা মইমনে মইবাগিযাম
খৈবা মইমনে, সমনোইবম হন্নু মইমনে খুবাইজম পামসা মই-
মনে ।। ০ ।। চৌচে নাবলা পাঙ্গনবন মযাদা ফৈক্রিখো নাংগী মচা
লৈশাংখোম্বী পাংহুন, থৈপোং, মোনথৈ অনিমা পোকএ থৈপোংদি
ঈ তাদে। মোনথৈগী ঈদি নাচৌ তাবা পোংশাবমনে। ০ ।।

শ্রীগুরুবে নমঃ লোকতোনবম লোন্দি হুইমাবৈমনা লোকতোন
অতোনবা, মাঙাংনিংথৌ চন্নুনা সিঙচা, মঙাংনিংথৌ চন্নুনা লোকচ,
খাবোইংথে চন্নুন চমোইবা, লেমনৈনিংথৌ চন্নুনা ঙামোইবা
মহৌনিংথৌ চন্নুনা লাংসং, খেলদেনিথৌ চন্নু হাউতোকলাইবা
চন্নুনা চামোইবা, চাকলাইনিংথৌ চন্নুনা সলসংচারোইবা, লোকথা
নিংথৌ চন্নুনা পুকোইবগা, তেন্দাবগা অনিমা পোকএ। নোং-
বানলোন সিলৌনালনৌখোম্বীনা লোকতোন অতোলবা, কাম্বীচা
কোকপা চরাইলাং চন্নুনা খানিংথৌসাফবা মানা মঙাংনিংথৌ চন

পান্নত্থনা মাগী ঈদি লোকতোনবম খোম্বা মইমনে, য়াঙ্গোইজম মযোন মইমনে, হেমলাম পুকচাও মইমনে, অহৈব অমুব্রাম হাউবা মইমনে ॥ ০ ॥ ০ ।

শ্রীগুরুবে নমঃ। খুমল লোন্দি, খুমল নিংথৌ পুশিবনা ঙান্নবোল থোংঙাইবা চন্থ পান্নত্থনা লুংবগা, নুঙথো ঙাইগা অনিমা পোকএ। নুঙখোংঙাইনা লুরাং ওইখিএ ॥ ০ ॥ লুংবনা য়েন্দ নিংথৌ চন্ পান্নত্থনা য়োহবাংপোক পুলশিবা পোকএ, মাগী ঈদি অক্রাম ফন-লাম্বা মইনমে ॥ ০ ॥ পুলসিবনা ঙানুবোন য়াইবিবৈমাগা, ইপি-লৈত চাগা অনিমা পান্নত্থনা ইপি লৈত ঙানা কচেংবাহেংমাঙবা পোকএ। মানা নৈদিংঙ বে শিবা চন্ ব্রাঙমলোন লৈমা লাই-কুমচেবী পান্নত্থনা খোম্বা পোকএ, মানা মৈদেংঙ নাওখবা চন্ লৈকুমলাংবী পান্নত্থনা খোম্বানিংখৌবা পোকএ মানা মৈদেংঙ নাওফংবা চন্ ব্রাঙমলোন মেংপীলাইবী পান্নত্থনা অতোনলাইফেংবা পোকএ, মানা ঙানুবোন ফাইবৈমা পান্নত্থনা পুলশিবা যুমোইবা পোকএ, মানা ঙানুবোন পিযাইবোক পান্নত্থনা য়োইথোংঙাই পোকএ, যুমোইববু থৈথত্থনা ঙানুথুম্বীগী মচা মশু শেনবনা খুমল নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ যোইথোংঙাইদি লাইযান্দা থৈথবে ॥ ০ ॥ শেনবনা লাইকুনে, লাইখানে, লাইফানে, অহুমমা পোকএ, শেনবগী মতুংদা য়োইথো ঙাইনা অমবক নিংথৌ ওইএ। শেনবগী মচা লাইকুদি লৈতাংদা থিবে ॥ ০ ॥ লাইখাদি উচিব্রাদা থিবে ॥ ০ ॥ মনাও লাইফাদি মবিং ওইখিএ ॥ ০ ॥ যোইথোংঙাইগী ঈদি তেম্বা মাইবম য়োইবা মইমনে ॥ ০ ॥ য়োইথোংঙাইনা ঙান্নবোন পান্নত্থনা হাউবম অহলবনে, হাউবমনিংগোই য়াইমবনে, হাউবম অতোনবনে অহুম্মা পোকএ হাউবম অহলবগী ঈদি থোইদিংজম হাওবোক মইমনে, য়াংলৈবম মবাম্বা মইমনে ॥ ০ ॥ হাউবমনিংগোই য়াইমবগী ঈদি

থিঙ্গজম থিনবা মইমনে, পুখ্রেম খাবম মইমনে, পাললেলবম অপাং মইমনে, কেরেং কেনৌবা মইমনে, তোনথবম থোইবা মইমনে, পাং-কৈজম তেংলপ মইমনে ॥ ০। হাউবমতোন্না ভান্নবোন পান্নহুনা মেন-থোক্নগা, অংং নাংবিশুগা, থোংপুশম্নকশুগা অন্তম্ন পোকএ। অথিংসোং-বিশুগী ঈদি [illegible] বিদম মাইবাম্ন মইমনে ॥ ০ ॥ থোংপুশমুকশুগী ঈদি লাকেম খোংচম নইমনে ঙাংবম চাবোইবা মইমনে, হাইবম হিয়াম মইমনে, অঙকা ভন লমাকেন মইমনে। ০ ॥ সেলপোম্বনা ভানবোন পান্ন-হুনা থোংনৈরোম পোকএ মানা ভান্নবোন খাইথিবা চন্ন পান্নহুনা চীথোং থোঙ্গাইবা পোকএ অথিংবম্নং পোকএ। অথিংবগী ঈদি লইনাম লেম্না মাইকে মাইমবাম মুব মইমনে ॥ ০ ॥ চীথোংনাঙ্গাইবন ভানবোন পাম্ন পুবানথনৌশিবগা নিংথৌসবাবোং থোংহলগা, থোকইগা, লাইবগা মচাম পোকএ। পুবানথনৌশিবদি কাংকনাইদে খাহলগী ঈদি [illegible] খোম্বা মইমনে অহাংশাবম [illegible] মইমনে থাক্রাকহেন [illegible] মইমনে চবুংবম চেচা [illegible] [illegible] মইমনে, [illegible] মইমনে। ০ ॥ থোকইগী ঈদি শিনশাংবম থোনবা মইমনে থাংবম থেব মইমনে, যাঙ্গৈবম চাব মইমনে, [illegible] মইমনে [illegible] নেমবা মইমনে কবাগবম [illegible] মইমনে, [illegible] মইমনে। ০ ॥ লাইবগী ঈদি লাইপুম্বা-খানব [illegible], লথাবা থোখিন হানেম মইমনে। ০। সনাবোংন [illegible] খুনেনলাইবম খাইযাম্ন গা অনিম পান্নহুনা। থোং-নাইথোকনা [illegible] শাহপাইঅহলবগা, শাহুপাই ভাইবংডাম্নগা, কাইবিথুবাম্নগা, লিকলনাম্নবগা থংগুআকাংনবগা মংডামা পোকএ ॥ ০। শোইপাই অহলবগী ঈদি [illegible] লোম অবোং মইমনে, শাবাইহুম কাংগেন্ন মইমনে। ০। শোইপাই [illegible] ডাম্নগী ঈদি হাইবংজম তাখোন্ন মইমনে, ঋাইবো কপম মবান্ন মইমনে ০। [illegible] বিথুবাম্নগী ঈদি হাইপুজম খবাবা মইমনে, সাংপম পান্নবা মইমনে, কবনমবম কানোম্ন মইমনে ॥ ০।

হু যাবীনে অহমম পান্নবা খুমন খোইবীনা থংবী লানথগা পোকএ। লান থবগী নিংথৌ গুইএ (১২)। চমন চনুনা লোইজা অমবা পোকএ। মাগী ঈদি ভুইড্রোম নবোক মযুমনে। যাংবৈবী চনুনা যাংলৈ ওম্বা পোকএ। মাগী ঈদি নু[illegible] [illegible] মাইরুংপোকপন মাচৌ [illegible]নে। যম্লাম শিনাইবদা লৈবীবে, বেমা মযুমনে। মৈদিংগু থংবী লানথবন মোইবাং লৈমা যুবেন [illegible], [illegible] খুবা অচৌ [illegible] [illegible]। [illegible] যুখু চনু শ [illegible], যা [illegible] মনব লোইনীনে খোংবম চনু কশোম ওম্বী ন [illegible] [illegible] [illegible]নো [illegible] তাকমা পান্নদনা খোইবো [illegible], [illegible]নিংনাইবা পোকএ। মাগী ঈদি নো[illegible] খা পা ম[illegible]নে [illegible] চবা চনুন স্না ঈনবেন খানবী পোকএ। মাগী ঈদি খুমন চাকপম লম[illegible] মযুমনে। ভৈবম সাখোম[illegible] মযুমনে। যা গোইস্নুনা স্না লেমবা পোকএ। মাগী ঈদি লাংপো [illegible] ভেনবা মযুমনে। [illegible] মযুমনে। [illegible] পুংবা [illegible] মযুমনে। হাংমেম [illegible] বাধা মযুমনে। [illegible] লোইজা চমবা পোকএ। মাগী ঈদি নিংথৌজন থোইবা [illegible]নে। চিংবম পা ওন মযুমনে। খুম [illegible] কপোদা লেবা মযোল মযুমনে। স্বাবাবো [illegible] ক্রামবা [illegible]মনে [illegible] [illegible] [illegible]। সেবাম [illegible] মনে। [illegible] মযুমনে। যুম [illegible] কাকপা [illegible] খাবা পাকএ। মাগী ঈদি খোদাম [illegible]। নো থোঙ্গম পাংথল মযুমনে। লৈম থং ভানা খুনৌব পোকএ। মাগী ঈদি নাবৈবাকপম মোংবাং নিংথৌ মযুমনে। কাকপা [illegible] [illegible] মযাংদা পোকনুইবে। থোংনাংখোং মবিমচা চিংখু [illegible]মবনা পোকপদি হাদিবানে হাদংনে অনিমা পোকএ। হাদি মগী ঈদি শগো [illegible]মবম সামারাম মযুমনে। ওাথেম পুকচাও মযুমনে। শগোলশেমবম অমোম শেনবম, হওচৌ মযুমনে। হোদংগী ঈদি স্না চম মানসৈ মযুমনে। হোরদাম হোংবা মযুমনে, শাইথোই খুজলিং মযুমনে। মৈদিংগু

কোংয়ামবনা নি থৌ ওইএ (২৩)। মৈদিংঙু কোংযামবনা নোংবানলোল খন্না শাবীগা কবো চন্নু খে খোম্বীগা অনিমা পান্নদুনা খন্না ফাবনা তেলহৈবগা তোনাবগা অনিমা পোকএ। কবো চন্নু হাবা পোকএ। তেলহৈবাস্তুং তোনাবস্তুং নিংথৌ ওইয়ে'১৫ - ১৬)

মৈদিংঙু তোনাবনা চাংগোংশু লোংয়ামবা পান্নদুনা কোংযামবা পুংিংনাইবা পোকএ। থুইবা শুং অনিমা পোকএ। লোংযামবগী ঈদি সনথাম লাবা নযুমনে। খোইবিযানবম থোইবা মযুমনে। খুল পাম অ.খাল মযুমনে। খোইবগী ঈদি নিংথৌজম শকপী মযুমনে। হুমিং-লৈম শংবম মযুমনে। সংগাইশেলবম অথুল মযুমনে। সৌগ্রাকপম চিংশোমবা মযুমনে। মৈদিংঙু তেলহৈবনা স্না লেমবী পান্নদুনা ফম্বু বগা স্না শাংন্নু খোইবাকপগা অনিমা পোকএ। তনুংবনা পিবগিদা তোনাবনা নিংথৌ ওইএ (২৬)। মৈদিংঙু তোনাবনা শেনবুং লোকপী পানদুনা খাংশু নহা অংোনবা পোকএ। মাগ ঈদি শাং নাবপন তেংানশেন মযুমনে। ফি শাবা লীক্রাকপা মাইচে মযুমনে। স্না পুরাম্বা মশা মযুমনে। শৌগ্রাকপক মানশৈ মযুমনে। তনুংবনা [illegible] তোনাবনা ফমবাল ক্লুমদুনা তনুবনা নিংথৌ ওইএ (২৭)। স্না থাংন্নুগী ঈদি তেল-হৈবম তেনবা মযুমনে। মৈদিংঙু তনুংবনা নামকৌ ভেম্পী পান্নদুনা লাইবেন্নগা পুনশিংগা অনিমা পোকএ। লাইবেন্দনা নিংথৌ ওইএ (২৮)। শোইনাইদে। পুংশিবনা মমবক নিথৌ [illegible]। মৈদিংঙু পুংশীবনা লামনাশু লিকলাই ভম্বা পান্নদুনা নিংথৌ খোম্না পোকএ নিংথৌ খোম্বনা নিংথৌ ওইএ ৩০)। মৈদিংঙু নিথৌ খোম্বনা নিংথৌচম্বা পান্নদুনা ক্রামবগা শানোংবগ, হাইবা[illegible] অনিমা পোকএ। ক্রামবনা নিংথৌ ওইএ (৩১)। সানোংবা হাংথৈবাকপগী ঈদি ফানশম লোকপা মযুমনে। মৈদিংঙু ক্রামবনা শেনবুং লোকপীনে লৈশাং নিংথৌ চন্নু লৈত্রেংঙম্বীনে অনিমা পান্নদুনা, শেনবুং লোকপীনা নামগাইঙম্বা পোকএ। নিংথৌ ওইএ (৩২)। লৈশাং নিংথৌ চন্নুনা নোংখোনবগা

কোইবেম্বগা অনিমা পোকএ। নোংথোনবদি শোইনাইদে। কোইবেম্বনা নিংথৌ ওইএ (৩৩। শোইনাইদে।

মৈদিংগু ক্রামবনা চকখা তাংখুল ওম্বীগা চংনিং ফাবীগা লৈশাং নিংথৌ চন্থু নোইন ফাবীগা অহুম মক পান্নহু। চকখা তাংখুল ওম্বনা কবোমবা পোকএ। চংনিং ফাবীনা নোংইনবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ (৩৪। শোইনাইদে। মৈদিংগু কমবোংবগু নিংথৌ ওইএ (৩৫)। মৈদিংগু কমবোংবনা থিংবা ওমবী পান্নহুনা লিশিং চাংবা পোকএ। লাই ওইখবে ৩৬)। মৈদিংগু তাং খোম্বীনা অচোম চন্থু স্না চোংলেম ওম্বী পান্নহুনা শ ওনচম্বা পোকএ। মাগী ঈদি লোইতোংগম মাম্ন মযুমনে। খুমন খোনবীনা থংবী পানথবা ঈব্রা লোন যোংবেন চোম- পোকপীনা খুম্মোমবা পোমমিংনাইবা, নোংজেংগুনা খোংচোমবা, খম্বা ফাবীনা নোংথোনবা থেঙ্গুবাই ফাবা যাংগোইগুনা স্না লেমবা, ওমবু শাক লাকপম চন্থুনা পুমি নাইবা খোমজোনবা, লৈবোংলাকপা তোলোং- খোমবা চন্থুনা সালুংবা লাললুমখোংব, সানোংবা লাললুংঙবন হাওচোম ওম্বাগা লৈচোল লাকপা তোলোংখোমবা চন্থু তকংওম্বীগ অনিমা পান্নহুনা হাওচাংওম্বীনা খোংনামবগা, চলামবগা অনিমা পোকএ। চলামবনা নিংথৌ ওইএ ৩৭। লেচোম লাকপা লোলোমখোম্বা চন্থুনা চিংযা য়াংবগা পুবান থাবগ অনিমা পোকএ। খোংনামবগী ঈদি লাংলৈং লকপম কোংযামবা মযুমনে। চিংযা যাংবগী ঈদি ব্রাংশৈ পুখ্রমবা মযুমনে। পুবানথাবগী ঈদি মোহবা, নিংথৌ যুক বমনে। মৈদিংগু চলামবনা মৈতৈ লৈমা লেমফেল ওম্বীনে। লৈমা খুবী ওংবম চন্থু লোলোংখোম্বীনে অনিমা পান্নহুনা লমফেল ওম্বীনা মোংয়াম্ব, পোকএ। নিংথৌ ওইযে ৩৮)। কোংযাম্বা চন্থুনা খ্বাইলাকপা লাললুমবা পোকএ। মাগী ঈদি খ্বাইবাকপা তাংখোমবা মযুমনে। মৈদিংগু মোংয়াম্বনা মৈতৈ লৈমা চাংশোমবীনে, থোকচোম চন্থু খোমলেন হোংবীনে অনিমা পান্নহুনা, মৈতৈ লৈমা চাং- বোংবীনা লাইনিংথৌ খাগেম্বগা খুবাইলাকপা চিংশোমবগা, সানোংবা

য়াইসকুললাকপগা অঙ্গমা পোকএ। খাগেম্বনা নিংথৌ ওইএ (৩৯)। থোকচোম চন্দ্র খোম্বা পুথ্রনবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংমৈকাপম অরোই মথুমনে। তেনশুবম কোংয়াংবা মযুমনে। খুবাইলাকপা চিংশোম্বগী ঈদি খ্বাইলাকপম অচৌ মযুমনে। মানা শোইনাইদতুনা শানোংবগী ঈনা যুম মৈপ খয়ে শানোংবগী ঈদি খ্বাইলাকপম লোকপা মযুমনে। থংবী য়ুমথাইবমনে। লাইনিংথৌ খাগেম্বনা মৈতৈ লৈমা শাইবোমবীনে অঙোমচন্দ্র নোংথেল চাইবীনে, অনিমা পান্নহুনা তাইবোম্বীনা লৈশাম হিদেন শাবা অহল চোম্বগা খুলজাওবগা তোনাবগা অহুমমা পোকএ। নোংথেল চাইবীনা লাইনিংথৌ তাইবং খাইবা পোকএ। লাই ওইথিয়ে লাইনিংথৌ খুনজাওবনা নিংথৌ ওইয়ে (৪০)। শোইনাইদে। খোংজোমনবশু শোইনাইদে। মৈতৈ লৈমা তাইবোংবীনা মৈদিংঙু তোনাবা পোকএ মৈদিংঙু তোনবনা নোংপোক খোংফেল পৌবনা মৈতৈ লৈমা নাংথোন চন্দ্র তাজ খোম্বীনে, অঙোম চন্দ্র পোবোম ফাবানে শোইবম চন্দ্রনে, অনিমা পান্নহুন। মৈতৈ লৈমা তাজ খোম্বীনা যাইসা খুল্লাকপা স্নাহি হৈতোলহনবা লাইনিংথৌ পাইখোম্বনে, তোনশেন ওমবা অহুমমা পোকএ। শোইবম চন্দ্রনা চাম ফাবনে, তাংখোমবনে, কবোমবনে, অহুমমা পোকএ। অহুমমক শোইনাইদে। শোয়বম চন্দ্র অমনা লাংগমবা পোকএ। নান্দু শোয়নাইদে পোবোম ফাবীনা য়াইসকুললাকপা অচৌবে মনৈবাং অতোনবনে অনিমা পোকএ। অনিমক শোইনাইদে লাইনিংথৌ পাইখোম্বনা নিংথৌ ওইয়ে (৪১)। মানা হাওবম পোমলেন খোমবী পান্নহুনা শোইনাইদে। স্না হিতোলহনবশু শোইনাইদে। মৈদিংঙু তেনশেল ওম্বনা মৈতৈ লৈমা ঙাংবম চন্দ্র ঙাইথোংওম্বী পান্নহুনা লাইনিংথৌ চবাইলোংবা পোকএ (৪২)। মৈদিংঙু চবাইরোংবনা মৈতৈ লৈমা সাংপম চন্দ্র হুংথেল চাইবী, মকক লোইখোম্বীনে, হিজম, নোংথোম্বম চন্দ্র শেঙ্গোই ওম্বীনে, থাংজম চন্দ্র থবা ওম্বীনে অহুমমক পান্নহুনা মৈতৈ লৈমা নোংথেল চাইবীনা মৈদিংঙু পামহৈবা পোকএ।

অরাথোংলন লানফবা য়াইমবা স্না কৈথেল লানথবগা অনিমা পোকএ। হিজম চন্নুনা খম্বা, অকোইডম তাবা পোকএ। থাংডম চন্নুনা খমলাং পামসাংবা ব্লাংখৈবাকপা পোকএ। মংয়াম্বা খুবাই লাকপা অনিমা পোকএ। মৈদিংগু পাংগৈবনা নিংথৌ ওইএ (৪৩)। লোইয়ুম্বনা হাওবম চন্নু শিললেমবীগা ময়াংলমবমচন্নু থবাবীগা অনিমা পান্নচুনা স্না মোইবাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি কৈ-থল্লাকপমগী কিশোর সাই ময়ুমনে। ময়াংলমবম চন্নুনা অভিরাম পোকএ। মাগী ঈদি তখেললম্বম মবকুন্দ সাই ময়ুমনে। খমপামবনা শাংপম চন্নু পাংচুনা মাগী ঈদি অকোইজাবা রামচরন ময়ুমনে। খামলাং পামশাবা ব্লাংখৈবাকপনা সাংপম চন্নু চরাইবীগা খামুং চন্নু সংলৈবীগা অনিমা পান্নচুনা সাংপম চন্নুনা ধনি সাই পোকএ সোযনাইদে। খামুং চন্নুনা গবি নসাই পোকএ। খামলাং পামসাংবগী ঈদি ব্লাংখৈবাকপকপম ভবগা পনদা সিং ময়ুমদা লোয়াম্বনা উসম চন্নুনে করো সেনজুংবম চন্নুনে যাইখোম চন্নুনে, তাংজেম চন্নুনে, মবিমা পান্নচুনা উসম চন্নুনা বসিক নন্দনে, তানগৌনে অনিমা পোকএ। অনিমা সোনাইদে। যাইখোম চন্নুনা রাম মবাল সাইনে, মুকুন্দ সাইনে, কৃষ্ণ সাইনে। অহুমনা পোকএ। রাম মবাই সাইগা মুকুন্দ সাইগা অনিনা সোইনাইদে। করো সেংলবম চন্নুনা নন্দ পোকএ। মহাকশু সোইনাইদে তৌরেম চন্নুনা মুকিন্দ নন্দ পোকএ। খুবাইলাকপা লোয়-য়াম্বগী ঈদি পাংচা ভনবমগী শ্বাসাই ময়ুমনে। মৈতৈ লৈমা সাংপম চন্নু ন্নুংথেল চাইবীনা মৈংদিঙু পাংগৈবা অরা থোংলেন লানদাবনা মৈতৈ লৈমা যোইকুমলোল লমবাশু তাইবং লানথাবীগা মৈতৈ লৈমা কৎতরান চন্নু মবক ওম্বীনা লৈমা খুগী যাওহনবম চন্নু তবাসেং ওম্বী। চিংডাখম চন্নু অপানবী শ্রী-ম্বীগা যাইখোম চন্নু অপালবী হেবা ওম্বীগা লাইবিকফেংবম চন্নু অপানবী মেনখোংওম্বীগা, লৈমা খুবী মাইবম চন্নু লোইবী সরাই ওম্বীগা য়োইকুমলোল লম্বাশুগা তবা মক পান্নচুনা মৈতৈ লৈমা লম্বাশু তাইবং লানথবীনা মৈদিংঙু ডাইনা চিংশোমবা লোংপোকবগা

পাহনাংপা পোকএ। লৈনংবম য়াহৌবম চন্নুনা তারসোম ঙম্বীনা [illegible] ক্রামবা পোকএ। ঙাংবম চন্নু পাংগা কৈথেল থানবীনা খমলাং পানথাবা পোকএ। মৈংবো [illegible] লোযামবমে, মঙামা পোকএ। চিংখানবম চন্নুনা হবি চান পোকএ। কাপ্রা খোনবাংশু, [illegible] [illegible] অঙনমক পোকএ। য়ানখোম চন্নুনা হনিসাই পোকএ। [illegible] পোকএ। লৈন খুবম মাইবম চন্নুনা শ্রীব সাই পোকএ। [illegible]ইকনলোল লম্বা গুনা মেব শাইগা তুলসি শাইগা [illegible] পোকএ। [illegible] ঈদি ক্রেফুপন্দা তাবা প্রেমচান্দ ম[illegible]। [illegible] মৈদিংঙু মেংখোম্বদি নিংথৌ ওইখি (৯০)। [illegible] মযাংলমবম মকাদা চংখ্রে থম[illegible] মালী ঈদি [illegible]বঙ্গা সাই মখুমনে। সমৈবাংদি পো[illegible] লোনবগী ঈদি লাইশংবম গোবিন্দ সাই মখুমনে। [illegible] নিংথৌ ওইরে ৪২)। মাগী ঈদি কর্মালা [illegible]। [illegible] চংখ্রে। [illegible] ঈদ করোভাবা। হনিচবন্দগী ঈদি [illegible]বেবাবপম চগা[illegible]। গবদাবা সাইগী ঈদি খুবাইলাক-পম প্রেমচান্দ [illegible]মনে। [illegible] খোনগী ঈদি মন্ত্রি মযুমগী কোকিলা নন্দ [illegible]। [illegible] খাইবাকপা ভৎথা মখুমনে মেঘাসাইনে। তুলা[illegible] অনিম পোকইনাইদে। মৈতৈ লৈমা লম্বং [illegible] লানথবীনা [illegible] কাইনৌ চিংশোমবা নোংপোক হুংগা পাই লানথবনা মৈতৈ [illegible] মবিং [illegible]কইখোমবী পান্নতুনা মৈদিংঙু মবাম্বগা মৈদিংঙ চিংথং খোম্বগা মৈদিংঙু কৃষ্ণ চন্দ্রগা, মৈদিংঙু ভবানন্দগা মরিম পোকএ। মৈদিঙু মবাম ওম্বনে মৈদিংঙু চিংথং খোম্বনে অনিমক নিংথৌ ওইএ (৪৭)। মৈদিংঙু মবামবদি শোইনাইদে। মৈদিংঙু কৃষ্ণচন্দ্র ভবানন্দম্ব পোইনাইদে মৈতৈ লৈমা ইব্রাংলোল মবিং লোইখোম্বীনা নিংথৌ য়োইবেল তোমপোকপা স্না ঈদা কাফবা মৈদিংঙু লাইবেল মৈদিংঙু কাইনৌ চিংশোমবা পাইবৈ নিংথৌ হনবা নিংথৌবেমনে।

নিংথৌজাগী সলাইদি অসিনে। নিংথৌ নিফুতবেং শুনা পাল্লে অস্লুগ থংউ। নিংথৌজাগী শলাইদি অসিনে থংউ।

শ্রীগুরুবে নমো নমো। হৌজিকতি অঙোম পুলৈলোমবগী সলাই হাযগে। অঙোমগী হৈহৌবোলদি খজিক্তা ইজবক্কে তাথিবিকুনো। থাকপা নিংথৌ চন্নুনা চিংরাংলকী নিংথৌ সোবাবেল পুলৈবোমবনা পিথিং লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চন্নু পাংহুনা থাংহন অহনবগা থাংহন যাইমবগা খমন্নুং ইয়ুরাই থংগা অহুমমা পোকএ। খমন্নুং ইযুবাই থংনা ফফাল ওইযে (১)। থাংহল অহলবগী ঈদি য়ুমলেমবম মোইলামবম মথুমনে। লংমাইথেম, চিংগা শংবম চিংবা মযুমনে, লংমাইথেম হিশাবদা লৈবা মোনশা মযুমনে। তেললোংবম তেনবা মথুমনে। চগা লৈদো লৈবা লংমাইথেম হাওবা মথুমনে। শুগুনুদা লৈবা লমাইথেন কোকপা মযুমনে। কৈনীদা লৈবা লংমাইথেম হাওম মযুমনে। তবাঙপলদা লৈবা লংমাইথেম কাংবা মযুমনে। খুংহৈবদা লৈবা লংমাইথেম পাগ্র মযুমনে মোইবাংশংবম থোইবা মযুমনে। থাংহন যামগী ঈদি হিদাম মানসৈ মযুমনে। হিদাকশুংবদা লৈবা হিদাম শকথি মযুমনে। হিদাম পলহোংবম মোনশাবা মযুমনে। হিদাম মবাম্ব মযুমনে। চনৈশ বম শকথি মযুমনে। কৈথু কৈবেনগী ইখৈ শংবম মংগাং মযুমনে। অঙৈবা খমন্নুং ইযুবাইথনা পিথিংলৈমা লৈহৈ নিংথৌ চন্নু পাংহুনা চিংমিং য়োইবেম্বা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ ২)। অঙোবা চিমিং য়োইবেম্বনা পিথিং লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা অহোং খমসাব পোকএ। অঙোম নিথৌ ওইএ (৩। চিংমিং যোইবেম্বনা থোবাংদা হাথবদা অমু চিংযাই য়োইরেম্বগা অরু অয়াং কৈশাবগা অনিমা পোকএ। অমু চিংযাই য়োইবেম পাপ্পনা লুরাং লংমাইবা চন্নু পান্নহুনা মেলৈ লৈস্না পাম্বা পোবএ। মাগী ঈদি সেরাম পামশা মযুমনে। ঙাংলেনবম নরাং ময়ুমনে। মকমবম নোয়ুবা মযুমনে।

সংঙাইপ্রোদা লৈবা অচোয়বম তোনবা ময়ুমনে। কৈথু কৈরেনদা লৈবা সরাম তরা ময়ুমনে। অরু অয়াং কৈশাবনা লুয়াং লংমাইবা চম্লু পান্নহুনা তোকরা শা ফাবা পোকএ। মাগী ঈদি ঙনাম হোংবা ময়ুমনে। অঙৌবা অহোং খমসাবনা পিথিৎ লৈমা পান্নহুনা তোনদোংগা শুনাগা, অনিমা পোকএ। শুনানদি তোকসোমপুংদ হাথবদা পোকএ। শুনাননা ভাগ্নলোন পান্নহুনা স্না লংমাই পোকএ। মাগী ইদি হোনেম শুমবম থোইবা ময়ুমনে। হংগুনগী হোংনেমশুমবম অকোই ময়ুমনে। তোনদৌনা পিথিৎ লৈমা পান্নহুনা চিংরাং পোকএ। চিংরাংনা পিথিৎ লৈমা পান্নহুনা ঙংতৈ খুনতাবা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ (৭) অঙৌবনা ঙংতৈ খুনতাবা অকোন কোংলাংবীগা উয়েল থংগোংশুগা অনিমা পান্নহুনা অকোন কোলাংবীনা কাণ্ডজৌ য়াং নোংলেম্বা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ (৫)। সোইনাইদে। উয়েল লৈমা থংগোংশুনা লাকম নুংচিং লানথবা পোকএ। হিথা লাংশু অনিনা পোকএ। লাংকন নুংশি লানথবনা অঙোম নিংথৌ ওইএ (৬)। হিথা লাংনা লাংঙা অকোনশু পান্নহুনা স্না লাংখেল পোকএ। মাগী ঈদি হিদাম খবাবা ময়ুমনে। অঙৌবা লাংপম গুংচি লাংথবনা ফোইদ শুগা তাইবং লানথবীগা অনিমা পান্নহুনা তা বং লানথবীনা হাঙখৈ লানথব পোকএ। অঙোম ওইয়ে ৭।। ফোইদংশুনা সিগোংলাংথবগা, অংাকোংয়াম্বগা অনিমা পোকএ। সিগোংলাংথবনা অঙোম ওইএ (৮)। অথা কোং-য়াম্বন থিংকা ফাবী পান্নহুনা লোইনিলব পোকএ। মাগী ঈদি কোংবম হাওবা ময়ুমনে। কোংবম মকুম ময়ুমনে। কোংবম তোনবা ময়ুমনে নিংঙেল তাবা কোংবম খুবম ময়ুমনে। মোংশাংগৈদা লৈবা কোংবম মোরামবা ময়ুমনে। কোংবম কৈবেন মোইবানবা ময়ুমনে। অঙৌবা তেংলৈ সিকোং লানথবনা লৈচোল লিকসি শুগা য়াংসিং ফাবীগা লৈহৌ নিংথৌ চদুগা অহুমমা পান্নহুনা য়াংসিফাবীনা সেকমু কাইনৈ জিংশোমবা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (৯)। সোইনাইদে। লৈচেল লিকসিশুনা

থংবাই ইব্রাল লানথবা পোকএ। অঙোম ওইএ (১০)। লৈহৌ নিংথৌ চন্নুনা কোখাং লাইচৌবা পোকএ। মানা যাইবী লৈমা পান্নুনা কেংলৈ লাইযামথাবা পোকএ মাগী ঈদ চকপ্রম পনসা মযুমনে। চকপ্রম মবিং মযুমনে। অহললুপতা লৈবা চকপ্রম হাওখৈ মযুমনে। হিদাকশুংবমদা লৈবা চকপ্রম চিকসা মযুমনে। অঙৌবা থাবাই ইথ্রাল থাবনা লম্বাশুগা বামু হিথাবা চন্নুগা অনিমা পান্নুনা, লমবাশুনা পুবান থাবা পোকএ। অঙোম ওইযে (১১)। অমু হিথাবা চন্নুনা মিংথাংজম্বা পোকএ। মাগী ঈদি মসাতবম মংলেম মযুমনে। অযেকপম চিযামবা মযুমনে। পোৎশংবম চাইবা পা মযুমনে। ব্রাংলেনবম ব্রাইপানবা মযুমনে। মংশাতাবম অবোই মযুমনে। যুমথাংবম নব্রাং মযুমনে মংসাতাবম সমু লোক মযুমনে। হদাক ফান। লৈদ মনাইদা লৈবা পবে মযুমনে। পোৎশংবা অবোই মযুমনে। উনিংনা কোইতংশু পান্নুনা স্না লোনলু পোকএ। মাগী ঈদি উস্রম লালহামবা মযুমনে। অঙৌব পুবান থাবনা অথাং ফাবীগা হাওখৈ লানথাবা চন্নুগা অনিমা পান্নুনা অযাং ফাবীনা লাইবেন হৈনমবগা চেবগা, লৈতাংলানথবগা, সেবগা মবিমা পোকএ। হাওগৈ লানথবা চন্নু স্না লেম্বান য়াওসোম্বা পোকএ। লাংবেল হৈশামবনা অঙোম ওইযে (১২)। নিংথৌ তবানা খেথেন থানবী পান্নুনা মুচিং হিথাবা পোকএ। মাগী ঈদি তেলহৈবম নোইবা মযুমনে। যাল্লুহৈবম ড্রাংবম মযুমনে। সোবোখাংবম পালোই মযুমনে। লৈতাং লংথবনা চিংখৈ লম যেংহৌবী পান্নুনা ব্রাহকোক লান। পোকএ। মগী ঈদি নোতানথেম ওমবা মযুমনে। লৈতানথেম শকথি মযুমনে। লৈতানথেম লব্রাং মযুমনে। লৈতানথেম খোংজম মযুমনে। লৈতা থেম মালেল মযুমনে। লৈতানথেম থবোই মযুমনে। লৈতানথেম অকোয়জমদা লৈবা অম্নু মযুমনে। সেবদি সোইনাইদে। যাওসোমবনা খিংনাই খুৎশু চন্নু পান্নুনা চিংগাং পোকএ। মাগী ঈদি চিংগাংবম পুকচোল মযুমনে। সম্নু

অমোম সেনবা চিংগাংবম অহোং মযুমনে। অভৌবা লাইবেল হি খাম্বনা নোংচু মরোং ওম্বীগা সবা থেম চম্নুগা অনিমা পান্নহ্নুনা মবোং ওম্বীনা হাওসী লকী চবনবা ফাবা পোকএ। অঙোম ওইএ ৩)। সরাংথেম চম্নুনা খুলচামবা পোকএ। মানা চিংথাং লাংথবী পান্নহুনা স্না লোংচুমবা পোকএ। মাগী ঈদি সাইবোম তোনশেন মযুমনে। কৈজাদা লৈবা সাইবোম চেংবা মযুমনে। সাইবোম কৈসাবম কৈওম মযুমনে। অভৌবা হাওসি লককি চবন ফাবনা থুক্রম চম্নু নোংইন ফাবী পান্নহ্নুনা, ক্কাকপা থৱান থাবগা কাইমুগা অনিমা পোকএ। ক্কাকপা থৱান থাবনা অঙোম ওইযে (১৪)। কাইমুনা মেনোংবীগা পোংচম্নগা অনিমা পান্নহুনা মেলোংবীনা স্না লিকলু পোকএ। মাগী ঈদি খাংওেমবম নেম্বা মযুমনে। খাংওেমবম মংনেম মযুমনে। চোংথাম তিন্নবা খাংওেমবম সবা মযুমনে। খাংওেমবম ওমমা মযুমনে ফোইজিং তাবা খাংওেমবম থোইবা মযুমনে। ক্কাকপা থৱান থাবনা, পোং চম্নু উন্নুং তাবা নন্দ পোকএ। মাগী ঈদি উন্নুং তাবা সমুলোক মযুমনে। অভৌবা ক্কাকপা থৱান থাবনা, ওংখু ওম্বী কৈসি, নেমবী, লানশিং চাইবী পান্নহ্নুনা নোংপোক কাওসোমবা পোকএ। অঙোম ওইযে (৫) অভৌবা নোংপোক কাওসোম ওম্বন, চাংবোংবী পান্নহ্নুনা, কমবোং ফাবগা খোমজোমবগা অনিমা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইযে (১৬)। ৰমবোং ফাবীদি সোইনাইদে। অভৌবা খোমজোমবন ওরু ওম্বীগা পুযাম চম্নুগা অনিমা পান্নহ্নুনা তরু ওম্বীনা লোইজা অমবা পোকএ। পুযাম চম্নুনা পনসা ওমবা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইযে (১৭)। লোযজা ওম্বদি সোইনাইদে। অভৌবা পনসা ওম্বনা, চেকমু ওমবী, চাওকাং ওাবীগা, মংসা ওম্বীগা অনিমা পান্নহ্নুনা চেকমু ওমবী চাওকাং ফাবীনা হিথাং লাংলোই ওম্বা পোকএ। মংশা ওম্বীনা ক্রামবা পোকএ অনিমা অঙোম ওইয়ে (১৮)। অভৌবা ক্রামবনা যুম্নাম স্না লোকপা চম্নু পান্নহুনা উচিবা পোকএ। মাগী ঈদি খবিবম চাউবা মযুমমে।

খবিবম পাংঙশ ময়ুমনে। চরাংপাং তাবা খরিবম মোইবাম্বা ময়ুমনে। মোংশাংগৈদা লৈবা খরিবম ক্রামবা ময়ুমনে। কৈরোনবম লাংলোই ময়ুমনে। লাংপোকতাবা খরিবম তোনশেন ময়ুমনে। মেঘসাইগী মনাই, খবিবম হাওব, ময়ুমনে। অড়ৌবা ছিথা লাংলোই ঙম্বনা, মুবোংমুমা পাওঙমবীগা, নোংচুপ মা কোনযুবেন, মা লিকতা লংলিকনা শকহেনবীগা হেমখু ঙমবী, নোংদা খোনবীগা অহুমমা পান্নহুনা মুংকেংমুনা তুশোম ঙম্বা পোকএ। মপাও ঙম্বীনা ললহাং ঙম্বা পোকএ। হেমখু ঙমবী নোংদা খোমবীনা, হে পুংথৌ নোংথৌবা নিংথৌ মা লংশুং ওইবা, মা বদি নোংথোলবা পোকএ। তুসোম ঙম্বনা অঙোম ওই য় (২২)। সোইনাইদে। ললহা ঙম্বশু অঙোম ওই। হে পু থৌ নিংথৌবা নিংথৌ মা ল শুং ওইবা মাবদি যাংনাইদা যাংগোই ফাংতা লাইনিংথৌ খাগেমবগী শগোল পুংথবরু ডদনা ময়াং তেঙ্গোল চাইথাইনা নিংথৌ মা লংশু ওইদনা নিংথৌ পুখংলে। অহুগা অযোক অকল থৌগল অচৌবা ফংজখিযে। মৈদিংঙু খাগেমবনা অঙোম নিংথৌ ফমবাল অপালফম পিহুনা, নো থোল হাল্লে। মাবদি নোংথোলবনা ক্রাংলালচাযবা যাংলৌ কৈফাবা চন্নু মা লিকখোম হানবা পান্নহুনা ম মেংসেল খুঙমবা, থোইনেম খোম্বগা মা লিকলাইগা, মা লৈবিকক অহুমমক পোকএ। মা মেংখুঙম্বা লোইনেমবগী ঈদি ল মাইথেম তিন্নবা অঙোম নোংথোলবা ক্রামবা পু মংনবা ময়ুমনে। মা লিক্লাইগী ঈদি কোকচাই তাবা অঙোম নেং থোনবম লেম্বা ময়ুমনে। ম লিককী ঈদি থংবীচৌ তাবা ওমা ময়ুমনে। অচৌবা ললহা ঙম্বগা অবাংশুমবীগা থৌদাম চন্নুগা অনিমা পান্নহুনা, অবাংশু বীনা, মরিং ঙম্বগা ময়াম ঙম্বগা খাগীগা অহুমমা পোকএ। থৌদাম চন্নুনা খোংজোমবা পোকএ। মাগী ঈদি নাকপক খংবম কোইবেম্বা ময়ুমনে। খাগীগী ঈদি খোইমোম তাবা খানা চাওবা ময়ুমনে। মচিং ঙম্বনা অঙোম ওইযে (২৪)। সোইনাইদে। অচৌবা মরাম্বনা মুংযা, কৈথেল থানবীগা খুমন চরাকপম চন্নুগা অনিমা পান্নহুনা

মুংয়াং কৈথেল থানবীনা লমফেল ঙম্বগা, হোংদৈগা, হোংখুগা অহুমমা পোকএ। লম্ফেল ঙম্বনা অঙোম ওইয়ে (২৫)। হো দৈগা হোংখুগা অনিমদি শোনাইদে। খুমন চরাকফম চন্নুনা লাইরেম্বগা, ৎবাগা থিনদেং ঙম্বগা অহুমমা পোকএ। অহুমমক শোইনাইদে। অঙৌবা লমফেল ঙম্বনা ময়াং ঙম্বীগা ব্রাইরোকপম চন্নুগা অনিমা পান্নহুনা, ময়াং ঙম্বীনা কোনখোমবগা, লোইখোম্বগা অনিমা পোকএ। অনিমক অঙোম ওইয়ে (২৭)। কোনখোম্বদি শোইনাইদে। ব্রাইরোকপম চন্নুনা লমদাবা পোকএ। মাগী ঈদি খোমজোম্বা চন্দ্রমনি ময়ুমনে। অঙৌবা লোই-খোম্বনা অখোম চন্নুগা, কোনশম, চন্নুগা, য়ুম্নাম চন্নুগা, থাংজম চন্নুগা ইরোম চন্নুগা, সিনাম চন্নুগা তরুকমা পান্নহুনা। অখোম চন্নুনা মুংশোং ঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (২৮)। কোনশম চন্নুনা পুমমিং খোম্বা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (২৯)। য়ুম্নাম চন্নুনা কুঞ্জমনি পোকএ। থাংজম চন্নুনা বীনদা মনি পোকএ। ইরোম চন্নুনা শর্ম্ম মনি পোকএ। সিনাম চন্নুনা ইন্দ্রমনি পোকএ। অঙোম লোলনে। ঈ তাখিদরে খং ও।

নিংঙোমবম লোলবু হায়জরক্কে—পুলেরোমবনা লুরাং চিংদা লিকলাবা নেংতংনুদা খাথবদা খোইদোম, মানদোম অনিমা পোকএ। খোইদোম অতোনবগী ঈদি কাখামনে। নিঙোল য়াই ঈদি নিংঙোলমব থৈবা ময়ুমনে। লাইতোন অতোনবগী ঈদি লাইতোনজম মুবা ময়ুমনে। ভহল মানদোমগী ঈদি খোইবম নন্দ ময়ুমনে। লোংওংজম লোলদি পুলেরোম্বন পুরাং কৌনা হাওশিং শং খোম্বীদা, তোং পাইদনা লোইয়দা হাথবদি হ গেল লোংন থাব ঙাগু, খুৎশা, ঙন্নুনা শিংনং ঙান্নুনা লৌ নং মোইরাংথেম চন্নুনা লুওং মোইরাংথেম চন্নুনা হাওরা শল হোংবা মোইরাংথেম চন্নুনা খুকা অতোম্বা, মোইরাংথেম চন্নুনা চাউবা লুওংশু। ফাইরৌওনা নাউতা ফাইরৌশুনা চাকব্রাইলোকপ। অথোম চন্নুনা লমলোইবা। সাৎপম চন্নুনা কারোং মাগী ঈদি লুওংজমনে। ব্রাংথেমনে, অনিমানে। খুয়োলথেম লোলদি সুমলৈমনা খাকপা নিংথৌ য়ুরেম্বা

পোকএ। নিংথৌ থোইবী লৈমনা পুইব্রা কোন পানবা পোকএ। তিংগোই নিংথৌ চন্নুনা লাংপুয়াং খেনদে নিংথৌ চন্নুনা খুয়োললেমবা। মোইরাং নিংথৌ চন্নুনা লেমবা পামমিং, লৈহিং কোইবীনা তুংবা। মানা তিংগোই নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা। মাগী ঈদি মুংখোই মোরাম্বা ময়ুমনে। খুয়োল-থেম খোম্বা ময়ুমনে। ক্রাম কোইবা ময়ুমনে। মোইরাংগী লাইরেল ভিদং থৈবা ময়ুমনে। খোইয়াংবম চাইবা ময়ুমনে। তৌপোকচম মুবা ময়ুমনে। পুশতোনবম তংঙা ময়ুমনে। সাংদোনজম মুব ময়ুমনে।

শ্রীগুরুবে নমঃ নমঃ লৈশাংথেম লোলদি হুইমু লৈমনা মুংঙৌ য়ুমথংবা, মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুচিকলৈ মঙাং নিংথৌ চন্নুনা য়ুকাংকৌ মোই মোইন্নুনা সরাতোন মঙাং নিংথৌ চন্নুনা সবাঙাংনৈ মঙাং নিংথৌ চন্নুনা খোংজি মুংলাইবা। পেন্নুনা চিং চেং নারল পাঙ্গলবা থাং ই তাওবুংখোং তৌবগা অনিমা পোকএ। চেংজেং নবল পাঙ্গলবদি ময়াংলম চংখিয়ে। তোওবুংখোং তৌবনা ইবেম তোইমা পান্নহুনা পাংথং অহলবগা ইনাও য়াইমবগা, কামু অঙৌবগা অহুমা পোকএ। পাংথং অহনবনা মঙাং নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা মাগী ঈদি চেংলৈবম পথাং ময়ুমনে। তোংবম কোংবা ময়ুমনে। সবাইচম খোংদৌ ময়ুমনে। তৌবাংবম তবা ময়ুমনে। থুমগলবম কোলবা ময়ুমনে। লৈতাম হন্নু ময়ুমনে। কোনশম মাইচৌ ময়ুমনে। ঙাথেম হাওমু ময়ুমনে। লাংগোলজম লাংমৈ ময়ুমনে। ইনাও লোই য়াইমবনা নাওরোইবম চন্নু পান্নহুনা, মাগী ঈদি লৈশাংথেম য়াওসোমবা ময়ুমনে। খাগোকপম কবোমবা ময়ুমনে। মাইবলমবম ব্রাইবা ময়ুমনে। নাওশেকপম চিংবা ময়ুমনে। ইংকুতুম কেংবা ময়ুমনে। খোইচারম খোইবা ময়ুমনে। মৈনম মোইরাম্বা ময়ুমনে। হৈব্রাম মাইমু ময়ুমনে। কামু অতোনবগী ঈদি মানা য়াওরৈবা চন্নু পান্নহুনা মাগী ঈদি লৈশাং-থেম তেংনৌ ময়ুমনে। ব্রাইরোকপম পামসা ময়ুমনে। চনমবম চিংবা ময়ুমনে। এলাংবম চিংঙা ময়ুমনে। চিংঙা খনবম কম্বোং ময়ুমনে। সরোকফাইবম লোকপা ময়ুমনে। মাইবা থিয়াই থৈবা ময়ুমনে।

সমনোইবম হন্নু মযুমনে। খরাইজম পামসা ময়ুমনে। চেংজেং নরল পাঙ্গলবনা ময়াংদা। ফৈজ্রি থোংনাংগী মচা লৈরি লৈশং খোম্বী পান্নহুনা থৈবোংনে, মোনথৈনে অনিমা পোকএ। থৈবোংদি শোইনাইদে। মোন-থৈগী ঈদি নাওচৌ তাবা পোৎশংবনে।

লোইতোংবম লোলদি—হুইমু লৈমনা লোকতোল অতোম্বা মঙাং নিংথৌ চন্নুনা শিংজা। মঙাং নিংথৌ চন্নুনা লোকচা। খাইয়োই নিংথৌ চন্নুনা চামোইবা। লেমলৈ নিংথৌ চন্নুনা ঙামোইবা। মঙাং নিংথৌ চন্নুনা লাংসং। খেনদ্রে নিংথৌ হাওতাক লাইবা চন্নু চামোইবা। চকলাই নিংথৌ চন্নুনা সনদং চবোইবা। লোকখা নিংথৌ চন্নুনা পুকোয়বগা তেনখোংবগা অনিমা পোকএ। নোংবাল লোল শিংলৌ মালৌ খোম্বীনা লোকতোবা অতোনবা কাগবীচা কোকপা চবাইলাংবী চন্নু খা নিংথৌ সা ফাবা মানা মঙাং নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা মাগী ঈদি লোকতোনবম খোনবা ময়ুমনে। য়াইকোইচম ময়োল ময়ুমনে। হেমনাম পুকচাও ময়ুমনে। অইবম অমু ব্লাম হাওবা ময়ুমনে।

খুমন লোলদি হায়গে—লুব্বাং নিংথৌ পুন্সিবনা ঙানুবোল থোংঙাইবা চন্নু পান্নহুনা লুংবগা, থোংঙাইবগা অনিমা পোকএ। নিংথৌ ঙাইনা লুব্বাং ওইখিয়ে। লুংবনা য়েনদং নিংথৌ চন্নু পান্নহুনা য়োইবাং, পোক পুন্সিবা পোকএ। মাগী ঈদি অব্রাকপম ফলামবা ময়ুমনে। পুন্সিবনা ঙানুবোল য়াইবী লৈমগা, ইপি লৈতংঙাগা অনিমা পান্নহুনা ইপি লৈতাংঙানা কজেং ব্লাহেংমাবা পোকএ। মানা মৈদিংঙু পেংশিবা চন্নু ব্লাঙমলোল লৈমা লাইবুম চংবী পান্নহুনা খোম্বা পোকএ। মৈদিংঙু নাওফংবা চন্নু লাইবৌ লাংবী পান্নহুনা খোম্বা নিংথৌবা পোকএ। মানা মৈদিংঙু নাওফংবা চন্নু ব্লাঙমলোল মেৎপী লাইবী পান্নহুনা অতোন লাইফেংবা পোকএ। মানা ব্লাঙমলোল লাই লৈমা পান্নহুনা পুন্সি য়ুমোইবা পোকএ। মানা ঙানুরোল পিয়াইবোক পান্নহুনা

যোই থোংঙাই পোকএ। য়ুমমোইববু থৈথদুনা ওন্নু থুম্বীগী মচা মতু সেনবনা খুমন নিংথৌ ওইয়ে (১)। য়োইথোংঙাইদি, লা য়াংতা থৈয়ে। সেবনবনা মচা লাইকুনে, লাইখানে, লাইফানে, অহুমমা পোকএ। সেনবগী মতুংদা য়োইথোংঙাইনা অমবক নিংথৌ ওইয়ে (২)। সেনবগী মচা মগুদি লা য়াংতা থিরে। লাইখাদি উচিন্নাদা থিরে। মনাও লাইফাদি মবিং ওইথিয়ে। য়োইথোংঙাইগী ঈদি তেনথা মাইবম য়োইবা মযুমনে। যোইথোংঙাইনা ঙান্নুবোল পান্নদুনা হাওবম হনবনে, হাওরম ঙুংগোই য়াইমবনে হাওবমতোন লৌথিবনে অহুমমা পোকএ। হাওরম অহনবগী ঈদি থোইদিংজম হাওরোক মযুমনে।

য়াংলৈবম য়াববা মযুমনে। হাওরম নিংগোয় য়াইবমগী ঈদি থিং-গুজম থিনবা মযুমনে। পুখ্রম খারম মযুমনে। পালেমবম অপাং মযুংনে। তেবেম তেনৌ মযুমনে। তোনথারাম থোইবা মযুমনে। পাংখাইজম তোনবুং মযুমনে। হাবমতোনা ঙান্নুবোল পান্নদুনা মেন-বোমবগা অথিং মোংবীগুগা থোংপু সামুক চন্নগা অহুমমক পোকএ। অথিং মোমবীগুগী ঈদি মোংবিজব মোবামবা মযুমনে। থোংবু সামুকন্নুগী ঈদি লা তেম খোংঙম মযুমনে ঙাংবম থবোই মযুমনে। হরাইবম ইয়ামনে। অকাংজম ফেংলেম মযুমনে। মেনবোমবনা ঙান্নুবোল পান্নদুনা থোংলৈলোম্বা পোকএ। মানা ঙান্নুবোল খাইথিবা চন্নু পান্নদুনা চিংখোং থোংগ্রইবগা, অথিংবগা অনিমা পোকএ। অথিংবগী ঈদি ওইনাম লেম্বা মযুমনে। মাইমুরাম মুবা মযুমনে। চিংখোং থোংগ্রাইবনা ঙান্নুবোল পান্নদুনা পুবান খুনৌ সিবগা নিংথৌ সোবালোংগা থোংহনগা থোং-য়াইগা, লাইবগা মঙামা পোকই। পুরান খুনৌসিবদি সোইনাইদে। থোংহনগী ঈদি খমনাম খোম্বা মযুমনে। অহোংসাংবম হোংবা মযুমনে। থোংগ্রাইজম খুল পাম্বা মযুমনে। চবুংবম চেংঙা মযুমনে। অহোংসাংবম ললহাং মযুমনে। হৈক্রুজম তরা মযুমনে। থোংয়াইগী ঈদি শিননাইবম শেমবা মযুমনে। থোংবম থৈবা মযুমনে। য়াইনুয়েবম ঙাংবা মযুমনে।

থাংগমশাংবম কাংবা ময়ুমনে। হংনেম নেম্বা ময়ুমনে। ক্রামবম নেম্বা ময়ুমনে। অতোম তোনশেন ময়ুমনে।

লাইবগী ঈদি লাইপাথ্রা খোমবা ময়ুমনে। লাথামবা থৌথিবা হৈনেম ময়ুমনে। সরা লেক্লা থোংঙাই থোং চন্থুগা থুনজম লুইলু সোইয়ামবাগা অনিমা পান্নফুনা থোংঙাই থোংনা সোইপাই অহনবগা, সোইপাই তাইবংবগা, কাইবী খুলাম পামবগা লনমন লানথবগা, থোংজু অতোনবগা, মঙা মক পোকএ। সোইপাই অহনবগী ঈদি তাইবংচম তাওখোমবা ময়ুমনে। ব্রাবেপপম মবামবা ময়ুমনে। কাইপী খুবাম পামবগী ঈদি হাওবীজম খরাবা ময়ুমনে। শংপম পামসা ময়ুমনে। কাবাবমবম কবোমবা ময়ুমনে। থোংজু অতোনবগী ঈদি থোংবম খোইবা ময়ুমনে। খুংহৈবম পা ওল ময়ুমনে, খানজান লাইরু সোইয়ামবীনা চেকয়ামবা পোকএ। মানা ব্রাঙম লোল পিয়াইথোংবা পান্নফুনা নিংকোল লিকমাবগা, থোংচু নহা অতোম্বগা অনিমা পোকএ। থোংচু অতোনবগী ঈদি ঙাংজা খোই ময়ুমনে। থোংগ্রাইজম ধরাম ময়ুমনে। থিংগোল লিকমাবনা মুংবী লৈনগা য়োইরুমলোল খোংলৈ সাংনীগা অনিমা পান্নফুনা। খোংলৈ সাংবাদি সোইনাইদে। মুংবী লৈননা কোকপনে, খম্লাংবনে নিংথৌখোংনে, য়াইখিংবনে মবিমা পোকএ। কোকপাদি লাই ওইখিয়ে। খমলাংবদি চিংদাই হাওদা কাশিফুনা, চিংদা খানিংবা পোকএ। মাদি চিংদাই হাও ওইখিয়ে। নিংথৌখোংগী ঈদি পুখ্রনবম চিংসোনবা ময়ুমনে। ফোংজিং তাবা পুখ্রনবম হাওজো ময়ুমনে। খোই বস্থনবম খম্বা ময়ুমনে। মৈতালকৈশংবম চেকসা ময়ুমনে। লিকমাবম ঙাইখোমবা ময়ুমনে। হাওক্লাম ক্লাকপা ময়ুমনে। থিংগোম চিয়ামবা ময়ুমনে চিংখ্রাম খবোই ময়ুমনে। অয়াম লময়েং ময়ুমনে। মাইবম মুনাল ময়ুমনে। লাংজিং ঙোংবা মাইবন মেরা ময়ুমনে। অমাকচম ক্রামবা ময়ুমনে। ময়াংলমবম ওমা ময়ুমনে। য়াইখিংবনা নাউকল সংলাকপন চন্থু ব্রাঙমলোল পান্নফুনা সমজোক ফাবগা, লময়েং-খুবগা অনিমা পোকএ।

মনাওগী ঈদি লমাবম তেনশেন ময়ুমনে। য়াইথিংবম থৈবা ময়ুমনে। সমযোক ফাবনা লংমাই নিংথৌ চন্নু পান্নরুনা থোংপু সমুকচাগা সমুক-শুগা অনিমা পোকএ। সমুকশুগী ঈদি সমুকচম লাইবা ময়ুমনে। সমুকনুজানা ঙান্নবোল শংলেমা থিংগোলশু পান্নরুনা, থিংগোলবগা থিং-গোলখুবগা অনিমা পোকএ। থিংগোল খুবগী ঈদি থিংবাইজম চবোন ময়ুমনে। খোইবোম খুললিং ময়ুমনে। থিংগোল হনবনা ঙান্নবোল সংলৈমগা বাসিখুলপু লৈতহুগা অনিমা পান্নরুনা ঙান্নবোল সংলৈমা হাওযেল খোংতৌবীনা, সেকমু-কাইনে চিংসোমবগা, কাংচিল লাইনাও তাবগা অনিমা পোকএ। পৎসি খুলবু লৈতং চন্নুনা খোহবা তেলহৈবা পোকএ। মাগী ঈদি নামবাম তোনবা ময়ুমনে। হাওবম তেনহৈবা ময়ুমনে। সেকমু কাইনৌ চি সোমবদি সোইনাইদে। কাংজিল লাইনাও তাবনা যোইবমলোল খোংলৈমা পান্নরুনা ইকোক লানংবগা মোইবেং শা ফাবগা অনিমা পোকএ। মোইবেং শাফাবগী ঈদি মোইবেংজম হন্নু ময়ুমনে। হেনশাকপম লোকপা ময়ুমনে। ইকোপ লানথবনা ব্রাঙ-মলোল নাওবেমলোন পান্নরুনা পুন্সিবা পোকএ। মানা ব্রাঙমলোন পানবা ফাবীগা, লাইশ্রাগা, চিংথৈথানবীগা অহুমক পান্নরুনা লাইশ্রা ওকয়ামবীনা থোপু হনবা পোকএ। মাগী ঈদি লাইশ্রম নিংথৌ কাবম থোংলেন ময়ুমনে। অমোম ময়াং চংবম হাওমু ময়ুমনে। খুৎ-হৈবম পাংঙল ময়ুমনে। ময়াংলংবম লোকপা ময়ুমনে। লাংকম মুবা ময়ুমনে। লাংখমবম খুইবা ময়ুমনে। চিংথৈ থানবীনা লাং তাংবা পোকএ। মাগী ঈদি প্যাম লৈফোল ময়ুমনে। সবাম পুকতাং ময়ুমনে। সংখোম সিনাইবা চবোল ময়ুমনে। লুকপুলম মোনসাং ময়ুমনে। ফানজম হাওসোমবা ময়ুমনে। অথাম পুবেন ময়ুমনে। থিংখোম ললহামবা ময়ুমনে। য়ামবেম মবিং ময়ুমনে। ঙাসেপম চেকসা ময়ুমনে। থাংজম তেনসেন ময়ুমনে। তৌমোমপলিং ময়ুমনে। সনথাম পলিং ময়ুমনে। পাংহনবম অপাং ময়ুমনে। তোকপম লমথোং ময়ুমনে।

হাওক্কাম মাইচৌ মযুমনে। হাওমোইবম উবিৎপা মযুমনে। খুবাই তাবা সনশেনবম সোমপু মযুমনে। কদাম সবমপা মযুমনে। লৈফোনফম লেমবা মযুমনে। সেনজম কশোমবা মযুমনে। হাওবোংবম মোংসাংবা মযুমনে। লানথম চিনখু মযুমনে। চিংথাম চিংগোই মযুমনে। পানবা যাবীনা চবনবা পোকএ। মানা থিংলাই খুৎশু পান্নতুনা যাওসোমবা পোকএ। মাগী ঈদি থাংজম যাওসোমবা মযুমনে। তবমশু লমযাই কা খিনবা পোকএ। মানা কাবাতম চন্নু পান্নতুনা স্নাবা পোকএ। মাগী ঈদি খুমনথেম খুলঙম মযুমনে। ব্রাকোন অকোং মযুমনে। পুংযাম ফুংথোন মযুমনে। তাওবম থরোই মযুমনে। মৈতাল কৈশংবম মংলেম মযুমনে। লাইশ্রম পানলোই মযুমনে। অনোম মোনসাংবা মযুম ন। খুমনথেম হাযবিবা মথৈ স্নাবগী ঈনে। অস্মুন খংউ।

মোইরাং লোল হায়গেঃ—মোইবাংলোলদি লেন্নুং যুজাখান্নু ঙাংসানা ঙাংনিংশিং ঙা ন্নুনা হায়গা, ঙাংন্নুনা নাক্কে ঙাংন্নুনা খং ফাং ঙান্নুশুনা মযাং লোংকেনবা, লৈমা ফমোই ঙাংবা চন্নু, ইনাং খেদেনবা পোকপী নুংঙৌ চন্নুনা চাউবা সাবোম ঙম্বা, মানা লাইত্তোংন্নু ফাবী পান্নতুনা লাইফা চে বা লমলোকপগা, মবগা অনিমা পোকএ। লাইফা চে থুবোইবনা, মেদি ঙ কে নথৌবা চন্নু নাওবেমতোন পান্নতুনা মোইবাংদা লেনতুনা, মোইবাংদগী নিংথৌ ওইএ। পাওবেম তোপা উবা খুলতাবা পোকএ। মানা মোইবী লমা ফি মোই লাংবা চন্নু পান্নতুনা স্না খ্বাগা, মুবগা অনিমা পোকএ। স্না খ্বাগী ঈদি মোইবাংথেম অকোং মযুমনে। ব্রাযেনবম লৈকোই হনবা মযুমনে। মমিংদি খকলাওবা কৌএ। কবোবংবম সম্ম মযুমনে। পুখ্রমবম পলিং মযুমনে। নাওবংবম হোংবা মযুমনে। থাংজম চেকযাম্বা মযুমনে। চাওবা শোবোন ঙম্বগী মচানা খুন্দাতুনা লোবোবা মনাও মুবন, অখ্বাগা, অহলযেল ব্রাগা অনিমা পোকএ। অখ্বাগী ঈদি অথাংবম মাইচৌ মযমনে। চোংথাম থরোই মযুমনে। অহলবগী ঈদি তোংলৈবম তোনশা মযুমনে। স্না লাক

খ্বানা চিংঙ, লৈমা নোংখাই নিংথৌ চন্নু পান্নদুনা অতোপ্প লক্মী লোইজা অমবা খো লেন লানথবগা, লৈলাং পাম্বগা অনিমা পোকএ। লৈলা গী ঈদি মোইরাংথেম খোমবা ময়ুমনে। চকপা ফিয়াম শকখি ময়ুমনে। পুথিবা শংবম ঙাংবা ময়ুমনে। মুংনামুমজম মুংয়ামবা ময়ুমনে। শোংলেন লানথবগী ঈদি মোইরাংথেম অহুম মানে। ৱাঙ্না মোইজাম্নু লুকখৈ লানথবা পোকএ। সোইনাইদে। ফাইলোশুনা উবা কোংয়াম্বগা, চিংখু ত্তেলহৈবগা অনিমা পোকএ। উবা কোংয়াম্বগী ঈদি নমবুক্তম খোম্বা ময়ুমনে। ৱাংলেনবম ৱাকোং ময়ুমনে। চিংখু তেলহৈবনা হৈবেম লৈমা নিংথৌ য়াংবা চন্নু পান্নদুনা থাংগা ইপেল লানথবগা সাংসাংনাই কোনথবগা অনিমা পোকএ। নাইকোল থনবগী ঈদি মোইরাংথেম কোকপা ময়ুমনে। ওক্রেম ঙাংব ময়ুমনে। থঙ্গা ইফেল লানথবনা ৱাঙ লোল মাইনৌ চন্নু পান্নদুনা ইথাই কাইবেম্বগা, থাংঙা ইবৌ হৈবগা অনিমা পোকএ। মনাওগী ঈদি থাংগজম নৱাং ময়ুমনে নিংথৌ খোংগা অত্তোন কোনবা য়েনচমবগা অনিমা পোকএ। নিংথৌ খোংগী ঈদি নিংথৌখোংম খোম্বা ময়ুমনে। কোংখান কোলখাং হৈবা ময়ুমনে। ৱাংবজম তেনবা ময়ুমনে। হুংলেপপম চেগাই ঙম্বা ময়ুমনে। কোকপা য়েনজমবগী ঈদি কায়বেনজম কোইবেম্বা ময়ুমমে। য়োইরেনবনা অমু থাপলম চন্নু পান্নদুনা, য়াওশোমবীনা, লোইনিলবগা, চাম ফাবগা অনিমা পোকএ। লোইনিনবগী ঈদি মোইবাং কৈথেলাকপম ললহাং ময়ুমনে। মোইবাংথেম খোইবা ময়ুমনে। ৱাকলবম তোনা ময়ুমনে। চাম ফাবদি সোইনাইদে। য়োইবেমবনা তেলৈ ৱাংখৈলাকপম চন্নু চাকপা পামলেন ঙমবী, অমেথাংসাবা ভাবী পান্নদুনা পুন্সি খুবেল চনবা পোকএ। মানা ঙাংখ লৈমা য়োইরেমবীগা ঙাংখোং লৈলাংবম চন্নগা অনিমা পান্নদুনা, ঙাংখলৈমা য়োইরেম্বীনা স্না হোংবগা লৈই লানথবগা অনিমা পোকএ। ঙাইখোং চন্নুনা য়াওশুলাকপা পোকএ। লৈই লানথবগী ঈদি মোইরাং কুমাবম তখেনবা ময়ুমনে।

য়াইখোম লমমিং ময়ুমনে। কাইবেনজম কোইবা ময়ুমনে। য়াওশু লাকপদি, অসেম মোইরাং ওইখিয়ে। মসা হোংবনা ল'মাই নিংথৌ চন্থু পান্নহুনা মাগী ঈদি মোইবাংথেম হোংবা ময়ুমনে। ব্রাক্রনবম সোংপু ময়ুমনে। মোইরাং য়ুমখাইবম চিরু ময়ুমনে। থংবী চন্ত্রৌতাবা মোইরাংথেম সাদোকপ ময়ুমনে।

মোইবাং থুরাং অচানবা লোলদি হুইমু লৈমনা খ্বাং লাংগৈলেম্বা য়াইবী লৈমনা খ্বাংবমিং, মঙাং নিংথৌ চন্থুনা য়াই বেলবা, যাইবী লৈমনা, খ্বাং য়াইবী লৈমনা, অমু খম চাওবী, মঙাং নিংথৌ চন্থুনা অমু হাইং, ঙান্থুনা লাংমৈ, ঙান্থুনা মুবা ঙান্থুনা খাবেপপা খাবেপপগী ঈদি হাওবোংবম খবাবা ময়ুমনে। কৌজেংবম চেকোং ময়ুমনে। নিংঙোল লাকপা হুইদোল কোকপা সংবম ময়ুমনে। লাইকুজম লাইতোং ময়ুমনে। ওক্রমগোপাল ময়ুমনে। লিশম লোইজা ময়ুমনে।

থোকচোম লোলদি লৈন্থুং যুজাখা ঙাংসাবী চন্থুনা ঙাংহুনথোক, ঙাংন্থুনা অঙাংঙা ঙাংন্থুনা অমুবা, ঙাংন্থুনা কৌবা অঙাং ঙা, কৌবা অঙাং ঙানা য়াংবোকলেম্বী পান্নহুনা খোইনাই অহনবগা খোইনাই যুমথংবগা, যুকোক য়াইমবগা, ইরু লৌথিবগা, নাওরুম অতোনবগা মঙামা পোকএ। খোইনাই অহনবনা লুরাং নিংথৌ চন্থু য়াংগেন চাওবী পান্নহুনা মাগী ঈদি থোককোন খোংফেল ময়ুমনে। শিংনাংবম খোম্বা ময়ুমনে। হুব্রাইবম নোইবা ময়ুমনে। পোলেম অমবা ময়ুমনে। কৈথেল্লাকপম মবিং ময়ুমনে। ঙাংখম খম্বা ময়ুমনে। খোইনাই য়ুমথংবনা খম্বা লৌথাম্বা চন্থু পান্নহুনা মাগী ঈদি পুখ্রমবন খুল্লিং ময়ুমনে। সোইবম সামবাম ময়ুমনে। মাইফুবাম পুকচাও ময়ুমনে। অহৈবম হিয়াম ময়ুমনে। লাইবেল অকেং ময়ুমনে। লাইফ্রাকপম ফলাল ময়ুমনে। ঙাসেপপম মোইবাম্বা ময়ুমনে। মোইরাং কোইরেং ময়ুমনে। খোইনাজম খম্বা ময়ুমনে। য়ুকোকথোং য়াইমবগী ঈদি লৈমজম হাওবা ময়ুমনে।

পানখাংবম চেকয়াম্বা ময়ুমনে। খু ইরাকপম অথোই ময়ুমনে। ঈরু লৌথিবগী ঈদি রাংখেম চাউবা ময়ুমনে। নাওরু অতোম্ববী ঈদি মোনসং ময়ুমনে। মবোই হাওবনা কাংডুজম চন্থু পান্নহুনা খুমাগা, তেবাগা অনিমা পোকএ। খুমাগী ঈদি খোমত্রমদনে। তেবাগী ঈদি অসোমদনে। খাববোনাদি লৈচিক চন্থুনা খাবা লৈচিক চিকপিবা লৈথম-লেন চন্থুনা খাবা লৈথম থমলিবা, লৈন্থুং যুজাখা চন্থুনা খাবা যুজাখা, লৈন্থুং যুপুবোই চন্থুনা খাবা যুপুবোই লংমাই নিংথৌ চন্থুনা নাকম-কোয়ব, মঙাং নিংথৌ চন্থুনা মহৌ লৈবাই নিংথৌবা লংমাই নিংথৌ চন্থুনা খাবা ফানদোংবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা লিলি, লংমাই নিংথৌ চন্থুনা মহৌলৈ নিংথৌ মঙাং নিংথৌ চন্থুন খাবা য়ুনানবা লংমাই নিংথৌ চন্থুনা খাবা। লৌরেম্বম চন্থুনা লাইনিং লাইকোকশুনা যাবা লৌরেম্বম চন্থুনা খোমদাং, লৌরেম্বম চন্থুনা কুচিবা, য়াইখোম চন্থুনা তোনাবা, লাইশ্রম চন্থুনা সেকমাই লানথবা, রাংখৈবাকপম চন্থুনা যোঙা নানবম চন্থুনা তৌতোংরাককা ঈচ ওরাককা অনিমা পোকএ। ঈচাউ-রাকতি সোইনাইদে। তৌতোংরাককনা লাংমাই নিংথৌ চন্থু পান্নহুনা, লৈবাং নিংথৌবগা মনাও হুইতোন কোকপগা, অশোল লৌখামবগা অহুমমা পোকএ। লৈবাং নিংথৌবদি সোইনাইদে। হুইতোনকোকপগী ঈদি নোংজেংবম চাইবা মানে খাবা নোংহনবনা লংমাইথেম চন্থু পান্নহুনা মাগী ঈদি খুবাইজম চেকসা ময়ুমদনে।

ঙাংবলোলদিঃ—পুবোইনেমহুশুনা খমচিংকোল হায় হৈবা মানা চিংসোম নিংথৌ চন্থু পান্নহুনা পানবা। মঙাং নিংথৌ চন্থুনা হলফবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা তোনফাবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা লিলচেং হনবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা লিলরাই হল মঙাং নিংথৌ চন্থুনা কাংহৈবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা তেললোলবা মঙাং নিংথৌ চন্থুনা পুরোইলাং লুরাং নিংথৌ চন্থুনা হাওরা কদেং রাহেংমাংবা চন্থুনা ঙাবা রাহেংমাংবা মঙাং নিংথৌ নিংথৌ চন্থুনা ঙানবা সেন্নাই কংজা লোকলৌ লোকখা মেললোকপম

চন্নুনা হাওবা হাওবনা লংমাই নিংথৌ অনি পান্নহুনা, কোন্নগী মনাওনা তেকচা অহনবগা খোংব্রাই য়ুমথংবগা, খোংজা য়াইমবগা, ব্রাংবা অতোনবগা মরিমা পোকএ। অহল হনজবীনা তোনাবা পোকএ। মানা খাইদেম ওইখিয়ে। তেকচা অহলবগী ঈদি মৈহৌবম হাওবা মযুমনে। ফিজম ফল্লামবা ময়ুমনে। তেকচম অকোং ময়ুমনে। মাইবম পামসা ময়ুমনে। খোংডাই য়ুমথংবগী ঈদি থোংডাইবম লহাং মযুমনে। অহৈবম চিংসোমবা মযুমনে। হাংবজম মোনসামবা ময়ুমনে। হেনতাকপম মুবা ময়ুমনে। খোংজা য়াইমবানে, ব্রাংব অতোমবনে, অনিমদি সন নাই ওইখিয়ে। খোংজা য়াইমগী ঈদি থিনবম খোম্বা মযুমনে। ব্রাংবা অতোনবগী ঈদি লাংগোনজম তোনা মযুমনে। ব্রাংবজম অকোং ময়ুমনে। সনজিবাম কেংবা মযুমনে। কবোবমবম লাসেং মযুমনে। তোনাগী ঈদি খাইদেম খোম্বা মযুমনে। খুমুকচম লোলদি লৈচিক নিংথৌ চন্নুনা ঙানব লৈচিক চিকলিবা লৈথন নিংথৌ চন্নুনা, ঙানবা লৈথম থমলিবা লৈন্নং য়ুজাকা চনুনা ঙানবা য়ুজাখা লৈন্নুং য়ুপুবোই চনুনা ঙানবা য়ুপুবোই পুবোইলেমশুনা খমচিংকোল হাযহৈবগা, খোমুলোংগা অনিগা পোকএ। পুবোইলৈমনুশুনা খুমুবোম তুবেল নামফৌ, মচল পুংগ্রাইবীনা পাংবা থেবেলোংবম চনুনা তাংখুল লৈতাংহলনে, মানা লুব্রাং নিংথৌ পুনসিবা চন্নু পান্নহুনা হাওবা। লুব্রাং চনুনা থাংতুপ মীমোনবা লুব্রাং চনুনা হাওকালবগ। লুব্রাং নিংথৌ চনুনা সিংমিং লাংমিৎ চুম্বা মানা লুব্রাং তাংগোই চনু পান্নহুনা মাগী ঈদি খুমুজম খুলিল মন্নুমনে। লাইগী সলাইগী।

লুব্রা লোলদি পিয়াইনুনা থব্রারেল, পিয়াইনুনা পোইবৈতোন লৈনাও তাবীনা সিংদবুম সম্থোং পুনেমবা চনুনা পামমিং হুইমু লৈমনা লুব্রাং খুনথিবা কৌবরোল নামোইনুনা লুব্রাং পুন্সিবা। মানা নাওশংখুনে, তাইতললৈমা মাইনৌ চনুনে, য়ুচিললৈমা চনু হাওবা চনুনে। হাওকুললৈমা লমদন নিংথৌ চনুনে ঙানুবোল থোংঙাইবা চন্নুনে। হাওসিয়াম, পুয়ামবা চন্নুনে। ঙান্নুরোল খুৎয়াই চেনবীনে খাইয়োই রোল

ঙান্ থুম্বীনে, খোংলৈ শাংবীনে মাপলম্ পান্নথুনা সলাই য়ুমজংবদি ইবেম নাওশং খুনা নোংবালোল য়ুখুল চেং পোকএ। মনা নোংজেংশু পান্নথুনা অসাংবম অবাংবম, তিনবীজম, লৈবোংজম মরিমা পোকএ। নোংজেংশুনা থম্মোই থম ওংনাম চন্না হাওমু মৈদিংঙু কোনথৌজম চন্না অমু পামচৌবা মৈদিংঙু নাউথিংখোং চন্না অমু হে হি, মরিমাগী ঈদি অসাংবম মোনশাবা ময়ুমনে। ময়েংবম হোংবা ময়ুমনে। অপুজম পলিং ময়ুমনে। উবিংখিনবম হাওমা ময়ুমনে। ফম্বীনেমবম ফললামবা ময়ুমনে। ব্লাংলেনবম লোইচা ময়ুমনে। খোংলৈ শাংবীনা অবাম্বা। মুতুম চন্না যাংশিংফাবা। লুক্রাম চন্না তাংজেং ঙম্বা। লংমাইথেম চন্নুনা নিংথৌ লাইনিংখা। নুক্রাম চন্নুনা সানোংবা মুক্র ম চন্নুনা নব্রাংবা। পাংঙং বম চন্নুনা কবোমবা লংমাইথম চন্নুনা য়াববা মাগী ঈদি ঙা নোম লাইবা ময়ুমনে। লোইজা য়াংবম পালোই নয়ুমনে। পুংগ্রাইজম চায়বা ময়ুমনে। লুব্রাংসংবম পনসা ময়ুমনে। নোংথোলবম লাবা ময়ুমনে। হৈতম তোনবা ময়ুমনে। তোইবিজম দবা ময়ুমনে। অবানবম তেনশেন ময়ুমনে। লাইতোন লৈমা মোইনু চন্নুনা ব্লাকোং নিংথৌবা পোকএ। মানা ব্লাকোংথেম পোকএ।

শ্রীগুরুবে নমঃ নমঃ হৈবেম খুনজাল লোলদি কৌববোল নামোইন্নুনা লুব্রাং পুন্সিবা উচিললৈমা চিংনুং হাওবা চন্না রুমজেং অহনবা কমতোংলাং স্নাবীনা য়ুশিল অহুম। কোনশৌবা চন্না পানবা ফাবা মরি। নাওথিংথোং চন্নুনা পোলসাবেম মঙা। লংমাই নিংথৌ চন্নুনা তৌবেল লানথবা। খুমন নিংথৌ লিকমাবা চন্নুনা লাইরবা তবেং। থোকথিনপামবা চন্না লোবা ময়ালমবম চন্নুনা হৈবেম নানবা নিংথৌ চিং চরোইবা চন্নুনা থাপানবা মাপল। লংমাই নিংথৌ চন্নুনা লুমচেং অহনবা। মাগী ঈদি ফৈদা খুনঙান ময়ুমদনে। খোংমুজম লোলদি ঙান্নুনা থিংকমপোং ব্লায়মবা অমা ঙন্নুনা কমপোং অমুকোই অনি ঙান্নুনা কমপোং অঙৌ কোই অহুম মোইরাংথেম চন্নুনা সিনশু লৈমা মরি মোইরাংথেম চন্নুনা

কিয়াং লাইবা মঙা। মোইবাংথেম চন্নুনা নিঙোল কাপ মী তরুক। কৈসি তোনবীনা খুৎচুম খাংদ্রা তবেং মোইবাংথেম চন্নুনা লাচিয়াং নিপাল। মাগী ঈদি খুমুচমদনে। হাওকু লৈমা লমদং নিংথৌ চন্নুনা লেরিলথৌ লল চামবা পোকএ। মানা হৈবেম কংহৈন, খিং খিং কাংহৈন, লেমলৈ ঙাতা পামবী পান্নচুনা য়াংহনবা পোকএ। য়াংহনবনা লৈক্রেমবী পান্নচুনা খোংবাল তেলহৈবা পোকএ। মানা মোইরাং চন্নু লাইতোংবী পান্নচুনা কোকপা রাংবা পোকএ। হুংগোইবীনা উরেল নানফৌ পোকএ। হুবৈশংবীনা খোইদো' মরিং, খিং খিং হৈপুং চন্নুনা ফাইরোচামবা। মোইরাংথেম চন্নুনা হাওমুবা তরুক, মোইবাংথেম চন্নুনা হাওতোনবা তবেং মোইরাংথেম চন্নুনা পাওশাবা নিপাল। মোইরাংথেম চন্নুনা ঙা য়োনবা মাপল মোইরাংথেম চন্নুনা মায়োলবা তবা। মোইবাংথেম চন্নুনা মবি তরামাথোই। মোইবাংথেম চন্নুনা তোনবা তরানিথোই। কোকপারাংবগী ঈদি ফৈরোইজম মুংয়াম মযুমনে। মোইবাংলোকপম ওমবা ময়ুমনে। সৌবাম মানশৈ ময়ুমনে। মাইস্নাম শাবাবা ময়ুমনে। চিংচাবম তাবা ময়ুমনে। ঙৌপৌরাম মানসৈ ময়ুমনে। থিয়াম পানশা ময়ুমনে মৈতৈলংবম কোবা ময়ুমনে।

থমংজম মোনশামবা ময়ুমনে। যুমলেমবম তিন্নবা ময়ুমনে। য়াংখুবগী ঈদি থৌগ্রাওজম লময়েং ময়ুমনে। অথোকপম অথৌ ময়ুমনে। পুন্সিবনা ঙান্নুবোল থোংঙাইবা চন্নু পান্নচুনা লুংবগা, হুংথোঙাইগা অনিমা পোকএ। লুংবদি খুমন ওইখিয়ে। হুংথোংঙানা ঙান্নুরোল পান্নচুনা লুরাং লংমাইবা পোকএ। লুরাং ওইখিয়ে। ঙান্নুরোল থোংঙাইবা চন্নুনা নুংথোংঙাই অমা, ঙান্নুরোলনা চিংদাই কোইবা অনি। ঙান্নুনা চিংদা লাউবা অহুম, লমঙাং নিংথৌ চন্নুনা তোংবা মরি। লংমাই নিংথৌ চন্নুনা পুরেনন্নু মানবা মঙা। ঙান্নুনা ফুনাল তেলহৈবা তরুক। হোংনেম শুম্বীনা নুংগাংপামবগা অয়াংচামবগা অনিমা পোকএ। নুংগাংপামবনা লংমাই নিংথৌ চন্নু পান্নচুনা, মোইরাম্বা পোকএ।

মাগী ঈদি হিদাম মোনশাবা মযুমনে। যাংঙমবম চবনবা মযুমনে। অয়ামচামবনা লংমাই নিংথৌ চন্নু মোনশামবী, পান্নচুনা লমনিংথৌগা, খা নিংথৌগা অনিমা পোকএ। লম নিংথৌগী ঈদি সলাম অকোং মযুমনে। খা নিংথৌগী ঈদি সলাম যুমখাইবম শ্যামা মযুমনে। খুৎযাই চেনবীনা ব্রাইবা লমতম্বগা ব্রাইবা সনথুবগা অনিমা পোকএ। বাইবা লাল তম্বনা ঙান্নুবোল পান্নচুনা ব্রাইবা পোকএ। ঙান্নবোলনা তবিবা। ঙান্নুরোলনা নাউমা তানবা অনি পোকএ। ফোইজিং কাংবা চন্নু তপতাবা অহুম, কাংবশুনা খংগোইবা মরি। ঙান্নুবোল খমচাউশুনা চাশু লমলোকপা মঙা। ঙান্নুরোল খাইথিবা চন্নুনা লালশু অহলবা সোরা লাংঙানে, থৌদৈ যুমথংনে, খাহেং অতেনবনে মরিমা পোকএ। লালশু অহনবগী ঈদি লাইসোম চিংসোমবা মযুমনে। সবা ল ঙাগী ঈদি থৌতৈজম থোইবা মযুমনে। নাওবোইবম পামসা মযুমনে। নিংচিংপম মৈরাবা মযুমনে।

ব্রাহেং অতোনবগী ঈদি ব্রাহেংবম কেংযাম্বা মযুমনে। চৌবাবিগী ঈদি লাইকাংবম চাউবা মযুমনে। খোংলৈ শাংবীনা অমুদোল লৌথিবা, মানা লাইবেনজম পোকএ। মবেল অনিগী ঈনে। মৈতৈলম্বম অমা, হিজম অমা, যৈঙমবম অমা, নোংপোকপম অমা ঙাংলোম অমা, ফংবী হনবম অমা, খমনাম অমা, তরুকমক অসিদি মবেল অনিগী ঈনে।

শ্রীগুরুবে নম নম. কমবোং লোকখু লোলদি কৌব্রবোল নামোই-ম্নুনা লুবাং পুন্সিবা, যুচিল লৈমা চিন্নুং হাওবা চন্নুনা লোকখু ঙান্নুনা ফমসা, ঙান্নুনা হাঙাং, ঙান্নুনা কৈসি। ঙান্নুনা ককলা। ঙান্নুনা চাবাং। ঙান্নুনা লামবী, ঙান্নুনা সলশেল। ঙান্নুনা মকোই। ঙান্নুনা থোকলম। থব্রাবোলদি কোইচিং অমা, কোইমা অমা তিনজেং অমা, তানজেং অমা, থোপশেল অমা, ঙাসেল অমা, থোংথোক অমা, তানথোং অমা, খুৎ মনাও অমা, তোলৈলোলদি তেংলৈ অমা তেংলৈ মুংজা অমা, হাওবা মুংজা অমা, মু মুংজা অমা, ঙৌ ঙৌজা অমা, হাওবম

কোকচা অমা, হাওবম সাংবা চা অমা, তিকতাবা অমা, তাইদবা অমা, পাংমাতোমবা অমা, মানদিংলোলদি ত্তিংনা অমা, লৈফোল অমা অনি মানে। লৈখারোলদি লৈখা অমা, হাওখা অমা, অহাওখোমবা অমা, অহাও হাওরেং অমা, অহাও ঙম অমা, থৌবু অমা, ঙা সেল অমা, নাপু অমা, নাসেল অমা, পুকসবি অমা, লাইতং অমা যেনদং অমা, কামবা অমা, যেলরাই নিংথৌবা অমা, অশিনে। ফানতেকলেলদি কৌবা লোল নামোইন্নুনা লুরাং পুন্সিবা অমা, হাওসিযাংবু যাংবা চন্নুনা লিকলাবিচা অমা, লিকলাবীচানা খোইমোম অমা খালচৌগু শল অমা। ফলচৌগুনা পুমি নবা খোই, লাইযেক খুবীনা তক অমা, লাইযেক খুবীনা কাইমু অমা লাইথিং খোমবা চন্নুনা মফৌ মিথোলবা অমা, ফি মোই ঙাংব চন্ন, তোনবী-শুনা, সোকলাইবা অমা, চেংলৈ নিংথৌ চন্নুনা খমলোই অহোংবা অমা, মানা লৈহৌ লৈমা পান্নদুনা কসোং অহলবনে নিঙোল যাইমবনে, লাইতোল অতোলবনে অহুমমা পোকএ। কসোম অহলবগী ঈদি কাশোরাম মুংযাম্বা মযুমনে। অকোযজম গোংজোম্বা মযুমনে। নিঙোল য়াইমগী ঈদি নিংঙোলবম খোম্বা মযুমনে। লাইতোন অতোনবগী ঈদি লাইতোনজম ফলেমা মযুমনে। মানা লাইতোনজম পোকএ। লৈবা খোংনাং লোনদি কৌববোল নামোইন্নুনা, লুবাং পুন্সিব, হাওসি য়াংবা চন্নুনা, লিকলাবী অমা, লিকলাবী চা নোংদমন্নুনা মানশেন অমা, তিংগোই নিংথৌ চন্নুনা কাং অমা, যাইবী লৈমা মানা থোকপোং ইবাং মাই স্নাবীনা লেললা ঙান্নুনা, খোংনাং। ঙান্নুনা মশেম কোনখু, ঙান্নুনা ককসা। ঙান্নুনা চংঙান। ঙান্নুনা হাওবামু যুম শল হোংবা। মোইবাংথেম চন্নুনা নিংথৌ কুবাও তাওবা।

শ্রীগুরুবে নমঃ নমঃ অথাম লোলদি চিনফুবোল লৈচিক ঙানবীনা নোংদম লেন অথুবা, লৈথংলেন চন্নুনা কোনদে খুৎচুম মাইবগা, থোংনাং কাইবা য়াংগা অনিমা পোকএ। থিকনম ফোইনম আগা সিনগু আখাগু অনিমাগু মবিমা পোকএ। থোংনাং কাইবনা, ঙান্নুবোল পান্নদুনা

নাওরা শোই চেক মাই পোকএ। মাগী ঈদি অথাম মাইচৌ মযুমনে। সিনশু অখানা লৈথমলেন চনু পান্নচুনা পানশু পোকএ। লৈবিরেল চনুনা লেবিরেল চন্না, লাইকবেল সিলহৈবী, ঙান্নুনা সিনশু নাবোংহৈ মাগী ঈদি অথাম ঙাইখোমবা মযুমনে। হননোইবম লোলদি নাবিল খোনবনা হংনোংবম পোকএ। লৈনুংচিক সামদে নোংসাপকে পুবানে, খমলানে, চিংমিংনে, তনমিংনে মুরিংনে, কেগামনে, প্রাংঙানে অসিদি হননোইবমনে।

শ্রীগুরুবে নম নমঃ হাওব লোলদি হৈবী কোংদি, হুইরোই মঙা মানে। হুইরোই মঙামা পোকএ। হুংঙানা অকাযবা তাওবীলোই নাইনা কোইবা। য়ুংবা তাওবা কাতনবা পিকাইন্নুনা হুইক্রবা। চবোল চন্নুনা হুইমিংতাং। লৈন্নুং চাউবীনা হুইবা কাই। লৈন্নুং হৌপনা লাংজেং থাযনৌবা, পসারোলদি লৈহল লাংদি লাইনে। তিমৃননে অমা পোৎলোৎ অমা, অমাংউ অমা, শাজললেম অমা, শাজহা অমা, নোংলোলনেপ অমা, তবেৎমক অসিনে, পোইবৈ তোলদি লৈতোংলেন চনুনা লৈশাং ঙনবা লৈচিকলেল চন্নুনা নো দমলেন অথুবা, লৈথমলেন চন্নুনা নোংদমলেন অহনবা, চিন্নু লৈমনা কুরুমলে মৈনাইতাবা, হৈন্নু লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইবা চিংন্নুং লৈমনা পোংখু। চিংন্নুং লৈমনা পোংহন। পিশিনন্নুনা থোংহাংবা অসি অসি পিশিন-ন্নুনা হৈরোং হাং অসি পিসিখোন্নীনা হৈবোংনে। পিযাইন্নুনা পোইবৈ-তোন অসিনে।

চকপলোলদি চকপনে, তাংবনে, কাসিনে, হাবীনে, হাবানে, সন্নানে, নো লেন, নোংফু মেনোং, হামেংমিংনে মেলাং লমিংনে মখোয অসিগী চাগোকতি মোংবা যাইস্কুলদা তাবমমে। সবাংনে, তাংবনে, শেবিংবনে, সেন্নাং-নে ব্রা বলনে, শোলাংনে, ওইনমনে, নোংফুনে মখোয অসিদি চফু শাবনে অসিনা লংমাইজিংদা তাইযে। চকপা লংমাই কৌএ। ফয়েংদা তাইএ। চকপা ফয়েং কৌএ। থৌবাল মপালদা তাইএ। থৌবালদোং কৌএ। সেক-মাই মপালদা তাইএ। সেকমাই কৌএ। কৌক্রকতা তাইএ, চকপা কৌক্রক

কৌএ। য়ুম মথেকতা তাইএ চকপা য়ুম মথেক কৌএ চফু হান্না শাবা চকপা অবিবদি লৈসা গুনবমনে, অসিদগী খাইখিবদি মেলাংবনে, কোন-লাংনে সেনলিংবনে, সেবাংনে য়াৱনে, কোনসাংনে, মেজিকমামোংনে, খোংনে, খোইবমনে সংবান তরানে অসিনা খাইখিবনে।

মরিয়া ফম্পালচা লোলদি পাখং য়োইরেম্বা অহু সিনবী লৈমা লৈতং নিংথৌ চন্না মরিয়া ফমবাল চা। মঙাং নিংথৌ চন্না খোইবা পোংথাং ঙান্নু ঙাংজেং মঙাং নিংথৌ চন্না ওইথাং মঙাং নিংথৌ চন্না ঙাংচৌ খাবলোলনা পুম্নিংনবা খোইনাই। ৱাকোং নিংথৌ চন্না কাথুম খাববোলনা পোংমিংনবা। কাংবগা লংমাই নিংথৌ চন্‌গা, খোইবগা কানাই অসিনে। হাকতক অমগী নিংথৌবোলদি লৈমা উরুম খোজেলবীনা নিংথৌ শাককপা ৱানগবী অমা, ককশুবা অমা, তোংগোনবা অমা, কাংব অমা, সুংশংতানবা অমা, পিতিংকোইলামবী চা অমা, নিপাল মাগী ধাবনা হৈ চক, হয়া চক, খুন্নু চক য়ুগ অহুমমা পানখিয়ে। অহুগা খনদা প্রালোয়, নিদ্রা ত্রলোয় নিমিৎতিক প্রলোই প্রালোই অহুমমক তৌখিয়ে। শ্রীগোবিন্দ চরতিতি গরিবনিৱাজ মণিপুরেশ্বর মহারাজ নিংথেম স্না পামহৈবা হাকতক্তা লাকপা কবোগী শনাইদি লাফোং অমা, লৌবা অমা, লাশোম অমা, অহুমমা কবোনে। লৌবিরি লালনে। মরিমক থোকমননরকএ। অসিগী মতুংদা খাগী মিংতাংবনে, চৌরীনে, সুংজাইনে, অহুমম পোকলকই। অহুমমা খাখিনে। অসি মতুংদা অকেম্বংনে ৱাইথোলনে লৌরা মপা মচা মরিমা থোবকএ। মরিমক কবোনে। লৌরু অমা লৌসোল অমা, লৌউ অমা, অহুমক খাকিনে। অসিগী মতুংদা লৌফা অমা লৌতোং অমা, লৌরু অমা, অহুম থোক-লকএ অহুম মাশু খাকিনে অসিগী মতুংদা সিংউপ লাকএ। সিং-উপতি পোংনে। মখোয় অসিগী চাগোকনা মৈতৈ লৈবাকতা শন্দোকপা হৌয়ে। অসিদি শমচেৎসাবম অমা, উসাবা অমা, সেল সাবা অমা, কোল শাবা অমা, লংসংবা অমা, কপত্রেং সাবা অমা, চানতুৱা য়াংপা

অমা, নিংথৌ ফি সাবগী লং শুংবা অমা, পোৎশংবগী লং শুংবশু খুদৈদা তাএ। নিংথৌ ফি শাবদা লাললুপ অমদা হুপী তকুক। তকুক লংশুংবা কাইযে। পানবদি পোৎশংবনা পান্নেএ। কবো সলাই তবা তবেৎতি অসিনে। অসিগী মতুংদা নোংচুপ লমগী সলাই অহানবা লোলদি:—

মৈদিংঙু নাওফংবা হাকতকতা নোংচুপ হাযাম লাকএ। নোংচুপ লম খুল তাহলএ। হান্না লাকপদি কমবোংলকহলদা চাইশিনহনখিযে। কোন্না লাকপদি কমবোংলোকখুদা চাই শিনখিযে। মৈদিংঙু খুনজাওবগী হাকতকতা থোকলকপদি, মযাং অকোকশা খুল পামবা মযাংনিংথৌ মসিবা ফাগী মচানা চিংনা থোবলকপদি সলাই লেপনা লৈবিযে। গবিবনিরাজগী হাকতক থোকললকপদি, থৌশেল তাওগী সলাইদি মযাং হিশাবদা চংখিযে। প্রাদাওনে, তাব্রাওনে অনিমদি অকোক সাদা চংখিবে চিত্রতাওগী শলাইদি অযেকপমদা চংখিবে। তমবু তাওগী শলাইদি তাইমজমদা চংখিবে। মিশা তাওগী সলাইদি ঙাথেমদা চংখিবে। ঙৈসা তাউগী সলাইদি ঙাইবংবমদা চংখিবে। কমশা তাওগী সলাইদি কামবমদা চংখিবে। সখু তাওগী সলাইদি সাইখোমাদা চংখিবে। শগোল-শেমদা শুং খবা চংখিবে। সকুবাও অমা, পাফংতাও অমা থোংবা তাও অমা, অহুমমা খাগেম্বা হাকতকতা থোকলকপনে। গবিবনিরাজ হাকতকতা পবাওনে, ত্রকাও তাও অনিমা থোবলকপনে। অশুম খংও শ্রীগুরুবে নমঃ নমঃ স থবাল লোলনে।

শ্রীগুরুবে নম নম· শ্রীমহারাজ মযাং ঙম্বা নিথৌগী হাকতকতা পনা মবি লিংখৎলে। হাও মযাংনা নিংথৌ খনবা হৌরকলে। মাগী মাগী মহুৎ হল্লমতুনা লৈমা নিংথৌ খনবা হৌবে। হাও মযাংনা নিযাই চিনাই খল্লেযে। নিংথৌ মচা মশুনা মচা অনি অনি লৌবে। যুম্নাক খিরিক্তা হাও মযাং চংদুনা লৈববনে খংউ। লাই মনাই ওইবশু হাও মযাংনা ওইবে। মাগী মাগী মনাক মনাক্তা চংবা কৈরোইনা লাই মন ই ওইবা খংনবা হাযরক্কে।

হৌজিকতি যুমনাক নাওতাগী হৌনা হায়গে তাওউ। ব্রাংখৈ যুম্নাকতি পিবা যুম্নাক অমা, পাৎচা হনবা ফুংগা অমা, লৌকুংপুবেন ফুংগা অমা অহুম মাদি পাখংবগী ঈনে খংউ। ব্রাংখৈ খোইবু লমবু ফুংগাদি পিবা যুম্নাকতা চংখিরে। উকুংবা ফুংগাগশুং পিবা যুম্নাকতা চংখিরে। হাওবমদগী লাকপা চৌবা খোংনেম্বগী ফুঙ্গা ঈদি থাইখবে। চকপা বংদগী লাকপা ফুংগাশুং পিবা ফুংগাদা চংখিবে। ককচিংদগী লাইবিক যেংবা অকোকশা স্নাদা খনবগী মচা অনিমা পিবা যুম্নাকতা চংখিবে। ব্রাংখৈ যুম্নাকতা চংলিবদি অসিনে খংও। নোংথোংবম পুখ্রি হোংবা লুবা কৌবা ফুংগা অমা চংলিয়ে। পানা খাংবা ফুংগা অমশুং লৈযে। নোংথোলবম ঙাংবা মযুমদা ঙম্না তিল্লিয়ে। খ্বাইলাকপম হাওমোম মযুমদি মবিং হাওনে কৈনৌ তাবা মাইলাকপম মেলাওবমদি ময়াং ঙাইখোংনে। নোংমৈকাপমদা খোইবু ফুংগা অমা লৈযে খংউ। হবি অমাকচম যুম্নাক অমশুং লৈয়ে। তাংখম তাবা যুম্নাক অমা অংথা তাবা ফুঙ্গ অমা হাওখা তাবা ফুংগা অমা, অসিদি হবিনে খংউ। নোংথোলবম সলনা ব্রাইবমদি ময়াংনে খংউ। যুমচাওন উদদি অসিনে খংউ। কোন্না নিংথৌ পাল্লবদা চংলকপদি হিদাকফু ফানবদগী চংলকপা নোংথোলবম দেৱনগী ফুংগাদি মবিং হাওনে। লাংপোকলাকপম খুরাই তাবা অমা কৈনৌ তাবা লাংপোকলাকপম অমা অনিমা অসিদি মবিং হাওনে। থংগালদগী লাকপা কাংগী শুবীদাব খ্বাইবাকপা মযুমনে অমা নামৈবাকপম মেৱাতামযুম অমা, সোবাম অমা, অহুমক অসিদি তিংসাং হাওনে। চেংখলদগী লাকপা কাংঙজমদি মরিংনে। ব্রাংখৈলাকপম খোইবু লম্বু ফুংগাদি অকোকশানে। মবুধৌদি লমথোং কোঞ। মচাদি মোঘে কৌই। কৈগী ফুংগা পামবা যুম্নাকনে উকুংবা খনবা ফুংগদি অংশ্রোনে। হাওবমদগী লাকপা ফুংগাদি কবুই হাওনে। মবুধৌদি ঙৌবা কৌঞ। মচাদি খম্বা কৌঞ। অসিদি ব্রাংখৈ ঈশৈহনবগী ফুংগানে। চকপ্রমদগী ফুংগা লাকপদি অচেপ হাওনে। মবুধৌদি খুকোক কোঞ।

মচাদি পারাচন্দ্র কৌবনে। মযাং ওম্বা নিংথৌগী মচানুপী অমা সানতসো মহাপ্রভু দাস পিবে ময়াং সুত্রগী মচা পবা কৌবা অমা নাইউল ওইনৈএ। পারা নাই উলগী ঈদি অবামবম চাযবা মযুমদা চংখিবে। মমিং দামবাম, ধজ কৌএ সনজুককী মচানে খংও। মৈতৈ লৈপাক ওন্ন তৈন্নবা হৌবকএ। নিংথেম মযাং ওম্বগী মচানুপী অমা হাওবমদা পিবে পুক্রম পাল মচা অমা নাইউল ওইনৈএ। পেবেদা তাহনতুনা কৈ ওইযে। হাওবম সিজ মরা ইঙো কৌনা মন্ত্রি পুন্সিবা কৌনা পাল্লবদা মহাকতককী নাই উল কৈনে খংও। মচা শ্যামবামদি মন্ত্রিপুনসিবগী মচা কৈকুংবদা খাইতুনা চাগা তানৈযে। পুকুম চুমবল মচানে। হিদামদা চংখিরে। পেরেদা হিদামগি পেনা শকপা শ লাকপনে খংও। অমদি পেবেদা লৈবা লাইশ্রুমদি ফমবাল নাইনে।

যারিপোক কৈনে। মযাংলমবগী কৈনৈ। শবামদা পনপা পাং-শোইদা লৈবা চবুংবম অমু, মোইবাংথেম অনিমাগী চকপ্রো কৈনে। পাংসোইদা লৈবা শলাম পনসাদি, মোইরাং কৈনে। সলাম গোংহন চাবদি মযাংলমবগী কৈনে। ফমবাল কৈনে। খোইরোমদা লৈবা অযেকপমনে, লাইতোনজম অনিমক মাকলং কেনে। হাওরংদা লৈবা চোমচনবমদি অতোম বৈনে। হাওবং সাবল তোংবদা লৈবা পুখ্রনবমদি ইবুংশি লোকশাইগী কৈনী। হাওবং সাবল তোংবদা লৈবা ব্রাহেংবমদি কৈথেল তাবগী কৈনে। হাওবংদা লৈবা লৈশাংথেমদি মহাপুরুসগী কৈনে। থাওরোইজমদা লৈবা সানৌজমদি ইবুংসিজ ভবান্দগী কেনে। পাওননগুং ইবুংসিজখুগী কৈনে। সনজেনবম হৈবোংপোকপীদা লৈবা লৈতানগেমদি ইবুংসিজ কৈথেল তাবগী কৈনে। তখেলমবমদি ইবুং সিখুচুংগী কৈনে। সংেনবম সংলেল লাকপদা পকপা সঞ্জেনবমদা লৈবা সগোলশেম চুবামনিদি ঙাংলৌলাকগী কৈনে। মাইবা স্নাম গৌব পুংসানদি মাংসাংগৈ কৈনে। কাংভবুংদা লৈবা খাংঙেলবম সগা তেংগী ঈদি তখেনচংবমনে ব্রাইকোকনে। উনমদা লৈবা ইরুংবমদি

মোইবাং কৈনে। পাংসোইদা লৈবা হাওবীজমদি সেকতা কৈনে। য়োইবেনবমদা লৈবা হাওবীজমশুং, খুদৈপন তাবা থৌক্রানাউ পুকচাউশুং হাওরং কৈনে। খুদৈপন তাবা থিংঙোমদি মরাম্বগী কৈনে। খুদৈবন তাবা লংমাইথেম গোপাল শেলুংবগী মপাদি নিংথেম ময়াং ওম্বদ লংজক্নুনা লাংঙথেনদা লোই থাইএ।

লাংঙথেল কৈ ওইখিএ। থোকচোমদা পকপা থোকচাউ লাঙ্গৈবিক হৈবদি তেথাওনে। চাওপোক কৈনে। ফিজমদা চংখিন্থুনা লৈয়ে। নম্বোলদা লৈবা এলাংবম থোকচোম অনিমক মযা তৌবুলনে। লাইশ্রম কংলা খনবদি ময়াংনে। লাইশ্রম গোবিন্দাব শুবিদাব ময়াংনে। ফোইজিং চিংমৈ তাবা সোইবমদি মরিং হাওনে। হাংজোং হাও যুমনাক ১শুং চংলিএ। লালশোলবীদ মোইবাংথেমদি কবুই হাওজোংনে। ক্রামতুলশি ব্রাংখৈলাকপগী মনাইনে। থাওবোইজম কৈনে। তাকযেল মপাল তাবা লাইশ্রমদি মমিং সমাবাম কৌএ। সেকতা কৈনে। তাকযেল তাবা কোননোম অকাংজম শংগোলমাং তাবা অবামবম, কবাম, পনলুজম মখোয় অসিদি অচেপ হাওনে খংও। লৈমরেল গুরু ইরৈমা, মানাও লৈমগী মন ইনে। লাহগী কৈনে। লাইবেলকাবী তাবা নামৈ-লাকপমদি, কৈথেল তাবগী কৈনে। হিজমনে, খামনামনে অনিমক লাইবেল শজিক কৈনে, ফমলৌদা লৈবা মৈনম খোগিনদ্রসুং বৈনে। লম্বাল তাবা মুতুম তুলসিনে, তমাং তাবা মৈনমনে অনিমক ককয়াই চাউবগী কৈনে। থৌবালদোংদা লৈবা লৈশাংথেমদি মৈনমদা চোংশিন-খিরে। লমলোং কৈ তারে। মহাকনে, মনাও অমনা শ্রীপোন ফমলৌ তাইয়ে। মমিংদি সিয়াম কৌএ। অনিমক কৈবোযনে। কৈনৌ তাবা হিয়ামদি পাঙ্গলনে। হাওরোই খুলনে খংও। মৈনম নোংথোলবদি চিংশাং হাওনে। মমিং পুংশাম কৌএ। মনাও থাগী অনিমা মৈনম কৌনা লৈএ। হাওগৈ তাবা মৈনমনে হিয়ামনে, অনিমা পোংলেম খোম্বীগী

অউল কৈনে। মৈনম নোংথোলবগী মনাউ সেকতা তাবা মাইচৌ অমা মচা পাংকলবা অনিমা সেকতা চিদং ওইখিএ।

মোইরাংথোম পূং থোনবা য়াওযে। মবুধৌদি চন্দ্র কৌএ। মনাও অতোম্বা নো ইলদি, মোইবাংদা লৈখ্রে। মমিং পানসা কৌএ। ফুমলৌ খুললেন তাবা নোংথোলবম লমলোংগৈ তাবা অনিমা কৈনে। য়াইবিপোক তাবা গাসেপম বরে। হিবোম, য়ামবেম স্নাবাম শানৌজম, খোইবোম, কৈশাম, তখেলমবম, সোরোখাইবম, লাংপোবলাকপম, মখোয অসিদি লফোক কৈনে। ব্রাংবলদগী লাইবিকয়েংবম শাইবেম মুবাবি, ব্রা জিং তাবা সবোকখাইবম, মখোয অসিদি কিয়ামকৈগী কৈনে। ব্রাংডিং তাবা সিনাম ঈশৈ হনবা শুং শগোলশেম শুং কৈনে। শগোলশেমদি মযাংনে। থৌগানাউজম নবতোমদি ককমাযাই কৈনে। হৈবোকতা লৈবা ওইনামদি ককচিংনে। ব্রাংজিংদা লৈবা ব্রাহেংবমদি অবোংনে। ওচোমশুং, থোকচোমশুং, হৈরোক তাবনে। কৈনে। অবোং মপাল তাবা থোকচোমশুং কৈনে। কংলা মিৎলাও মচা হাওথাং মচিং মনাও অনিমা ইবোম অহোংশাংবম মখোয় মরিমগী ঈনা থাঙ্গদা তায়ে। শিজ পোংলেম খোম্বীগী কৈনে। নিংনোংকৈদা তাইললে। যিংমুংকৈগী কৈনে। থিযাম যুমনাক মরি মাদি কৈনে। মকুম চংখিএ। থিযাম মোইরাম্বদি কৈনৌনে। মোইরাম্বগী ঈনা চিংথুনা মখোয় তরুকনা মকুমদা লোইনা তিল্লে। খোইবোম লোকতোলবম, য়াংলেম, কৈনৌ তাবা মখোয অসিদি শিজ পোংলেম খোম্বীগী ঈনি, থিযায় হিদং শাজৌবদি তাংখম হবাওরোক তায়ে। তেনস্নুবমদা চংখিরে। গুরু সিদবা, সিদবী অনি মাগী মরাও লৈমগী কৈনে। থিয়াম য়ুম্নাকতি মঙানে। চিংথংখোম্বনা বারোনবু গুরুজিদ পিথুনা অহুমদি হরাওরৌদা চেং হোংনবা লাইরৌ পরি কুস্থ্রা উইল্লে। লাই মনাইনে হাওরৈবী তাবা নোংমৈকাপম মোইরাং মযুম খুনদ্রাকপম অসিদি ময়াং শজিকনে। ফুমলৌ তাবা নোংমৈকাপমশু ময়াংনে। *পাংশোইদা লৈবা চবুংবমনে। মোইরাংথেমনে অনিমা চাব্রৌ কৈনে।

ঙাকলিএ। ইরোম হাওবম মরক্কগী কৃত্তিবাসী ময়ুমনে। জয়সিংদগী খাইবা ইন্দ্রমনি ময়ুমনে। ইরোম কৈনৌ তাবা চেকশা লক্কে। ইরোম থাঙ্গদা লৈবা চেকসা লাক্কে। নিংথৌশেম্বা লক্ষন লাক্কে।০। ইবুংশি আনন্তশাইদা লৈবা খুল্লিং লাক্কে। ইরোম নাচৌদা লৈবা ধনসিং ময়ুমনে ॥০॥ মৈদিংঙু লোইয়ম্বনা স্নমলৈমা পাম্লহনা লোইতোংবগা ফিস্নুখোংগ ২মা পোকএ। মৈদিংঙু লোইতোংবনা নিংথৌ ওইএ। ফিস্নু-খোংনা অঙোম চনু পান্নহনা মাগী ঈদি কৈশাম নন্দ লাক্কে। কৈশাম কামদেব লাক্কে। কৈশাম চক্রপানিগী ঈ নম্বুন তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথংস্ন ময় ংদা লৈএ। মথং চাউবনা য়ুম ঙাকলিয়ে। কৈশাম মোইরাম্বা লাক্কে। কৈশাম পোৎশংবদা লৈবা নম্বুন তাবা তুলসীমনি ময়ুমনে। কৈশাম চীংঙামখা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং অহোংনা য়ুম ঙাকলিএ। কৈশাম নোংমৈবুং তাবা মুক্তাসিং ময়ুমনে। শেক্তাগী কৈশাম তানজৌ ১। কৈশাম পালসিং ময় মনে। কৈশাম নৌনা কারম্বা নম্বুন তাবা ছত্রচান্দনে। কৈশাম নিংঙোন্দ লৈবা পূর্ণানন্দ ময়ুমনে। নোংচুপচান কৈশামনি হায়না নৌনা পকচরবা ইরুপ্পম বলরাম ১। বলবামগী ঈদি বল্লানন্দ ১। নোংচুপনে লাপায়ে। হিদাক-শুংবগী লৈচোনবম খুল্লিংগী ঈ খম্বতোন ময়ুমনে। লৈচোনবম হিদাক ফানবদা লৈবা খুল্লিং লাক্কে। লৈচোনবম খোয়াথোং তাবা রসানন্দ ময়ুমনে। শঙ অহনবগী লৈচোনবম অরাং খুনৌ তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং ত্রিলোকসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। লৈচোনবম কৈরেন শংবম ককিলানন্দ ময়ুমনে। কৈশামবুদি লৈচোনবমনা হল্লে ॥ ০ ॥ ইবেংবম লসমনগী ঈদি ইরেংবম লৌরাই তাবা য়ুমলেন জগনানন্দ ময়ুমমে ॥০॥ সাংতোকপম মোনশাম্বগী ঈ থৌবাস্তাবা কৃত্তিবাসী ময়ুমনে। সাংতোক-পম শকথি লক্কে ॥ ০ ॥ চরোইবম গৌরগী ঈ কাংঙমুং তাবা তম্পাক য়ুম রঘুনাথ ময়ুমনে। লাইরেঞ্জমদগী চরোইবম প্রশুরাম লাক্কে। চরোইবম ব্রাংখৈ য়ুপানবা পম লাক্কে। চরোইবম কবোব্রাকচীং তাবা

লাক্কে। চরোইবম য়াইবিপোক তাবা লাক্কে। লৈচাবি চরোইবম লাক্কে ॥ ০ ॥

মৈদিঙু লোইতোবনা শংলৈমা পান্নহুনা অতোম যোইরেনবগা হেমদৌ ইন্নানথাবগা শারাবগা ৫মা পোকএ। হেমদৌ ইন্নান থাবনা নিংথৌ ওইযে। শাবাবনা পুংগ্রাইজম চম্মু পান্নহুনা যোইথংমাইনে, শেরানে, চানানে, কোবানে পাংভাবানে ৫মা পোকএ। যোইথংমাইগী ঈদি লোইতোংবম ভাংবা লাক্কে। লোইতোংবম নন্দগী ঈ অতোম নাই অংথা তাবা অমু মযুমনে। ফুমলৌ তাবা লোইতোংবম গোম দোন লাক্কে। যিঙ্গংগৈ তাবা শিংলাও লাকে ॥ ০ ॥ শেবাগী ঈদি লোইতোংবম শীংজমৈ তাবা চীংশাম্বা মযুমনে ॥ ০ ॥ চানাগী ঈদি লোইতোবম গোবিন্দ্রমাগী ঈ ব্রাংখৈলৈকাই তাবা ভাখাক্কংবম সুদাম মযুমনে। অথামদা লৈবা লোইতোংবম পিবাদি মযাংদা লৈএ। মথং তামুধ্বজনা যুম ভাকলিএ ॥ ০ ॥ কোবগী ঈদি ব্রাংঙুদগী লোইতোংবম তাংশোইবেম্বা মযুমনে ।০॥ পাংগ্বাগী ঈদি লোইতোংবম থিয়াম পুংখুনতা উসংখজ মযুমনে। নাচৌতাবা হিদাক ফানবদা লৈবা পৌজাউবা মযু-মনে। লোকপদগী খাইবা নাহাকুপ্তা লৈবা তংনসিং মযুমনে। ধ্বজদগী খাইবা হিযাংথাং তাবা ধম্মসিং মযুমনে। লোইতোংবম নাচৈ লাক্কে। ফোইজিং তাবা লোইতোংবম কামদেব লাক্কে। হযেন্দগী লোইতোংবম কৈবা লাক্কে । ০ ॥ মৈদিংঙু অতোম যোইরেনবনা খযোইরোন লীকলাং খোমহানবী পান্নহুনা তৌবেন হনবনে তৌরেন খুবনে ৫মা পোকএ। তৌবেনখুবদি শোননাইদে। তৌবেন হনবনা খুমম্হেম চম্মু পান্নহুনা অতোম নহা শঙ্কাইপাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি অতোম ব্রাইশেন মপান্তাবা পিবাদি মযাংদা লৈএ মথ খোংমন তাবা নরসিংনা যুম ভাকলিএ। অতোম ব্রাইশেন মপান তাবস্থং সুর্দ্দানন্দনা যুম ভাকলিএ ॥ ০ ॥ জয গরিবনিৱাজ নিংথৌজাগী শল্লাই যুমচঙবন্ত ১গী খাইদোকপা মরুপ অসিগী গোত্রদি মার্কন্দ ঋষি শ্রীবাহব গোত্রনে। গোত্র অসিগী শল্লাই

য়ুম চওবা নিংথৌ মকোক্কী অগানবদি। সংলৈমনা হেমদৌ ইরাম্বাবা মৈদিংঙু, হেমদৌ ইবানথাবনা লিনস্বুরোন খুরোই ওম্বীগা অঙোম চন্থু হেমখু ওম্বীগা ২ম পান্নত্থনা লিনস্বুবোন খুবোইওম্বীনা খুরোম্বগা থৌরাম্বাবগা নোংথৌ পোংনাউতাবগা মেংস্না হামুংচাওবগা ৪মা পোকএ। অঙোম চন্থু হেমখু ওম্বীন চকলাই হোংখুওম্বা পোকএ। মৈদিংঙু থৌরানথাবনা নিংথৌ ওইএ। চকলাই হোংখু ওম্বগী ঈদি পাওনম তোমাগী ঈ লাইয়িংথৌ ঈশিংচাইবা শংবা নাগা মপাম্বাবা কৃত্তিসিং ময়ুমনে। পাওনমদা পকপা অনিল্লাম ১। লাপান্নে। পাওনম লক্ষন অহন নোংমে। লাক্কে। পাওনম মুবা ১। লাপান্নে। পাওনম হাওগৈ তাবা লনহাম্ব লাক্কে। ইবুংঙো আনন্দ শাঞ্জিদা লৈবা পাওনম লেম্বা লাক্কে। এনগ্রাম অহোং লাক্কে। য়াইরিবোক তাবা পাওনম লাইরিক এংবম লৈকাই তাবা অনুবা মযুমনে। তম্পাকয়ুমদা লৈবা পাওনম পুকচাও লাক্কে। থাংজমদগী পাওনম ঙাইখোম্বা লাক্কে। খা তাবা ওংথাম বনাসিং ময়ুমনে। এনগ্রাম কোকচাই তাবা পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং লালসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। এনগ্রাম খুরায় তাবা তম্পাক য়ুমদা লৈবা দুর্গসিং ময়ুমনে।। ০ ।।

খুবোম্বগী ঈদি ইরুংবম পাওনগী ঈ চীংঙা মথা তাবা গুণচন্দ্র ময়ুমনে। ইরুংবম সেখরসিং ১। হাওগৈদগী ইরুংবম অথৌ লাক্কে। অহন্দি নাই ওইরিয়ে। ইরুংবম নব লাক্কে।। ০ ।। লুক্রাম চান্দগী ঈ কোম্থ তাবা পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং পালান্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে। লুক্রাম ললহাম্বুং তাবা পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং মেঘবর্ণনা য়ুম ঙাকলিএ। মেঘবর্ণদগী খাইবা খুরাই তাবা বলদেব ময়ুমনে। লুক্রাম চন্দ্র লাক্রে লুক্রাম লুব্রাংশংবমদা লৈবা কুমুদসিং ময়ুমনে। লুক্রাম পাওন লাক্রে। লুক্রাম তম্পাক য়ুম লাংপোক তাবা লৈপাক মচানে। উমানন্দদগী খাইবা তাকনা মপান তাবা শদাওম্বা লাক্কে। লুক্রাম লম্বুম্বাবা ধনসিং ময়ুমনে। লুক্রাম কৈথেন মপাম্বাবা চরণ লাক্কে।

সোরারেন শণবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং শীংজমৈ তাবা মুবনা য়ুম ঙাকলিএ। অহন রূপাদি নোম্লে। লাক্লে। লুক্রাম তাংখোম্বা লাক্লে। লুক্রাম খোংবোম্বা লাক্লে। লুক্রাম মুরারি লাক্লে। লম-লোংকৈদগী লুক্রাম তাংখোম্বা লাক্লে॥ ০ ॥ নোংথোনবম হাওবম মনাই চন্দ্রমনি লাক্লে। নোংথোনবম হৈতোনগী ঈ ফিশাবা অঙোম লৌরাই তাবা অঙো মযুমনে। খুবাই তাবা নোংথোনবম ফিশাবা যাদব-সিং মযুমনে। নোংথোনবম রাংখৈ লৈকাই তাবা তুম্ব্রসিং মযুমনে। নোংথোনবম মুরারি লাক্লে। নোংথোনবম ফিশাবা অঙোম লৌরাই তাবা তাম্রসিং মযুমনে। নোংথোনবম কোংবা তাবা ফিশাবা বলরামসিং মযুমনে। নোংথোনবম ফে গাক লাক্লে। নোংথোনবম মেঘশ্যাম ১। নোংথোনবম বলরাম লাক্লে। নোংথোনবম নিমাই লাক্লে। নোং-থোনবম পুকচাও লাক্লে। নোংথোনবম হাওজৌ লাক্লে। নোংথোন-বম যাইরিপোক তাবা হিরোম নোত্রাম মযুমনে। শগোলবন্দাবা নোংথোনবম হিরোম চীংজাও মযুমনে। ০ ॥

মৈদিংঙু থৌরানথাবনা নোংবাল্লোন চকপ্রন চন্দ্র তৌগাইওম্বী পামহূনা চীংথাং লাম্বগা শমৈশুগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু চীংথং লাম্বনা নিংথৌ ওইএ। শমৈশূগী ঈদি ফমদোম পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং বিষ্ণুবননা য়ুম ঙাকলিএ। মোইরাংগী ফমদোম ধর্ম্মশর মযুমনে। ফমদোম থাওবিজম তাবা লৈমনাই পঞ্চ মযুমনে। চঙানগৈগী ফমদোম দেবানন্দ মযুমনে। ফমদোম ক্যাম্বা লাক্লে। ফমদোম তেংখন লমলাং তোংদা লৈবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং সুবোম্না যুম ঙাকলিএ। ফমদোম তাংখোম্বা লাক্লে। ফমদোম শ্রীরাম লাক্লে॥ ০ ॥ নৌনা কাবম্বা মোইরাং হেমনাইবা কুঞ্জমালা খুযোন লাকপা মযুমনে। কুঞ্জ-মালাদগী থাইবা হেমনাম জগসিং মযুমনে। নৌনা কারম্বা খাগেম-পল্লি তাবা হেমনাম জগসিং মযুমনে॥ ০ ॥ চিরোম আর্জুন লাক্লে। চিরোম তম্পাক য়ুমদা লৈবা গোপিরাম মযুমনে। চিরোম লম্বোইবা

চৈতন্য লাক্কে। খোইবোম তাবা তুলহোপসিং ময়ুমনে। চীংগামথক তাবা ফৈজাও ময়ুমনে। চিবোম নিবঙন লাক্কে। চিবাম নিঙেন ব্রায়াম লাক্কে। চিরোম মাওবিন্দ্রসিং ময়ুমনে। চিবেম ব্রাইখোংদা লৈবা লাইমনাই পালাসিং ময়ুমনে। চিবোম থাংমৈবন তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। খোইদোংবম সনাবেম্বগী ঈ নাগাসপান্তাতা হেনংগোসিং ময়ুমনে। থাওবিজমদগী খোইদোংবম কিযাম্বা লাক্কে। হাওবম বৈকুং-থদগী খোইদোংবম শকথি লাকতে। কৈবিংগী খোইদোংবম শকথি লাক্কে। শাংতোকপম পাংশোই তাবা পিবাদি মযাংদা লৈ। মথং ইবাবন্তনা যুম ঙাকলিএ। অচ্নবদগী শাংতোকপম ইচাও লাক্কে।।০।। চীথাং লাম্বনা নিংথৌপোকপী পাংতুনা পুবাম্বাবগা খুমোম্বগা ১মা পোকএ। ২মা নিংথৌ ওইএ। পুবাম্বাবনা থাংশোম্বী পামতুনা কোং-যাম্বগা সনারোক্কা ২মা পোকএ। ম্নাবোক্কী ঈদি নামৈবাকপম গোংঙম লাক্কে। নামৈবাকপম শগোনবম্বাবা পিবাদি ঈদা লৈ। মথং গোবিন্দনা যুম ঙাকলিএ।। ০।। মৈদিংঙু খুমোম্বনা যাংলৈউম্বী পাম-তুনা মোইবাম্বগা তাকনোংগা ১মা পোকএ। মৈদিংঙু নো বাম্বনা নিংথৌ ওইএ। তাকনোংনা লংমই পাকচীং চম্ন পাংতু। হৈং পাম্ব পোকএ। মাগী ঈদি না মবাকপম বলরামদি নাই ওইবএ লাক্ক যুমঙাকপা ঙাংবসুং লাক্কে। নামৈবাকপম লাবা লাক্কে। শাংনৈ ভিন্নবা নামৈবাকপম অকোং লাক্কে। মযাংকৈনৌ তাবা নামৈবাকপম কুন্দবাম ময়ুমনে। কুন্দবামদগী থাইবা নামৈবাকপম চীংঙামথক তাবা নিমাই ১। কাকতাগী নামৈবাকপম খাবা লাক্কে। হৈবা গোইথোং তাবা নামৈবাকপম গোবিন্দ ময়ুমনে। ইবুংশি হবিচবোন্দগী নামৈবাকপম নাবায়ন লাক্কে।। ০।। মৈদিংঙু মোইবাম্বনা নোংবাল্লোন খুমন খোম্বীনে, অঙৌবা উশ্যাম চনুনে, য়াওরৈবা চনুনে মা পাংতুনা খুমন খোম্বীনা মৈদিংঙু থংবী লাম্বা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। অঙৌবা উশম চনুনা লোইজা ঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি হুইদ্রোম খাগেম্বা পল্লি তাবা

থাবন ময়ুমনে। য়ুমনাম শম্বিনবম মোইরাংখোম মশা তাবা নিয়রসিং ময়ুমনে। অহন চন্দ্রমনিদি নোম্নে। লৈমপোকপম মহাবলি উনিং তাবা পার্থ ময়ুমনে। পার্থদগী থাইবা ব্রাইখোংদা লৈবা শ্যাম ময়ুমনে।। ০ ।। লৌক্রাকপম শগোলবন তাবা মধুমঙ্গল ময়ুমনে। লাঙ্গোন চীংগোন নিংথৌ শণ্ডবা উধ্ববসিং ময়ুমনে। উধ্ববসিংদগী থাইখিবা নাকনবম ময়ুবানন্দ ময়ুমনে। হুইদ্রোম বলরামগী ঈ পোশংবা থোংদা লৈবা ধনঞ্জয় ময়ুমনে। ধনঞ্জয়দগী থাইবা নোংমৈবুং তাবা পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। হুইদ্রোম লাইফম লাকপা ব্রজবালাদি হাওনে। লাপাম্নে মথং ব্রজবালানা য়ুম ঙাক্লিএ। হুইদ্রোম তাংখোম্বা লাক্কে। হুইদ্রোম ঙান্থকশাবম শৌরসিং ময়ুমনে। মোইরাংদগী হুদ্রোম ময়াম্বা লাক্কে। পানা থাংবা শ্যামকান্থ লাক্কে। ব্রাংখৈদগী হুইদ্রোম তাংলম লাক্কে। হুইদ্রোম প্রেমচান্দ লাক্কে। ব্রাইখোং লৈমনাই তাবা হুইদ্রোম লুদ্রসিং ময়ুমনে। লুদ্রসিংদা পকপা থমলাংবা তাবা হুইদ্রোম আইতোন ১। লাপাম্নে।। য়াওরৈবা চন্থনা য়াংলৈঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি য়ুমনাম মোইবুং লোকপম মোইরাংখোম তাবা জদুনাং অচৌবা ময়ুমনে। যদু নাথগী থাইবা য়ুমনাম ফৈবাকসিং ময়ুমনে। ব্রাংখৈদগী য়ুমনাম তুলসীরাম লাক্কে। হাওবমদগী য়ুমনাম অদ্রাম লাক্কে। শণ্ড অহনবদগী য়ুমনাম অহোঙ্গৈ তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং অবুতোম্না য়ুম ঙাকলিএ ।০।। য়ুমনাম পেনা খোংবম পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং ক্বাকপনা য়ুম ঙাকলিএ। কোংবদগী য়ুমনাম মরেম লাক্কে। হাওবমদগী মাইমু লাক্কে। ককচীং য়ুমনাম চাওবা ১। নিঙেন য়ুমনাম ধনিবাম ১। য়ুমনাম গদাধর ১। য়ুমনাম পেন খোংবা উতুম ১। ঙাংবা ১। অনৌবা ংহোন নপুংসদা নিংথেমম্নুবী থোকচাওবু থা ৪গী গর্ভ য়াওনা পীথিদুনা পোকপা লক্ষ্মণগী ঈদি খোম্বিতোক তাবা কোনশম শাজৌ ময়ুমনে। কোনশম খোম্বিতোক তাবা পিবাদি বীরসিং ময়ুমনে। য়ুমনাম শীংজমৈ তাবা নিলধ্বজ ময়ুমনে। কৈনৌ তাবা য়ুমনাম

ভগ্যাসিং ময়ুমনে। য়ুমনাম কোমশবা কোকপোব লাক্কে। লাংওথেন তাবা স্বরুপানন্দ ১। মোইরাঙ্গগী ঈনি হায়না লৈএ।।০।।

মৈদিংঙ, থংবিলাম্বনা ইরাং লোন লৈমা য়োইবেন তোনপোকপীগা লৈমাখুবী নিংথৌ তোরাচন্নুগা, য়ুংখুচন্নুগা, য়াংগোইস্নুগা, থোংবম চন্নুগা লৈমা থংদাগা ভমা পাম্নহুনা য়োইরেন তোমপোকপীনা শুমোম্বা পুমিংনবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংথোনবম সনা ব্লাইবম খুরায় তাবা কুঞ্জাসিং ময়ুমনে। দামুদরদি নোল্লে লাক্কয়ে। নিংথৌ তোরা চন্নুন সনা ইল্লেন খানবা পোকএ। মাগী ঈদি খুমন চৈরাপ্পম রূপাগী ঈ চাংভামখা তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথংস্তু ঔব্রাদা লৈএ। মথং তুবোন্না য়ুম ভাকলিএ। খুমন চৈরাপ্পম অহৈবম খুবায় তাবা কান্তিধ্বজ ময়ুমনে। খুমন চৈবাপ্পম গঙ্গারাম লাক্কে। খুমন চৈবাপ্পম শীংজমৈ তাবা ইন্দ্র ময়ুমনে। খুমন চৈরাপ্পম অহৈবম মখিতাবা চাওবাতোন ময়ুমনে। চাউবাতোন্দগী থাইবা দয়ানন্দ ময়ুমনে। খুৎকোকলবনে।।০।। য়াংগোইশুনা সনারেম্বা পোকএ। মাগী ঈদি চীংমৈবোং তবা লাংপোকলাকপম জসর ময়ুমনে। লাংপোকলাকপম নম্বুল তাবা পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং চন্দ্রবদন্না য়ুম ভাকলিএ। লাংপোকলাপম কৈবি তাবা কবুইদি থাওজম নাই ওই লাক্কে। লাংপোকলাকপম খুবায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং জয়সিংনা য়ুম ভাকলিএ। চবাংপাক্তগী নিংথৌজম খম্বা লাক্কে। নাকনবম খুবায় তাবা সেখরসিং ময়ুমনে। লাংপোকলাকপম চীংগাংবম থোংনাং তাবা গোপীচরণ ময়ুমনে। জসরা সিংদগী থাইবা নোংথোনবম অঙৌতোন ১। লাংপোকলাকপম শীজতন্ফা মনাই শ্যামরাম লাক্কে। লাংপোকলাকপম খুরায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং পুকচাওনা য়ুম ভাকলিএ।।০।। থোংবম চন্নুনা লোইজা অম্বা পোকএ। মাগী ঈদি নিংথৌজম থৌবানতোমজিং তাবা শ্রীদাম ময়ুমনে। নিংথৌজম য়ুমনাবা থাংমৈবন তাবা ফৈরাবা ময়ুমনে। য়ুমনাম থোংদা লৈবা হেমসিং ময়ুমনে। চোংথাং তিম্নবা নিংথৌজম চিংভাম-

মখা তাবা খৌজাও রযুমনে। নিংথৌজম য়ুমনাম খিনোংগৈদগী ককন্না তাবা লিলান্দ ময়ুমনে। ককচীং যুমনাম শঙ্খিনবম রতনসিং ১। শিংগাম যাইস্কুল হাবা শ্যামচন্দ্র মযুমনে। কৈরাওদগী নিংথৌজম খুরুবা ময়ুমনে। যুমনাম শোবেন শংবম সুবনসিং ময়ুমনে। ১। নিংথৌজম খুল্লিং নিংথৌজংদগী লাকপা যুমনাম জীবানন্দ ১। থা মৈবম্ভাবানে। শুগ্নুদগী নিংথৌজম খুঙ্গাও ১। এনশেনবম জব.সিং ময়ুমনে। সোবায় শগোনবন তাবা পিবাদি মযাংদা লেএ। মথং চন্দ্রসিংনা যুম ঙাকলিএ। সেংরাম নাগা মপান্তাবা জম্বু মযুমনে। নাগামপান্তাবা ধনশ্যাম মযুমনে। শঞ্জেনথোং শঙবা শিখক লাক্ত। শংশং কৈশংগী নিংথৌজম মরিং লাক্কে। লযুপোক্কী নিংথৌজম অচৌ লাক্কে॥ ০॥ যুমখুবা চন্নুনা ক্কাকপা থৌবান থাবা পোকএ। মাগী ঈদি। থৌদাম খুবায তাবা বলদেব মযুমনে। অহন বমাকান্তদি নোল্লে। বলদেবদগী খাইবা মহাবলি মনিং তাবা পবিত্রসিং মযুমনে। থৌদাম শ্যামবাম লাক্কে। থৌদামদগী পেবম ওইখিবা পণ্ডিত্ত মযুমগী যাতিশ্বর মযুমনে। ৱাকচী কৈগী পেবম তুলসিং নাবতুম ১। থৌদাম হৈযেন্দগী ৱাংখৈ তাবা নবচন্দ্র ১। যুমনাম অহোং লাক্কে। থৌদাম শ্যাম লাক্কে। যুমনাম শ্যামগী ঈদি হাযনা পকপা অমু কবুইনে। চোনানবম মোহনসিং ১। নোংথোনবম খোংজি তাবা ধর্ম্মসিং মযুমনে। ধর্ম্মসিংদগী খাইবা পবোমসিং মযুমনে। নোংথোনবম অতোঙ্গাও ১। নোংথোনবম চন্দ্রশ্যাম ১। হবি ১। নোংথোনবম অযামহনবা লোইজা লাক্কে॥০॥ ক্কাকপা থৌৱানথাবগীমচা মযাংদগী থোকলকপা হোতিকানে হোতংনে ২মা পোকএ। হোতিকাগী ঈদি শগোলসেম চাংঙা মথক তাবা মউরধ্বজ মযুমনে। শগোলসেম কৱাতাবা মদনসিং মযুমনে। খাইবা ফৈজাও ময়ুমনে। নোংচুপনে। ঙাথেমনা হোদাম ওইখিবা নম্বুল তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং দেবসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। হাওবমদা লৈবা শগোলসেম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং নম্বুম্ভাবা রত্নানন্দনা যুম ঙাকলিএ। হযেন্দা লৈবা

ঙাথেম শোনবা লাক্কে। নোংচুপচানি নৌনা পকপা পেবম পুরুষতোম ১। পোংশংবদা কাবা পেবম পুকচাও ১। শগোলসেম মুনিবাম ১। শগোনশেম গঙ্গারাম ১। অসিদি নোংচুপনে। হোতংগী ঈদি সনশম নাহারূপ লাকপা চীংঙামথক তাবা পিবাদি তখেন্দা লৈএ। মথং ধর্ম্মসিংনা খুম ঙাকলিএ। পদ্মসিং খাইবা বলরামসিংনে। সনশম ওইনাম খিঙেন তাবা জীবানন্দ মযুমনে। সনশম বিপুজিং ময়ুমনে। সনশম ওইনাম থিঙেন তাবা হেবানন্ত ময়ুমনে। সনশম কাংঙমুং তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং চন্দ্রসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। ব্রাইখোংগী সনশম শ্যামপূর্ণ ১। মবিং লাক্কে ॥ ০ ॥ সনশম দামুদবদা পকপা হীদাক ফানবা কাবা দয়ানিধে ১। অন্দ্রো লবঙ্গ ১। ০ ॥ লৈমা থংদানা খোনৌবা পোকএ। মাগী ঈদি নামৈরাকপম মোইরানিংথৌ ময়ুমগী ফুবালরা তাবা সেখবসিং ময়ুমনে। নামৈবাকপমনদি য়াদে। মহারুদি খংজঙম্বগী ইপাদি চিংখম গৌবনে। মাগী ঈদি গোকুলসিং ময়ুমনে। অহন থাবেন লাক্কে। বলবাম লাক্কে। লমলোই লাক্কে। নামৈবাকপম ইবেংবম তাবা বলবামসিং ময়ুমনে। খ্বাইরাকপমদগী লাকপা নামৈবাক-পম কেংবা ময়ুমনে॥ পাওবম কবো লৈকাই তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং কৈবাবনা য়ুম ঙাকলিএ। পাওবম ককরা তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং চিদরামনা য়ুম ঙাকলিএ ॥ ০ ॥

মৈদিঙু কোংযাম্বনা খম্বাফাবী পান্নতুনা তেলহৈবগা তোনাবগা ২মা পোকএ। কবো চন্থুনা সনা পোকএ। মৈদিংঙু তেলহৈবনা নিংথৌ ওইএ। তোনাবনা য়াংগোইশৃগা সনখুঙম্বীগা ২মা পান্নতুনা য়াং-গোইশুনা কোংয়াম্বগা খুইবগা পুবান থাবগা ৩মা পোকএ। শনখুঙম্বীনা চাইবা পোকএ। কোংয়াম্বগী ঈদি লাংদেম শগোলবনন্তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং কুমদাসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। তাংখোম্বা অহন্দি লাক্কে। ককচীংদা লৈবা লাংদেম লক্ষন ১ ॥ ০ ॥ খুইবগী ঈদি নিংথৌজম ওইনাম থিংঙেন তাবা তাম সিং ময়ুমনে। থাঙ্গাদগী শন্তোক

তাবা নিংথৌজম ঘনসিং ময়ুমনে। তাম্‌সিংদগী খাইবা থৌবাস্তাবা অঙোবা ময়ুমনে। থাঙ্গা তেংখন চেকশা ১। ঘনসিংদগী খাইবা বমলসিং ময়ুমনে। বলরাম ময়ুমনে। খা থাবা থাঙ্গা চাওবা ময়ুমনে। নিংথৌজম শঙ্গাই শেনবা লমলাই তাবা পূর্ণানন্দ ময়ুমনে। নিংথৌজম মুমিংলৈমা শংবম নম্বুস্তাবা বামসিং ময়ুমনে। খাইবা ভবানন্দসিং ময়ুমনে। নিংথৌজম তাউথোং তাবা অমু ময়ুমনে। শঙাইত্রো তাবা নিংথৌজম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং কৃষ্ণসিংনা যুম ঙাকলিএ। থাঙ্গা ফৌ-রুংবম তোঞ্জাও ময়ুমনে॥০। পুবাম্থাংগী ঈদি নিংথৌজম শ্বাসিং ময়ুমনে। নিংথৌজম গুনসিং ময়ুমনে। খুঞ্জাহনবম রাংখৈ লৈকাই তাবা শৌরসিং ময়ুমনে। মোইবাংদগী নিংথৌজম শ্যামপূর্ণ ময়ুমনে। ফোইজিংদগী নিংথৌজম খুঞ্জাও ময়ুমনে। লৌক্রাকপম থৌবাস্তাবা রতোনসিং ময়ুমনে।০। কবো ক্যিাং চম্নুনা সনা পোকএ। মাগী ঈদি স্নবাম মখৈদি নোংচুপনে। স্নবাম নম্বুস্তাবা জগসিং ময়ুমনে। স্নবাম ইরাবস্ত ময়ুমনে। য়াইরিবোক্তগী সনাবাম ঙাহাবুং তাবা খৌঞ্জাও ময়ুমনে। স্নবাম য়াইরিপোক তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং রুদ্রসিংনা যুম ঙাকলিএ। যুমনেন্দগী খাইবা লমফেন মপাস্তাবা স্নবাম ভাগ্যাসিং ময়ুমনে। স্নবাম আতিয়াতাবা লাইগী লৈমন থক্তুনা মখোয়না হায়জদুনা লৈবিবা রাইখোম থৌবাস্তাবা শ্রীদাম ময়ুমনে। রাইখোম তম্পাকযুমদা লৈবা চাওবা ময়ুমনে॥০॥

মৈদিংঙু তোনাবনা নিংথৌ ওইয়ে। মৈদিংঙু তোনাবনা শনফুঙঙ্গী শেনবুং পোকপী পান্নদুনা চাইবা পোকএ। মাগী ঈদি খাংজ্রাকপম পুকচাওগী ঈ কোনোকথিঙেন তাবা পিবাদি ঔরাদা লৈএ। মথং সেখরসিংনা যুম ঙাকলিএ। খাইবা লাংজিং তাবা খাংজরাকপম চিতন ময়ুমনে। খাং-জ্রাকপম ককময়াই তাবা অমুদোন ময়ুমনে। নোংচুপচানে॥০॥ এনকোক-পম খাংজ্রাকপম থৌবাস্তাবা লাবন্ত ময়ুমনে। নোংচুপচানে। ইরোইশেনবা তাবা জয়রাম ময়ুমনে। হৈস্নাম লাইরেম্মদা তাবা খাংজ্রাকপম নাফৌ

ময়ুমনে। খাংজ্রাকপম গঙ্গারাম লাক্তে ॥০॥ মৈদিংঙু তেলহৈবনা স্নারেম্বী পান্নত্নুনা তবুংবগা মনাউ অমগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু তবুংবনা নিংথৌ ওইএ। মনাওগী ঈদি তেল্লেম হীদাকশুংবা লৈতরে ॥ • ॥ মৈদিংঙু তবুংবনা নোংবাল্লোন লমফেন ঙম্বী পান্নত্নুনা লাইরেনবগা পুনশিবগা ২মা পোকএ। ১মাস্থু নিংথৌ ওইএ। লাইরেনবদি শোই-নাইদে ॥০। পুন্সিবনা অন্দ্রো চন্নুদা তোংবাইত্নুনা হাথবদি নিংথৌরোক পোকএ। পুন্সিবগী ঈনি হায়না নৌনা পকচববা থিংনোং হাওদগী লাকপা নিত্যাইনন্দগী ঈ তেঙমনি ১। এনকোকপমদগী লাকপা ফাঙ্গোগা গোবিন্দ্রাম লৈতরে। গোবিন্দ্রামদগী খাইবা শামাচা নিমাই ১। লাক্তুরে ॥০॥ মৈদিংঙু পুনশিবনা লাম্বাশু পান্নত্নুনা নিংথৌখোম্বা পোকএ। নিংথৌ-খোম্বনা নিংথৌ ওইএ। লিনথোইঙম্বী পান্নত্নুনা কিয়াম্বগা শানোং ব্রাংখৈবাকপগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু কিয়াম্বনা নিংথৌ ওইয়ে। শানোংবগী ঈদি কাম্বম নোংমৈবুং তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং খেনাসিংনা য়ুম ঙাকলিএ ॥ • ॥

মৈদিংঙু কিয়াম্বনা শেনবুং লোকপীগা লৈশাংথেম চন্নুগা ২মা পান্নত্নুনা শেনবুং লোকপীনা লমকিয়াম্বা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। লৈশাংথেম চন্নুনা কোইরেম্বগা নোংথোনবগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু কোইরেম্বা নিংথৌ ওইএ। শোইনাইদে, মুংথোনবম্মুং শোইনাইদে ॥০॥

মৈদিংঙু লমকিয়াম্বনা চাখা তাংখুল ঙম্বীগা খয়োইরোন চংনিং ফাবীগা ২মা পান্নত্নুনা চংনিংফাবীনা নোংয়িন ফাবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। শোইনাইদে ॥ • ॥ চাখা তাংখুনঙম্বীনা কবোম্বা পোকএ নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥

মৈদিংঙু কবোম্বনা থিংবা ঙম্বীনে লৈশাংথেম চন্নুনে ২মা পান্নত্নুনা থিংবা ঙম্বীনা ঈশিং চাইবা পোকএ। লাই ওইখিএ ॥ • ॥ লৈশাংথেম চন্নুনা অতাংজাম্ব' পোকএ। নিংথৌ ওইএ। অঙোম চন্নু পান্নত্নুনা স্নশন চোনবা পোকএ। মাগী ঈদি লোইতোংবম আখামদা নাই ওইবা

চাওবা লাক্তে। যুমখাইবা পালোই লাক্তে। চোমন্দনবা অংঙোম লৌরাই তাবা পালসিং মযুমনে ॥ ০ ॥ ০ ॥ সূর্যবংশদা পোকলক্নুনা নিংথৌ ফম্বাল ওইরবা পাখংবদগী হৌনা নিংথৌ ৪৮ শুখিরবদা মহারাজ মযাংঙম্বনা ফম্বাল তোংবদা গোত্র ৩ ওইনা খাইদ্নুনা লেপ্পগী মরমদি পাখংবদগী হৌনা মাগী ধাবানা পোকলকপা শানোঙবা লাল্লুমখোম্বদগী হৌনা গোত্র মরূপ ১নে। সান্দিল্য গোত্র অসিগী শল্লাই যুমচঙবদি শানোংবা লাল্লুমখোম্বনা অংঙোম চন্নু হাওজাং ঙম্বীগা লৈচোল্লাকপা তোলোংখোম্বা চন্নুগা ২মা পান্নদুনা হাংচো ঙম্বীনা খোংনাম্বগ চলাম্বগা ২মা পোকএ। চলাম্বদি নিংথৌ ওইএ। লৈচোল্লাকপা তোলোংখোম্বা চন্নুনা চিংঙাযাংবা পোকএ। লৈচোন লাকপা তোলো খোম্বা চন্নুনা পুবাল থাবা পু মংনবা পোকএ। খোংনাম্বগী ঈদি রাংখৈবাকপম সনাখোনগী ঈ নোংমৈবুং তাবা দামুদি শোইনাইদে। ধনসিংনা পিবা ওইরে। চীংঙা যাংবগী ঈদি রাংখৈ অভিবামগী ঈ মোকিন্দ্রাসিং মযুমনে। মোকিন্দ্রসিংদগী খাইবা রাংখৈ ঙৌব্রাম মযুমনে। রাংখৈ লৌকুংনম রাক্রন পম্থোং তাবা মযোন মযুমনে। লৌকুংবা খনবদগী খাইবা কৃষ্ণানন্দ ১ যুমখাইবম রাংখৈ বৃন্দাবন মযুমনে ॥ ০ ॥

পুবাম্থাবগী ঈদি মোইবাং নিংথৌ ইকু বমনে। তাংলৈহাদা তাবা কৃতিচন্দ্র মযুমনে। কৃতিচন্দ্রদগী খাংবা ইকুংবম থাংমৈবন তাবা ঙাংবা মযুমনে। মোইবাংনি থৌ মযুম ঙৌব্রামগী ঈদি শগোলবন্থাবা মৈবাবা মযুমনে ॥ ০ ॥

মৈদিংঙু চলাম্বনা লমফেন ঙম্বীগা কোংবম চন্নু তোল্লোংখোম্বীগা ২মা পান্নদুনা লম্ফেন ঙম্বীনা মৈদিংঙু মুংযাম্বা পোকএ। কোংবম চন্নুনা লমখোম্বা পোকএ। মাগী ঈদি খ্বাইবাকপম পনথা তাবা ঙৌবা মযুমনে ॥০॥ মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা নিংথৌ ওইএ। চাংবোম্বীগা থোকচোম চন্নুগা ২মা পান্নদুনা চাংবোম্বীনা লাইযিংথৌ খাগেম্বগা খুবাযবাকপা চীংশোম্বগা শানোংবা অতোনবগা ৩মা পোকএ। থোকচোম চন্নুনা খে মা পুখ্রনবা চন্নুনা

পোকএ। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা নিংথৌ ওইএ। থুরায়রাকপা চৌংশোম্বগী ঈদি খ্বাইরাকপম অথৌনে। শোইনাইদে। খ্বাইরাকপম অথৌগী ঈমি হায়না পকপা ঔব্রাদগী লাকপা পুকচাও ১। শানোংবগী ঈদি খ্বাইরা-পম চলাম্বগী ঈ পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং উরিপোক তাবা কৃত্তিবাসী কৈরুংবনা য়ুম ঙাকলিএ। য়াইস্কুল লাকপা অমু য়ুমলেনবম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মেঘসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। থাঙ্গা খ্বাইরাকপ· লিলাসিং ১। প্রজা ১॥ ০॥ খোমা পুত্রনবগী ঈদি ব্রা খৈ লৈকাই তাবা নোংমৈকাপ্পম পিবাদি ঔব্রাদা লৈএ। মথং পলাসিনা য়ুম ঙাকলিএ। তেনশুবম শামু শেনবা হিদংগী ঈ ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা মেঘসিং মবুমনে॥ ০॥ ঔব্রাদগী লাকপা তেনশুবম মেঘসিংদা পকপা ব্রদ ১। নোংচুপনে। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা তাইবোম্বীগা অঙোম চন্নু মুংথিল চাইবীগা কোংবম চন্নুগা ৩মা পান্নতুনা মৈতৈলৈমা তাইবোম্বীনা ইবুংঙো লৈশাম হিদেন থাবা অহনবা খোংজোম্বগা লাইয়িংথৌ খুঙ্গাও-বগা ইবুংঙো তোনাবা নোংপোক খোংফেন থৌবগা ৩মা পোকএ। অঙোক চন্নু মুংথিল চাইবীনা লাইয়িংথৌ তাইবং থাইবা পোকএ। লাই ওইখিএ। কোংবম চন্নুনা ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপা ক্যাম্বা পোকএ। শোইনাইদে। লাইয়িংথৌ খুঙ্গাওবনা নিংথৌ ওইএ। শোইনাইদে। ইবুংঙো অহনবা খোমজোম্বসুং শোইনাইদে। ইবুংঙো তোনাবা নোংপোক খোংফেন থৌবনা মৈতৈ লৈমা নাওশোম চন্নু থংদা পিথেং লৈমা তাংজাখোম্বীগা অঙোম চন্নু পোবোমফাবীগা শোইবম চন্নু ২গা ৪মা পান্নতুনা শোইবম চন্নুনা ইবুংঙো চামা ফাবনে. ইবুংঙো তাংখোম্বনে ইবুংঙো কাবোম্বনে ইবুংঙো লাংদে ঙম্বনে ৪মা পোকএ। অঙোম চন্নু পোবোম ফাবীনা ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপা অচৌনে ইবুংঙো শমৈরাং অতোনবনে ২মা পোকএ। মৈতৈ লৈমা থংদা পিথেংলৈমা তাংজা খোম্বীনা ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপা সনা হিহোন হন্নে লাইয়িংথৌ পাই-খোম্বনে ইবুংঙোতোনশেনঙম্বনে ৩মা পোকএ। লাইয়িংথৌ পাইখোম্বনা

নিংথৌ ওইএ। মানা হাওবম চন্নু পোংলেনখোম্বী পান্নহুনা ঈ তাদে। সনা হিহোন হনবস্নু ঈ তাদে। মৈদিংঙু তোনশেন ঙম্বনা মৈতৈ লৈমা ঙাংবম চন্নু ঙাইখোংঙম্বী পান্নহুনা লাইয়িংথৌ চরাইরোংবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মৈতৈ লৈমা শাৎপম চন্নু মুংখিল চাইবী মকক লোইখোম্বীনে, হিজম নোংথোনবম চন্নু শেন-গোইরেম্বীনে থা জম চন্নু থবাঙম্বীনে ৩মা পান্নহুনা মৈতৈ লৈমা মুংখিল চাইবীনা মহারাজগরিবনিৱাজ ময়াংঙম্বনে য়াইমবা লোইয়ম্বা সনা কৈথেল তাবনে ২ম পোকএ। হিজম চন্নুনা ইবুংঙো খমপাম্বা অকোইজম তাবা পোকএ। থাংজম চন্নুনা খমলাং পামশবা ৱাংখৈরাকপগা মুংয়াম্বা খুৱায়রাকপগা ২মা পোকএ। মহারাজ গরিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইএ ।।০।। লোইয়ম্বনা হাওবম চন্নু শোরেম্বীনে ময়াংলম্বম চন্নু থবাবিনে ২মা পান্নহুনা হাওবম চন্নুনা ইবুংঙো কৈথেন্তাবা শামরাম পোকএ। ময়াং-লম্বম চন্নুনা ইবুংঙো অভিবাম পোকএ। ইবুংঙো শ্যামরামনা ঙাংবম চন্নু পান্নহুনা ঈবুংঙো সেখরসিংহ পোকএ। ইবুংঙো সেখরসিংহনা ৱাহেংবম চন্নুনে লোংজম চন্নুনে ২মা পান্নহুনা ৱাহেংবম চন্নুনা ইবুংঙো সাগরসিং পোকএ। লোংজম চন্নুনা ইবুংঙো ছত্রসিং পোবএ।। ০।। ইবুংঙো অভিরামনা আসেম চন্নু পান্নহুনা ইবুংঙো মাদনশাই পোকএ। ইবুংঙো মদনশাইনা মেইচম চন্নুনে হিজম চন্নুনে ২মা পান্নহুনা মোইচেম চন্নুনা ইবুংঙো গঙ্গাকৃষ্ণ পোবএ। হিজম চন্নুনা ইবুংঙো কুসলচন্দ্র পোকএ। ইবুংঙো কুসলচন্দ্রনা ইবুংঙো শম্নুংপুরেন পোকএ। অসিদি কৈথেন্তাবা ময়ুমনে ।। ০ ।। ইবুংঙো খমলাং পামশবনা শাৎপম চন্নুনে খামরন চন্নুনে ২মা পান্নহুনা শাৎপম চন্নুনা ইবুংঙো ধরশাই পোকএ। শোইনাইদে ।।০।। খামরন চন্নুনা ইবুংঙো গোবিন্দ শাই পোকএ। ইবুংঙো গোবিন্দ শাইনা হাওবম চন্নু সত্যবতীনে খেমামযুম চন্নু ভাগ্যবতীনে ঙাংবম চন্নু ভগ্যাবতিনে ৩মা পান্নহুনা হাওবম চন্নুনা ইবুংঙো ভগবন্তসিং য়াইস্কুল লাকপা পোকএ। খেমামযুম চন্নুনা ইবুংঙো মুচুকুন্দ শমুশেনবা হঞবা

পোকএ। ভাংবম চন্নুনা ইবুংঙো যত্নসিং দোলাইরোই হঞ্জবা পোকএ। অসিদি মুংনবী মচানে॥ •॥ ইবুংঙো ভগবন্তসিংনা মোইচেম চন্নু গঙ্গাবতী পান্নহুনা ইবুংঙো ললিতসিংগা ইবুংঙো যুগলসিংহ ২মা পোকএ। ইবুংঙো ললিত-সিংনা মোংজম চন্নু সেখরিনী পান্নহুনা ইবুংঙো উদয় রাজাসিং পোকএ। ইবুংঙো উদয়রাজাসিংনা তোংব্রম চন্নু পান্নহুনা ইবুংঙো দুর্গজিৎসিংগা ইবুংঙো কর্বিরসিংগা ইবুংঙো বরভ্রসিংগা ৩মা পোকএ॥ •॥ ইবুংঙো যুগলসিংনা ছিজম চন্নু পান্নহুনা ইবুংঙো ভদ্রসিংনচিংবা মচিন মনাউ মন্তা পোকএ। মচিন মনাউ ৫মাদি হাত্তা লৈএ। পুরুপ ২মা অসিদি য়াইস্কুল লাবলম্বা ময়ুমনে॥ •॥ ইবুংঙো মুচুকুন্দসিং শামু শেনবা হঞ্জবনা শাংপম চন্নু তুঙ্গবিদ্যানে নান্দেবম চন্নুনে ২মা পান্নহুনা শাংপম চন্নুনা ইবুংঙো পিতম্বরসিংগা ইবুংঙো পদ্মাসিংগা ইবুংঙো পাইখোম্বগা ৩মা পোকএ। নান্দেবম চন্নুনা ইবুংঙো বরুভ্রাসিং পোকএ॥ •॥ ইবুংঙো পীতম্বরসিংনা অকোইজম চন্নু গুনেশ্বরী পান্নহুনা ইবুংঙো অমুরাবা পোকএ। ইবুংঙো অমুরাবনা মাইস্নাম চন্নু পান্নহুনা ইবুংঙো কেশ্বরসিং পোকএ॥ •॥ ইবুংঙো পদ্মসিংনা রাংখেম চন্নু নন্দালিনী পান্নহুনা ইবুংঙো সুরসিংগা ইবুংঙো বীরভদ্রসিংগা ২মা পোকএ॥•॥ ইবুংঙো সুরসিংনা হাওবম চন্নুনে তোংব্রম চন্নুনে ২মা পান্নহুনা তোংব্রম চন্নুনা ইবুংঙো বিনদসিং পোকএ। অসিদি শামুশেনবা হঞ্জবা ওইরম্বা ময়ুমনে॥ •॥ ইবুংঙো পূর্ণসিংনা অকোইজম চন্নু গুনেশ্বরী অমুরক পান্নহুনা ইবুংঙো পৌথসিং পোকএ। অসিদি মুংনবি মচানে॥ •॥ ইবুংঙো যত্নসিং দোলাইরোই হঞ্জবনা রাহেংবম চন্নু তরঙ্গিনী পান্নহুনা ইবুংঙো সূর্যসিং থৌগাইঙম্বা শগোলশেনবা হঞ্জবগা ইবুংঙো কীর্ত্তিসিংগা ইবুংঙো ভগিন্দ্রসিংগা ইবুংঙো হেমাবচসিংগা ৪মা লোকএ। অসিদি দুলাইরোই হঞ্জবা ওইরম্বা ময়ুমনে। মুংনবী মচানে॥ •॥ ইবুংঙো ময়াম্বা থুরায়রাকপা মনসাই অতোনবনা য়াইখোম চন্নুনে উশম চন্নুনে তাওরেম চন্নু চন্দ্রবতীনে ৩মা পান্নহুনা য়াইখোম চন্নুনা ইবুংঙো কৃষ্ণশাই

খ্বাইবাকপা পোকএ। উশম চন্নুনা ইবুংঙো নন্দশাই সেনাপতি পোকএ। তাওবেম চন্নুনা ইবুংঙো কুকিলানন্দ ইন্নেংবা পোকএ। লৈপাক ঙাকএ ॥০॥ ইবুংঙো কৃষ্ণশাই খ্বাইরাকপনা মোংজম চনুনে লাইরিকয়েংবম চনুনে হিজম চন্নুনে ৩মা পান্নবুনা মোংজম চন্নুনা ইবুংঙো কিশবানন্দ পাৎ-চহনবগা ঈবুংঙো চৈতন্য শাইগা ইবুংঙো নিলধ্বজ শাইগা ৩মা পোমএ। লইশেবিকয়েংবম চন্নুনা ইবুংঙো গৌরসিং পোকএ। হিজম চনুনা ইবুংঙো মোহনসিং পোকএ। ইবুংঙো শরানন্দ পাৎচহনবনা কোংবম চনুনে ফুরিৎ-শাবম চনুনে শমজেৎশাবম চনুনে ৩মা পান্নবুনা কোংবম চনুনা ইবুংঙো দিনমনিগা ইবুংঙো জিতুবিহারীগা ২মা পোকএ। ফুরিৎশাবম চনুনা ইবুংঙো কৃষ্ণানন্দগা ইবুংঙো নবসিংগা ২মা পোকএ। শমচেৎশাবম চন্নুনা ইবুংঙো আনন্দসিং পোকএ। ইবুংঙো দিনমনিনা শাৎপম চন্নু পান্নবুনা ইবুংঙো পবিত্রসিংগা ইবুংঙো কাবিরসিংগা ২মা পোকএ। ইবুংঙো জিতুবিহারিনা ঙাংবম চন্নু পান্নবুনা ইবুংঙো মুরারি সং পোকএ। ইবুংঙো কৃষ্ণানন্দনা হাওবম চন্নু পান্নবুনা ইবুংঙো ঘনসিং পোকএ। অসিদি পাৎচহনবা ময়ুংনে। ইবুংঙো চৈতন্য শাইনা রাংখেম চনু পান্নবুনা ইবুংঙো পূর্ণসিংগা ইবুংঙো কেশবসিংগা ২মা পোকএ। অসিদি পাৎচহনবম পুরুপ অমনে ॥ ০ ॥ ইবুংঙো নিলধ্বজনা খুমন্থেম চনুনে লৌরিয়াম চনুনে ২মা পান্নবুনা খুমন্থেম চনুনা ইবুংঙো হেমসিং পোকএ। মাসিদি ময়াংদা লৈএ ॥ ০ ॥ লৌরিয়াম চনুনা ইবুংঙো পীতম্বরসিং চন্দ্রসিদ্ধান্ত পোকএ। অসিদি পাৎচহনবম চন্দ্রসিদ্ধান্ত মখুমনে ॥ ০ ॥ ইবুংঙো গৌরচন্দ্রসিংনা উশম চন্নু পান্নবুনা ইবুংঙো জয়চন্দ্রসিংগা ইবুংঙো মাধবসিংগা ২মা পোকএ ॥ ০ ॥ ইবুংঙো মোহনসিংনা অঙোম চনুনে লাইশ্রম চনুনে ২মা পান্নবুনা অঙোম চনুনা ইবুংঙো মেঘসিংগা ইবুংঙো লমজেন য়াঙবগা ২মা পোকএ ॥ ০। লাইশ্রম চনুনা ইবুংঙো টেকেন্দ্রসিং পোকএ। অসিদি পাৎচহনবম পুরুপ অতোনব-নে ॥ ০ ॥ ইবুংঙো নন্দশাই সেনাপতিদি ঔরাদা চঙখরে। ইবুংঙো

নন্দশাই সেনাপতিনা ইবংঙো সুন্দ্রানন্দ পোকএ। ইবুংঙো সুন্দ্র-নন্দনা ইবুংঙো নরসিং পোকএ। ইবুংঙো নবসিংহনা নেপ্রম চন্নুনে থোরচোম চনুনে সোইবম চনুনে ৩মা পান্নহুনা থোচোম চনুদি শোইনাইদে। নেপ্রম চনুনা ইবুংঙো মুকুন্দসিং পোকএ। সোইবম চনুনা ইবুংঙো ভৌবাতোন পোকএ। অসিদি ঔরাদা চঙখিবা সেনাপতিগী থারানে ।•॥

ইবুংঙো বসিকা নন্দনা ইবুংঙো জগদানন্দ পোকএ। ইবুংঙো জগদানন্দনা ইবুংঙো মেঘবর্ণ শাই পোকএ। ইবুংঙো মেঘবর্ণ শাইনা ইবুংঙো নবসিংহানন্দ পোকএ। অসিদি ঔরদা লৈএ ॥•। ইবুংঙো কুকিলা-নন্দ ইবেংবনা তাওবেম চনু গে বমঞ্জুরীনে ঙাংবম চনুনে লাইযিকয়েংবম চনুনে ওইনাম চনু ছত্রশ্বরীনে হাওবম চনু হেমবতীনে অকোইজম চনুনে ৭মা পান্নহুনা তাওরেম চনুনা ইবুংঙো তুলসিং পোকএ। শোইনাই-দে ॥ ০ ॥ ঙাংবম চনুনা ইবুংঙো নরসিং হাওমচা শঙলাকপা পোকএ। শোইনাইদে ॥ ০ ॥ ওইনাম চনুনা লোকনাথ পোকএ। হাওবম চনুনা ইবুংঙো দিননথ পোকএ। লৌবিযাম চনুনা ইবুংঙো অতোঞ্জাওবগা ইবুংঙো ধর্ম্মসিংগা ২মা পোকএ। ইবুংঙো তোঞ্জাওবদি শোইনাই-দে ॥০॥ ইবুংঙো লোকনাথনা উশম চনুনে লাইরিকয়েংবম চনু চিত্রগীনে এলাবম চনুনে ফুরিৎশাবম চনুনে ঙাংবম চনুনে মাইস্নাম চনুনে অঙোম চনুনে ৭মা পান্নহুনা ৪দি শোইনাইদে। উশম চনুনা ইবুংঙো কেশোবসিং পোকএ। শোইনাইদে ॥ ০ ॥ লাইরিকয়েংবম চনুনা ইবুংঙো নবানন্দগা ইবুংঙো ঝলকানন্দগা ইবুংঙো দুর্গশিংগা ৩মা পোকএ। ইবুংঙো নবানন্দগা ইবুংঙো দুর্গসিংগা ২দি শোইনাইদে ॥০॥ ঙাংবম চনুনা ইবুংঙো মধুবসিং ইবুংঙো নিলধ্বজগা ২মা পোকএ। ২মা মযাংদা লৈএ ॥ ০ ॥ ইবুংঙো দিনবন্ধুনা লাইবিকযেংবম চনু টিকানে হংলেম চনুনে ২মা পান্নহুনা হংলেম চনুদি শোইনাইদে। লাইরিক-য়েংবম চনুনা ইবুংঙো গুণধ্বজগা ইবুংঙো মাধবসিংগা ২মা পোকএ।

ইবুংঙো মাধবসিংদি লম্বোইখরে ।। ০ ।। ইবুংঙো ধর্ম্মসিংনা নোংমাইথেম চন্থু অমরাবতীনে, পেবমচন্থুনে ২মা পান্নহুনা লংমাইথেম চন্থুনা ইবুংঙো শাজৌবগা ইবুংঙো সুরধ্বজগা ২মা পোকএ। ইবুংঙো শাজৌবদি ময়াংদা লৈএ। পেবম চন্থুনা ইশেতুগা ইবুংঙো লাইরোংগা ২মা পোকএ। অসিদি লৈবাকঙাকলম্বা ইরেংবগী ধারানে। ০ ।।

জয় শ্রীগরিবনিরাজ ময়াংঙম্বা মহারাজনা নিংথৌ ওইয়ে। শ্রী মৈদিংঙু মহারাজ পামহৈবনা ইবেম্মা অরাম্বম চন্থুনে, ইবেম্মা হাওবম চন্থুনে, ইবেম্মা য়ায়েনবম চন্থুনে, ইবেম্মা চিংঙাখম চন্থুনে, ইবেম্মা ঙাংবম চন্থুনে, ইবেম্মা য়াইখোম চন্থুনে, ইবেম্মা লাইরিকয়েংবম চন্থুনে, ইবেম্মা মাইবম চন্থুনে, ইবেম্মা মোইরাংথেম চন্থুনে, ইবেম্মা অবাম্বম চন্থুনে ১০মা পান্নহুনা অরাম্বম চন্থুনা সনাহল শ্যামশাই খুবায়বাকপা পোকএ। শ্রীঙাংবম চন্থুনা শ্রীসনাহন মুরারি পোকএ। ঈ তাদে। য়ায়েনবম চন্থুনা শ্রীসনা সমৈরাং ১ শ্রীসনা নন্দশাই ১ শ্রীসনা গুঙ্গশাই ১ শ্রীসনা স্যবশাচি ১ শ্রীসনা ভরতশাই ১ শ্রীসনা শত্রুঘ্নশাই ১। ৬মা পোকএ। ইবেম্মা চিংঙাখম চন্থুনা শ্রীহরিচরণ ১ শ্রীসনা গদাধর শাই ১ শ্রীসনা দুর্লশাই ১। ৩মা পোকএ। হাওবম চন্থুনা শ্রীসনা ধরশাই পোকএ। ইবেম্মা য়াইখোম চন্থুনা শ্রীসনা হবিশাই পোকএ। ইবেম্মা মাইবম চন্থুনা শ্রীসনা ঙৌরাম শাই পোকএ। ইবেম্মা লাইরিকয়েংবম চন্থুনা শ্রীসনা আনন্তশাই পোকএ। ইবেম্মা অরাম্বম চন্থুনা শ্রীসনা তুলসী শাই ১ শ্রীসনা মেঘশাই ১। ২মা পোকএ। ইবেম্মা মোইরাংথেম চন্থুনা শ্রীসনা কিশোর শাই পোকএ।

শ্রীসনা সমৈরাং চিংশাইনা নিংথৌ ওইএ। শ্রীতঙ্গশাইসু ঈ তাদে। শ্রীসনা নন্দ শাইনা ইবেম্মা ঙাংবম চন্থু পান্নহুনা ইবুংশিজা কুকিলানন্দ পোকএ। ইবুংশি কুকিলানন্দনা অহৈবম চন্থু পান্নহুনা ইবুংশি জয় লৌকংপুরেন ঈশৈহনবা পোকএ। ওয়ারম চঙখিয়ে। মচা ইবুংঙো পাউনম তাবসুং ময়াংদা চঙখিরে। সনা শব্যশচীসুং ওয়াদা চঙখরে ।।০।।

শ্রীসনা শক্রুঘ্ন শাই তোলেন তোনবনা শগোলশেম চনু সৌদামিনীনে ঙাথেম চনূনে শারুংবম চনূনে ৩মা পান্নহুনা ঙাথেম চনূনে শরুংবম চনূনে ২মাদি শাইনাইদে। শগোলশেম চনূনা ইবুংশিজা কৃষ্ণচন্দ্র খুরায় লাকপা পোকএ। ইবুংশিজ কৃষ্ণচন্দ্র খুরায়রাকপনা অঙোম চনূনে খুম্বোংময়ুম চনূনে রায়েনবম চনূনে মোইরাংথেম চনূনে লাইরিকয়েংবম চনূনে নিংঙোবম চনূনে ৬মা পান্নহুনা অঙোম চনূনা ইবুংশি নবিনানন্দ পোকএ। খুম্বোং চনূনা চিত্রকন্থনগা ইবুংশি খোংলেন ঙম্বগা ২মা পোকএ। ইবুংশি খোংলেন ঙম্বদি শোইনাইদে। রায়েনবম চনূনা ইবুংশি গরুধ্বজ উরুংপুরেন পোকএ। মোইরাংথেম চনূনা ইবুংশি কৃত্তিধ্বজ উরুংপুরেন পোকএ। লাইরিকয়েংবম চনূন ইবুংশি গুণধ্বজ পোকএ। নিংঙোম্বম চনূনা ইবুংশি কাঞ্চনসিংগা ইবুংশি তুলসিংগা ২মা পোকএ। ইবুংশি তুলসিংদি শোইনাইদে। ইবুংশি নবিনান্দনা তখেল্লম্বম চনূনে মোইরাংথেম চনূনে ২মা পান্নহুনা তখেল্লম্বম চনূনা ইবুংঙো দুর্গসিংগা ইবুংঙো পার্থসিং উরুংপুরেন চম্প্রাসি শাবগা ২মা পোকএ। মুংনবী মচানে। মোইরাংথেম চনূনা ইবুংঙো লিলাচন্দ্র পোকএ। শোইনাইদে। ইবুংঙো দুর্গসিংসুং শোইনাইদে। অসিদি খুরায়রাকপা উরুংপুরেন ময়ুননে ॥ ০ ॥ ইবুংশি চিত্রকন্থান্না লাংগম চনূনে পাংঙম্বম চনূনে হাওরোংবম চনূনে উশম চনূনে ঙাংবম চনূনে ৫মা পান্নহুনা লাংগম চনূনা ইবুংঙো অম্বুজাসিং পোকএ। শোইনাইদে। পাঙম্বম চনূনা ইবুংঙো ঘতর্গসিংগা, ইবুংঙো লাবন্যসিংগা ২মা পোকএ। হাওরোংবম চনূনা ইবুংঙো মাওন্দাসিংগা ২মা পোকএ। ২মা শোইনাইদে। উশম চনূনা ইবুংঙো দুর্গসিং পোকএ। ঙাংবম চনূনা ইবুংঙো মঙ্গল-সিংগা ইবুংঙো ধবলসিংগা ২মা পেংকএ। ইবুংঙো ঘতর্গসিংনা থাঙেনবন চনূনে মোইরাংথেম চনূনে ২মা পান্নহুনা থাঙেম্বম চনূনা ইবুংঙো ডিম্ববসিংগা ইবুংঙো ভেদসিংগা ২মা পোকএ। মোইরাংথেম চনূনা ইবুংঙো নিংথৌবগা ইবুংঙো চীংশোম্বগা ২মা পোকএ। অসিদি

উকংপুরেন কত্থান মযুমনে ॥ • ॥ ইবুংশি গরুরধ্বজ উকংপুবেন্না থোক-চোম চনুনে,• খোইবম চন্নুনে শোবোকখাবম চনুনে চবুংবম চনুনে লাইরেন মযুম চনুনে ৫মা পান্নবুনা খোইবম চন্নুনা ইবুংঙো তুবোলসিং পোকএ। শোইনাইদে। থোকচোম চনুনে, সোবোকখাইবম চন্নুনে চবুংবম চনুনে ৩মাদি শোইনাইদে ॥ • ॥ ইবুংসি কৃত্তিধ্বজ উরুং-পুবেন্না খোইরোম চনুনে, শঞ্জেলবম চনুনে, হিদাম চনুনে, শমলোম চনুনে, খোইবোম চনুনে, লাম্বমচনুনে, হাওবম চনুনে, ঙাংবম চনুনে, ৮মা পান্নবুনা শমলোম চনুনে, খোইরোম চনু নাহানে, ঙাংবম চনুনে ৩মাদি শোইনাইদে। শঞ্জেনবম চনুনা ইবুংঙো পুর্ণসিং পোকএ। হিদাম চনুনা ইবুংঙো উমুদসি পোঁকএ। খোইরোম চন না ইবুংঙো তুগুম পোকএ। শোইনাইদে। লাম্বম চনুনা ইবুংঙো রুদ্রসিং পোকএ। হাওবম চনুনা ইবুংঙো দিনবন্ধ পোকএ। শোইনাইদে। অসিদি উকংপুরেন মযুমনে ॥ • ॥

সনা হরিচরন্না ওক্রম চনু পান্নবুনা ইবুংশিজ গৌবকিশোরগ, ইবুংশিজ মুকুন্দগা ইবুংশিজ জগদানন্দগা ৩মা পোকএ। ইবুংশিজ গৌবকিশোরগা ইবুংশিজ মুকুন্দগা ২মাদি শোইনাইদে। ইবুংশিজ জগদানন্দ লৌক পুবেন্না ঙাংবম চনু দেবেন্দ্রি পান্নবুনা ইবুংশি কুঞ্জবাজ থুমজাও পুবেনগা ইবুংশি বদনাচন্দ্রগা ইবুংশি জন্মসিংগা ৩মা পোকএ। ইবুংশি বদনাচন্দ্রগা ইবুংশি জন্মসিংগা ২মাদি শোইনাইদে। ইবুংশি কুঞ্জবাজনা লাইশ্রম চনু ২নে, অহোংশংবম চনুনে, চো থাম চনুনে, ৪মা পান্নবুনা লাইশ্রম চনু নাহানে, অহোংশাংবম চনুনে চেংথাম চনুনে ৩মাদি শোইনাইদে। লাইশ্রম চনু অহন্না ইবুংঙো কত্তি-গোবিন্দগা ইবুংঙো কৃষ্ণ কিশোবগা ইবুংঙো কুঞ্জবত্তিগা ইবুংঙো যাদবেন্দ্রসিংগা ৪মা পোকএ ॥ • ॥ ইবুংঙো গোত্তিগোবিন্দ থুমজাও পুরেন্না মাইস্নাম চনু পান্নবুনা ইবুংঙো বিক্রাসিংগা ইবুংঙো কোজিংকা ইবুংঙো ছত্রজিৎকা ইবুংঙো নবিনজিৎকা ইনুংঙো লাবন্যসিংগা ৫মা

পোকএ ।। ০ ।। ইবুংঙো কৃষ্ণকিশোর ফৈদা শংলাকপনা লাইশ্রম চন্নু পান্নৈএ । ০ ।। ইবুংঙো কুঞ্জবতিনা এলাংবম চন্নু পান্নরুনা ইবুংঙো নেবেন্দ্রসিং পোকএ । ইবুংঙো যাদবেন্দ্রসিংনা লংমাইথেম চন্নুনে, ওইনাম চন্নুনে শৌগাইজম চন্নুনে ৩মা পান্নরুনা ওইনাম চন্নুনে লংমাইথেম চন্নুনে ২দি শোইনাইদে । শৌগাইজম চন্নুনা ইবুংঙো ব্রজমনিগা ঈবুংঙো বৈষ্ণবনন্দগা ২মা পোকএ । অসিদি লৌকংপুরেন মগমনে । ০ ।।

সনা গদাধর শাইনা চিংগাংবম চন্নু পান্নরুনা মচা ইবুংঙো ২ পোকএ । অহনদি ঈ তাদে । ইবুংশি জানমাকান্ত সেনাপতিন অঙোম চন্নু ২নে অখোম চন্নুনে ক্ষেত্রি চন্নুনে, হোংনেমশুম্বম চন্নুনে লাইশ্রম চন্নুনে ৬মা পান্নরুনা অঙোম চন্নু অহন্না ইবুংশি প্রমিদ পোকএ । শোইনাইদে । অঙোম চন্নু নাহানা ইবুংশি ২ পোকএ । শোইনাইদে হোংনেমশুম্বম চন্নুনে ক্ষেত্রি চন্নুনে অখোম চন্নুনে ৩মা দ শোই- নাইদে । লাইশ্রম চন্নুনা ইবুংশি চন্দ্রমুখ ফৈদা শঙলাকপা পোকএ । ইবুংশি চন্দ্রমুখ ফৈদা শঙলাকপনা মাইস্নাম চন্নু ঋজবতী পান্নরুনা ইবুংঙো নেহাবসিং পোকএ । অসিদি উকংপুরেন সেনাপতি মযুমনে ।।০।।

সনা দুর্লভ শাইনা অহৈবম চন্নুনে লাইবিকযেবম চন্নুনে ২মা পান্নরুনা অহৈবম চন্নুনা ইবুংশিজ চৈতনানন্দ পোকএ । ইবুংশিজ চৈতন্নানন্দ লৌকংপুরেন্না সরোকখাইবম চন্নুনে, অহৈবম চন্নুনে, শোরাইশম চন্নুনে নিংঙোম্বম চন্নুনে শলাম চন্নুনে ঙাঙোম চন্নু মানিকানে ৬মা পান্নরুনা শোরোকখাইবম চন্নুনে সলাম চন্নুনে ২মাদি শোইনাইদে । অহৈবম চন্নুনা ইবুংঙো ভক্তমন্ত্রী পোকএ । শোইনাইদে । শোরাইশম চন্নুনা ইবুংঙো কৃষ্ণমায়া পোকএ । শোইন ইদে । নিংঙোম্বম চন্নুনা ইবুংঙো ব্রজমনি পোকএ । শোইনাইদে । ঙাঙোম চন্নুনা ইবুংঙো মাধবেন্দ্র শগোলশেলবা হঞ্জবগা ইবুংঙো বীর ঈশৈহনবগা ২মা পোকএ । ইবুংঙো মাধবেন্দ্রনা হাওবম চন্নু পান্নরুনা ইবুংঙো পামজেবা পোকএ । ইবুংঙো বীর ঈশৈহনবনা থোকচোম চন্নুনে ব্রাহ্মংবম চন্নুনে ২মা

পান্নহুনা থোবচোম চন্নুনা ইবুংঙো অহনগা ইবুংঙো বিপুবীবসিংগা ২মা পোকএ। ইবুংঙো অহন্দি শোইনাইদে। ৱাহেংবম চনূনা চন্দ্রসেখর অপানবা শঙলাকপা পোকএ। ০॥ ইবুংশিজ বৈষ্ণবানন্দনা ওইনাম চন্নুনে লাইশ্রম চন্নুনে নিংঙোম্বম চন্নুনে লাইবিকযেংবম চন্নুনে ৪মা পান্নহুনা ওইনাম চন্নুনা ইবংশি লোকনাথ পোকএ। শোইনাইদে। লাইশ্রম চনুনা ইবুংঙো বাধাবিনদ পোকএ। শোইনাইদে। নিংঙোম্বম চনুনা ইবুংশি তুলসী পোকএ। লাইরিকযেংবম চনুনা ইবুংশি পুকং-থোম্বা দোলইরোই হওবা পোকএ। ইবুংশি পুকখোম্বন থিযাম চন্নুনে মাইবম চন্নুনে হাওরোংবম চনুনে ৩মা পান্নহুনা হাওবোংবম চন্নুদি শোইনাইদে। থিযাম চনুনা ইবুংঙো তোলেনখোম্বা পোকএ। মাইবম চননা ইবুংঙো সিদ্ধরজিৎ পোকএ।০॥ ইবুংঙো তোলেনখোম্বনা নান্দেবম চন্নু পান্নহুনা ইবুংঙো অথোই পোকএ॥ ০॥ ইবুংঙো সিধব-সিংনা সিনাম চনুনে অহোংশাংবম চনুনে খোমদ্রাম চনুনে ৩মা পান্নহুনা অসিদি সোকপুরেন মযুম পুরুপ অতোনবনে ॥ ০ ॥

শ্রীঅনন্ত শাই মন্ত্রীনা নাউরোইবম চন্নু শ্রীমতীনে, সলাম চনু যমুনানে লাইরিকযেংবম চনূ প্রেম লতানে থাওবোইম চনূ ললিতানে শেগাইজম চন্নু মন্দানে নাহাকপম চনূ শ্যাম মালানে ৱাংখৈ চনূ ধনানে কবাং চনূ গোবিন্দ মালানে মোইবাংথেম চনু চন্দ্রমালানে শাৎপম চনূ কুঞ্জেশ্বরীনে কারাম চনূ রাধানে, শঙ্গিবাম চনূ কালিন্দ্রনে, কাবাম চনূ লৈখমনে, অসেম চনু চন্দ্রা-বলীনে অকোইজম চনু বসনে ৱাংখেম চনু লৈখমনে, ৱাংখেম চন্নু খেনানে উসম চন্নু তুলসীনে ১৮অসি পান্নহুন লাইরিকযেংবম চন্নুনচিংবা ১২দি শোইনাইদে। নাওবোইবম চন্নুনা ইবুংশি কোকিলানন্দগা ইবুংশিজ সুন্দ্রনন্দগা ২মা পোকএ। সোরাম চনূনা ইবুংশিজ হৃদযানন্দগা ইবুংশিজা লালসিংগা ইবুংশিজ রাসচন্দ্রগা ৩মা পোকএ। শাৎপম চনুনা ইবুংশিজা মহাসিং খুজুং দেৱান পোকএ মোইরাংথেম চন্নুনা ইবুংশিজ নরেন্দ্রসিংগা ইবুংশিজ পরমানন্দসিংহগা ২মা পোকএ। ইবুংশিজ

নরেন্দ্রসি হদি শোইনাইদে। শাঞ্জিরাম চন্নুনা ইবুংশিজ জগসিং জগসিং কৈদা শঙলাকপা পোকএ। অসেম চন্নুনা ইবুংশিজ চন্দ্রসিং নারানসৈন্য সেনাপতি পোকএ ।। ০ ।। ইবুংশিজ কোকিলানন্দনা অচোম চন্নুনে হিজম চনুনে ২মা পান্নহুনা অচোম চন্নুনা ইবুংশি রঘুসিং শগোলশেনবা হঞ্জবা পোকএ। ময়াং হিজম চনুনা ইবুংশিজ ওকলাবদ দেৱান পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম শগোলশেনবা হঞ্জবা ময়ুমনে ।। ০ ।। ইবুংশিজ সুন্দ্রনন্দনা মোইরাংথেম চন্নুনে থাওরোইজম চন্নুনে ২মা পান্নহুনা মোইরাংথেম চনুনা ইবুংশি চংনিংখোম্বা লৌরুংপুরেন পোকএ। থাওরোইজম চনুনা ইবুংশি তাজৌ পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম লৌরুংপুরেন ময়ুমনে ।। ০ ।। ইবুংশি রামচন্দ্রদি শোইনাইদে ।। ০ ।। ইবুংশিজ হৃদয়ানন্দনা নিংথৌখম চনু পান্নহুনা ইবুংশি মাধবসিং পোকএ ।। ০ ।। ইবুংশিজ লালসিং পাচহনবনা রাংথেম চনু ২নে লোকতোনবম চনু ২নে রাহেংবম চনু ১নে ৫মা পান্নহুনা রাংথেম চনু অহন্না ইবুংশি ভগিরথ কম্বান পোকএ। রাংথেম চনু নাহানা ইবুংশিজ নিলধ্বজ পোকএ। রাংথেম চনুনা ইবুংশিজ রুদ্রসিং রাংথৈরাকপা পোকএ। লোকতোনবম চনু অহন্না ইবুংশি ভুবোনসিং পোকএ। লোকতোনবম চনু নাহানা ইবুংশি শিথসিংগা ইবুংশি গৌরসিংগা ২মা পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম পাচহনবা ময়ুমনে ।। ০ ।। ইবুংশি মহাসিং খুজুং দেৱান্ন অহৈবম চনুনে, থাওরোইজম চনুনে অথাম চনুনে খাইদেম চনুনে সোরাইশম চনুনে ৫মা পান্নহুনা অহৈবম চনুনা ইবুংশি জন্মসিং পোকএ। শোইনাইদে। থাওরোইজম চনুনা ইবুংশি গৌরসিং পোকএ। অথাম চন্নুনা ইবুংশি কম্বান পোকএ। সোরাইশম চনুনা ইবুংশি কবুইঙম্বা পাকএ। ঔৱাদা চঙখবে। খাইদেম চন্নুনা ইবুংশি চীঙ্গোইবা পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম দেৱান ময়ুমনে ।। ০ ।। ইবুংশিজা পরমানন্দ সেনাপতিনা অচোম চনুনে, লিকমাবম চনুনে ২মা পান্নহুনা অচোম চনুনা ইবুংশিজা শেসাই খ্বাইরাকপগা ইবুংশি সুরব্রত মন্ত্রিগা ইবুংশি সত্যব্রতগা ইবুংশি

জগন্নাথ বল্লহবকা ইবুংশি মেঘব্রতগা ৫মা পোকএ। ইবুংশি মেঘব্রতদি শোইনাইদে।। ০।। লিকমাবম চন্নুনা ইবুংশি রনস্বর পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম সেনাপতি মধুমনে।। ০।। ইবুংশিজ জগসিং পাংচহনবনা আখাম চন্নুনে হাণ্ডবোংবম চন্নুনে ২মা পান্নতুনা আখাম চন্নুনা ইবুংশি পুনিন বিহারী অপানবা শঙলাকপা পোকএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম পাংচহনবা পুরুপ ১নে।। ০।। ইবুংশিজা নাবানসৈন্য সেনাপতিনা থাংজম চননে, কব্রমবম চন্নুনে ২মা পান্নতুনা থাংজম চন্নুনা ডিব্রসিং পোকএ। কবরবম চন্নুনা ইবুংশিজা মাযপক্কা ইবংশি কৈফাগা ১মা পোকএ। ০।। ইবুংশিজা নালসিগী মচ ইবুংশিজা কোংবদি ময়াংদা লৈএ। অসিদি মন্ত্রিময়ুম নাবানসৈন্য সেনাপতি ময়ুমনে। ০। ইবুংশি চাউবাতোন ঔরাদা চঙখি গী মচা অগাম চন্নুনা পোকপদি মুংনবী মচানে।। ০।।

শ্রীভৌরাম ববশাই সেনাপতিনা মোইবাংখেম চন্নু তুঙ্গোং ওস্বীনে, মোইরাংথেম চন্নু পোংলেন খোম্বীনে, সিনাম চন্নু চন্দ্রাবলীনে ৩মা পান্নতুনা মোইবাংথেম চন্নু তুঙ্গোং ওস্বীনা ইবংশি কন্নুইওম্বা পোকএ। ঔরাদা চঙখবে, মোইরাথেম চন্নু পোংলেন খোম্বীনা ইবুংশিজা ভদ্রসিংহ রাংখৈরাকপা পোকএ। সিনাম চন চন্দ্রাবলীনা ইবুংশিজা রতনসিং পোকএ ।।০।। ইবুংশিজ রতনসিং শামু হঞ্জবনা অচোম চন্নু হেমাবতীনে লোংজম চন্নু লৈহাওনূনে থাংজম চন্নু মযাংনুনে মাইবম চন্নু যশোদানে নৈযেংবম চন্নু তুলসী প্রিযানে লাইশ্রম চনূ ইন্দ্রানীনে খেমামযুম চন্ন চইন্দ্রিনে ৯মা পান্নতুনা অচোম চন্নূনা ইবুংশি নৌতুনশিংনে ইবু শি কেশ্বরসিং লৌকংপুবেন্নে ২মা পোকএ। লোংজম চন্নূনাচিংবা ৮মাদি শোইনাইদে। ইবুংশি নৌতুনসিংস্থ শোইনাইদে ।।০।। ইবু শি কেশ্বরসিংনা ভাংবম চনূ দেবানিনে লৌখাম চনূ তুমরেশ্বরীনে, কোনশম চনূ মদনশ্বরীনে ৩মা পান্নতুনা ভাংবম চন্নুনা ইবুংঙো ভীষ্মসিংগা ইবুংঙো লুকসিংগা ২মা পোকএ। লৌখাম চন্নূনা ইবুংঙো লাবন্য কৃতিসিংহগা ইবুংঙো দেবাসিংগা ২মা পোকএ। কোনসম চন্নূনা ইবুংঙো পূর্ণানন্দগা ইবুংঙো বসন্তগা ইবুংঙো দুর্গসিংগা ৩মা পোকএ। অসিদি সামুসেনবা হঞ্জবা

ময়ুমনে ॥ ০ ॥ ইবুংশিজ ভদ্রসিংহ ৱাংখৈরাকপনা শাংপম চনু লক্ষপৃয়ানে থাংজম চনু হরিপৃয়ানে লোক্তোনবম চনূ প্রেমলাতানে ওইনাম চনূ দেবযানিনে কোম্থোজম চনূ লনহাম্বীনে মাইস্নাম চনূ বৃন্দানে লাইরিক-য়েংবম চনূ গৌবপৃয়ানে থিয়াম চনূ রুহিনীনে সবাইশম চনূ খেমাবতীনে য়াঙম্বম চনু শম্মাবতীনে মাইস্নাম চনু ভবনীনে লাইরিকয়েংবম চনু চন্দ্রানে লৈতাম চনু বক্ষবতীনে অয়েকপম চনু কৌশিলানে থাংজম চনুনে য়াইস্নাম চনূ থম্বালনুনে থোকচোম চনূ চন্দ্রমুখীনে ওইনাম চনু লুকেশ্বরীনে মোইবাংথেম চনু শ্রীমতিনে ১৯মা পান্নবুনা শাংপম চনুনা ইবুংশি দুর্ব্বসিং পোকএ। মুংনবী মচানে। থাংজম চনুনা ইবুংশি যদুসিং পোকএ। লোক্তোনবম চনু প্রেমলতানা ইবুংশি নবসিংহগা ইবুংশি যাদবসিংগা ২মা পোকএ। ইবুংশি যাদবসিংদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ শ্রীমৈতিংঙু নরসিংহ নিংথৌ ওইএ ॥ ০ ॥ ওইনাম চনুনা ইবুংশি গুণ ঈশৈহনবা পোকএ ॥ ০ ॥ য়াঙম্বম চনুনা শ্রী ইবুংশি দেবেন্দ্র পোকএ। নিংথৌ ওইএ। মাইবম চনুনা ইবুংশি বঘুসিং ৱাংখৈবাকপা পোকএ। মাইস্নাম চনুনা ইবুংশি কমলাকান্ত য়াইস্কুল লাকপা পোকএ। ইবেম্ম-শিং ১২মদি শোইনাইদে ॥ ০ ॥ ইবুংশি দুর্ব্বসিংনা তাওবেম চনু পোলেম্নুনে ইংগুডুম চনূ জমুনে লাইশ্র চনূ কমলানে ৩মা পান্নবুনা তাওবেম চনুনা ইবুংশি পূর্ণ নোংথোনবগা ইবুংঙো পত্রসিংগা ২মা পোকএ। ইংগুডুম চনুনা ইবুংঙো খেলাসিং খুবাযরাবপা পোকএ। লাইশ্রম চনুনা ইবুংঙো বিমলসিং লৈরুংপুবেন পোকএ। অসিদি নোংথোনবা ময়ুমনে। মুংনবীগী ধারানে ॥ ০ ॥ ইবুংশি * যদুসিংনা লিকমাবম চনূ পান্নবুনা ইবুংঙো রাঘবসিং পোকএ। ঔরাদা চণ্ডখরে ॥০॥ ইবুংশি গুণ ঈশৈহনবনা ৱাহেংবম চনূ কালাবতীনে ঙাংবম চনু ভেদশ্বরীনে

---

* যদুশিং:— ঔৱাশিং লানগাহনবগী চহী ৭ থৃস্তাকপগী মতংদা শকাব্দ ১৭৪৪ দা ঔৱাগী মথাদা মৈতৈ নিংথৌ ওইখি। ফম্বাল মিংছন নোংপোক চীঙলেমথোম্বা কৌই. শক ১৭৪৫ লাংবন থাশি নোংমাইজিংদা নোংগাখি মংলেন্দা পোৎলোইখি। চৈঃ কুম্বা

২মা পান্নহুনা ব্রাহে'বম চন্নুনা ইবুংঙো গোপালসিং খুরাযরাকপা পোকএ। ঙাংবম চন্নুনা ইবুংঙো খেলদাসিং থুমজাও পুরেন পোকএ। অসিদি ঈশৈহনবা মযুমনে॥ ০॥ ইবু'শি রঘুসি' ব্রাংখৈবাকপনা অঙোম চন্নু কমলিনীনে থৌনাউজম চন্নু তবেংনে, হিদাকশুংবম চন্নু চৌখিনীনে হিদাকশুংবম চন্নু রত্নবাশিনে লোখাম চন্নু লীকলাইনে ৫মা পান্নহুনা ৩দি শোইনাইদে। হিদাকশুংবা চন্নু নাহানা ইবুংঙো দেবেন্দ্রসিং পোকএ। হিদাকশুংবা চনূ অহন্না ইবুংঙো ভুবেন্দ্রসিংগা ইবুংঙো নৌতুনসিংগা ২মা পোকএ। অসিদি ব্রাংখৈবাকপা মযুমনে॥ ০॥ ইবুংশি কমলা-কান্ত যাইস্কুল লাকপনা লাইশ্রম চন্নু থামা পান্নহুনা ইবুংঙো গজেন্দ্রসিং পোকএ। অসিদি যাইস্কুল লাকপগী মযুমনে॥ ০॥

শ্রীপঞ্চযুক্ত মৈদিংঙু নবসিংহ লৈবেন নোংলেন শেন্দ্রে' মনিক-খোম্বা মহারাজনা শ্রীমতি মহাবাণী খযোইরোন হাওবম চনূ লীকলাই-বোকপীনে, ব্রাহেংবম চন্নু বসনি অপাম্বী অহন্নে, হৈক্রুজম চন্নু মালিকানে অচোইবম চন্নু অপাম্বী যাইমনে ব্রাঙম্বম চন্নু নিলশ্বরীনে লাইশ্রম চন্নু জীবেশ্বরীনে থোকচোম চনু তুতেশ্বরীনে খোইবম চনু কুঞ্জমালানে চিংঙাখম চনু ললিতপ্রিযানে, ওইনাম চনু দযাশ্বরীনে লাইশ্রম চনু প্রেমলতানে, লংমাইথেম চনূ পৃযানে, হাওবম চন্নু চেজমযি লৈমথুবীনে ১৫ অসি পান্নহুনা শ্রীমতী মহারাণী হাওবম চনূনা সনা গোবিন্দসিংহগা সনা ভুতসিংগা সনা যতুসিংগা ৩মা পোকএ। ৩মা ঈ তাদে। ব্রাহেংবম চনূ অপাম্বী অহন্না সনা প্রতাপসিংগা সনা ভগিন্দ্রসিংগা ২মা পোকএ। সনা প্রতাপসিংদি ঈ তাদে। ০॥ হৈক্রুজম চনূনা সনা কেন্দ্রসিং পোকএ। অচোম চনূনা সনা গজেন্দ্রসিংগা সনা সেথবসিং সেনাপতিগা সনা কুনেন্দ্রসিংগা সনা খগেন্দ্রসিংগা সনা সুরেন্দ্রসিংগা ৫মা পোকএ॥ ০॥ লংমাইথেম চনূনা সনা এথরসি পোকএ॥ ০। মাইবম চনূনা সনা পুষ্করশিং খাইবাকপগা সনা উথেন্দ্রসিংগা সনা ভগ্যসিংগা ৩মা পোকএ॥ ০॥ ব্রাঙম্বম চনূনা সনা বৌধশিং শামুশেনবা হঞ্জবগা সনা ভগবন্তসিংগা ২মা পোকএ॥ ০॥

লংমাইথেম চনুনা সনা বিগিন্দ্রসিং শগোলশেনবা হঞ্জবা পোকএ ॥ ০ ॥ খোকথেম চনুনা সনা ত্রিম্বানসিংগা সনা ধনেন্দ্রসিংগা সনা উবেন্দ্রসিংগা ৩মা পোকএ ।০॥ খোইবম চনুনা সনা কেন্দ্রসিংগা ২মা পোকএ। চিংজাগম চনুনা সনা রদেন্দ্রসিং পোকএ। লাইশ্রম চনু প্রেমলতানা সনা হেরেন্দ্রসিং পোকএ। হাওবম চনু লৈমাখুবীদি শোইনাইদে ॥ ০ । শ্রীপঞ্চযুক্ত নাওজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজগী শ্রীচরন্দা হাওবমদা লৈবা মউরসিংনা হংগৎলে-এ। ননাই ঐবু শ্রীনতোল ইবুংঙো মহারাজগী মচানি। মী ফত্তবনা হায়জিনবিদুনা ইচা নত্তে হায়বিরমলে। অসিবু সনা নোংদম অমতং তম্বিয়ু হায়না তুজরবদা অতুদা শ্রীপঞ্চযুক্ত মহারাজনা শ্রীমন্দোনশীজা হাওবম মহারাণীবু কৌখৎলে। ময়াম্বুং পুষ্কর খ্বাইনাকপন্থু কৌখৎলে। মউরসিং কৌবা অঙাং অসিবু শ্রীখুরা মহারাজগী মচানি হায়এ। অসিবু ইন্দোন শীজনা য়াম্মুংনা শ্রীখুরা মহা-রাজগী শ্রীচরণ য়েংনা ধর্ম্মবুম্মুং য়েংনা হায়বিয়ু অস্তুম হায়না সনা য়াথং হংলবদা শ্রীমন্দোনশীজা মহারাণীনা ইনাও লাইশ্রা নিজশ্বরীনা পোকপা মউরসিং অসিদো শ্রীনতোন ইবুংঙো মহারাজগী মচামকনি। মী ফত্তবনা হায়বিদুনা ইচা নত্তে হায়জিনখরে। অতু মতুংদা ঐখোয় পুম্নমকনা নতোন ইবুংঙো মহারাজদা হংগৎলি। মহারাজনা ননাই লাইশ্রানা পোকপা অঙাং অসিবু ধর্ম্ম নত্তবেত্তই হায়না হংগৎলবদা মাসিদা ইচাদি ইচামকনি। শাওনিংবনা ইচা নত্তে হায়দোকখরে। হৌজিক্তি ইকাইরে করম তৌসিবা অস্তুম হায়বা ব্রারম অসি তাহৌবা শ্রীগুরুনন্দন ১ মতু ঠাকুরাণী ১। শ্রীবাচস্পতি ময়ুমগী ব্রহ্মা ১ অসি খৈবিক তাহৌএ। অস্তুম হায়না হংগৎলবদা শ্রীঠাকুবশিং ঠাকুবাণীশিং পুম্নমক কৌখৎলতুনা শ্রীপঞ্চযুক্ত মহারাজনা শ্রীমতিমমা শীজা নিংথৌ পোকপীগী সনা মাঙদা বিচার তৌনরে। লেপ্লবে। শ্রীযুৎ মহারাজনা শ্রীগোবিন্দগী মমাঙদা উৎসব কতুনা শ্রীগুরুজিনচিংবা ব্রাহ্মণ সভা পুম্নমক শাগৈ ফুংগা ফুংগাগী অহল অহল পুম্নমক শ্রীচৈরাপ শ্রীবিজয়া গারোৎকী অঙম্বা মকোক

পূম্নমক য়াওনা চাযএ। শ্রীরাধা গোবিন্দদা সনা লুপা কতুনা লৌখৎলে ॥ • ॥

শ্রীপঞ্চয়ুক্ত মৈদিংগু দেবেন্দ্রসিংহ মনিক নুংলেনখোম্বা মহারাজনা শ্রীমতী মহারাণী য়োইকুমলোন থৱাম চনু তমলেন খোম্বীনে, হিদাম চনু পার্ব্বতীনে, অহৈবম আখাম চনু ইন্দুরেখানে, ঙাংবম চনু ধর্ম্মবতীনে অকোইজম চনু চন্দ্রাবলীনে হিদম চনু চেতবতীনে, ওক্রম চনু সেখরবতীনে, অঙোম চনু সুন্দরবলিনে, খিযাম চনু সিংহ মালাবতীনে, চোংথাম চনু চন্দ্রিকাবতীনে লাইফ্রাকপম চনু মালিকানে, থিয়াম চনু সিংহগুণবতীনে, লাইশ্রম চনু হেমলতানে, পোৎশংবম চনু মুক্তাবলীনে, ক্ষেত্রিচনু হেমাঙ্গ মঞ্জুরীনে, নিংথোম্বম চনু রজনপতিনে, চিংখাম চনু নন্দবতীনে, যুমলেনবম চনু রূপবতীনে, যুমলেনবম চনু সিংহবতীনে, সোবাম চনু ভুজবতীনে, ঙাংবম চনু মদনবতীনে, অঙোম চনু চন্দ্রমুখিনে, নোংথোনবম চনু মুহিবতীনে, ক্ষেত্রি চনু সূর্য্যমুখীনে, লাইশ্রম চনু শঙ্খবতীনে, ওক্রম চনু পৃযাদেবীনে, থাংজম চনু ইন্দ্রবত্তীনে, নাওরেম চনু পদ্মমালানে, শাকংবম চনু নবিনবতীনে, হাওবম চনু পূর্ণমালানে, থিঙুজম চনু চম্পাকমালানে মাইস্নাম চনু কুঞ্জবতীনে, লৈতাম্বেম চনু কুমবতীনে, লৈশাংথেম চনু মেঘবতীনে, অকোইজম চনু অম্বুজবতীনে, অকোইজম চনু লিলাবতীনে, লোংজম চনু ধনপতিনে, নিংথৌখোংজম চনু মেহেন্দ্রিপতিনে, থোকচোম চনু সুন্দ্রাবতীনে, ময়াইখোম চনু অসবনবতীনে, খিযাম চনু চন্দ্রাবতীনে, থাংজম চনু কেশবতী-নে লাইশ্রম চনু গোকুলপতিনে ঙাংলোম চনু রুহিনীপতিনে, শগমোম চনু গস্থিনিপতিনে, লাইশ্রম চনু লাবন্যপতিনে, নিংথোম্বম চনু অরুণপতিনে, থেংগাম চনু রমনপতিনে, এনশেনবম চনু রুহিনীপতিনে, লাইফ্রাকপম চনু আগ্নিপতিনে, হিদম চনু কমলবতীনে, তোঙ্গম চনু জসপতিনে, থিঙুজম চনু পদ্মমুখিনে, নিংথোম্বম চনু ময়ুরবতীনে, থিযাম চনু গৌরপতিনে, লংমাই-থেম চনু হরিপৃয়ানে পুখ্রম্বম চনু যাতিপতিনে, কোংখাম চনু বহরপতিনে, য়ুংখাম চনু তুলবতিনে, নোংথোনবম চনু মদনপতিনে, কোন্থৌজম চনু

রদনপতিনে, খোকচোম চন্নু কিশ্বরপতিনে, ওক্রেম চনু চুগবতীনে লাইরিক-য়েংবম চনু চাগপতিনে, ওইনাম চনু মৃনালিনে, থৌনাউজম চন্নু পদ্মাবতীনে, লাইথংবম চনু কলাবতীনে, থৌনাউজম চনু অমেবতীনে, ঙাংবম চন্নু কুলবতীনে, লাইক্রাকপম চন্নু তুলসী প্রিয়ানে ওইনাম চন্নু সত্যবতীনে, লাইক্রাকপম চন্নু ইন্দুমুখিনে, কোন্থৌজম চনু রদনপতিনে অকোইজম চন্নু দধিনপতিনে, ওক্রেম চন্নু প্রভাতিনে, য়াইংভৌম্বেবম চনু ললিতাবতীনে, চোংথাম চন্নু তুঙ্গনে, অঙোম চনু হেমাবতীনে, ঙাংবম চন্নু রুদ্রাবতীনে, ক্ষেত্রি চন্নু ধর্ম্মপতিনে, নাহাকপম চনু কুমপতিনে, থিয়াম চন্নু যমুনা-পতিনে, থৌনাউজম চন্নু সুশীলাপতিনে শুপ্না ৮৭ মাসি পান্নদুনা শ্রী থিয়াম চন্নু মহারানীনা সনা তাম্রধ্বজ পোকএ। অহৈবম অখোম চন্নু সনা ঝলকুতিসিংহ যুবরাজগা, সনা হেমাঙ্গসিং সেনাপতিগা *সনা গোকুসিংহগা ৩মা পোকএ। মুংনবী মচানে॥ ০॥ ঙংবম চন্নুনা সনা রুকাঙ্গদসিংগা সনা মউরজিৎকা ২মা পোকএ। মুংনবী মচানে। অকোইজম চন্নুনা সনা গোবিন্দসিংগা সনা দশরথকা সনা ভগবন্ত-শাইগা ৩মা পোকএ। হিজম চন্নুনা সনা বুধসিং পোকএ। লাইক্রাকপম চনূনা সনা সিংহজিৎ পোকএ। থিয়াম চন্নুনা সনা জমনজিৎ পোকএ। য়ুমলেনবম চন্নুনা সনা দিগম্বরজিৎ পোকএ। ক্ষেত্রি চনূনা সনা জগেন্দ্রজিৎ পোকএ। লাইশ্রম চন্নুনা সনা তরুনজিৎ পোকএ ॥০॥ নামুম চন্নুনা সনা এথরজিৎ পোকএ।০। থিংগোম চন্নুনা সনা গোগেন্দ্রজিৎ পোকএ ॥ ০ ॥ লৈশাংথেম চন্নুনা সনা অথরজিৎ পোকএ। লোংজম চনূনা সনা রোদেন্দ্রজিৎ পোকএ ॥ ০ ॥ থাংজম চন্নু ইন্দ্রানী অপাম্বী অহল্লা সনা কমলজিৎসিংহ পোকএ ॥ ০ ॥ সোরাম চন্নু উমা-বতীনে সনা তুলজিৎ পোকএ ॥ ০ ॥ শ্রীসনা শ্যামশাই খুরায়রাকপা নোংপোক মুঙ্গাপাই লাম্বনা ইবেম্মা ইরাংলোন রায়েনবম চন্নু চখামরিং লোইখোম্বীগা ইবেম্মা থোংবম চনূগা ২মা পান্নদুনা শ্রীইবেম্মা চখামরিং

* গোকুলসিংনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মথক্তা লান হৌখি।

লোইখোম্বীনা শ্রীসনা গৌবশ্যাকা শ্রীসনা ভগ্যচন্দ্রগা শ্রীসনা কৃষ্ণচন্দ্রগা তমা পোকএ ॥ ॰ ॥ ইবেম্মা থো'বম চন্নুনা শ্রীসনা ভবানন্দ পোকএ। নিংথৌ ওইদে, ঈশ্নু তাদে ॥ ॰ ॥ শ্রীসনা গৌরশ্যামনে, শ্রীসনা ভাগ্য-চন্দ্রনে ২মদি নিংথৌ ওইএ। শ্রীসনা কৃষ্ণচন্দ্রদি নিংথৌ ওইদে। ঈশ্নু তাদে ॥॰॥ শ্রীপক্ষযুক্ত গৌরশ্যাম মরামমণ্ডা মহারাজদি ঈ তাদে ॥॰॥

শ্রীপক্ষযুক্ত চীংথংখোম্বা মহারাজনা শ্রীমতী মহারানী খুমম্বেম চন্নু চিলমনিনে শ্রীমতি আখাম চনু ঙাংবীনে, শ্রীমতী মহারানী ঙাংবম চন্নু হরিমতিনে শ্রীমতী মহারানী চিংঙাথম চনু দেবহুতিনে শ্রীমতি মহারানী আখাম চন্নু খোংজাই ঙম্বীনে সিনাম চন্নুনে য়ুমলেনবম চনু কৃষ্ণময়িনে, চিংঙাথম চনু ঘননে, হাওরোইবম চনু সত্যভামানে, খিয়াম চনুনে, মোইরা' চন্নু কমলাবতিনে লৌখাম চনু কুমুদিনীনে, লারুংবম চনু চন্দ্রবতীনে, লৌখাম চনুনে আখাম চন্নু চন্দ্রানে আখাম চন্নু চন্দ্রমুখিনে আখাম চনু যজ্ঞশ্রেনীনে ঙাংবম চন্নু হরিমতিনে থাংজম চনু রসবিকানে, সোরাম চনুনে ঙাংবম চন্নু রমনীনে অহৈবম চনু দরবতীনে লাইরিকয়েংবম চনু মন্দাকিনিনে, শাংপম চনু দেবযানিনে খুম্বোংময়ুম চনু ভগ্যবতীনে, শাংপম চন্নু শৌদামবিনিনে, য়ুমলেনবম চন্নু ঙাংবীনে, যুমলেনবম চনু ভবানিনে, লাইরিকয়েংবম চনু সুভদ্রানে, থোকচোম চনু চিত্রানে, হিদাম চন্নু মালিকানে, খুমম্বেম চনু চন্দ্রাবলিনে, হাওবিজম চনু নবমালানে, খরিবম চন্নুনে চকপ্রম চনু চন্দ্রাবলিনে, কো'বম চনু থম্বালমুনে, ওইনাম চনু ভগ্যবতীনে, হোংনেমশুম্বম চন্নু প্রেমমালানে, তাওরেম চনু শরীনে, অচোম চনু রত্নমালানে, ঙাংবম চনু প্রেমময়িনে, কবরম্বম চনু হরিনে, ক্ষুরিংশাবম চনু বৃন্দাময়িনে, মাইবম চনু তরনে, হাওবম চনুনে, হাওবম চনু পদ্মানে, লাইশ্রম চনু কমলানে, লাইশ্রম চনুনে, শনখোম চনুনে, পাওনবম চনু লতানে, শঙ্গেনবম চনু ইন্দু মালিকানে, শঙ্গেনবম চনু প্রেমমালানে, সোরোকখাইবম চনু ললিতানে, চোংথাম

